
নীলকণ্ঠ

সংস্কৃতিগী শক্লোন

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ




রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল

SANSKRITIGI SHAKLON

A collection of Manipuri Essays

by :— E NILAKANTA SINGH

Writers' Forum, Imphal.



অহানবা কোঙবা [illegible] মে, ১৯৯১

ফোঁডবা : শ্রীমতী থোনাওজম সুরোধোনি দেবীনা
বাইটরস ফোরম, ইম্ফালগীদমক

কোপী মশীং : ১০০০

নম্বা : সুচেতা প্রিন্টিং ৱার্কস, মোইবাংখোম, ইম্ফাল

মখুম য়েকপা : অরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মা

মমল লুপা ২৫. ০

পৃথিবীগী সভাদা

ঙনদম মচা অসিগী সংস্কৃতিবু
চাউথোক্লা শক্তাকপগী সাধনাদা
পুন্সি কত্থোকপিখ্রবা
নোংমা অমুক অমদা
ঐহাকপুম্নু
খোঙনা খোংনা লেংবীরকুনা
চংশিন্নসি হোবীবগা
পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু বিদ্যারত্নগী
পুণ্য স্মৃতিদা

তৌবীমল খঙবা উৎচবা

খোমজিঙ্গরিবা ৱারেংগী লাইরিক অসিদা য়াওরিবশিংসি হান্ননা "সাহিত্য" "ৱাখল" "ঋতু" "মিংশেল" "কংলা" অমসুং চেফোঙ অতে খরদসু ফোঙখ্রবনি। ফোঙদ্রিবা খরনা সেমিনারসিংদা পাথোকচখ্রবনি। ময়ামশিং অসিবু ফোঙজনবগী অয়াবা পীবিরক্লিবা চেফোংশিংগী সম্পাদকশিংবু থাগৎচরি অমসুং মখোয়দা তৌবীমল খঙবা উৎচরি।

থোইদোক্নসু "অরিবা মণিপুরী সংস্কৃতি অমসুং তন্ত্রশাস্ত্র" হায়বা বিষয়দা পীজখিবা লেকচর অনিবু ফোঙজনবগী অয়াব পীবিরক্লিব নহারোল সাহিত্য সমিতি, ইম্ফালবু থাগৎচরি। মখুম য়েকপীরকপা সাহিত্যিক অমসুং কলাকার, শ্রীঅরিবম চিত্রেশ্বর শর্ম্মদসু তৌবীমল খঙবা উৎচরি।

লাইরিক অসিগী নম্বগী শরুক্তা হৌবদগী লোইবা ফাওবদা প্রুফনচিংবা য়েংশিনবীদুনা শেন্নবীরকপা ঐহাক্কী মরুপ, কবি অমসুং সাহিত্যিক শ্রীএলাংবম সোনামনি সিংহদসু তৌবীমল খঙবা উৎচরি।

হৌজিকসি স্পেসিয়েলাইজেসনগী যুগনি। পায়খৎলুবা মচেৎ অমদা অয়োবীদা চঙশিন্নরবনি। ঐহাক্কীদি লাইবক ফবনি হায়গদ্র। নত্রগা অথীববু কৌগদ্রা— সাহিত্য, কলা অমসুং সংস্কৃতিগী মায়কৈ শুনা পামজরুবা পুন্সি ওইবনা হায়জনীংবা খরদু ফোঙদোকচবা তাখি। ময়াম অসিদগী খরদং খনগৎচরগা লাইরিক অমদা খোমজীঙ্গরবদি অপাবশিংগী খরদং খুদোং চাগদ্রা খঙদুন লাইরিক অসি ফোঙদোকচবনি। তত্তনা হোংলক্লিবা ৱাখল অমসুং পুন্সি মীৎয়েংনিনা শেমদোকচনীংবা কয়া য়াওরবসু মতম অমগী রেকোর্ড ওইনা থমজরে। মণিপুরী সংস্কৃতিগী পাক্লবা ঈপাক্কী তোর্ব্বান্দা ঐহাক্তি বৈজ্ঞানিক নিউটনগী লোন্দাদা, তশেংনা নুংজেল খুঙবতনি হায়বসি তশেংনা খঙজৈ।

অসিনা লাইবিক অসি পাওজদ্রবা ঐ হাক্কী মীৎয়েংগী তাংকক অমনি হায়না লৌবীগনি। ফোঙদোকচরিবা অসিনা ময়ামদা ঙাইহাক্তং পাউ অমজবগী নুংঙাইবা ফোংদোকচবনি। মসিন অয়রাইবনি হায়বগী পান্দম ৈলতে। অনৌ অনৌবা থেংনরকপগী অঙকপস্ত পুন্সিসিদা লোইবা লৈতে।

রাইটরস ফোবম, ইম্ফালনা অসিগুম্বা লাইরিকশিংগী পব্লিসার লৈত্রিবা মণিপুরদা কয়ামুক চাউবা থৌদাং অমা য়ারিবনো হায়বগিদি পুন্নমক্না খঙবীরি।

ইম্ফাল, ৪।৫।৯১

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

ৱামাঙ য়ানবা

ইং ১৯৮৮-গী সেপ্তেম্বর তাং ৩ দা লিংখৎখিবা রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল (অইবশিং মরুপ) গী পান্দমদি মণিপুরগী অইবশিংনা মায়য়োক্নরিবা মরু ওইবা সমস্যাশিংগী মফম্দা অমা ওইরিবা মখোয়না ইজবা লাইরিক ফোঙবা ঙমদবা অসি কোক্লবা শেলগী মতেং পিব। হায়বসিনা মপুংনি। পান্দম অসি থুংনবা অইবশিং অমম্বুং সাহিত্যবু মুংশিজবা মীওই কয়ানা পুল্লগা লিংবা সংস্থান অসিগী মেম্বর পুন্নমল্লা মশা মশাগী থাগী শেনথায় পুথোক্লে অম্বুগা অপূনবা শেনফম শাগৎলি। শেনফম অমু মথং মনাউ নাইনা মেম্বরশিংদা ফংহন্দুনা লাইরিক ফোঙই।

লাইরিক ফোঙহুনা শেন্দোং তানবগী রাথল লৈতে। শুপ্নতগী অইবশিংবু পুক্নীং থৌগৎপা, তেংবাংবা অমম্বুং মগুন লৈবা লাইরিক ফোঙহুনা মণিপুরী সাহিত্যগী পুক্কী হেঙ্গৎহনবা অনম্বুং ইনাকখুনহনবনি। খোঙচৎ অসি লাইরিক ফোঙবগী মায়কৈদদি অনৌবা আন্দোলনগী মশক অমনি।

ঙসি ফাওবদা ফোরম অসিনা লাইরিক নিপাল পুথোকখ্রে। শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহনা ইবা "সংস্কৃতিগী শক্লোন" কৌবা রারেং লাইরিক অসি ফোরমগী মাপল শুবা লাইরিকি। লাইরিক অসি খ্বাইগী থুম্বা শিন্নজরি।

লমাবম বীরমনি
জেনেরেল সেক্রেটরি
রাইটরস ফোরম, ইম্ফাল

ইম্ফাল, মে: ১৯৯১ ইং

হীরম লামায়

মণিপুরী জগোয় রাস অমসুং নট সঙ্কির্ত্তন

মণিপুরী নট সঙ্কীর্ত্তন হায়বসি মণিপুরীসিংগী লাই হরাউবা, পাফল নচিংবনা য়ুম্ফম ওইরগা ভরতমুনিগী নাট্য শাস্ত্র, শ্রীমদ্ভাগবত অমসুং পুরাণশিং অমসুং জগোয় ঈশৈগী শাস্ত্রশিংদগী লৌথোক্লুনা তোপ তোপ্পা শেম্লম্লবা নাট্য মখল অমনি। জগোয় রাসমসু নট সংকীর্ত্তনগী মমুং চনবা শরুক অমনি অতোপ্পা অমা নত্তে। তৌবতবু রাসকীদি তোপ তোপ্পা মশক অমদি লৈজে। অনিমক্কী মশক চপচানা খণ্ডোকপা দরকার ওই। অনিমক রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোকপীরম্বনি। মণিপুরগী পণ্ডিতশিং. জগোয় ঈশৈগী ওজাশিং অমসুং শাস্ত্র খঙলবা পণ্ডিতশিংনা কুপ্পা তান্নরগা পুথোকখিবনি। শাস্ত্রনা হায়বা ঙাক্তা তৌবসু নত্তে। শাস্ত্রনা য়ুম্ফম ওইবা ফাওবেতনি। অনৌবা খুৎশেম অমমমনি।

ঈশৈ শক্লুনা জগোয় শাক্লুনা অভিনয় তৌববু নট হায়না খঙনৈ। শ্রীকৃষ্ণবু নটবরনি হায়বদগী অত্থুম শীজিন্নবা হৌই হায়বা য়ারে। রায় রামানন্দসু শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যদা অসুম্না মত্ত পীখি। শব্দগীদমক্তদি পাণিনি ব্যাকরণ (খৃষ্টগী মাঙ চহী ৪০০ শুবদা) দা থেংনরবনি অর্থদবু রা ঙাঙদনা মতৌ তম্ববু খঙনবনি হায়না লৌই। মহাভারততসু নট ব্রাহৈ থেংনৈ—টীকাকার নীলকণ্ঠনা শীজিন্নরবনি—নট নর্ত্তকাঃ (নটকী জগোয় শাবশিং) হায়ত্নুনা। রাজর্ষিনা বৈষ্ণবকী সঙ্গীতশাস্ত্রদগী লৌরম্বসু ম্রাই। অত্থবু য়ুম্ফমদি লাই হরাউবদা লৈ। শ্রীসনখ্যা ইবোতোম্বীনা নাট্যগী মথং মথংগী কায়াৎ ৪ মক অধিবাস, পুর্ব্বরঙ্গ, রঙ্গ অমসুং অন্তরঙ্গ (লাইরোই) মণিপুরগী লাই হরাউবদা লৈ হায়না প্রমাণ তৌরি। নট সংকীর্ত্তনদসু চপ চানা য়াওরি। অধিবাস হায়বসি রঙ্গদেবতা পুজারি—নাট্যগী অহানবা শরুক্নি।

মপূং ওইবা ব্রাহ্মদি নটসংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞনি। যজ্ঞ তৌরবদি মৈ পূজা (অগ্নিদেবতা) তৌবা তাই শোংচৈপিংগা লোয়ননা। যজমান য়াওগনি পুরোহিত য়াওদবা য়াদে। মতাং অসি পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপুন্সী "মৈতৈগী কীর্তন" কৌবা লাইরিক্তা নীংথিজনা শন্দোক্তুনা তাক্লি। সম্প্রদায়গী আচার মতুং ইন্না য়ুম্বুনা (যজমান) যজ্ঞ তৌবীরিবা পুরোহিতশিংদা ফি কত্তুনা বরিবগী থবক তৌই। লুপা সনা কৎপা তৌহৈদে হায়দুনা চৎনদে। অমুকম্বু গন্ধ চন্দননচিংবনা পূজা তৌববু অধিবাস হায়না খঙনৈ। (সংস্কারো গন্ধ মাল্যাদ্যৈঃ সাত্তদধিবাসনম —অমর)। নোংমা ব্রাৎলিঁঙৈগী অধিবাস অতুনা উপবাসকা নকশিন্নৈ। হয়েং কর্ম্ম ঐোগনি হায়রবদি লাৎকদবা ভগবান্না ওলিনা লাক্তুনা যজমান অদুদা লৈবি। উপবাস হায়বদি নাক্তা লাকপা হায়বনি। বৈদিক য়ুগতদি মতম অসিদা হায়বদি নোংমা ব্রাৎলিঁঙৈদা অগ্ন্যাধান তৌই মতুদদি য়ুম্বুনা চরা হেল্লি। অসিননি উপবাসমা চরা হেনবগী অর্থনা চৎনরক্লিবসি। অগ্ন্যাধান তৌদ্রবদি মৈ হৌবগী মতুত্তা মনম নুংশিহন্দুনা পোৎ কয়ামুক কৎলি মতুবু অধিবাস কৌবনি। নোংমা ব্রাৎলিঁঙৈদা অধিবাস হৌখ্রবম্বু কীর্ত্তনগী নুমিত্তম্বু ভৌদবা য়াদে। শ্রীসনথ্যা ইবোতোম্বীনা নাট্যগী মশক ওইবা সংকীর্ত্তনদা মতাং মতাংগী মতুং ইন্না নাট্যশাস্ত্রগী প্রারম্ভ (রাস হৌবা) প্রয়ত্ন (রাস তাবা) প্রাপ্তিসম্ভব (মেল) ফলপ্রাপ্তি (তাকপ) অমসুং ফলযোগ (মেন-কুপ) য়াওই হায়না প্রমান তৌনবা লাক্লে। মসিসু মীৎয়েং অমনি।

মণিপুরগী সংকীর্ত্তন বিচার ওন্থোক্তা কুপপ্রে। মথক্কী অসিনা শৌরগ চৎলক্নি। ফনানা ফনামো হায়বসিদা ভাব অমসুং রলতা অঙকপা ফংনা শন্না মথক কয়া ঐোক্লা লৈপ্রে। থম্না কুপশিনবা ভাবতা সংকীর্ত্তনগী মুত্তিগা রাধা কৃষ্ণ অনিগী মিলনগী মশকনি। বার্ত্তন তৌরিবা য়ুম্বুনা শ্রীরাধানি হৎতুনা লাক্লিবনা (হায়বদি ভাবুক পুম্নমকনা) শ্রীকৃষ্ণনি। পোংহান্নবদা অমিমক উনরে অদুগা চত্তমিন্নরক্লে। বার্ত্তন তৌতুনা লাক্লিবা মতমগী মশক ওইবা চৈতন্যসম্প্রদায় (শ্রীচৈতন্য, নিত্যানন্দ, অদ্বৈত

শ্রীবাস অমসুং মুকুণ্ড) য়েরক্লে। মাগুম্বনা শ্রীবৃন্দাবন গুল্লে। চুম্নগী সাধক দেহনা বৃন্দাবনদা চঙবা য়াদবনা সিদ্ধদেহ ওইনা গোপীভাব লৌতুনা রাগ আচৌবা (নক্লগা মান্নবা রাগশিংদা) হৌবদা ইবুঙো ইবেম্মা অনিদা চঙজবগী ভাবতা চঙ্খগাদবনি। অমুকস্সু রাগ সঞ্চার, তিন তাল, রাজমেল, তানচপ অমসুং মেনকুপ মগা অসিনা রাগগী মূর্ত্তি শাগৎপমি হায়না লৌই। শ্রীচিত্রেশ্বর শর্ম্মনা মহাক্কী "সংকীর্ত্তন বিচার" কৌবা লাইরিক্তা পুথ্রবা কীর্ত্তনগী বিচার অসিদা থায়নগী মৈতৈশী লায়মীংগস্সু মরী লৈনবগী রাকমস্সু পল্লকই। খুদম ওইনা অমতং লৌরবদা—"মৈতৈগী নোঙ্গারোনগী মতুংইন্না খোঙহাম্ফমদা থোঙাওক লাইবেম্বী সিরা কোংদিংনু লৈ। মফম-সিদা অশি থরাইনা থোঙাওক লাইরেম্বীদগী য়াথং লৌরগা খোঙহামপাং চত্তুনা নীরু শাদোংগনি।" (সংকীর্ত্তন বিচার ১৯৮৮ : লামায় ১৪) নাট্য শাস্ত্রগী য়ুম্ফমদা নট সংকীর্ত্তননা শাগৎলবস্সু মমৈথংদদি বৈষ্ণবকী রস সাধনাগী ঈচেলদা মণিপুরী সংকীর্ত্তন ওম্বোকনা কুপথ্রবা যজ্ঞ লাইনীং পরৈ অমা ওইররে। কনথ্রবা বৈষ্ণব সাধনাগী মশক ওইরে। চুম্নগী টেকনিক কায়াৎ অমসুং শাস্ত্রগী রা নত্রে।

নাট্যগী মশক অমা ওইনা জগোয় রাসকী মশক নাট্য শাস্ত্রদা ফংদে। কনাগুম্বনা নাট্য সাস্ত্রগী রূপক মখল অমা ওইনা "নাটিকা" হায়বা অমা থেংনবসি রাসকা নক্লবা ওইগদ্রা থাজনৈ। মতুদি নত্তে। খৃঃ গী শতাব্দী ১২ গী অতুরাইদা চঙলকপা ভোজগী "শৃঙ্গার প্রকাশ" অমসুং অভিনবগুপ্তগী টিকা "অভিনবভারতী" দা উপরূপক হায়তুনা জগোয় ঈশৈনা প্রধান ওইবা নাট্যগী মশক অমা পুশিল্লকই। মতুংদা লাইরিক অনি অহুম্না সমর্থন তৌরকই—বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীস্সু য়াওনা। উপরূপকী মখলদা পল্লি—"রাসক" অমসুং "গোষ্ঠী"। মণিপুরগী জগোয় রাস অমসুং গোষ্ঠ লীলাগা থরগী মথৈদি নক্লে। অত্তুবু চপ চানা য়েংশিল্লু-রবদি খৈন্নে। খুদম ওইনা "রাসক" হায়বসিদা পাত্র মগা, অঙ্ক অমা লৈগনি হায়বগী মশক য়াওই। মণিপুরী রাসতি অত্তু নত্তে অশাংবা

নাট্যগী মশকনি। অসিনা চুম্নগী মমিংতমা মরোবা নত্রগা পূমনৌ নৌষা অমা ওইনা সঙ্গীত শাস্ত্রগী য়ুম্ফমদা শাগৎপনি হায়রবস্থু কায়রোই। তশেংবমকস্থু মচুনি—রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা মীৎয়েং তাবীরম্বা য়াবা আসামগী কৃষ্ণ অভিসার, গোপী অভিসার য়াংবা সত্রীয় নাচতগী মণিপুরী রাস লাকই হায়বা য়াদবগুম্না ব্রাখলগী মীৎয়েংগী নক্লবা থরগী মখৈদি লৈরম্বস্থু য়াই। মণিপুরী জগোয় রাসতি মণিপুরতগী ওইবা ওঝা গুরুশিংগী খুৎশেম অমনি। লাই হরাওবগী য়ুম্ফমদা শাগৎলকপনি। বৈষ্ণবকী সাধনা অমা ওইরকপনি। রাস লীলাগী অথুপ্পা মরমদি করিনো? মসিগী-দমক্তি শ্রীমদ্ভাগবততা চঙজবা তাই। রসকী মশক ওইরবা ভগবান কৃষ্ণনা মাধুর্য্য আস্বদন তৌনীংদুনা হ্লাদিনী শক্তিগী মশক ওইরবী ব্রজগী গোপীশিংগা শান্নখিবা লীলানি। কমদৌনা? অঙাংনা মশাগী মমিগা শান্নবগুম্না। ভাগবত্তা হায়রি—"রেমে রমেশো ব্রজসুন্দরীভিঃ যথার্ভকঃ স্বপ্রতিবিম্ব বিভ্রমঃ" রাসমণ্ডলদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা গোপীমণ্ডলীনা কোয়-শিন্দুনা মখল মখা অয়াম্বা বিভ্রম ফোঙদোক্লুনা অঙাংনা মহাক্কী প্রতিবিম্বগা শান্নবগুমনা। ভগবানদি রসময়নি; আনন্দময়নি। অসিনা মহাকনা লীলা শান্নবনি। অতোপ্পা মরম অমনা মহাক মথন্তনা লুংঙাইতে (স একাকী ন রমত) অদুনা নীংখি ময়াম ওইনা ফোংদোক্কে। অদুবু ফোংদোক্লি-বসি হকচাংনি—মমি নত্তে; মিথ্যা নত্তে। জড়দেহ অসিমক্তা আধ্যাত্মিক আনন্দ ফোঙদোকপা য়াই হায়বসি উৎননবা রাস লীলা শান্নবনি। অসিনা শ্রীগোবিন্দ নিরূপন তৌরবদা রাজর্ষিনা সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ লিং-খত্তুনা ইবুংঙো শ্রীকৃষ্ণদা আত্মাহুতি তৌই। অমুকস্থু মহারাস কত্তুনা সংকীর্ত্তন যজ্ঞগী মশক ওইনা আত্ম সমর্পন তৌজে। অসিনা শকনরি হৌজিক ফাওবা "জয় জয় শ্রীরাধা গোবিন্দ দেব। শ্রীল ভাগ্যচন্দ্র নৃপবর সেব।" কলিযুগকী ধর্ম্মদি সংকীর্ত্তননি। ভক্তনা সংকীর্ত্তন তৌবা মফমদা ভগবাননা লেঙদনা লৈ হায়না নারদ সংহিতানস্থু হায়রি।

ভাগবতকী শ্রীরাস পঞ্চাধ্যায়দা অস্থমনা ইরি—"ভগবানপিতা রাত্রীঃ শরদোৎফুল্লমাল্লিকাঃ। বীক্ষরন্তুং মনশ্চক্রে যোগমায়ামুপাশ্রিতঃ ॥১॥

অর্থদি—"ভগবানসু শরৎ ঋতু ওইরহুনা মল্লিকানচিংবা লৈ পুম্নমক্কা শাৎপা অহিং ময়াম উরহুনা যোগ মায়াদা থোইদোক্লা চঙহুনা রাস শান্নগে নীংথি।" পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপুনা শান্নখিবা রাস লীলা অসি কল্পনা নত্তে; তশেংবনি হায়বহুগী প্রমান কয়ামুক পীরি। (শ্রীরাসপঞ্চাধ্যায় লামায় ১—৮)। রাসকী রাকম অসি বেদদগীনি—রাস লীলাদি সূক্ষ্মজগত্তা মতম পুম্বদা শান্নহুনা লৈরি অপ্রকট লীলানি। অদুবু অমুক মতু মতম অমদা ব্রজবৃন্দাবন্দা প্রকাস ওইনা শান্নবীরমই। অসিগুম্বা মতম পুম্বগী ওইবা লীলা, ব্রজবৃন্দাবন্দা শান্নবীরম্বা অসিবু মহাভারত্তা "কেশিনিসূদন" (অর্জ্জুননা কৃষ্ণদা হায়বা), "গোপীপতি" (দ্রৌপদীনা কৃষ্ণবু কৌজবদা) অসিনচিংবা পল্লিবা থরসিনা প্রমাণ তৌরি। পণ্ডিতরাজগী মত্তা চপচানা প্রমান তৌথিবনা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যনি। বৃন্দাবন্দা লেঙহুনা প্রভুগী সমাধিদা মফম অসিদা মতু মতু শান্নরমই হায়না বৃন্দাবন উদ্ধার তৌবগা লোয়ননা পুথোকখি। ভাগবতনা হায়বা মতুংইন্না সূক্ষ্ম জগত্তা লেপ্তুনা শান্নরিবা লীলা অসিনা অমুক স্থুল জগৎতা প্রকট ওইবীবম্বনি। অনিমক অচুম্বনি মিথ্যা নত্তে হায়না লৌগদবনি। সত্যদি মরোল মবোল ওইবা জগৎশিংদা ফোঙদোক্লি। মীৎনা উবা নাকোংনা তাবা গুাক্তনা অচুম্বগী অরোইবা মশক নত্তে।

অসিগুম্বা মহারাস অসি রাজর্ষিনা কার্ত্তিক পুর্ণিমাদা কৎখি। মসি ব্রহ্মবৈবর্ত্তনচিংবা পুরাণনা য়াবনি। সম্মোহিনী তন্ত্রমক্তদসু "কার্ত্তি ক্যাং রাস মণ্ডলে" হায়না কার্ত্তিক পূর্ণিমাবু সমর্থন তৌই। অসিনা রাজর্ষিনা হুমিৎ অসি লৌরম্বনি। অদুবু বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তীদনদি ভাগবতকী ব্যাখ্যাদা আশ্বিণ পূর্ণিমাদা ওইগদবনি হায়না মত পীরি। মসি য়েংহুনসু ওইরম্বা তাই—ভাগ্যচন্দ্রনা আশ্বিণ পূর্ণিমাদা কুঞ্জরাস কৎখিবহু। অদুবু শান্নবদি কুঞ্জদনি—মহারাসকী মতোংগুম্না যমুনা মপান্দা শান্নবা নত্তে। রাজর্ষিনা অমুক কবি জয়দেবগী গীত গোবিন্দগী রস ———না বসন্তরাসসু কৎলমই হায়না পণ্ডিতরাজনা মত পীরি। রাস-লীলাগী কায়াৎসু নট সংকীর্ত্তনগী মশক লৌরহুনা তিনতাল, রাজমেল,

তাঙ্কপ অমসুং মেনকুপ্পা পুম্মা শাগৎপনি হায়নসু মত পীরি। রাফম অসিনা রূপকল্পক নত্রগা শৃঙ্গারপ্রকাশনচিংবা লাইরিক ফাক্তোক্তুনা সংকীর্ত্তন অমসুং রাসলীলা পুথোকখিবা নত্তে হায়বসি ময়েক শেংহল্লি। রাখল পরীংগী মমি খরবুদি মতাগনি। সাধনাগী মওংসু রাস পঞ্চাধ্যায়দা ময়েক শেংনা তাক্লে। অহানবা অধ্যায়দা ভক্তিগী মশক ওইরবী গোপীশিংবু শ্রীকৃষ্ণনা বাঁশীনা কৌশিল্লগা পরীক্ষা তৌই। মতেক খরদি নাম্থোকই; অদুবু অমুক অহংকার য়াওরকপদগী গোপীশিংবু থাদোকই। অনীশুবা অধ্যায়দা কায়ন মৈচাক্লা ভাওরবী গোপীশিংনা উরী রারীদা মবুংভোগী খোঙ্গ্লবু লীজখি —শ্রীকৃষ্ণগী রাখলদা পুমভাও ভাওনা লুপখ্রে। অহুশুবা অধ্যায়দা যমুনাগী তোর্ব্বান্দা ফম্লদুনা কপ্পা কপ্লদুনা গোপীশিংনা মবুংভোবু থিজরি। মরিশুবা অধ্যায়দা গোপীশিংগী অয়েৌবী প্রেম উরবদা ফোঙদোকপীরকই। অরোইবা অধ্যায়দা রাসলীলা শাম্লবনি। অমসুং লোইশিনবনি। মহারাস অমসুং অতৈ রাসশিংদা ভাগবতত্তা য়াওদবা অমতং হায়ববু শ্রীরাধানি—ভাগবত্তা গোপী অমগা ভাগবানগা চৎমিন্নখি হায়বনি—মহাকপুসু অমুক অহংকার য়াওরক্লবদা থাদোকই। রাফম অসি ব্রহ্মবৈবর্ত্ত পুরাণ, হরিবংশ অমসুং গীতগোবিন্দদগী শাস্ত্রীয় ওইবা মওংদা লৌখত্তুনা গৌড়ীয় বৈষ্ণবকী সাধনাগী মসুংচন্না রাজর্ষিনা হাপচিল্লম্বনি। জগোয়রাসকী অতৈ অতোপ্পা ভঙ্গী পরেং অচৌবনচিংবগী রস কয়াদু নৈনবদি মতাং অসিদদি ওইথোক্লে।

হৌজিক য়েংগদবদি নট সংকীর্ত্তনগা জগোয় রাসকা করি মরী লৈনবগে? রাসলীলাবু মপুং ওইনা য়েংবা তারগদি অমসুং সংকীর্ত্তনগী মশক ওইনা কৎপা তারগদি নট সংকীর্ত্তন অসি পূর্ব্বরঙ্গগী মশক ওইনা লৌগনি হায়না পণ্ডিতরাজনা মত পীরি। (শ্রীশ্রীরাসপঞ্চাধ্যায় পরিশিষ্ট—রাস)। মসিসু মীৎয়েং অমদদি চুমই হায়না লৌবসু য়াই। অদুবু নট সংকীর্ত্তনবু চুমগী পূর্ব্বরঙ্গ ওইনা লৌবা অসিমদি সংকীর্ত্তনগী চপচাবা মশক্তা অকায়বা খরদি লৈ। রাস লীলাবু সংকীর্ত্তনি হায়না

থল্লগদি—অনিমক অমতনি হায়না উবা ওল্লবদি—হৌদবা য়াদবা সংকীর্ত্তননা মশানা পূর্ব্বরঙ্গ ওইবা মতাবনি। রাসলীলামক্কী পূর্ব্বরঙ্গস্থ লৈত্তববুদি নত্তে।

অত্তুবু গৌড়ীয় বৈষ্ণবকী লাইণীং মওংদদি রাসলীলা মতোম-তনা সংকীর্ত্তন মপুং ফারে হায়না লৌবদি পেনফাত্তবা থরা লৈগনি। অসিনা শ্রীগোবিন্দগী মাণ্ডবতস্থ নত্রগা অতৈ মাণ্ডবতস্থ রাসলীলা কৎপা থুদিংদা নট সংকীর্ত্তননা হৌদবা য়াদে। মরমদি ভাব অমস্থং রসতা রাসলীলা অসি নট সংকীর্ত্তনগী শরুক অমনি। ইবুংঙো ইবেম্মা অনিগী মিলন ওইরবা, তিনবাঙ্গা পাওথোক্লবগীদমক্তা অবতার তৌবীরক্লবা শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যদা অহানবা বৈষ্ণব পুন্নমক চঙজবা তাই। অত্তুনা সংকীর্ত্তন লোইশিনবদা নিত্যাইপদ তাকপা তাবনি—গৌরনিত্যাই অমতনি হায়বগী ভাবস্থ য়াওরি। ব্রজলীলা অসিনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ভাবীদা (গৌরচন্দ্রনা রাধা ভাবতা লুপ্পা মতমদা) শান্নখিবনি। চুন্নগী নট সংকীর্ত্তনদা গৌর ভাবীদা ব্রজলীলা শান্নে অত্তুগ মতাং অমদা লোইশিল্লি। অসিগুম্বা ভাবীগী মওংদা মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা জগোয় রাসপু থম্বনি। ইবুংঙোগী ভাবীদা বাসলীলা শান্নখিবগী রস অত্তু ভক্তশিংনা চুপচবা ফংজবনি। মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা ষ্টেজগী কুম্মৈগুম্না রাসলীলা য়েংবা নত্তে—কুম্মৈস্থ নত্তে। রসকী য়োখ্রবা সাধনাগী মশক্তি—লৈজবা পুম্বা ইবুংঙো ইবেম্মাদা, অনীমক্কী অমতা ওইবা মশক লৌরিবা গৌরচন্দ্রদা কখোকচবনি; আত্ম সমর্পণ তৌজবা তম্বনি। সাধনাগী মশক অমনি। অসিনা রাসলীলাবু সংকীর্ত্তনদগী থানবা লৈতনা, সংকীর্ত্তনমক্তি হায়নস্থ থন্দুনা ইবুংঙোগী ভাবীদা ফংলকপা দর্শন অত্তু রসিক ওইরবা ভাবোক্তা ফংহনবনি হায়না লৌবনা সাধনাগী পরীং চুম্বা ওইগনি হায়না লৌজে।

ভাব অমরোমদদি সংকীর্ত্তনস্থ রাসলীলানি। রাসলীলাস্থ সংকীর্ত্তননি—খেন্নবা লৈত্তবনি। অত্তুবু মফম মতম নাইবা লাইনীং পরিং অমদদি রাসলীলাবু নট সংকীর্ত্তনগী মন্নুংচনবা অমা ওইনা সাধক ওইরম্বা দেহদগী সিদ্ধ দেহ ওইরক্লবা সংকীর্ত্তনদা য়াওরিবনি অমস্থং রসিক ওইরবা ভাবোক্তা ব্রজলীলাবু দৃশ্যকাব্য ওইনা য়েংজবগী খুদোংচাবা অত্তু ফংজবনি হায়না লৌবনা বৈষ্ণব সাধনাগী পরীংগা হেন্না চুনবা ওইবা য়াই।

পণ্ডিতরাজ

অমসুং

অরিবা মণিপুরী সংস্কৃতি

অরিবা মণিপুরী সংস্কৃতি অসি হৌভিকমক্তি ঐখোয় বৈজ্ঞানিক ওইবা মিৎয়েংদা থিবা হৌগৎলকপদা মঙাইবি। চুন্নগী অবিবা পুয়া পাবদনা মণিপুর খঙবা ওইথোক্তে। যুমলোন্নবা, অকোয়বদা লৈবিবা লমদমশিং অমসুং লৈবাকশিং ফাওবগী সংস্কৃতি নৈনদবা য়াদবা মতাং লাকই। মণিপুরী সংস্কৃতিবু শক খঙবদা অরিবা মতমগী শকুক্তা তিব্বত, নেপাল, ভুতান অমসুং আসাম ফাওবগী, ওন্নবদি ব্রহ্মদেশ অমসুং খা-নোংপোক এশিয়াগী লমদম কয়াগী সংস্কৃতি ফাওবগী চাং-দম্নবা তাবনি। পুন্নমক অসিবু খঙলবতদা ঐখোয়গী সংস্কৃতিবু শকখঙবা ওমগনি। থবক অসিদি হৌগৎলকপদা মঙাইরি।

অমুকসু পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপুবু ঐখোয়না শকখঙলে হায়বা য়াদরি। হৌজিক ফাওবদা কনাগুম্বা পণ্ডিত অমত্তনসু পণ্ডিতরাজনা ইবিরম্বা পাখঙবা, মৈতৈকীর্ত্তন, ঋগবেদনচিংবা অসিবু কুপনা নৈনতুনা চপচাবা মহাক্কী মীৎয়েং নৈনবগী মশক উদ্রি। য়ানীংবা য়ানীংদবা খবদগী হেন্না চথদ্রি। অসিনা ঐখোয় পণ্ডিতরাজগী লাইরিকশিংবু কুপ্না নৈনতুনা রিসর্চ তৌবা তারি। অসিমকপু খঙবা ওম্বা শক্তিগী মায়কৈদগী পণ্ডিতরাজ অমসুং অরিবা মণিপুরী সংস্কৃতিবু শক খঙবগী লম্বেলদা মৈরা মচা অমত্তংদি থানিগৎনবা হোৎনজগে।

বঙ্গদেশকী পণ্ডিতশিংনা পণ্ডিতরাজবু শক খরগী মথৈদি খঙলবসু চপচানা মওং অমা ওনা শক তাকহিবদি লৈহিদ্রবা ডাক্তর সুনীতিকুমার

চট্টোপাধ্যায়নি। মহাকনা কৌরকই পণ্ডিতরাজনু মতমগী কবি অমসুং অঙাং-নোংপোক লমদমগী ঋষি অমনি। মীমসু য়াম্না মতমগী হৌখ্রকপদুগী অমসুং ডাক্তর ভাকপিদবা-চাহি চা কয়াগী মমাংদা লৌরকপদুনা সংস্কৃতত্তা ইতিহাসরবদি চপচাবা উপ-পুরাণ কয়া ওইদুনা ভারতকী পুরাণশিংগী মখুইদা মণিপুরী পুরাণ হায়দুনা য়াওরকপদবনি। থাইমগী চহকনীলিবা য়ারি কয়া অসিমসু তত্ত্বগী অমসুং পুরাণগী য়ারিবা য়াম্না মরুবা কয়া য়াওরি। সুজম অমসুং লৌরকনা মনায়াইহী পাখংবনা গুরুগী থানথোং কৌম্বগী য়ারী অসি বঙ্গদেশতা চতলবা য়ারী অমগা নকশিন্নে। অহুবু গুরুগী ইংকচাংপগী শতাব্দ ৭ থোকখিবা বেদগী পুরুষতগী বর্ণ মরি থোকখিবগা চংদম্নবা য়াই। অদুম্না পণ্ডিতরাজনা খিনর্চি তৌদুনা থেংনম্লিবা কয়া অসি ডাক্তর সুনীতিকুমারগুপ্তা থরতনা পাকলবা মিংচেংদা থবগী মথৈদি উবা ঙমখি। অদুবু মসুমু পণ্ডিতরাজনু শকথঙবগী অহৌবা শরুক্তনি।

ঐথোয়না নীংশিংগদবা অমদি পণ্ডিতরাজনা থিরকপা মতমদা মণিপুরী নত্রগা মৈতৈ জাতিমচা অসিমু মীরৈবাকী মীশিংনা কমদৌনা লৌরম্লগে হায়বসিনি। য়াম্নমক উশিত্তবা মরোনমরি মথোৎ খঙদবা চাওখত্তবা অনার্য্যগী কাওলুপ-শক্তগী চুদগী, য়াঙাও-শাঙাংদগী-অমা ওইনা য়াম্নমক হস্থনা য়েংলম্মী। লোম্নগা তিবেতোবর্মনগী লোনগী কাওলুপ মথুংচনবা, ইন্দো-মঙ্গোলোইড হায়বদুসু তশেংবা অমসুং অনার্য্য হায়রগা য়াম্নমক চোপনরম্বা মতমনি। হৌজিক্তি আর্য্য নত্তে হায়রগা অনার্য্যনি হায়রগা চাউথোকচবগুম্বা ফাওবা পোকনরে—চাইনা, জাপননা পৃথিবীগী শক্তি অচৌবা ওইরকপদগী। পণ্ডিতরাজগী মতমদি মসু নংলমদে।

অসিনা চাংদম্নরগী—বেদদা, মহাভারত্তা অমসুং রামায়ণদা। মহাভারতকী মণিপুর ঐথোয়গী মণিপুর অসিমকনি হায়বা চুমগী শাস্ত্রগী য়াকমদগী হেন্দোক্তুনা জ্যোতিষ শাস্ত্রগী প্রমাণ কাওবগী ডাকপিরমই। বেদগী "প্রত্নৌকস"—প্রাচীনভবন আর্য্য সংস্কৃতিগী থোয়দোক্ল মফমক মণিপুরনি। মণিপুরদগী সংস্কৃতি কয়া হোৎপ্রবনি হায়বা প্রমাণ তৌবাই।

ঋগবেদগী ব্যাখা তৌবদা মতাং মতাংদা মণিপুরগী অরিবা সংস্কৃতিগা চাংদম্নবগী ম্যাকম কয়া য়াওরি। মৈতৈগী "ফুঙ্গা"বু ভর্গ লাইনি হায়বা হুম্নিংকী থোঙকম অহুম (বিষ্ণুগী পদ অহুম) খুমন, লুরাং, মঙাও হায়জনা ফুঙ্গা নুংথুম অহুমবু লৌবা অমসুং হুমিং পূজা তৌবা–বেদগী ধর্মনি তাকপিরমই। লাৎলিবদি মৈনি–অতুবু হুমিংকী মশকনি–"মৈত্রেং অরাবনা য়োইময়াই মহুৎশিন্না মৈ" হায়জনা। মতমগী রিসার্চতা হৌজিকপুদি ভূতানগী মৈহৌবোন ধর্ম "বোন"দা অম্রোনা মৈ পূজা তৌরিব। অসিগা চপমান্নবা চৎনবী থেংনরক্লে। মসিদসু অতুম হুমিং পূজা তৌবা য়াওরি। অতুবু মৈতৈগী অরিবা ধর্মবু বেদগী ধর্মনি হায়তুনা পণ্ডিতশিংগী জগত্তা লাওথোকপদা ঐখোয়দা পোকখিবা থৌনা নাপন অমসুং শক্তি অতু হৌজিক কল্পনা তৌবা য়াই। মতুশোন্না লৈরুববা কাঙলুপ অমদা নৌহৌনা থৌনা হাপ্পনি। চুম্বা য়াই, লানবা য়াই—অতুবু ঐখোয়গী ইপা—ইপুশিংসু অচম্বা নত্তোনা হায়বগী চাউথোকচবা অমদি নীংথিজনা পোকখি। মসিমক পণ্ডিতরাজগী দাননি।

"মৈতৈকীর্ত্তন" কৌবা লাইরিক্তা পণ্ডিতরাজনা সনামহী পাখংববু মশক তাকপা য়াম্নমক অরাংবা থাক্কীনি। অরিবা লাইশোন তীনশোন কয়াগী মতেংনা শক তাকুবা হোৎনবনি। অথর্ব্ব বেদদা হায়বা—"শ্যেণেনাভিচরন্ যজেত" শ্যেন কৌবা যজ্ঞ তৌদুনা য়েক্লববু মায়থীবা পীগনি হায়বত্তু মৈতৈগী সনামহী থাজিনবগা চাংদম্নরি। সনামহী হায়বা ম্রাহৈ অসি শ্যেন (সনা) অমসুং মহা (মহি) দগী থোকপনি হায়বগী প্রমাণ তৌরি। মমিং ১৬৮ শীংথারি। বেদগী শ্যেণ দেবতা হায়বদি গরুড়নি বিষ্ণুনি—হুমিংকী মশক্তি হায়বসিমক ঈরায় লায়না হেক ককপা য়াবা নত্তে। অমুক্তা হেন্না ফজবা অমনা মৈতৈগী সংকীর্ত্তনদা হায়রিবা থায়নগী অরিবা সংস্কৃতি মশক লোত্তুনা চপচানা য়াওহল্লি অমসুং বঙ্গদেশগী শৈশঙ্ক, রাগ, তাল লৌরুরবসু মৈতৈগী ওইবা লাইনীং মওং অমনি হায়বগী প্রমাণসু তৌবীরমই। তশেংবমক্তি মণিপুরগী

অরিবা সংস্কৃতি পুরাণ অমসুং শৈব ধর্ম্ম অমসুং তন্ত্রশাস্ত্রগা য়াম্নমক নকশিন্নবগী প্রমাণ লৈরি—গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম অসিমক্তা তন্ত্রগী লাইনীং য়াওরি। অতুবু পণ্ডিতরাজনা লৌবীরম্বা মপুং ওইবা মীৎয়েং অমদি বেদগী মীৎয়েংদগী থায়নগী মৈতৈগী লাইনীং লাইশোলবু শক তাক্ন্বা হোংনবীরম্বনি। মসিদা অচুম্বা কয়াম্নু য়াওদবা নত্তে। মরমদি তন্ত্রশাস্ত্রদা বেদগী রাখল চথরি—পুরান অমসুং মহাভারত অমদি রামায়ণনা বেদদগী তোঙানবা নত্তে! অতুনা অরিবা বৈদিক ধর্ম্মগা মৈতৈগী অরিবা লাইনীংগা চাংদম্নবা য়াবা কয়ামুকম্নু য়াওক্কম থোকই। নোংপোক-পান্থোইবী অনিবু শিব উমানি হায়না পণ্ডিতরাজগী মন্দিরদা রাধা-কৃষ্ণ লাৎপদৌনা ক্বনেক শেৎপীতুনা কোম্নরতুনা লৈবগী যুগল মুর্ত্তি লাৎলি। মসিমক ডাক্তর সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়দা অপেনবা হায়বতু ওইখি।

হৌজিক্তি বেদগী ব্যাখা ফাওবদা—চৎনরিবা সায়নাচার্য্যগী অমসুং নোংচুপকী পণ্ডিতশিংগী ব্যাখানা পেম্নরক্ত্রতুনা শ্রীঅরবিন্দনচিংবা যোগী ঋষিগী মীৎয়েংদা ঋগবেদগী অনৌবা ব্যাখা থোরক্লি—মসুং মপান নাইনা খায়দোকলি। "গো"বু শনবী হায়বগী মথক্তা "সুমিৎকী মশেক" হায়না "অশ্ব" না শগোল হায়না খণ্ডনবগী মথক্তা তপস্যাগী শক্তি হায়তুনা অর্থ অনি অনি চৎপগী ভাষ্য থোক্নরক্লি। অসিগুম্বা মীৎয়েং অসিদা বেদগী রাহৈ কয়াগী অর্থবু অনৌবা মওংদা খণ্ডনরক্লি। অসুম্না পণ্ডিতরাজনা খণ্ডবীরম্বা বেদগী মশক্তা থায়নগী মৈতৈগী লাইনিং কয়াগা চাংদম্নবতু হৌজিক্তি অমুকম্নু নৌহৌনা চাংদম্নবা তারি। বেদগী ব্যাখাদি অরোইবা নাইবা হৌনদে। অসুম্না মৈতৈগী অরিবা সংস্কৃতিবু শকখণ্ডবগীম্নু অরোইবা নাইবা হৌনদে। অনৌ-অনৌবা ব্যাখা অমসুং অর্থ কয়া থোরকখিগনি। মসিগীদমক অরি অনৌ—লাইশোল অমনি নৈনবনা ওইদে—লাইশোন কয়াবু নৈনবা তাবনি। অর্থ কয়াবু পুখোকপা তাবনি।

অতুবু অরোইবদদি হায়জনীংই—পণ্ডিতরাজনা থায়নগী মৈতৈগী সংস্কৃতিবু শকখণ্ডনবা খিজিনবীরম্বা অমসুং পুখোক্নবা লাক্নবীরম্বা অসিগুম্বা

অতৈ পণ্ডিত অমনা তৌবা ওমদ্রি। অরোইবা নাইররোইদবা রিসর্চকী মায়কৈদা ইতিহাসকী মরু ওইবা তাক্কনি অমদা মৈতৈ হায়বা জাতি অসিদা অঙকপা থৌনা অমা হাপ্লীবন্বা, লোঁস্থোক্তবা চাওখত্তবা অনাধ্যানি হায়বক্কী শায়োক্তা বেদগী শাগোম্নবা জাতি অমনি হায়বগী প্রমাণ অনি কোঁত্তলবা অমসুং কোক্তিত্রিবা লাইরিক ১০০ দগী হেনবনী প্রমাণ তৌবীরম্মি। অঙকপা সাধনা অমসুং থৌনানি। মশিগী দমক্তা "ঋষি" মিংথোল পীবদা কররিমত্তা চিংনকম থোক্তে। ঐবোয়স্থ অসিগুম্বা পণ্ডিতরাজদা তোঙাম্মল থঙবা উৎপগী লোয়ননা চপচাবা শ্রদ্ধাঞ্জলি কংকম থোকই। অদুগা চপচাবা শ্রদ্ধাঞ্জলিদি পণ্ডিতরাজনা থিবিরম্বা শরাক্তা চঙশিন্দুনা য়ারিমনবে মহাকপু শক খঙনবা হোৎনবা অমসুং পণ্ডিতরাজনা পুন্সি কংথোকপীবম্লবা মৈতৈগী অরিবা সংস্কৃতিবু থিবগী জগাত্তা চঙশিন্দুনা অচুম্বা থিবগী মায়কৈদা চঙশিনবনি।

মণিপুরী জগোইগী রাসতা পণ্ডিতরাজগী মীয়েং

মণিপুরী জগোয়দা পণ্ডিতরাজগী তোপ-তোপ্পা মীৎয়েং লৈরি। কাইবক খীৱদী হৌজিক ফাওবদা মশিবু কুপনা য়েংশিন্নদ্রি। বেদগী মুখমদা মণিপুরী সংস্কৃতি শাগৎলি হায়বসি পণ্ডিতরাজগী মতনি। বেদগী "[illegible]" হায়রিবদু মণিপুরদা লৈ হায়বসিদা মতমগী রিসার্চকী নাক্কোংদা খরদং হেক্তা হায়জিনবা মাদুবদু মণিপুরী জগোইগী হৌরকপগী মতাংদদি [illegible] নকশিনবা কয়া অমা ঐশোর থেংনৈ। ভারতকী নাট্যশাস্ত্রগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শিরবা 'অঙ্গহার' হায়বিদু (ভারতকা) [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] অদু মণিপুরীশিংগী লিরবা "[illegible]" জগোইদা [illegible]। অমুকন্থু মৈতৈগী "[illegible]"

শান্নবদা পার্ব্বতীগী শিষ্যা ঊষাদা তম্বিখিবা জগোইগী মতৌ তম্বগী মশক য়াওরি। অসিনা মণিপুরীশিংগী লিরবা জগোইদা থোইদোক্লস্থ "ঔগ্রী হংগেন" অমস্থং "চীংখৈরোল" শান্নবদা ৫শুবা বেদনি হায়না লৌরবা নাট্যশাস্ত্রগী মশক য়াওরি। জগৎ শেম্বদা ঋগবেদগী স্লোকতা হায়রি জগোই শাবগী পান্দম পীহ্না :—

যদ দেবা অদঃ সলিলে সুসংরবধা অতিষ্টত।
অতাবো নৃত্যতাসিব তীব্রোরেন্নু ব্রপায়ন্ত॥

(ঋগবেদঃ ১০। ৭২। ৬)

"হে লাইসা তাইবং শেমদবিডৈগী মমাঙদা লৈরম্বা ঈশিং ময়ামগী মথক্তা নখোয়না লৈরমই। নখোয়না ঈশিং ময়ামগী মথক্তা জগোয় শাবগুম্না চৎপদগী অকনবা উকুল হায়বদি লৈপাক্ অসি ওইবনি।

(পণ্ডিতরাজগী অনুবাদ)

ৱাফম অসি নীংশিংহনবা ওইনা লাইহরাউবগী "পরিংলাংসং" জগোইদা পুদিল পুয়ানা তাক্লি—তাইবং শেমত্রিৰৈদা ঈশিং মথক্তা লাইন্নুরা ৭ লৈরমই। লাইনিংথৌ ৯ মকনা নোংমদোন অতিয়াদগী লৈপাক্ পীবগা লাইন্নুবা ৭ না লৈপাক্ অতুবু লৌহ্না ঈশিং মথকতা জগোই শাহ্না লৈপাক্ থোল্লি। নাট্যশাস্ত্রগী "লোন্দা অভিনয়"বু মৈতৈ অরিবদা "নোয়বা" হায়।

খুদম :—

হোইরৌ হৈয়া. হোইরৌ হৈয়া, হোরৌ হৈয়া.... ..কোরৌ থক্তা নোয়এ মা:লেম লৈদা নোয়বদি লাইয়িংথৌনা নোয়রে। অম্নমা অতিয়াবু লৈরি তমা হায়। অরিবা মতমদগী হোৱহুনা মৈতৈনা পুজা কৎচবদা পার্বতীগী লোয়নবীগী ভাবতা লোয়নবীগী করনা তৌই। ফুপা ফুপী অনিমক ফুপী ওাক্লনি। মৈতৈনা মখোয়বু 'অমাইবী' কৌই। পণ্ডিত-শিংবুমা 'অমাইবা' হায়না খঙনৈ। খৈদদা মখোয়সিবু 'অমীবহ' হায়না কৌই।

খুদমদি—

'যো রেবাঞ্চো অমীবহা বসুচিৎ পুষ্টিবর্ধ নঃ।

স নঃ সিষক্তু যস্তুরঃ ॥২

মা নঃ শংসো অররুষো ধূর্তিঃ প্রণঙমর্ত্তস্য।

রক্ষা ণো-ব্রহ্মণ সপতে ॥৩

ঋগবেদ— ১।১।১৮

মরল লৈবা অনাববু মাঙহনবা লনপীবা চাউখৎহনবা অমসুং থুনা মহৈ পীবিবা ব্রহ্মণ-স্পতিনা ঐখোয়বু চানবীসন্ত। হে ব্রহ্মাস্পতি! পীথোকপা হৈতবশিংগী মাঙনবা তৌবা অমসুং মীগী ফত্তবনা ঐখোয়বু শোকহনগনু। ঐখোয়বু ঙাকপীযু। (অনুবাদ ইশাগী)

অসিদা য়াওরিবা অনাববু মাঙহনবা 'অমীবহ' বু মৈতৈগী অমাইবগা নকশিন্নরকপসি পণ্ডিতরাজগী মীৎয়েং অমনি।

মণিপুরী জগোয়বু মশক তাকপদা পণ্ডিতরাজনা বেদগী মথংদা নাট্যশাস্ত্র অমসুং অভিনয় দর্পনদগী মতেং য়াম্না লৌই। "মৈতৈ কীর্ত্তণ" হায়বা ৮মায় ২৭২ পানবা লাইরিক্তা লাইহরাউবদগী হৌরক্লুনা মহাযজ্ঞগী মশক ওইরবা মণিপুরী নট সংকীর্ত্তণগী চাউখৎলকপা অমসুং সনাতন ওইরকপগী মশক তাকপদা নাট্যশাস্ত্র অমসুং অভিনয় দর্পনদা হায়রিবশিংগা চান্নহল্লি। য়াম্নমক নীংথিজনা উৎলি। বৈষ্ণব ধর্ম্মগা থাদোক্নবা য়াত্রবা শ্রীমদ্ভাগবত, ভক্তিরত্নাকর অমসুং হরিভক্তি বিলাস ফাওবা পুশিল্লকই। মেলহৌ, মেলঙন অমসুং মেন অথাবা হায়না মতাং অহুম থোক্লা খায়দোকপা রাজমেলবু তাললিপিগা কোন্ননা মশক তাকপগা লোয়ননা রাজমেলগী লোইশিল্লকপগী মশক 'এ' লাউববু গরুড়না রাধাকৃষ্ণগী অমত্তা ওইবা মূর্ত্তি শ্রীগৌরাঙ্গবু পুহ্নুনা লৈবা মশকপু 'স্তোভ' গান তৌবনি হায়না প্রমান তৌবসি ওহোক্লা ফজখ্রবা অমনি। অদুগা রাসলীলাবু সংকীর্ত্তণগী মশক অমনি হায়বসি পণ্ডিতরাজগী অচুম্বা মীৎয়েং অমনি।

খুৎই ওইনা লৈরিবা ইংরীজীদা ইবা 'ডি মণিপুরী রাস", হায়বা লাইরিক অমদা পণ্ডিতরাজনা অধ্যায় খরদা মণিপুরী রাস লীলাগী

মতাংদা অকুপ্পা বিচার থরা তৌরি। শ্রীমদ্ভগবতকী রাস পঞ্চাধ্যায়দা যুম্ফম ওইবা মহারাসকী পরীং তাকপগা লোয়ননা রাকম থরা পণ্ডিতরাজনা হৌদোকলি। অহানবা রাকমদি রাসলীলা অসি তশেংনমক শাল্লখিব্রা? পণ্ডিত থরনা মসি তশেংনা থোকখিবা নত্তে—এলিগোরী ওইনা প্রমান পাম্বৈগুম্না জীবাত্মাগা পরমাত্মাগগী মরী তাকপনি হায়না লৌরি। পণ্ডিত-রাজগী মততা মসি লাল্লি—তশেংনা থোকখিবনি। ভক্তশিংগী হৃদয় বৃন্দাবনদা তৎতনা শাল্লরিবা রাস ওইরবস্মু ব্রজবৃন্দাবণদা চপ চানা শাল্লখিবনি।

ঐতিহাসিক ওইবা অমনি হায়বসি পণ্ডিতরাজগী অচেৎপা থাজবনি। গোদাবরী তোর্ব্বান্দা রায় রামানন্দনা তাকপদগী শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্যনা গোস্বামীশিংদা তাক্লুনা ব্রজ বৃন্দাবন অসি অমুক পুথোকখিবনি। রাকম অমনা ভাগবতকী রারাঁসি বেদনা যুম্ফমনি অমস্তুং মহাভারত্তা ফাওবা মতাং কয়াদা পল্লি। খুদম ওইনা গীতাদা অর্জ্জুননা শ্রীকৃষ্ণবু কেশিনীস্দূন (হিংচাবা কেশি হাৎপা) হায়না কৌজে। হিংচাবা অসিদি বৃন্দাবনদা ভগবাননা হাৎখিবনি। পুতনা বধ অমস্তুং গোবর্দ্ধণ চীং থাংগৎপগী রাকমসু মহাভারত্তা পল্লি। কৌরবকী রাজসভাদা দ্রৌপদীগী ফি মুনবদা দ্রৌপদীনা শ্রীকৃষ্ণবু গোপীপতি অমস্তুং গোবিন্দ গোপীগী মপুরোইবা হায়না কৌজে। শ্রীমদ্ভাগবত্তা য়াওরকলিবা রাকম অসি বেদব্যাসনা কমদৌনা কদায়দগী মপুংদি ফাদনা মহাভারত্তা পল্লকইবনো হায়বসি রাহং অমনি। পণ্ডিতরাজনা খুম্নি-থৌদোক অসি মহাভারত ইদ্রিডৈদা থোকখ্রবনি। ঋষিশিংনা উবা ঙমখিবনি। কল্পনাগী মশক নত্তে। মহারাসকী রাকম অসি শন্দোক্না তাকপগা লোয়ননা রাস হায়বসি রসকী পোক্লফমনি অমস্তুং ভগবাননা মত্তোমতা লৈরম্বদগী ময়ামগা লোয়ননা লীলা শাল্লবী-নিংলকপদগী গোপীশিংগী কাত্যায়ণী ব্রতগী প্রার্থনাবু মপুং ফাহনবগা লোয়ননা শাল্লরকপনি হায়বসি পল্লি। ১৮শুবা শতাব্দীদা মহাযজ্ঞগী মশক ওইরবা মহারাসপু মণিপুরদা পুথোপীরম্বা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র অমস্তুং

লৈবাক্কী মতম অতূগী লাইঙুম্লবা ওঝা গুরুশিংবু পণ্ডিতরাজনা নীংশিংলি।

ভাগবতকী রাস শাম্নখিবগী মতমসি আশ্বিন পুর্ণিমাদরা নত্রগা কার্তিক পুর্ণিমাদরা হায়বগী বিচারদা পণ্ডিতরাজনা গোস্বামীশিংগী মত মতুং ইন্না কার্তিক পুর্ণিমাদা ওইগদবনি হায়না প্রমাণ তৌরি। বিশ্বনাথ চক্রবর্ত্তিদনদি আশ্বিণ পূর্ণিমাদা ওইগদবনি হায়না মত পীরি। অতুবু মতোমতনি। মণিপুরদদি কার্তিক পুর্ণিমাদা ওইনা লৌরি। মথংদা পুরাণ পাবদা বসন্তদসু রাস শাম্নে হায়বতুগী রাকম লৌরগা রাজর্ষিনা বসন্তরাস লিংখৎখি বসন্ত পুর্ণিমাদা। তশেংবদি মহারাসতা শ্রীকৃষ্ণগী বিবংগী মশক য়াওদবদগী কবি জয়দেবগী গীত গোবিন্দম'দগী চাউরাকপা মশক লৌরগা গোবিন্দ লীলামৃতনচিংবা লাইরিক্কী মতেংদগী গোবিন্দদা রাজর্ষিনা বসন্তরাস কৎখি। মথংদা অমুক যমুনা মপান্দা শান্নদতুনা কুঞ্জদা শান্নবা ওইনা পবীংদি পংথেন থেন্নদনা (মহারাসকা) অত্তমশুবা রাস কুঞ্জরাস আশ্বিণ পুর্ণিমাদা কৎখি। অসিনা পন্দিতরাজগী মত মতু ইন্না রাজর্ষিনা কৎখিবা রাস অহুমসিগী মথং মনাউর্দি মহারাস, কুঞ্জরাস অমসুং বসন্তরাসন' ওইগনি। কোন্না চঙলকপা গোবিন্দদা কত্তবা নিত্যরাস অমসুং দিবারাসকী রাকমদি থোইনা পল্লমদে। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজনা নর্ত্তনরাস কৎখি হায়না পণ্ডিতরাজনা মত পীরি - মসি ময়ামনা কৌনখিবা নৃত্য রাস হায়বসি ওইগনি। মথক্তা পন্থগ্রিবা ইংরাজী লাইরিক অসিদা লাস্ট হবাউবা থুবাক ঈশে-মচিংবগী পরমপারাস্য নৈনবি। তোপ-তোপনা 'ভঙ্গী পরেং অচৌবা'গী তালগা কোন্নবা শাথেকশিংগী মতাংদা কুপনা নৈনৈ। "ত্রিভঙ্গ" হায়বসি বৈষ্ণবশিংদগী ওইনা তৌবনা নাট্যশাস্ত্রনা পল্লমদবা স্থানক (হকচাংগী ফিরেপ) শিংগী রামদা 'গোবিন্দ স্থানক' হায়তুনা পণ্ডিতরাজনা মমিং থোল্লি। মণিপুরতগী ওইবা স্থানক মথল অমনি।

গুরু অমুবীগা লৌয়মনা ইমিন্নবা পণ্ডিতরাজগী "মৈতৈ জগোই চালি" লাইরিক্তা মণিপুরীগী রাসতা চৎনরিবা চালি কুমদগী হেনবা মথক অচৌবা তাকপগা লোয়ননা ভারত মুনিনা শাজিনরবা "চারী" হায়বসিগা

অমতনি হায়রবগী প্রমাণস্নু তৌনবা হোৎল্লরি। নাট্যশাস্ত্রদা "চারি"বু অস্নুম্না মশক তাক্লি :—

এবং পদস্য জঙ্ঘায়া উর্বো : কট্যাস্তথৈবচ,
সমাণ করনাচেষ্টা মা, চারীত্য ভিধীয়তে।

(নাট্যাশাস্ত্র ১১/১)

অর্থদি "অস্নুম তৌনা খোঙ, খুবোম, কৈ, অমস্নুং খ্বাংনা মতম অমতুদা পুন্না লেংমিন্নববু 'চারী' হায়না কৌই। নাট্যশাস্ত্রনা মখা চৎথরি— 'চারী' পুন্নমক হকচাংগা থাদোকনবা য়াদে। অসিনা ব্যায়াম কৌই) খোঙথাং অমবু 'চারী' কৌই—অনি শুরগনা করণ কৌগনি। 'চারী' কয়ামুক্না পুল্লগা জগোয় শারিবনি। চারী মখল ৩২ শুই—মসিগী মনুংদা ১৬ না ভৌমী চারীনি (লৈপাক্কা শয়বা), ১৬ অমনা আকাশিকী চারীনি (অহাঙবা শুনগী চালী) নাট্যশাস্ত্রনা মণিপুরী জগোইগী য়ুল্ফম শাগৎনবা হোৎনবনা সঙ্গীতরত্নাকরচিংবা লাইরিকশিংদি থরগী মখৈ থেংনরবস্নু 'চালি' হায়বা শব্দসি নাট্যশাস্ত্রদা য়াওদবনা পণ্ডিতরাজনা 'চারী'গা 'চালি'গা অমতনি হায়বগী মত অমা কন্না ফোঙদোকপীরম্মী। মৈতৈগী 'চালি'গী কূপশিনবা মশকশিংদি নীংথিজনা পুথোকপিরগা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা চারী ৩২ গী মশক্কদি চুননবা হোৎনবগী মওংদি চৎথবিরমদ্রে। অহুবু হস্তক্ (মুদ্রা) করণনচিংবা অমস্নুং নাট্যশাস্ত্রগী অভিনয়গী মশক্কা জগোই রাসকী ভঙ্গী পরেংদগী হৌরহুনা লৈজরিবা খুংথেক শাথেক্কা য়ান্নমক নকশিন্নবগী মশক অমদি নীংথিজনা পুথোকপীরমই।

তশেং তশেংবদি 'চালি' হায়বসিদি শারঙ্গদেবগী "সঙ্গীত রত্নাকর" দা নীংথিজনা য়াওবা দেশী লাস্যাঙ্গগী তোপ-তোপ্পা মশকঅমনি। পণ্ডিত ভি রাঘবনা 'চালি'বু চলনদগী থোকপনি হায়না সঙ্গীত রত্নাকরগী মত লৌহুনা হায়রি অহুনা চালিগী মশকপু মরু ওইবা থয়দা হকচাংগী কায়াৎশিংগী মশক্লি—তপনা লেঙবা, ত্রয়স গতিদা থোংখ্রবা অমস্নুং থুন্নবা মশক্তা। মসিমক মৈতৈগী 'চালি' জগোইব চপচানা থক্কৈ।

সঙ্গীত রত্নাকরগী মত মতুং ইন্না দেশী লাস্যাঙ্গগী মখল ১০ নি—মদুগী মমুংদা চালি অমনি। মমিংশিং অসিসু খরনা সংস্কৃত লোন্দনি খরনা প্রাকৃতনি, খরা অমনা লম লমগী মাহৈশিংদনি—দেশীগী চপচাবা মশক্কি—নাট্যশাস্ত্রনা পল্লমত্রবা। মসিগা কেম্বনা দেশীকরণ দেশীস্থান, দেশী চারিনচিংবসু লাইরিক অসিদা পল্লি। মসিনা প্রমাণ তৌবদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা রাস নর্ত্তন হৌদোকপীবদা নাট্যশাস্ত্র ভাক্তসু নর্ত্তনা অভিনয় দর্পণ সঙ্গীতরত্নাকরনচিংবা লাইরিকশিংগীসু মতেং লৌরে হায়বসিনি। লম লমগী ওইবা মশকসু তাকপা দেশীমার্গ ওইনা মৈতৈশিংনা, 'চালি'বু চপচানা শানবা হোৎনবগা লোয়ননা তাল ফাণবা চালিতাল হায়না মিংথোন্নবনি হায়বদা চিংনবা লৈতে।

পণ্ডিতরাজনা মৈতৈ জগোইদা উরিব। মীংয়েং অসি বেদকী হৌবগা পঞ্চম বেদনি হায়রিবা নাট্যশাস্ত্রগী কুপথ্রবা বিচারবগা কোন্নব অভিনয়, চারি স্থানক অসিনচিংবগী চাংদম্নবা মশাক য়েংশিনবগা লোয়ননা সংকীর্ত্তণ মহাযজ্ঞ অমসুং মদুগী মনুংচনবা রাসনর্ত্তণ যজ্ঞ য়োৎকপদ, মৈতৈতগী ওইবা লাইনীং মওং ভাব অমসু রস কয়ানুক হাপচিন্নকই হায়বসিনি। মসিগী চপচাবা প্রমানদি নটসংকীর্ত্তণগী ঈশৈগী রাগ রাগিনী অমসুং পুংগী তালগী লোইবা নাইদ্রবা প্রবন্ধশিং অমসুং তানচপ মেনকুপ মশীং থীডমত্রবা মওং অসিনি। ঈশৈগী শৈশক্তা লম লমগী ওইবা মশক চঙখিবগা লোয়ননা মপুং ওইবা শৈশক্তা হস্তরকপগী মশক থবা থেংনববসু তালশাস্ত্রগী মায়কৈদদি ভারতকী অরাং অমসুং থাগী তালগা চাংদম্নবদা হেল্লি হায়বদি হায়মনব। থোক্লবসু হস্তবদি নত্তে হায়বসিনি। পণ্ডিত-রাজগী তোপ তোম্না দান চৎনরিব। মশকশিংগী মনুংদা কুপথ্রবা ভাব অমসুং রস শাস্ত্রগা থাদোক্লবা য়াত্রবা মশক অতু নীংথিজনা পুথোকপসিনি। অমুকসু সংকীর্ত্তণ যজ্ঞবু লাইহরাউবগী পরিং লাংশং জগোই, সংকীর্ত্তণগী রাজমেৎলগী মশাক রাসলীলাগী ভঙ্গী পরেংশিং—মনুংদগী অমত্তনি হায়না প্রমাণ তৌরি। পূম্নমক অসি বেদমূলনি হায়বসু হায়রি। অমুক রাংনা

মতৌক চাবা প্রমানগা কোন্ননা মণিপুরী জগোইবু থাংগৎলীরম্বা অসিগীদমক জাতি অসিনা পণ্ডিতরাজদা লমন তোন্দুনা লেহৌবগনি। মতম অমদা শেরান্ননা খন্নরম্বা মৈতৈ অসি অনার্যনি অহুনা লোনচৎ অমম্তুং ভাবতা হন্নবা থাক্কীনি হায়না লৌনরম্বা অশোয়বা অহু পণ্ডিতরাজনা চপচানা ককপা ওমখি।

ঐখোয়না কাউরোইদোবা অমনা জগোই রাস ভাবোক্কী পেন্ননবা শাবা মশক নত্তে। ভক্তিভাবনানি যজ্ঞগী মশকনি। অসিনা সংকীর্ত্তণগী রাজমেল থারমদাইদা 'স্তোভ'গী মশক লৌরকপদা ভাবোক পুন্নমক লেপ-খত্তুনা শরুক য়াই। রাস লীলাগী ভঙ্গী শাবা হৌখ্রবদা মাগুব থাদোকুনা চৎনদে। মৈতৈগী লাইহরাউবগী যজ্ঞবু শমখরকুনা সংকীর্ত্তণ মহাযজ্ঞ ওইবকপনি। রাসলীলানা থঙ্গালগন্না শাত্তোবকপনি। পণ্ডিতরাজনা হায়বি —মৈতৈদি বেদবু থাদোক্তে। নাট্যশাস্ত্র সঙ্গীত রত্নাকর শাগোন্নখনি, ভাগবতকী যুক্ষনদা জগোই রাসনি। পুন্নমক অসি চহী চনীগী রা নত্তে — রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা পুমহৌ হৌদোকখিবা নত্তে। মমাংগী পণ্ডিত কয়াগী শাস্ত্র খণ্ডলবা কয়াগী যোগি ঋষিশিংগী চহী চা কয়াগী কখোকখ্রবা পুন্সিগী মপাউ পুন্নমক সংকীর্ত্তণ মহাযজ্ঞদা য়াওবি হায়বনিনি। ঐখোয়না পণ্ডিত, রাজবু খণ্ডবসি য়োন্দ্রি। নৌহৌনা লাইরিকশিং অসি অমুকা হন্না নৈনবা তাই।

১৯৮৮ ইং

(৪)

মণিপুরী বেলেশিংদা মণিপুরী জগোইগী শরুক

'কথারত্নাকর'দা অরিবা রাকম অমা হৌদোকই—জ্ঞানবু তাকপীবগী নিয়ম অমবু ওইরবস্তু—অমবু ওইরবস্তু ঐখোয়না হঞ্জিন হঞ্জিন খনথবা তাই—অরেপ্পা পুক্নীংগা লোয়ননা, হন্না হন্না। মিংথৌবুদি কিবা তাই নহাক্না মহাকপু থাজবা অমম্তুং অশোংনা সেবা তৌজরবস্তু। নহা ওইরিবী গুপী অমবুস্তু

কুপ্না শেল্পবা তাই—মহাকমক্না নত্থাক্তা ফম্লরবস্নু। চৎনপথাপ অমা, নিংথৌ অমস্নুং নহা ওইরিবী মুপীবু মতম পুম্বদা হোংলরোই হায়বসি নহাক্না কমদৌনা "ভাবনা শাবা ওম্বগে ?"

মথককী রাফম অসি ইজরাইলগী মমিং চৎলবী কলাকার দেবোরা বার্টনোফনা পল্লহুনা হায়রি—নহাক্না নপা নপুশিংগী পরম্পরা অমা ফংহৌবহু চপচানা খণ্ডলে অমস্নুং ফংলবনি হায়বা চপচানা ওইরে হায়না খনগন্নু। মহুগী মওংশিংহু হন্না হন্না পুথোকপা তাবনি—নশা নতোমতগী ওইনা অমস্নুং নশা নথস্তনা। মহাককী রাফম অসি য়াম্নমক অর্থ লৈ। ঐখোয়না পরম্পারাবু খণ্ডলবনি অমস্নুং ভাকলিবনি হায়হুনা তৌরিবসি তশেংনমক খণ্ডলবরা হায়বহু হংবা য়াবা রাফমনি।

ইতিহাসনা সাক্ষীনি—করিগুম্বা আর্ট অমতা অহোংবা নাইদনা লেপ্পুনা লৈতে। অহোংবা হায়বসিমক কবিগুম্বা কলা অমদা মশানা য়াওজরবনি। হোংলক্লিবা সমাজগী অনৌবা মীৎয়েংদা অমস্নুং থাজনবদা হোংদবা করিগুম্বা আর্ট অমতা লৈতে। অসিনা মণিপুরী জগোইস্নু হোংগদ্রা হোংলোইদ্রা হায়বগী সামসা লৈতে—হোংবদি মশানা তারবনি। কমদৌনা কদোমদা হোংহনসিগে হায়বহনি খন্নগদৌরিবা রাফমদি। ক্লাসিকেল আর্ট অমা ওইনা লৌরবস্নু হৌজিককী উরিবা রাসলীলা অমস্নুং নটসংকীর্ত্তন অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমগীহুনি অহোংবা লৈতে কনামততনা হায়বা ওমলোই। ফনা য়াম্না হোংখ্রবনি—ফীজেত, শাথেক্তো অমস্নুং মীৎয়েংদা, অহুবু অওকপা ওঝাশিংগী মগুননা হোংই হায়বা খলহন্দবসিনি। হোং হোংনা হোংদবোই উহল্লিবা, ওম্না ওম্না ওন্দবা মানহল্লিবা অসিনি। পরম্পরাগী মহুংদগী হোংলকপা ওইবনা অউবশিংনা হোংই হায়না উবস্নু ওমদবনি।

মণিপুরী বেলেগী রাফম হৌদোক্লিবৈদা মণিপুরী জগোইগী মশক—থোইদোকস্নু শাস্ত্রীয় (ক্লাসিকেল) ওইরবা মশক অসি করিনো হায়বা অমুক্কং লেপথোকপা চুমই। জগোই হায়বসিমক ইংরাজী রাহৈ—'ডান্স

হায়না অর্থ ছুনবসি মপূংফাদে। নাট্যশাস্ত্রনচিংবা লাইরিকশিংগী মতুংইন্না সঙ্গীত হায়বা অসিমত্তা শরোন অহুম য়াওরি—নৃত্য (জগোই) গীত (ঈশৈ) অমসুং বাদ্য (তালবু পুরিবা যন্ত্র)। অহুম অসিমক ঐখোয়গী জগোইদা চঙই—জগোই খেংবা হায়বসি হকচাংগী শাখেক ওাক্তবু খেংবা নত্তে, শক্লিবা ঈশৈগা কোয়নরিবা মশকতু খণ্ডবা অাই অমসুং তাল পুন্নিবা পুংনচিংবা যনত্রগী ছন্দশু নাকোংদা চঙদবা য়ারোই। পুন্নমক অসিনা নীংথিজনা পুন্নগা ছন্দ নাইনা থোরক্লিবা মশকসিবু ত্তংশংনা—'জগোই' হায়না কৌবা য়াই। মতাং অসিদা 'সঙ্গীত' কা 'জগোই'গা অমত্তনি হায়না লৌবা য়াই।

থরগা অমুক রূপশিল্লা য়েংলবদি ঐখোয়গী রাস ময়ামসি—মহারাস কুঞ্জরাস, বসন্ত রাস, গোপরাসনচিংবা ময়ামসি জগোইনি অমসুং মখোয়সিমক নাট্যগী মখল অমনি। সংস্কৃত সাহিত্যদা অমসুং সঙ্গীত শাস্ত্রনচিংবদা রূপক লৈরি। রাগাওবগী শরুক্তা মপুং ওইদবা জগোইনা মপুংওইবা উপরূপক (সঙ্গীত রত্নাকরগী মত মতুংইন্না) হায়বসিমক রাসনি। অসিনা 'নর্তন' (নত্রগা 'নটন' 'অভিনয়দর্পন'গী মত মতুংইন্না) হায়বসিগী মখল অহুম লৈরিবা—নাট্যনৃত্ত অমসুং নৃত্য—অহুমসিগী মনুংদা জগোই রাসতি নাট্যগী মশক অমনি। নাট্য অসিমক হৌরকপদা ভরতমুনিনচিংবা কয়ানা অশুন্না হায়রি 'ঋগবেদ'দগী পাঠ্য (রা ভাওবগী শরুক) যজুর্বেদদগী অভিনয় (মতৌ ত্তত্বগী শরুক) সামবেদদগী গীত (ঈশৈগী শরুক) অমসুং অথর্ববেদদগী রসগী শরুক—ময়াম অসি লৌশিন্দুনা মওাওবা বেদ—নাট্যবেদ অসি ব্রহ্মানা শেমখিবনি হায়বগী ফজরবা বারী চৎলম্রি। অর্থ অসোমদা য়েংশিল্লগনা জগোই হায়বসি নাট্যগী মশক্লি হায়না লৌবা তাই—তৌবতবু রাগাওদবনা মপুংওইবা নাটক নত্তে জগোইনা মপুংওইবা 'উপরূপক'নি; 'রাস'নি।

থরগা হেন্না রূপশিনবা অর্থ অমদা অমুক জগোই হায়বসি অভিনয়নি। মসিদা শরোন মরিনা পুল্লি অঙ্গিক (হকচাংগী অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ অমসুং উপাঙ্গ হায়তুনা মায়, মিং অমনি খুৎশাবাচিংবা হকচাংগী শরুকশিংনা

উংপা)। বাচিক (ঊৈশৈ শকপা, মা ঙাওবমচিংবনা উৎপা), আহার্য্য (লীক-কোন-কীজেং লৈতেংনা মশক তাকপা) অমসুং সাত্ত্বিক (যুম্মীতরা চপলোম্বা, হুমাং শোবা, মতু চুংবা, হকচাং তম্নিক তম্নিকপা। অসিনচিংবা মথক ৮ থোক্না খায়দোকতুনা পূরীংগী ফীবম উৎপা)। মরি অসিনা পুন্নসা অভিনয়গী মপুংওইবা মশক ওই। মাফম অসি পুথোক্লদুনা নন্দিকেশ্বরনা 'অভিনয় দর্পন'দা অম্ম্রা মঙ্গলাচরণ হৌরি—

আঙ্গিক ভুবনং যস্য বাচিকং সর্ব্ববাঙময়ম্।
আহার্য্যং চন্দ্রতারাদি তংনুমঃ সাত্ত্বিকং শিবম্॥ ১॥

(অভিনয় দর্পন)

অর্থদি— মবোল অহুমনক্না মহাককী আঙ্গিকাভিনয় ওইবা, শাস্ত্র পুম্মনক্না বাচিকাভিনয় ওইবা, থা, থবান্মীচাকনচিংবনা মহাক্কী আহার্য্য অভিনয় ওইনবা অমসুংবা সাত্ত্বিক অভিনয়গী মশক ওইবা অদুংংম্বা শিববু থাগৎলমজে। কযাদা পাক্না চাউথ্রবা শিবগী সাধনানো। জগৎ পুম্বসি অভিনয়গী মশক অমনি। জগোইগী জগোই ঙাক্তনি। জগৎ পুম্বসি জগোইনি। শিবগী মশক্নি।

মথক্তা পীজখিবা প্রমাণ থম্বা অসিদগী খঙবীরগনি। মহুদি ঐখোয়না জগোই হায়রগা লৌনরিবা চুমগী অঙ্গিকাভিনয়গী মশকসি তশেংনমক মপুং ফাদে। জগোই হায়বসি সঙ্গীতগী মশক্নি; নাট্যগী মশক্নি অমসুং অভিনয়গী মশকনি। ঐখোয়না জগোইবু মশক খঙনবা লাকনবদা হায়রিবা শক্লোন কয়াসিবু খঙবগা অমসুং নৈনবগা লোয়নना [illegible] খঙনবা লাক্লগদবনি। অসিনা নটসংকীর্ত্তনগী কুপশিনবা অর্থদা নট কীর্ত্তন অমা হায়রবদা চুমগী চোলোম তৌরিবা [illegible] খঙনদে। নটীনা ঊৈশৈ শক্লিবা, মশামা চোলোম তৌরিবা অমসুং মথক্তা কর্ত্তাল [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। হৃদি [illegible] [illegible] মপুং [illegible] [illegible] জগোইগী [illegible] [illegible]।

শাস্ত্রীয় ওইরে হায়না লৌনববা ক্লাসিকেল মণিপুরী জগোইদা হায়রিবা অভিনয়গী মথয় মখি লোইনা য়াওই। নাট্যগী মশকসু য়াওরিব্রারী, লীলা তৌরি অমসুং সঙ্গীতকী থাদোকনবা য়াদ্রবা কায়াৎ অহুম হায়বদি নৃত্য, গীত অমসুং বাদ্য অমরোমদা হায়রগা ভাব, রস অমসুং তাল য়াওবি। পুম্নমক অসি অককনবা শকফম অমগী মনুংদা—খুৎথেক শাথেক পুথোক্লি। অতৈ ভাবতকী ক্লাসিকেল জগাইশিং হায়বদি কথক, কথাকলি অমসুং ভারতনাট্যমদগী তোপ তোপ্পা মশক হায়ববু ব্রা হায়বা মান্দনা য়াম্নমক হায়বা ওস্বসিনি। ইংরাজী ব্রাইদা "সবট্যুড ইলোবেন্স" হায়না খন্ডনবা য়াই। খুৎথেক শাথেককী চৈংলেম্বা মশক খরতনা মীৎকী মওং অমনা ঈঙ্গিৎ অমনা অর্থ কয়ামুক পোকহনবা ওস্বা মশকনি। য়াম্নমক্ মনুং হুনজিনবা ভাবোক্তা ওনশিন্দবা, ফাজিনবা অঙ্গিকাভিনয়গী মশকনি। পুম্নমককী মথক্তা মাধুর্য্য রসনা—ভক্তি প্রেমনা মপুং ওইবা রস ওইরি। মতাং অসি নোংপোক লমদম—জাপান, ইন্দোনেশিয়ানচিংবা লমদমগী পরম্পরা—'ট্রেডিসন' নি হায়বা য়াই। পানগী ওইবা মশক্তগী লুংগী ওইবা মশকনা মপুং ওই। হায়বিবা মশক অসি রাসলীলাগী ভঙ্গী পরেংদা য়াওবগুম্না 'নটকীর্ত্তনগী চোলোমদা অমসুং লাই হবাউবগী মায়রী জগোইদসু য়াওবি। জাপানগী প্রোফেসর অমনা জাপানগী আর্টকী মরমদা হায়খিবা—"ফুজিয়ামা চীংজাউদা য়েংউ, মনুংদা মৈ, মপান্দা অচীকপা" মসিনা তশেংবা নোংপোক লমগী অটিষ্ট অমগী মশকনি" হায়বহু নীংশিংই। মণিপুরী জগোইগী ক্লাসিকেল ওইবা-চেকশিন্নবা নিয়ম কয়ানা পুনশিনবা-আর্টকী মশক্কি মথককী ফুজিয়ামা চীংজাউগুম্বনি হায়জনীংইমপান্দা য়েংবদদি ঈংই তপাই অয়াম্বা মতমদা (মরক মরক্তা চোলোমগী অকনবা শাফু থেংনরবসু; তাণ্ডবগী অথুবা লয়দা জগোই শারবসু)। অতুবু মনুংদদি রসকী য়ৌশিনবা মশক কোকুদোকলি। করিগুম্বা য়ৌদ য়ৌশিনকপা মতামদি খোরোমলগী মশক য়াওবা থনমমলা পুখোলগা হকচাংগা, শুনজবা মশক অমদা অমতা ওইথিবা মশক—শাথেকনা

ফোঙদোকপা ওমজবা মতাং ফাওবা য়ৌই হায়বরি। মসিবু মণিপুরী জগোইগী 'অতোপ্পা শক্লোন' (অদার ডাইমেনসন) অমনি হায়না মমিং চংলবা কলাকার অমনা হায়রি। মসিগী শক্তিসিমক মণিপুরী বেলেদা শীজিন্নবা লাকনরি।

নোংচুপকী ইংরাজী বাহৈ-বেলে হায়বগী অর্থদি জগোই হায়বনি তৌবদবু ফোক ডান্সতগী খেন্নবা মশক অমা ওইনা ক্লাসিকেল ওইবা অককনবা শাথেককী নিয়ম কয়ামুকনা পুনবা—জগোইগী মওংনি। মমিং চংলবা ডাক্তর নারায়ন মেনননা নোংচুপকী বেলেগা ভারতকী জগোইগা মপুং ওইনা খেন্নবা অমা শীরিবসি কুপ্পা নৈনবা য়াই। মহাকনা হায়রি অনিগী খেন্নরিবা অসি ভাব অমবু ফোঙদোকপদা লৈরি। ভারতকী জগোইদনা শরিবা আর্টিষ্ট অহুনা কেন্দ্রগী মশকনি; মঙোন্দগী পুম্নমক শন্দোকলি-ঈশৈগী কলাকার অমগুম্না। ভাব পুম্নমক মঙোন্দগী থোকলি। নোংচুপকী বেলেদনা ভাব অহুবু শারিবা মীয়াম অহুনা ফোঙদোকহল্লি। শাগৎলিবা মীশক্তি কলাকাবশিং অহু নত্তে, জগোই অহুবু শেম্লিবা কোরিয়োগ্রাফর অহুনি, কেন্দ্র ওইরিবদি কোরিয়োগ্রাফরনি। অসিনা ভারতকী জগোইদা গ্রুপ ওইনা শারক্লবসু মহু সোলো জগোই (নাইতোম জগোই) গী মরী মরী শম্নরকপগী মওংনি—অসিনা কলাকারগী ফোঙ-দোকপগী শক্তি মরাং কায়না লৈ; মুদ্রানচিংবা হকচাংগী অভিনয় শীজিন্নৈ অমসুং সঙ্গীতকী মতেংনা হায়নীংবা ভাব অহু ফোঙদোকই। নোংচুপকী জগোইদা তৌবগুম্না জগোই কাংলম (কোরিয়োগ্রাফী) গী মপুং ওইবা মশক লৈতে। শম্না হায়রবদা ভারতকী জগোইদা কোরিয়োগ্রাফরগী মফম শীকই ইরৈ লৈতবগুমই। নোংচুপকী বেলেদি কোরিয়োগ্রাফর অহুনা লাইয়োকপগী তুলিনা লাই য়েকপগুম্না য়েকপনি। আর্টিষ্টশিং অহু মহাককী অপুনবা মীৎয়েংদা পুশিনবনি। অসিগুম্বা রাফম অসি ফনা য়াম্না চুম্বা মীৎয়েং অমনি হায়নীংই।

নোংচুপকী বেলেগী মপুং ওইনা হৌরকইবা অমসুং মওং তারকইবদি ইটালি ফ্রান্স অমসুং রাশিয়াদগীনি। চুম্নগী মুংতাইনবা মতম লৈন্নবা

শারম্বা জগোইদগী রাশিয়াগী ভায়াঘীলেবনা মওং অমা তাহনখি। লৈতেং হাপত্তবা চপচ না ক্লাসিকেল ওইবা মওংদা বোলশোয় খিয়েটরনা কায়দনা ওাক্লি। চংনরিবা পরম্পরাগী মতুংদগী অমুক নীংতম্বগী মশক লৌনরক্লুনা থোরকই-স্বান লেকমচিংবা পৃথী ফাওরবা বেলে—চাইকোভস্কীগী ম্যুজিককা লোয়ননা। ক্লাসিকেল বেলেগী য়ুম্ফমদা অমুক শাগৎলকই—ষ্ট্রাভিনস্কীন-চিংবা মনিং চংলবা কোরিযোগ্রাফরনা য়াম্নমক য়োৌশিল্লা মতমগী রাথলগা চননা। কলাকাবগী জগত্তনা লৈবি ঃ অন্না পাভলোবা রাশিয়াগী অমস্তুং মতুংদা মায়া থ্রিসেন্টসকায়া (মহাককী জগোইদি কোরিয়োগ্রাফী, ম্যুজিক অমস্তুং একটিংগী পুল্লপ পূনশিনবনি হায়নরি)। মথংদা ক্লাসিকেল বেলেগী পুনশিনবা ময়ামগী মুক্তিগী লম্বীদা থিবকই নোংপোককী মুদ্রা অমস্তুং যোগসাধনাগী মশকক কোল্লনা—জর্জ বেলেনসিন (বেলেনসিন রাশিয়াদা পোক্লবস্ত থবক্তি মপূং ওইনা চংথবি আমেরিকা অমস্তুং ফ্রানসদা) কলাকারশিংগী মরক্তা বিপ্লবীশু থোরকই—মার্থা গ্রাহম অমস্তুং ইসোডাবা ডনকান গুম্বা। ইসোডাবানা হায়খি—"ঐদি জগোই শেমখিদে। ঐগী ইমাংদা জগোইনা হান্না লৈদনবনি ভূমহুনা। ঐনা মহুবু হোদোক্লুবতনি। মার্থাগ্রাহমদি খ্বায়দগী শীংখানরিবা মশাগী প্রতিভা লৈজবা কোরিয়োগ্রাফরসিংগী মহুংদা অমনি—মহাককী নিয়ম অসি হৌজিকমক আমেরিকাদা ক্লাসিকেল বেলেগী স্কুলশিংদা চংনরি। অসিগুম্বা ক্লাসিকেল বেলেগী অফা অপুন কয়ানা উংলিবা ফজবা অসিনা পেম্নরক্লুহনা হৌজিক হৌজিককী কোরিয়োগ্রাফর শিংনা তনৌবা মওং কয়াম্ন পুখোরক্লি-শৈরেং থীবগী মওং, ফীজেং লাকচেংকী নীংতম্বা অমস্তুং ম্যুজিককী তোপ তোপ্পা মশক। অয়াম্বনদি মসিবু মোর্ডন ডান্স হায়নহুম কৌনরি। বেলে হায়বা মিং অসিমক লৌথোক্লরক্লে। পূম্নমক অসিগী মপুং ওইবা ওল্লকপগী মশককী অকুপ্পা পাউ তম্বদি মতাং অসিদগি চানদম্বা মরমনা থমজক্লে।

ভারততা অসিগুম্বা নোংচুপকী বেলে হায়না চংলকলিবসি অংগংবদি উদয়শঙ্করদগীনি। লাইয়েকপা অক্লিবা নম্বা উদয়শঙ্করনা লণ্ডনদা মসিং

চঙনবী রাশিয়াগী বেলেরিনা—অন্না পাবলোবাগা থেংনখিবা অমসুং জগোই অনিশক পুথোক্লুনা। শামিন্নখিবা অমসুং আমেরিকা টুর তৌরুরব। মতুংদা অমুক ভারতকী খৌশাবীরমদ্রবা জগোইশিংবু পুথোরুবা লাক্লরকপনি। তশেংবমক্তি উদয়শঙ্করদি নোংচুপকী জগোইদা ভাওখিদুনা পাবলোবাগী ট্রুপতা য়াওরগে তৌরম্বদগী পাবলোবানা ইকাইদ্রা নশাগী নরন অত্তুক য়াম্না লৈনা হায়দুনা বৈদগী মহাক্না কায়নদুনা ভারতকী ক্লাসিকেল জগোইদা খোঙদারকপনি। মণিপুরগী গুরু অমুবী ফাওবা কোদুনা আলমোরাদা অতৈ জগোইগী গুরুশিংগা পুন্না ক্লাসিকেল জগোই থিজিনবা অমসুং অনৌবা জগোই শেম্বগী থবক চংথখি। অদুবু উদয়শঙকরদি প্রতিভা লৈবা কলাকারনি, ক্লাসিকেল জগোইগী গুরু নত্তে। অসিনা মহাক্না ক্লাসিকেল আর্টকী য়ুফমদা মহাককী বেলেশিং শাগৎলবসু নোংচুপকী কোরিয়োগ্রাফী নীংশিজনা শীজিন্নদুনা অমসুং হৌভিক হৌজিককী ওইবিবা পুন্সীদগী খুথেক শাথেক কয়া শেমদুনা উদয়শঙ্কর ষ্টাইল হায়দুনা মুংশিজরবা লোয়নবা ছাত্র-ছাত্রী খবগনা পূনশিনদুনা ভারত্তা বেলে হায়দুনা জগোই মওং অমা চংনরক্লিবা অসিনি। অসিগুম্বা জগোইগী মওং অসি শান্তিবর্ধননা, লিটল বেলে ট্রুপ” হায়বা অমদা পুথোকই অমসুং মণিপুরগী রাজকুমার সিংহজিৎ সিংহনা “ত্রিবেনী কলা সঙ্গম” (নয়া দিল্লী) দা মণিপুরগী ওইবা পুন্সীগা কোন্ননা বেলে কয়ামুক পুথোকই। উদয়শঙকরগী মতমগী ওইবা রাজকুমার প্রিয়গোপাল সনা মহাককী পৃথিবী টুর তৌবা লোইরবা মতুংদা খরদি থেংনা ভাগ্যচন্দ্র বেলে নেহরু ডান্স প্রকাদমীনা পুথোকখি—মতুংদা মণিপুরী বেলে ইউনিটকী ওইনা বেলে খরসু পুথোরক্লি—গুরু অমুবীসু মহাককী “শ্রীকৃষ্ণ বাল্যলীলা” হায়বসি বেলে হায়না মিংথোল্লবসুময়ামদগী খরা থেন্নবা নৃত্য-নাট্যগী মশক ওইবা বেলে অমনি হায়বা তাই। মহাকমকসু উদয়শঙকরগা মতম খরা তিন্নরম্বদগী থায়নগী লৈজরবা জগোই মশক্তা অনৌবা মশক খরা অসি হাপ্লকপনি। মায়কৈ অসোমদদি উদয়শঙকরদি ভারতকী অরিবা জগোই থিজিনবা অমসুং নোংচুপকী বেলেগী মশক পুশিল্লকপদা লময়ানবা অমনি।

ঐখোয়না নীংশিংগদবা অমত্তংদি লৈরি। হ্রাক্ষম অসি মমিং চৎলবী জগোইগী পণ্ডিত ডাক্তর কপিলা বাৎস্যায়ননা হৌদোকপনি। উদয়শঙ্করনা হৌদোক্লম্বা ভারতকী জগোইগী অরিবা মশকপু থিজিনবা অমসুং পুথোরকপা। অসিমক্কা থায়নগী পরম্পরাবু নোংহৌনা শাগৎলকপা অমসুং উদয়শঙ্করমক্কা পুথোরম্বা অমগা অমগা য়ানশিন্নবা অনৌবা খুৎথেক অসিমকপু পান্নক্কবা অমা পোকহল্লক্লি। ভারতকী ক্লাসিকেল জগোইবু মীকপ থোকহল্লকপা অসিমক্কা উদয়শঙ্করগী ষ্টাইলবু চিংননা য়েংবা হেক্সংহল্লকই। লাম অসি থেংনরিবদি মহাকক্কা লোয়নরম্বা অমসুং মহাককী সেবক শিংননি। উদয়-শঙ্করনা মহাককী বেলেশিং পুথোকপদদি —ভারতনাট্যম কথাকলি, কথক অমসুং মণিপুরীদা অতুক য়াম্না য়ৌশিন্না চঙশিন্নদ্রি। হৌজিক্তি চপচানা য়ৌশিন্না খঙনরবনিনা মহাককী মতমদা য়ারম্বা অম অমদগী লৌশিন্দুনা ফজনবা শেম্বা অতু য়ারক্রে। চপচাবা মশকক্কা কোম্নমা চৎনরম্লিবা পরম্পরাবু মশক ফজহনবা তাবা অমা নত্রগা পরম্পরা হুন্দোকলমদুনা অনৌবা জগোই শেম্বা অমা। অনিগী মরক্তা অমা লৌবা তাবনি। অনিমক পূনশিনবসু ওইথোক্কে। মসিগী শীংনবা অসিনি হৌজিককী জগোই পুথোক্লরিবা বেলে শেম্নরিবা কোরিয়াগ্রাফরশিংনা থেংনরিবা। উদয়শঙ্করমক মায়মিংকী অভিনয় থাদোক্কুনা অমসুং খুৎকী মুদ্রা লৌথোক্কুনা পুথোকপা বেলেশিংদা ফনা য়াম্না মায়পাকথি। মহাককী লোয়নবশিংনা মতুং ইনবা অসিদা থরমখৈ মায়পাকপসু য়াওরি লমমাংনবসু য়াওরি। অতুবু অনৌ অনৌবা থিবগী ইনশিনবা শক্তি অমনদি মখোয় পুম্নমকপু লমজিংলি। মতুংদা করি ওইরককদগে হায়বতুদি হৌজিকমক্তি ঙনমল্লা থোক্লি। মথক্তা পীরিবা ডাক্তর বাতস্যায়নগী মত অসি ঐখোয়না চুমই হায়না লৌবদা কায়রোই।

ঐখোয়না হৌজিক খন্নগদৌরিবা হ্রাক্ষমনা মণিপুরী জগোইদা বেলে পুথোক্লরিবশিংগী লময়ানবা কনা কনানো—মখোয়গী তোপ তোপ্পা খুৎশেমগী মশকশিংসিপা মণিপুরী জগোই-থোইদোক্লসু ক্লাসিকেল আর্ট অমা ওইনা

লৌনরবা মণিপুরী জগোইগী হেন্না মপুং ফাবা মশৱক্কি হায়না লৌগদ্রা নত্রগা মণিপুরী জগোইদগী থাপতোকখিবা অনৌবা সৃজনশীল (ক্রিয়েটিব) ওইরবা আর্ট অমনি হায়না শীংথানগদ্রো অসিনি। অমুককা শমভিন্না হায়রবদা পুথোক্লম্বিবা মণিপুরী বেলেশিং অসিব মণিপুরী জগোই কৌগদ্রা হায়বা য়াহং অসিনি। মণিপুরী জগোইগী টেকনিককী দুশ্বমদা শাগৎপা বেলে হায়রবনা অমনি অদুগা মণিপুরী জগোইমক কৌরবনা অতোপ্পা অমনি। খুদম ওইনা হায়রবদা উদয়শঙ্কর, রামগোপাল, কলাক্ষেত্র অমসুং আমেদাবাদকী 'দর্পনা' একাদমীনা কথাকলি জগোইগী টেকনিকতা থুংশেম কয়া পুথোকলি; অদুবু থুংশেমনি-কথাকলি জগোই হায়দে। অদুগা চপচানা কথাকলি জগোই শাবা তারবদি মসিগী চপচাবা লোজিক নত্রগা ডিসিপ্লিন অসি গুরুখু থুগাইবা য়াবোই হয়না পণ্ডিত খবনা মত পীবি। মায়কৈ অসোমদগী মণিপুরী জগোইগী জগত্তা পুথোক্লম্বিবা বেলেগী মশক খবসি অমুক্তা কুপশিন্না খন্নবা য়াই।

মণিপুরী জগোইদা বেলগী লময়ানবদি লৈখিদ্রবা গুরু অমুবীনি হায়বা তাই। খোইদোকনসু হান্নগী লৈরমইবা ক্লাসিকেল আর্টকী ছাচা অসিদা খরদং হাপতোক হাপচিন তৌনবা হোৎনরকপসি গুরু অসিনা ইহান হাল্লি। গুরু অসিনা মপুং ওইবা বেলে অমি থম্মীরমই "শ্রীকৃষ্ণবাল্য লীলা" (পুংঅমুককী) অমসুং লোইশিল্লমদবা "গীত গোবিন্দ"। অসিগুম্বা অনৌবা মীৎয়েং অসি গুরু অসিনা উদয়শঙ্করগা মতম খরা তিন্নরম্বদগী পোল্লকপা উৎসাহদগী থোবকপনি। গুরু মশানসু লমন তোল্লে য়াজে। চপচাবা নোংচুপকী বেলে হায়রমক্তি কৌরা য়াদে; উদয়শঙ্করমককী বেলেগসু মান্নদে। মণিপুরী জগোইগী ক্লাসিকেল আর্টকী মশক অসি য়ারিবমথৈ কায়হন্দনা থন্নবা-হায়বদি ঢৈশৈগী মতাং কয়া হাপ্পা রারী য়াতাই শান্নবগী মওং মণিপুরী লোন্দা হাপ্পা অমসুং থোঙলোন খুৎলোন পুম্নমক হান্নগী ফিবমদগী পণ্ডহেন হেন্দোকহন্দনা-অভিনয়গী মতাংদু 'শান্নবা' ঈঙ্গিৎ তৌবগী মতাং খরদং নত্তনা শাগৎলম্বা অহানবা বেলেশিং

"শ্রীকৃষ্ণবাল্যলীলা"। থায়নগী রাসলীলা অমসুং গৌরলীলাদগী শাংথরকপনি হায়না লৌবা য়াই। তশেংবদি মসিবু 'বেলে' কৌবগী মহুত্তা নৃত্য-নাট্য (ডান্স ড্রামা) কৌবমবু হেন্না নকশিন্নবা য়াই। অদুবু হান্নগী রাসলীলাগী মশকসু নৃত-নাট্য ওইবনা অনৌবা মশক অসিবুদি বেলে কৌরবসু কায়দবা য়াই। বেলে অসিগী মশা পুম্বদা য়াম্না ইংনা তপ্না মুংশিনা অমসুং বাল্যরসনা মপুং ওইনা চেনবা ঈচেন অমসুং ইন্দুল অমা ময়েক শেংনা গুরু অসিনা হাপই। "গীতগোবিন্দ"দি মপুং ওইনা গীত-গোবিন্দগী মুংশিরবা খঙ্গংলবা ঈশৈদা জগোই ওইনা পুথোকপনি নৃত্য-নাট্যগী মশক্না মপুং ওই। "গীত-গোবিন্দ"বু ইহান হান্না মণিপুরী জগোইদা পুথোকপা অসি গুরু অসিনা ইহান হানবনি হায়বা তাই। বেলে অনিমক অসি লৌরিবা ওঝাগী টেকনিক অসি জগোইরাসকী মায়কৈদগী ওাক্তনি সংকীর্ত্তনগী চোলোম থাংতা অসিনচিংবা লমদমদগী ওঝানা পুশিল্লকপগী মওং থেংনত্রি। পুখংলিবা বিষয়মকসু মাধুর্য্য রসকী জগত্তা লৈবনা মায়কৈ অত্তো-প্পদা থিরুবগী থোইনা দরকার লৈতে। রাক্ম অসিমত্তংদি পনজনিংই মণিপুরী জগোইগী ক্লাসিকেল আর্টকী অয়োবী মশক ভঙ্গীপরেংশিংদা উংপা ওন্নিবা মশক অতু মতমগী ওইনা অভিনয়গী য়ান্নশল্লকপা অসিদা থরগী মখৈদি ময়েং তাহল্লবরা হায়নিংই। মণিপুরী জগোইগী খজিক্তংনা য়াম্না ফোও-দোকপা হায়বা অকনবা শাফু অতুমদি হকচাংগী উৎলকপা শেমলকপা মতৌতম্বা (অভিনয়) মওং কয়া অসিদা থরগী মখৈদি শোনথহল্লবরা হায়নীংই।

গুরু অমুবীগী মথংদা মণিপুরী বেলেদা মতিক চানা দান তৌরবা মহাসু ওইরিবা কলাকার অমদি দিল্লীগী "ত্রিবেনী কলা সঙ্গম"গী বেলেগী ডাইরেক্টর রাজকুমার সিংহজিৎনি। মহাককী বভ্রুবাহন লৈমন, ইন্ডৈন্ড্রে, গঙ্গা অসিনচিংবা ইতিহাসকী, পুরানগী অমসুং হৌজিককী সমাজগী ওইবা মথল কয়াগী বিষয়শিংগী বেলে নিপালগুম্বা চহী কুনমুককী মতুংসিদা পুথোক্লুনা ভারতকী মমিং চৎলবা কোরিয়োগ্রাফর অমা ওইনা মমিং লৈরে।

মণিপুরদস্থ ত্রিবনীগী বেলে খরা উনবগী খুদোংচাবা ফংখ্রে। রাজকুমার সিংহজিৎ উদয়শঙ্করগা লোয়নখিবা নক্রগা ছাত্র ওইখিবা মীশকত্তি মত্তে: অদুবু উদয়শঙ্কববু গুরু অমনি হায়না খনভবা মীশক্তি অমনি। মীৎ-য়েংমকস্থু মপুং ওইনা উদয়শঙ্করগীনি হায়বা য়াই—নোংচুপকী বেলেগী কোরিয়াগ্রাফরগী ভাব মপুং ওইনা লৌই: ভোকেল ম্যাজিক য়াওহন্দে যন্ত্রগী ম্যাজিককা কোন্নবা জগোইগী কাংলমনা ৱারী ীনবা হোংনবনি। থোইদোক্লস্থ মণিপুবী জগোইগী পাক্লা চাউনা শন্দোকলিবা—লাইহরাওবা, রাসলীলা, নট সঙ্কীর্ত্তনগী চোলোম অমস্থুং থাং-তা কাওবদগী হকচাংগী শাথেক কয়ামুক লৌশিল্লি। পুন্নমক মণিপুবী সংস্কৃতিগী পুবৈদগীনি—মণিপুবীগী ওইবা পুন্সীদগীনি। মহাক্কী কুইত্ত্রিবা বেলে অমানিদদি গোঙেল ফাওবা হাপ্লগী চাংয়েং খবস্থু পুশিল্লকই। বাজকুমাব সিংহজিৎ ক্লাসিকেল আর্টকী ফাজীনবা মশক কয়াদুগী পোৎলুম পুদে—দবকাব লৈববদি খুৎথেক শাথেকতা হাপতোক হাপচিন কয়া তৌই। মহাককী তোপতোপ্পা ফজবগী মীৎয়েংদা অমস্থুং ৱাবীগী মতাংনা তৌবকপা দৎবীশিংদা নীংতম্না শেম্বগী শক্তি সিংহজিৎতা য়াওই। তশেংবদি উদয়শঙ্করগুম্না সৃজনশীল শক্তি লৈবা (কলাকার ক্রিয়েটিব আর্টিষ্ট) অমনি। কোবিয়োগ্রাফর অমনি। নোংচুপকী বেলে হায়বসিগী খ্বায়দগী নকশিনবা মণিপুবী বেলে পুথোকপদি মহাকনি হায়বা তাই। অদুবু ক্লাসিকেল বেলেদা তৌবগুম্না পোৎচৈ (প্রোপ) শীজিন্নদবা অদুবু ছন্দোত্তুনা মণিপুরী সংস্কৃতিগী মশক উৎনবা থাং-তা, হুমাই, পে অসিনচিংবা কয়াবুদি কোম্না শীজিন্নৈ। উদয়শঙ্কর-মক্তি শীজিন্নরমদবমাল্লে হায়না নীংই। মহাককী বেলে অয়াম্বা মশা নাম্না শরক শিহন্দনা অমস্থুং ঈংনা তপ্পা ৱারী লীবা ওমই। রাজকুমার সিংহজিৎনা মণিপুরী বেলেদা তৌবা চাংয়েং হৌজিক ফাওবা লেপত্রি। থিংবা ওমদ্রবা ফজবা থিবগী শক্তি অমন্না ইনশিন্দুনা নীংতম্না মণিপুরগী সংস্কৃতি লৈকোন্দগী মচাক মচল কয়া থিবগী অমস্থুং হাপচিনবগী সাধনাদা চংথরি। তৌবদবু মহাককী বেলেশিংসি ক্লাসিকেল বেলে মণিপুরী

জগোইতগী ওইবা হায়বা অতুমদি কৌবা য়াদ্রে। ক্লাসিকেল আর্টকী পল কয়াবু মহাকনা থুগায়তুনা শেম্নকপগী মওং অসিনা ক্লাসিকেল আর্টকী মনুংতদগী ওইবা হায়বা মশক অতুমদি মহাককী বেলেশিংবু কৌবা য়াদ্রে। ক্লাসিকেল আর্টকী য়ুম্ফমনি হায়বা ফাওবদি য়াই অতুবু নীং তম্বা অনৌবা থুৎশেম অমনি।

মথংদা কোরিয়োগ্রাফর অমা ওইনা কলাকার অমা লৌখৎচরি। নেহরু ডান্স একাদমীগী প্রিনসিপাল অমসুং মণিপুরী বেলে ইউনিটকী ডাইরেকটর রাজকুমার প্রিয়োগোপালস্না। উদয়শঙকরগী মতমগীনি, শক খঙনৈ। অতুবু লোইনবদি নত্তে। মহাককী ইহান হানবা "ভাগ্যচন্দ্র" বেলে ডান্স (একাদেমীগী গুরু অমসুং ছাত্রশিংনা শাবা) উবদা ইনৌ নৌবা মণিপুরী বেলেগী মশক অমা থেংনথি। মথংদা একাদেমীগী মণিপুরী বেলে ইউনিটনা 'কৈবু কৈওইবা' 'মংশৎ' অমসুং 'পানথোইবী' অসিনচিংবা বেলে খরা মথং মথং পুথোরকই। প্রিয়গোপালস্নাগী কোরিয়োগ্রাফীদা মণিপুরগী ক্লাসিকেল আর্টনি হায়না লৌনরবা রাসলীলা, সংকীর্ত্তনগী চোলোম অমসুং থাং-তাদগী মতীক চানা লৌই। হৈনজবা বিষয়না ফোককী ওইবা থায়নগী ৱারীশিংনি। পোৎচৈ (প্রোপ) শীজিন্নদে। খোঞ্জেল অমা শুকয়াও য়াওহন্দে-যন্ত্রগী ম্যুজিকতগী মতেংনা হকচাং শাথেককা কোম্ননা ৱারী লী। তালগী মায়কৈদদি নীং-তমই-লুর সুরবা তাল কয়াবু শীজিন্নৈ। যন্ত্রদনা বাঁশী, ভায়োলিন, পেনা অমসুং মতাং মতাংদা 'সনন্তা' শীজিন্নৈ। ভারতকী সঙ্গীতনা মেলেডি'না মপুংওইবনা ঈশৈ, যন্ত্র অমসুং শাথেক্লা ফোঙদোকই। নোংচুপকী সঙ্গীততনা 'সিমফোনি'না মপুং ওইবনা চরাং চরাংননা যন্ত্র ৪০।৫০ গী মতেং লৌতুনা তোপ তোপ্লা ৱারী অমা শাগৎনবা লাক্লে। তশেংবামক্তি নোংচুপগী বেলেদদি জগোই পুথোক্লিঙৈদা ঈশৈদি হাম্নতুম শেমতুনা থমখ্রবনি, কোনথংদা ঈশৈ অতুগা কোম্ননা জগোই শাৱকপনি। অসিগুম্বা নোংচুপকী সঙ্গীতগী 'সিমফোনি' অসি মণিপুরী বেলেশিংদা পুথোরক্লবগী চাংয়েংনি।

রাজকুমার প্রিয়গোপালস্নাসু অসিগুম্বা যন্ত্রগী সঙ্গীততনা শাগৎপা জগোই বেলে পুথোরবগী চাংয়েংদা চৎথরি। মসিনক্না ভারতকী সঙ্গীতগী পরম্পরাগী "খোঞ্জেল"গী মতিক লৈরবা শক্তিশিং অসিগী মতুং শিনবা ঙমগদ্রা হায়বসি খাহং অমনি। খোঞ্জেলগী শকক (ভোকেল ম্যুজিক) অসি মতাং মতাংদা শাজিন্নরগা বেলেশিং অসিগী মগুন হাপকদ্রা হায়বসিসু খন্নফম থোকপা রাফম অমনি। বেলে কৌরবসু পুথোকলিবা খরা অসি নোংচুপকী বেলে নরে: মণিপুরী বেলেনি। 'প্রোপ' য়াওবা শুকয়া য়াদে অমসুং ভোকেলগী শরুক চঙবা শুকয়া য়াদে হায়বা মতম পুম্বগী অখিংবসু লৈফম থোক্তে। মরমদি হোৎনরিবা অসি চায়েং ওাক্তনি; মণিপুরী সঙ্গীতকসু য়ান্নমক শররিবা মরমনা খাহং খবা অসি হংবদসু থোইনা অকায়বা লৈতে। ওসিদকপু কোরিয়োগ্রাফর রাজকুমার প্রিয়গোপালস্নাগী তোপ তোপ্পা মীৎয়েংদা ফজবগী মায়কৈদা উৎপা ওল্লিবা অমসুং থিরিবা শক্তি অসিবুদি ঐখোয়না খঙজিন্দবা য়াদে। অদুগা শারিবা জগোই অসিদি মণিপুরী জগোইগী অচেৎপা য়ুম্ফমদা শাগৎলিবা ক্লাসিকেল আর্ট রাসগী চোলোমগী অমসুং মাইবীগী হাওবা অদুনি হায়বদি য়াদে। মসিনা য়ুম্ফম ওইরগা নীংতম্না, মতৌতম্বা (অভিনয়) য়াওনা শেমগৎপা মণিপুরী জগোইনি হায়বদা তাই। রাজকুমারগা কোন্ননা ক্লাসিকেল জগোইগী য়ুম্ফমদা পুখৎপা "নোংদোননেমা" অমসুং "শবীক মখোল" পুথোক্লবা ডান্স একাদেমীগী গুরু তরুনকুমার শাংখাবা য়াই।

মগককী পঞ্জাপ্রিবা মীওই মরি অসি নত্তবা খরসু লৈরি - মনিপুরী জগোই মরুপকী গুরু থিংবো.জম বাবু সিংহ, মণিপুরী বেলে ইউনিটকী চাউতোম্বী, তোন্দোন দেবী অমসুং লম্নাই ওইনা সোনারচান্দনচিংবা খরসু। অদুবু পুন্নমক অসি মশাগী তোপ তোপ্পা ষ্টাইল অমা শেমগৎপা লোইরে হায়বদি য়াদ্রি। লিটল-বেলে ট্রুপকী কোরিয়োগ্রাফীগী মওং দিল্লীগী মায়ারাওগী থোইদোকসু নাট্য ইনষ্টিট্যুট ওফ কোরিয়োগ্রাফীগী ছাত্রশিংসু খন্না ওইবনা পুন্নমককী মমি মখোয়গী বেলেশিংদা শেংনা

তারি। জগোইগী শাথেককী য়ৌশিনবা শরুকতগী, তালগী মপুং ফাবা উৎপদগী অভিনয়গী শরুক্তা (হায়বদি ইংরাজী ৱাহৈগী 'মাইম'নচিংবা কয়ানা মপুং ওইনা চৎপগুম্না উরি। ভৌববুদি মণিপুরগী সংকীর্ত্তন, থাং-তা অমসুং চৌংগী জগোইগী খুৎথেক শাথেক কয়াস্মু হাপচিন্নবদি হোৎনরি। মসিমক্তস্মু য়েংবা য়াবা মশক অমদি ওইহল্লকলি; পোৎচৈ (প্রোপ) নীংতম্না শীজিন্নৈ। থাং-তা ফাওবা পুথোক্তুনা হাইনৈ থৌশান্নৈ। অদুবু চপচাবা ষ্টাইল অমগী মপুংওইবা মশক্তি লাকত্রিবনা মতম খরদি ঙাইৰনা চুমলি।

ঐহাক্না তাজরকইবা ৱাফমদি অসিনি। অহানবদা—অসিগুম্বা মণিপুৰী বেলেশিং থোরকপনা মণিপুৰী জগোইগী ক্লাসিকেল ওইরবা আর্ট অসিগী হেন্না মপুং ফাহনবা মশক অমা উৎলকপরা? অনিশুবদা—উৎত্রবদি বেলেশিং অসি মণিপুরী জগোই কৌগত্রা অমসুং কৌববদি কবম্বা জগোই হায়গদগে? অহানবগী ৱাহং অসিগী পাউখুমদি পীজরি—গুরু অমুবীদগী হৌরদুনা রাজকুমার সিংহজিৎ, গুরু তরুনকুমার অমসুং রাজকুমার পিয়-গোপালস্নাগী বেলেশিং অসিনা মণিপুরগী ক্লাসিকেল ওইরবা আর্ট হায়বদি জগোইরাস, সংকীর্ত্তন, চোলোম, মাইবীগী জগোই অমসুং থাং-তা ফাওবদা হেন্না মপুং ফাহনবা হায়বত্তুদি ওইদে। ক্লাসিকেল আর্টকী য়ুম্ফমদা শাগৎনবা হোৎনবা অনৌবা জগোই খুৎশেম কৌবা তাই। অদুগা জগোইশিং অসিনা থায়নগী চৎনরক্রবা ক্লাসিকেল আর্ট অসিবু চপচানা পুখৎলি মপুং ফাহল্লি হায়রুবদি য়াদে। জগোই ঙাক্তগী য়েংলুরবদি হনথহল্লি হায়নত্তুম লৌগনি, অদুবু নোংচুপকী কোবোম্নাগ্রাফর কটস্তু-সনচিংবনা হোৎনবগুম্না অরি অনৌ অনিগী নীংথিজনা তিনশিন্নবা (সিনথেসিস ওফ কনটেম্পররী এণ্ড ক্লাসিকেল ডান্স টেক্নিক) মশক অমা পুথোক্লবা হোৎনরি হায়বদি চুমগনি। শম্না হায়রবদা হোৎনরিবা মওং অসিনা ভঙ্গী পরেংদা য়ৌবা ঙমলিবা, নটসংকীর্ত্তনগী চোলোমদা উৎলিবা অমসুং মাইবী জগোইগী শরুক্তা য়ৌরিবা মণিপুরী ক্লাসিকেল আর্ট অসিগী মসুংদা মপুংফাহন্নবা হেন্না ফজহন্নবা—থায়নগী ওঝাশিংনা

হোংনবীরম্বগুম্না হোংনরি হায়বদি লানগনি। ডাক্তর বাৎস্যায়নগী লোন্দাদা 'শেংনা অমুক শাগৎলকপা' হায়বা ভারতকী জগোই অতৈদা হোংনরিবা মহোংনা থায়নগী জগোইবু নোংহৌনা শেংনা পুৎলকপা হায়বা অতুদি নত্তে। অমুককা শমজিন্না হায়রবদা বেলেশিং অসি মণিপুরী জগোইগী পরমপরাদা চংশিল্লকপা নত্তে; পরম্পরা অসিবু মপূং ফাহল্লকপা নত্তে। নোংহৌনা মপূং ফানা শেংনা পুথোরকপস্তু নত্তে। পরম্পরাগী য়ুম্ফমদা নোংচুপকী বেলেগী মীৎয়েংদা শাগৎলকপা নীংতম্বা অনৌবা খুৎশেমনি। চপচাবা মৈতৈ জগোই কৌবা য়াদে।

অনিশুবা রাহং অসিগী পাউ্য়ুমস্তু মথককী পাউখুম অসিগা কোন্নখ্রে। হায়রিবা বেলেশিং অসিনা মৈতৈ জগোইগী চপচাবা ক্লাসিকেল ওইবা মশক অতু কৌবা য়াদ্রবদি মখোয়শিংসি অনৌবা খুৎশেম হায়না কৌবমক য়ারে। মসিমক্তা আমেরিকানচিংবদা চৎথরিবা অনৌবা ঈহৌ আইসোডারা ডনকাননচিংবনা হৌদোক্লিবা য়াম্নমক নীংতম্বা 'মোর্ডন ডান্স' হায়বতুমক্তি ওইরে হায়রুবা য়াদ্রি। মরমদি মণিপুরী জগোইগী য়ুম্ফম অমদি থাদোক্ত্রি ঃ মণিপুরী সঙ্গীতকী যন্ত্রশিং, তাল অমস্তুং খুৎথেক শাথেক অয়াম্বদি শীজিন্নরি। মফক্তা পনগ্রবগুম্না অরি-অনৌ শম্নবা মহোংন অমদি তশেংনা উংলি। অসিমকপু হোংনরিবশিং অসিদি অনৌবা খুৎশেমনি। হান্নগী জগোইবু পুখৎলকপনি হায়রুবদি য়াদে। বেলেশিংবু চপচাবা মৈতৈ জগোই হায়রুবা য়াদে। মতমগা চুনবা, নোংচুপকী বেলেশিংগী প্রভাবতগী থোরকপা, অরি-অনৌ শম্নবা হোংনরকপা জগোইগী খুৎশেম অমনি হায়বা তাই।

মথক্তা তারিবা রাফম অনি অসিনা বেলে পুথোকপবু ফত্তে হায়বা নত্তে। সঙ্গীতকী অমস্তুং জগোইগী খুৎশেম পুন্নমক মতমনা পুরকপনি, তৌদবা য়াদবনি অনৌবা ফজবা অমমমনি। ভারতকী জগোইদা বেলে পুশিন্নরকপা ফজবা থিবগী মহোংন অমনি। মণিপুরগী লাইবক ফবনি হায়না লৌগনি। ঈশৈদা, সাহিত্যদা লাইহৌকপা অমস্তুং শাবদা অনৌ অনৌবা মশক উৎলকপদোনা মণিপুরী বেলেশিং অসিস্তু থোইদোকনস্তু গুরু অমুবী, রাজকুমার সিংহজিৎ অমস্তুং প্রিয়গোপালস্বামী বেলেশিংসি

তোপ তোপ্পা ফজবা অময়মনি। মসিগীদমক মখোয়গী মীৎয়েং অমসুং ফজববু শেমগৎপা ওস্বগী শক্তিবু থাগৎকদবনি। অদুবু হৌৎনরিবা অসিনা পরম্পরাদগী চৎথরক্লিবা মণিপুরী জগোইগী ক্লাসিকেল ওইবা মশক—খজিক্তনা য়াম্না হায়বা ওস্বা চেকশিনফাজিল্লবা শাথেক খুৎথেক অমসুং সঙ্গীতকী মায়কৈদা লৈরিবা মওং অসিবু হেন্না মপুংফাহল্লকই হায়রুবদি চুমদে। মসিগীদমক চঙই—তোপ তোপ্পা রিসার্চ অমসুং নৈনবা অমসুং ওঝা গুরুশিংগী পুন্সি কথোক্লবা সাধনা। শম্না হায়রবদা পুথোকইবশিং অসিনা ভঙ্গী পরেংশিংগী ফজবদা খজিক্তং ফাওবা হাপকৎপা ওমদ্রি, নটসংকীর্তনগী চোলোমগী গতিশিংগী চীংলেম্বদা মনাক চঙলুবা য়াদ্রি; মাইবী জগোইগী শাথেক্তা হাপকৎত্রি অমসুং থাং তাগী লুরবা খোঙলোন খুৎলোন্দা নকশিল্লুবা ওমদ্রি। অসিনা চঙশিল্লকইবা বেলেগী খোঙথাং অসিনা মৈতৈ জগোইগী ৎপ্লতৈনবদা চৎশিল্লরুবরা হায়বসি মতমগী ৱাহং অমনি।

অবোইবদা ঐহাক্না থমজরিবা ৱাফমদি মণিপুরী জগোইদা বেলে য়াম্না মওং মওংদা পুথোক্লরকপনা মতমগী দাবী অমদি থুংহনবা য়াই; অদুগা মণিপুরী জগোইগী ক্লাসিকেল ওইবা সঙ্গীত অমসুং অভিনয়গী মশকপু হেন্না মপুং ফাহল্লকই হায়বদি নত্তে। মরমদি হৌজিককী বেলেশিংদা বাচিকা ভিনয়গী থানবা য়াদ্রবা ঈশৈ অমসুং খোঞ্জেলগী শরুক লৌথোরক্লি—কলাকারশিংনা কেন্দ্র ওইদুনা মুদ্রানচিংবা হকচাংগী অভিনয়গী মপুংওইবা মশক থুগায়রক্লি। আহার্য্য অভিনয়গী মশক ফীজেৎ লাকচেংতা নীংতম্লক্লি। অদুগা সাত্বিকাভিনয়দি থোইদোক্লবু য়েংশিনদ্রে হায়বা তাই। কোরি-য়োগ্রাফর অদুনা মণিপুরী জগোই অমসুং সংস্কৃতিগী জগতগী শানীং শানীংবা মুর্ত্তি অমা, ভাব অমা, রাথল পরীং অমা কলাকারশিংগী অপুনবা কাংলম্না শাগৎহনবতনি। কুমৈ ওইনদি কুংঙাই। অদুবু ক্লাসিকেল ওইবা আর্ট হায়বহুদি নত্তে। থরা অমনদি অসি ফাওবা মত্ত কোংদোক্লি বেলেনা জগোই মাঙহনগনি; অনিমক সংস্থান অমদা পূম্না লৈজিন্নবা ফাওবা চুমদে।

ক্লাসিকেল আর্টনি হায়না লৌনরবা মণিপুরী জগোইবু অমুক নৌহৌনা থরায় হাপসি হায়রবদি মরীক চুমহনসি হায়রবদি যেলে পুথোকপা নত্তে। লৈজরিবা অভিনয়গী মতাংদা চায়েং কয়া অমস্তুং রিসার্চ তৌবা তাবনি। ভাবতনাট্যম উড়িসি জগোইদা অভিনয়গী মতাংদা তোপ তোপনা ফজবদি ঈশৈ পদ অমবু অর্থ কয়া পুথোক্তুনা জগোই শাবা অসিনি— জগোই রাসতস্থু নট সংকীর্ত্তনদস্থু ঈশৈ পদ অমবু কয়ারক থোক্লা হায়বা ওস্বগী শক্তি উৎনবি। ছৈজদদি মস্তু য়ৌরক্তি। গুরু অমুবীগী থোৎনা মেঙলবা শাথেককী আইটেম খবদা গুরু বিপিনগী তালনা কুংশিল্লবা জগোইগী কম্পোজিসন খবদা চংযেং খবদি উবি। অস্তুবু হৌবকপদা মঙাইবি। কথক, ভারতনাট্যম অমস্তুং উড়িসি জগোইদি মাংবকী হাংবা লৈতে। ছৈজনা মাগুব ওইবে। কথাকলি অমস্তুং মণিপুরী জগোইগীদি মাগুব অমস্তুং ছৈজগী চাউনা খেন্নবা লৈবি। মাগুবকী পুং ৫ মুক চঙনা শাগৎলকপা জগোই বাসকী যজবা মশক অস্তু নটসংকীর্ত্তন্না অমস্তুং লাইমাংগী লাই হবাউবগী মশক অসি কমদৌনা পুংঅমুককী মন্নুংদা ছৈজদা উৎকদগে হায়বসি অচোবা শীংনবা অমনি। মাইকৈ অশোমদা অকনবা বিসার্চ অমা চঙলি। মণিপুরী জগোইদা মুদ্রা নত্রগা হস্তকশিংগী শবক কয়া য়াংবগে অমস্তুং কমদৌনা শীজিন্নবা তাবগে হায়বসিমক অচৌবা ব্রাহং অমনি। ব্রাহংশিং অসি খুন্নবা হোৎনবনা ক্লাসিকেল আর্ট অসিগী অনৌবা যজবা শকফম অমা পীবা ওইগনি। ১৯৮০ ইং

(৫)

মীওইবা সমাজদা শ্রীমদ্‌ভগবদ্‌ গীতাগী অবদান।

গীতা হায়বসি ব্রহ্মবিদ্যানি। যোগশাস্ত্রনি চুয়গী অফ ফত্ত অচুম অরানগী শাস্ত্রগী লাইরিক নত্তে। গীতানা হায়রিবসি চুয়গী নীতি শাস্ত্র নত্তে— যোগ শাস্ত্রনি। কর্ম্মগী বিস্তা ওইবদা নত্তে—ব্রহ্মবিদ্যানি। খ্বায়দগী অচুম্বদি শাস্ত্র পুন্নমক্কী মচিনি। অসিনা পুন্নমক্লা গীতাদা চঙজে। গান্ধীজীনা

কৌজে—ইম্মু গীতা। অতুগা পুখোরকই—অনাসক্ত কর্ম্মযোগ। লোকমান্য তিলকনসু 'গীতা রহস্য" ইত্তুনা কর্ম্মযোগকী লাইরিক ওইনা পুখৎলি। ঋষি বঙ্কিমচন্দ্রনসু নোংচুপকী বিদ্যাগী মীৎয়েংদগী নীতি শাস্ত্রগী লাইরিক ওইনা গীতাবু লৌই। আচার্য্যশঙ্করনা থেংনৈ মপুং ওইবা জ্ঞান যোগ—কর্ম অমসুং ভক্তিগী মাংমদা। অদুম্মা রামানুজাচার্য্যনা থেংনৈ মপুং ওইনা ভক্তি। অদৈতমু লৈরি—নিম্বার্ক, ভাস্কর, শ্রীধর স্বামী অমসুং মধুসূদন সরস্বতী নচিংবা কয়া অমা। ধর্ম্মগী সম্প্রদায় খুদিংনা গীতাদা চঙজে। অমসুং তোঙান তোঙানবা ভাবনাগী মশক লোৎথনৈ। নোংচুপকী পণ্ডিতশিংনসু বাইবলগা মান্ননা গীতাবু সম্মান তৌই। হিন্দুগী ধর্ম্মগী শাস্ত্রগী লাইরিক-শিংগী মরক্তা গীতানা ওইবি—খ্বায়দগী মীৎয়েং অপাকপা সাম্প্রদায়িক ভাবনা যাওদবা, সনাতন ধর্ম্মগী চপচাবা ব্যাখ্যা। গীতাগী কৃষ্ণদি পুরুষোত্তমনি—পরমাত্মানি।

গীতাগী ভাষ্যকার পুক্নমকী মনুংদা বৈষ্ণবগী সাধনাগা নকশিল্লবা জ্ঞান অমসুং ভক্তিগী সমন্বয় পুরক্লবা হোৎনবা শ্রীধরস্বামীগী (১৪শুবা খ: গী কুমচা) তুং ইল্লকপা মধুসূদন সরস্বতী (১৬শুবা ইংরাগী কুমচা) গী মিং থওইনা পনবা য়াই। গীতগী অধ্যায় ১৮বু ৬ | ৬ থোক্না মথং মথং ওইনা কর্ম্মযোগ ভক্তিযোগ অমসুং জ্ঞানযোগ হায়না খ্বায়দোকপসি মধুসূদননি। বিদ্যাদসু মপা লৈতবা ওইনা লৌনরি—মাবু হেনবদি সরস্বতীদনি হায়নরি। ন্যায় শাস্ত্র ইবদা রঘুনাথ শিরোমনিগী লাইরিকা লাম্বা য়াবা বেদান্তগী লাইরিক—"অদ্বৈত সিদ্ধি' ইবা মধুসূদননি। অসিনা মশাক্কী ভাষ্যদা পুল্লরি—অদ্বৈতবাদ, কবিতগী তাওরুপা শক্তি ভক্তিরস অমসুং কৃষ্ণপ্রেম। ভক্তিবু কৌরি—পরম তত্ত্বগী মায়কৈদা শোংলবা হিজবু চিংশিনবা। ভক্তিনা অমুক কৈরাক ওইনা কাখৎলি—জ্ঞানগী মায়কৈদা—ভক্তিগী মতেংনা ঐবু খঙই তাকপীরি শ্রীকৃষ্ণনা (ভক্ত্যা মামভিজানাতি—গীতা)। মধুসূদনগী মখমদা পরম তত্ত্বদি—বাসুদেব তত্ত্বনি; কৃষ্ণতত্ত্বনি। অতুবু অদ্বৈতসিদ্ধান্তদি খক থাদোক্কে। অসিনা ১৮শুবা অধ্যায়গী ৬৫শুবা শ্লোকতা"

"মামেবৈষ্যসি" (ঐবু ফংগনি) গী ব্যাখ্যদা ঐবু হায়বদি ভগবান বাস্থদেবনি। অদুবু ফংবদি বেদান্তগী মতুং ইন্না জ্ঞানগী পাম্বৈনা ফংগনি। আচার্য্য শঙ্করনা তৌবগুম্না নিগুর্ণ ব্রহ্ম হায়রগা তোক্কে। ভগবান বাস্থদেবনি—কৃষ্ণনি, বৃন্দাবন্দা ভত্তনা শান্নরিবা বেন্নু খোংবা—ফজবা পুম্বগী তুংনফম ওইবা। অস্থুম্না ভক্তি অমসুং জ্ঞানগী সমন্বয়গী মশক অসি ভৎন-খানবা লৈত্তনা মধুসূদনগী মীৎয়েংদা য়াওরি। খুদম অমতংগা য়েংবা য়াই। গীতাগী "মামেকং শরণং ব্রজ" (ঐডোন্দতা চঙজৌ) হায়বসি মধুসূদননা অর্থ অদুম খোল্লা হল্লি। অহানবা অতপ্পা অহৌবা থাক্তা ঐহাকসি সমুদ্রগী ঈথক কূম্না—ঐহাকসি মহাক্কীনি। অনিশুবা থাক্তা (ময়ায়দা) ভগবানবু থম্মোয়দা চেংনা কোনশিঙ্গত্নুনা থমজে—চৎপীখিগম্নু হায়না—নহাকসি ঐগীনি অতৈ কনাগী নত্তে। অহুমশুবা অ্যবাইবা থাক্তি শরণাগতিগী অরোইবীনী। খণ্ডলক্কনি ঐগা মাগা করিমতা খেন্নদে—ঐহাকসি মহাক্তি (অহং ব্রহ্মাস্মি)। অমুক নীংথিজনা গীতাগী মতাং মতাংদা ব্যাখ্যা তৌবিবগুম্বা মধুসূদন সরস্বতীনি।

বেদগী পরমপরাবু কায়দনা হৌজিককী যুগকী রাখলগা চুননা গীতাবু ব্যাখ্যা তৌরিবা মীশক অমদি—যোগী অমসুং ঋষি শ্রীঅরবিন্দনি। মহাককী গীতাগী মরমদা ইবা রচনাশিং (Essays on the Gita) হায়বা লাইরিক অসিনা পণ্ডিত অমসুং সাধক কয়াগী পুন্সি ওলহনখ্রবনি। লৈবগীদি ডাক্তর রাধাকৃষ্ণননচিংবা পণ্ডিতশিংসু লৈরি। অদুবু যোগী অমগী ভাবনাদা ফাওরকপা ম.রাল মরোল ওইবা লোক ১৪গী মশক খণ্ডলবা অবতারগী মশক ওইবা মীশক অমা শ্রীঅরবিন্দনা ওইবা মরম্না মহাক্কা ইথোকপশিং অসিগী তোপ তোপ্পা মগুণ লৈ। জগৎপু শক খণ্ডবা হায়বসিমক্তবু রাখলগী রাংমগী থবক্তি। চৎনবী লোন্দা "অপরোক্ষানুভূতি" হায়না মহাকী মীৎয়েংদগী গীতাগী মশক অমুক তাক্লবা হোৎনজগে।

সত্য হায়বসিগী মতম পুম্বদা মমায় অনী লৈ। অমনা মতম পুম্বদা লেপ্তত্রবা—হোংলরোইদবা। মহুদি পুকনীংগী নক্লগা রাখলগী শক্তম্ন অমদা

ক্যাজিন্নুনা থম্বা য়াদে। করিগুম্বা সাম্প্রদায়িক ওইবা নিয়ম নীতি (ফোরমুলা) অমনা ফাবা ঙমদে। অনিগুবা সত্যগী মশকনা মতমগী মহুৎদা অমম্তুং মীওইবগী পাম্বৈনা ফোঙদোকই। মহুদি মতম মতম অহুত্তদা থঙবা ঙমই। গীতা ইরকপদা নত্রগা হৌরকপদা চপচাবা অর্থ করি ওইরমগদগে হায়বসি হৌজিক্কী মীওইগী থওবগী য়াংমদনি। চথরিবা অসিনা মা মাহুনা খিবনি। অহুনা ঐখোয়না গীতাদা থিগদবসি হৌজিক্কী মীওইশিংগীদমক গীতানা করি অর্থ পীরিবগে হায়বহুনি। চুম্নগী অচুম্বতা নত্তে; ইংরাজী য়াহৈদা অহিংবা অচুম্বা (living truth) হায়বহুনি। অসিনা ধর্ম্মগী শাস্ত্র পুম্নমক পুমনৌ নৌনা অর্থ হন্দোকপা তাই, চৎপা য়ানবা পুরকপা তাঈ—তৌবতবু ঙমজবা শক্তিগী মতুং ইন্না সাধনাগী পাম্বৈনা অর্থশিংহু পুথোকপা তাই।

শাস্ত্র হায়বসি করিনো ? ইশাতগী ওইবা অহঙ্কারনা য়োমশিনবা ঐগী নংগী য়াখলনা লমজীংবা থবকশিং অহু থাদোক্লবা মীওইবনা মশানা চৎনজনবা আইন অমা শেমজবনি। মসিবু শাস্ত্র কৌই। গীতাদদি পুম্নমক অসিগী সমন্বয়—য়াখলগী পুক্নীংগী, ভাবনাগী—অমা তশেংনা য়াওরি। পুম্নমকপু লৌশিল্লি—চৎশিন্নবা হোৎনৈ পুম্নমক্কী য়াংমগী শক্তি অমনা। অসিনা শ্রীঅরবিন্দনা তাকপীরমই—গীতা হায়বসি দর্শন ময়ামগী মরৈ তৌনবগুম্বা চক্রী ওইবা লাইরিক নত্তে। মসিদি অধ্যাত্মিক ওইবা জগৎকী অচুম্বা অমম্তুং অশেংবা মশক অহু তাকননবা থোঙ অমা হাংদোকপনি। লমদম অহুদা য়ৌনবা সাধনাগী থোং অমা শাবনি। থরনা লৌনবগুম্বা নীতি শাস্ত্রগী ওইবা লাইরিকমু গীতা নত্তে। পুথোকপগী লোঈনাইদ্রবা জগৎ মরোল কয়া কয়াবু শরুতাকনবা ওইবা সাধনাগী লম্বীনি। অসিমকমম্তু ওইরি ভগবান কৃষ্ণক্কী লেঙদ্রবা বাণী।

"স্থিতপ্রজ্ঞ"গী মশক তাকপদা শ্রীকৃষ্ণনা শেংনা তাকপীরে—গীতাগী মপুং ওইবা পান্দমদি অমত্তা ওইবগী ভাব (সম ভাব—Equality) হায়বসিনি। অদুগা অমা, মুংঙাইবা থাগৎপা চৈথা করিমত্তনা মঙোন্দা

শোকপা ওমত্রবা মীওইহুনি—"ব্রাহ্মী স্থিতি" হায়হনা হায়রিবসি। অনিশুবা অধ্যায়গী অরোইবা শরুক্তা দর্শন অসিবু য়াম্নমক ময়েক শেংনা তাক্লি—শ্লোক কয়ানা। মসিবু আচার্য্য বিনোবা ভাবেগী আ স্মৃতিগী থীহনা নীংশিংই। তুরেলশিংনা চেনশিল্লকপদা সমুদ্রনা কা ভৌদবগম্মা মীওইবগী অপাম্বা কয়ানা চওশিল্লকপহ মুত্তোন্দা শোক্কে নত্রগা ঐ নত্রগা ঐগী হায়বা পুম্নমক অসি মহাক্না থাদোকই (নির্মম নিরহঙ্কার)। মসি সমভাবনি। ঋথক কয়ানা অরেপ্পা লৈতনা অকিবা ফংনা শান্নরবসু লেঙদনা লৈবা ঈশিং ঈপাকম্মা—মতম পুম্বদা শান্তি লৈবা, তংকপা য়াওদবা হায়বসি অধ্যাত্মিক ওইবা মুক্তিগী য়ুম্ফমনি। সমভাব অসিগা কোম্নরকপা অমনা পুম্নমক অমতা ওইরকপনি—পুম্নমক অমতনি (one-ness)। খেন্নবা লৈতবা, ঐ নঙ মা লৈত্রবা, অসিনা অতোপ্পনি অসিনা ঐগীনি খায়দ্রবা পুম্নমক অসি অমতা ওইনা উবা ঙম্বা—অনিশুদ্রবা (অদ্বৈত) মীংয়েং অসি মহক্কী সমভাবগা তংনথানবা লৈব্রা ওইরকই। অনিমক অসি অমতহম্বনি। মসিগী মীংয়েং অসি ওল্লকইবা পুন্সিদা ফাওহনবা অসিনি গীতাগী উদ্দেশ্য।

কর্ম্ম, ভক্তি অমসুং জ্ঞানবু কমদোনা শ্রীঅরবিন্দনা ব্যাখ্যা তৌবগে ? অধ্যায় ১৮গী ওইবা শ্লোক ৭০০ য়াবো গীতা মশা পুন্দসি শ্রীঅরবিন্দগী ব্যাখাদা থাক তঙহম খেংক্না হন্দোকই। সিড়ি মহং মথং কারকপগম্মা উংলি। অহানবদা তাক্লি—থবককী মহৈদা লাওতকনগনু থবক্তা মতৌ-তান্যাসক্ত ওইয়ু। নহাক্কী অধিকারদি কর্ম্ম তৌবা ফাওবদনি। মহৈনা কবি ওইবকুদগে হায়বহু নহাক্কী শক্তিগী হাংমদনি। অহুবু থবথি —লোক সংগ্রহগীদমক ঐহাকনা তৌরিব্রা অসুম্না। মসি গীতাগী নিষ্কাম কর্ম্মযোগ হায়বহুনি। মতাং অসিদা ফাওরক্কনি—সমভাব অমসুং অমতা ওইবা। অহুবু অহৌবতনি। অনিশুবা থাক্তা থঙলকনি—থবক তৌরিবদি ঐ নত্তে—আত্মা অসি নত্তে। প্রকৃতিনি। সত্ত্বঃ রজঃ তমঃনা থৌরিনা তাহনা শাপ্রবা প্রকৃতিনা মতম পুম্বদা চথরিবনি—থবক

হায়বনি। আত্মা নৎত্রগা পুরুষ অদুদি চুম্নগী য়েংবগুনি—অয়াবা পীরগনি। থবক্তুদি থক য়াওদে— অদুবু ফাজিনখিবদগী থবক্তা য়াওশিনবা মানবনি। অশেংবদি আত্মাদি মতম পুম্বদা তোপ্পনা লৈ। আত্মাগা (নত্রগা বেদান্তগী পুরুষ—সাংখ্যগী নত্তবা) প্রকৃতিগা অনিগী খেন্নবা মশক অসি চপচানা খঙলবা মতমদা ওাম্হোরকনি—জ্ঞান হায়বদু। মসিবু শ্রীঅরবিন্দনা কৌই —জ্ঞান যোগ। মস্নি গীতাদা তোয়না পল্লিবা সাংখ্য যোগগী সাধনানি। মসি ইশামকপু থবক করিমতা তৌদে প্রকৃতিনা তৌবনি হায়বা খঙজরকপগী থাকনি। অদুবু মসিনস্থু লোইদ্রি। অরোইবদা—প্রকৃতি অসিসু মতোমতা নত্রে—উত্তম পুরুষ নত্রগা পুরুষোত্তম অমা লৈরি—মাদুগী শক্তিনি প্রকৃতি হায়বসি। প্রকৃতিগী থবক পুম্নমক পুরুষোত্তমগীনি হায়বা—পুম্নমকসি মহাক্নি, মহাক্কীনি, মহাকনা অরোইবনি হায়বগী ভাব অমা লাক্লি। মওোন্দা চঙজবা তাই তিনজবা তাই, মহাক্কী থৌদাং পাঙথোকপা তাই (নিমিত্ত মাত্র ওইনা), ঐহাক্কীনি হায়বা করিমতা লৈরোই—পুম্নমক মহাকনি, মহাক্কীনি. ঐহাকস্থু মহাকমকনি, হায়বা ভাবনা অসি লাকপদা হৌবকই —শ্রীঅরবিন্দগী মততা ভক্তি যোগ। অসিনা গীতাগী মহাবাক্যদি মখাগী অসিনা ওইরি –

> মন্মনা ভাব মদ্ভক্তো মদ্‌যাজী মাং নমস্কুরু।
> মামেবৈষ্যসি সত্যং তে প্রতিজানে প্রিয়োঽসি মে॥
>
> (গীতা ১৮। ৬৫)

ঐওোন্দা পুক্নিং থমজরো ঐহাকপু মতম পুম্বদা নীংশিংউ—চিন্তা তৌ। অদুবু মস্নিদি ওইদ্রি—মূর্তি ফংননবা প্রেমনা লোয়ননা ঐহাক্কী ভক্ত ওইয়ু। অদুবু প্রেমদি কমদোনা পোক্কনি ? ঐহাকপু পূজা তৌ। পূজাদু মপুং ফানবা থরাই হুকচাং পূম্বা চঙজনরকবা ঐহাকপু নমস্কার তৌ—খুরুমউ—নববিধা ভক্তিনা লোয়ননা। মাদুদা ঐবু ফংগনি। (মধুসূদন সরস্বতীগী ব্যাখ্যানি) মীওইবগী আত্মানা প্রকৃতিবু শিজিন্নবিবা পরমাত্মাগা অমত্তা ওইশিন্দুনা চপচাবা মপুং ফাবা অধ্যাত্মিক মুক্তিগা

লোয়ননা খুৎলাইগী মশক ওইনা (নিমিত্ত মাত্র ওইনা চঙ্‌শিললকপা মতাং অসি গীতাগী অয়োবীনি—মসিনি গীতাগী মহাবাক্য।

শ্রীঅরবিন্দগী মততা গীতাবু কর্ম্মযোগকী লাইরিক্লি, ভক্তি সাধনাগী শাস্ত্রনি নত্রগা জ্ঞানযোগ ভক্তগীনি হায়না চৎনরিবা সম্প্রদায়শিংগী মত অসি মপুং ফাদবা মীৎয়েংনি হায়না লৌই। কর্ম্ম অমসুং জ্ঞানযোগকী পাম্বৈনা মথং মথং কাখৎলরগা অবোইবদা "শ্রীকৃষ্ণার্পনম্‌" হায়দুনা শ্রীকৃষ্ণদা লৈজবা পুম্বা কৎথোকপা—পুকনিং হুকচাং অমসুং থম্মোই পুম্বা কৎথোকপা অসিনা পোলোইনি। মতম কুইনা কাউনরগা বেদগী যজ্ঞগী মশক অদু অমুক নৌহৌনা গীতাদা পুশিল্লকই—পুনসীদি যজ্ঞগী মশকনি। কৃষ্ণদা চঙ্‌ভবতনা অমসুং মহাক্কা অমতং ওইদুনা জীবন মুক্ত ওইনা কর্ম্ম তৌবা অসিনা গীতাগী অরোইবা বানীনি। অসিনা গীতানা তাকলিবসি চুম্নগী দর্শন শাস্ত্র নত্তে, পুন্সী অসি সাধনাগী মশক ওইনা চঙশিন্নবা যোগশাস্ত্রনি। মরে তৌনদুনা অচুম্বা তানগদবা নত্তে। পুন্সিবু সাধনাদা ওম্বোত্তুনা মুক্তিগী লম্বীদা চৎপনি। পুম্নমক্কী মথক্তা সমাজদা লেনা লৈনা আধ্যাত্মিককী ওইবা পুন্সী লেনবা য়ানবা মুংগা পালগা অমতা ওইনা পুনশিন্নবা মশক অদু গীতানা তাকপনি। সমাজগী সেবা তৌবা যাই। অদুবু মদু অধ্যাত্মিকী যুম্ফমদা তৌগনি। নিমিত্ত মাত্র ওইনা তৌগনি। তৌরিবস্ম ঐ নত্তে। মহাকনি। জীবাত্মানা পরমাত্মাগা অমতা ওইনা লোক সংগ্রহগীদমক থবক চথগদবনি পুম্নমকপু কোনশিনবা, পুম্নমক তিন্নবা য়ানবা হোৎনবগী মশক অমা শেংনা গীতাদা য়াওরি।

শ্রীঅরবিন্দনা অমুক্কা চথরি—গীতাগী বানী অসি অমথক্তা ওইরোই; মী মীদুগী মতুং ইন্না তোঙান তোঙানবা বানী লৈগনি। অমথক্তনা লোইবা য়ারোই। অসিদা অহানবদা লৈরি—জগৎকী অপাম্বা অমসুং মুংঙাইবদা তাউরিবা মীওইশিংদা। মখোয়দা গীতানা হায়রি—পুম্নমক্কী মথক্তা অম্বাংবা আইন অমা লৈবনি। মদুবু ইনবা তাই। পুন্সি অসি চুম্নগী অরা মুংঙাইগীদমক নত্তে। ঈশ্বরদা চঙশিন্নবগী লম্বী অমসুনি—

থোং অমনি। মতু কাউরোইদবনি। থরা খিন্তং য়াংথৎপা বুদ্ধিজীবী ওইবা মীওইশিংদনা গীতানা হায়রি—চওশিল্ল মীওইবগী অমৃতগী মশক ওইবা অধ্যাত্মিক ওইবা মপুং ওইবা ধর্ম্মদা। চওশিল্ল বুদ্ধিগী য়াংমদা অমৃতগী লমদমদা অমৃতগী মচাশিং পুম্নমক। অরোইবা থাক্তা কাথৎলক্লবা অধ্যাত্মিক সাধনাদা চওশিল্লবশিংগীসু লৈরি গীতাগী বানী। চুম্নগী ব্রহ্মদা তিনবা নত্তে—ঈশিং মরীক্তা ঈপাক্তা তিনখিবা নত্তে। ঈশ্বরগা মান্নবা, ঈশ্বরদা ওনশিল্লকপা (God-like and God-becoming) ওইতুনা দৈবী ওইবা কর্ম্মদা চওশিল্লকদবনি। অরোইবদা পুন্সি অসি ওইরক্কনি —ঈশ্বর-জ্ঞানী, ঈশ্বর কর্ম্মী অমসুং ঈশ্বর ভক্ত (God-knower, God -doer and God-lover)। মসিমক গীতাগী মহাবাক্যগী মশকনি।

গীতানা মীওইবদা তম্বীরিবসি চুম্নগী সমাজ সেবক ওইয়ু হায়বা নত্তে। কর্ম্মদি তৌগদবনি। অহুবু মহৈগীদমক্তি লাংতকনদনা। প্রকৃতিনা তৌবিবনি হায়না খন্দোক্লুনা। অরোইবদা নিমিত্ত মাত্র ওইনা ব্রহ্মনা নত্রগা ঈশ্বরনা মতম পুম্বদা তৌরিবনি শান্নরিবা লীলানি খন্দোকপা ওমতুনা। মসিদা পুন্না য়াওবে—কর্ম্ম, জ্ঞান অমসুং ভক্তি যজ্ঞগী ভাবনাদা পুম্নমক কথোক্লুনা কর্ম্ম তৌগদবনি। থবক্তি অমতা ওইবা য়াই। ভাবনাদি তোঙানগনি। অচৌ পীশক নাইবা থবক লৈতে—মপুং ওইরিবদি যজ্ঞগী ভাবনা অহুনি। সনাখাংঙেন অমা ভগবানদা কৎপগা তুলসী মনা অমতং নত্রগা ঈশিং খুজোক অমতং কৎপগা চপ মান্নে—যজ্ঞগী ভাবনাদা চওশিল্লবদি। পুম্নমকসি অমতনি—খেন্নবা লৈতবা অচৌ পিশক নাইদ্রবা, ঐগী মীগী খায়দবা। জগৎ অসি শাগৈ অমতনি বসুধৈব কুটুম্বকম্।

১৯৮৯ ইং

(৬)

হৌজিককী মীৎয়েংদা শ্রীচৈতন্যগী ধর্ম্ম'

মণিপুরগী গৌড়ীয় সম্প্রদায়গী ভক্তশিংনা চেৎনা থাজে—ব্রজগী লীলানা মপুং ফাদহনো নবদ্বীপ লীলাদা লোইশিনবনি। মহাভারত ইরবা তুংদা ইপেন পেন্দ্রহনা শ্রীব্যাসনা অমুক শ্রীমাদ্ভগবতম্ ইহনা পেনজখিবগুম। শ্রীকৃষ্ণগী অনীংবা অহুম পাওথোক্লবা কলি যুগতা শ্রীচৈতন্যদেবনা অবতার তৌরকপনি। খ্বায়না খঙনবিববা শ্লোকতা হায়রি—"শ্রীরাধায়াঃ প্রণয়-মহিমা কীদৃশো বাণয়েবাস্বাদ্যো যেনাদ্ভুতমধুরিমা কীদৃশো বা মদীয়ঃ। সৌখ্যঞ্চাস্যা মদনুভবতঃ কীদৃশং বেতি লোভাৎ তদ্ভাবাঢ্যঃ সমজনি শচীগর্ভ সিনধৌ হরীন্দুঃ॥" হায়বদি শ্রীরাধাগী প্রনয় মাহিমানা কমদৌবা, ঐগী অঙকপা মধুরিমা-শ্রীরাধানা চুপচবিবা অসিনা কমদৌবা, অদুগা ঐহাককী অসিগুম্বা শুমহৎনবগী মশক অসিগী ভাবতগী শ্রীরাধাদা করম্বা নুংঙাইবা পোকখিবা হীরম অহুম অসিবু খঙনীংবদগী কৃষ্ণচন্দ্রনা শচী গর্ভগী সমুদ্রদা পোকখিবনি। অসিনি বৈষ্ণব সমাজনা ইবুংঙোগী তিন বাঙ্গা হায়না খঙনবিবনু।

গৌড়ীয় বৈষ্ণব সম্প্রদায়না ১৫শুবা খৃষ্টগী শতাবদীদা পুশিল্লকপ্পা তত্ত্বগী বিচাব অমসুং মত্ত্বব গোস্বামীপাদশিংনা অচিন্ত্যভেদাভেদ হায়না মিংথোনবগী মতাং অদুদি নৈনজবরোই। অদুবু গুরু বার্থ মরি হায়না খঙনবা—ধর্ম্ম, অর্থ, কাম অমসুং মোক্ষ হায়রুনা মপুং ওইনা মুক্তি ফংবা হায়বসিগী উচেকদা তাউথরকপা ভারতবাসিশিংদা শ্রীচৈতন্য দেবনা পুশিনবাকখি মঙাশুবা পুরু ষার্থঃ ভক্তিনা অপোইবনি অমসুং অবোইবনি। কর্ম্ম অমসুং জ্ঞান য়ান্নশিনবা ভক্তি নত্তে। অপাম্বা য়াওদ্রবা অহৈতুকী ভক্তিনি। মসিগী মপুংফানা ফোঙদোকখিবদি ভাগবকী ব্রজ গোপীশিংগী সাধনাদনি। মশা মশাগী নুংঙাইজনবা মীকুপ অমতং ফাওবা খন্দনা শ্রীকৃষ্ণগী পেন্নবগীদমক সমাজগী ফাজীনবা পুম্বা লংশেকুনা অথীবা মীৎয়েং কয়া থাওহনা পুনসিগী মীৎকুপ খুদিংমক চঙজখিবা গোপী প্রেমনি।

মখোয়গী পুনসিদা শ্রীকৃষ্ণ নত্তনা অত্তে অমা লৈতে। অসিগুম্বা গোপীশিংগী দুং ইন্দজদুনা মহাপ্রভুস্ন গোপী ভাবতা তৌবা রাগানুগাগী সাধনানা খ্বায়দগী অথোইবনি, পুনসিগী অমতা ভাইবা লম্বীনি হায়না তাকপীরমই।

হায়রিবা সাধনা লম্বীসি চুম্নগী প্রচার তৌবদা নত্তে, মসিমক শ্রীগৌরাঙ্গগী পুনসি ওইরমই। মহাককী পুনসিদা, মীকুপ খুদিংদা সাধনা অসিগী অত্তকপা মশক অসি উৎপীদুনা লোয়নরিবা ভক্তশিংবু অমসুং মীওইবা সমাজবু ভকহল্লনই। পুনসিগী অরোইবগী চহী ১২ দা ওইবা মহাককী ফীবমশিং—ভক্তশিংনা গম্ভীর লীলা হায়না খঙমবা অহুনা সাক্ষীনি। শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতগী লোন্দা হায়রগা

"রাধিকার ভাব মূর্ত্তি প্রভুর অন্তর।
সেইভাবে সুখঃ দুঃখ উঠে নিরন্তর" (চৈঃ চঃ আদি ।৪)

হায়বদি রাধিকাগী ভাবনা মূর্ত্তি ওইরদুনা প্রভুগী থম্মোইদা, অতৎপা লৈতনা কোল্লবা অরা-নুংঙাইবগী ভাব পোল্লকই। চহী ২৪ দা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌখিবা শ্রীচৈতন্যদেবনা লেমহৌরিবা চহী ২৪গী অরোইবা চহী ১২ দা মপুংওইনা স্বরূপ দামোদর অমসুং রায় রামানন্দগী মফমদা উৎখিবা ব্রজগী রসকী মশক, কায়নবগী ফিবমদা অঙাওবগী মতৌগুম্না নোকপা, কপ্পা রানথবা অসিনচিংবগী মশক, ঈশিংদা ফাওবা কৃষ্ণনি হায়দুনা চোংথরুবগী শকফম—অহিং কপ্পা অতৎপা লৈতনা ভক্তশিংনা দিব্যোন্মাদ অমসুং অন্তর্দশা হায়না খঙনবগী শাংলবা রারী অহু মতাং অসিদদি লীজররোই। শ্রীকৃষ্ণগা কায়নবদা জগৎ শূন্যনি হায়বা (শুন্যায়িতং জগৎ সর্বং গোবিন্দ বিরহেন মে) মশক অহু ইবুংঙোগী গম্ভীরা লীলাদা ফোংদোকখি। শ্রীচৈতন্যদেবগী মমাংগী বিদ্যাপতি, চণ্ডীদাসনচিংবনা ফোঙদোকখি, বিল্বমঙ্গল, জয়দেবনচিংবনা ইখিবা শ্রীরাধাগী কায়নবগী মৈচাকশিং অহুগী মূর্ত্তি ওইনা শ্রীচৈতন্যদেবনা পুনসিদা ফোঙদোকপীরমই। অহুনা লৌনরি ভক্তশিংনা—অন্তঃ কৃষ্ণ বহির্গৌর হায়দুনা মনুংদা কৃষ্ণ, মপান্দনা গৌর হায়দুনা। অসিনা লৌনরি ব্রজলীলানা চেনথরক্তুনা নবদ্বীপ লীলা

ওইরকপনি—ঈচেল অমতনি। শ্রীকৃষ্ণগী লীলানা হৌই ব্রজধামদা। মপুং ফারকই—লোইশিন্নকই নবদ্বীপ লীলাদা। অসিগুম্বা ভাগবত লীলাগী মপুং ফাননবা, শ্রীরাধাগী প্রেমগী চপচাবা মূর্ত্তি উহন্নবা, শ্রীচৈতন্যদেবনা নবদ্বীপ লীলা শান্নরকপনি। অসিনা অম্বুম্বসু লৌনরি চেংলবা ভক্তশিংনা শ্রীচৈতন্যদি চুম্নগী অবতার ওইবদা নত্তে স্বয়ং। ভগবাননি-শ্রীকৃষ্ণনা স্বয়ং ভগবান ওইবতা নত্তনা শ্রীচৈতন্যসু স্বয়ং ভগবাননি হায়বসি চেংনা থাজরবা গৌড়ীয় ভক্তশিংনি। গোস্বামী পাদশিংগী অইবশিংদা ময়েক বয়া শেংলমদবতু কৃষ্ণ দাস কবিরাজনা ময়েক শেংনা শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদা ফোংদোকলি।

অসিগুম্বা বৈষ্ণব ওমনা ওইগদবা মওংদি করিনো? শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদা ইরি—

তৃণাদপি সুনীচেন তরোরিব সহিষ্ণুনা।
অমানিনা মানদেন কীর্ত্তনীয়ঃ সদা হরিঃ॥

অর্থদি—নাপীদগী হেন্না তোন্না থনবা, উপাম্বীগী মতোংগুম অখাঙ-কনবা মশামক্তি ময়ায় কাদনা অতোপ্পবু সন্মান তৌবা, মতম পুম্বদা হরিনাম কীর্ত্তণ তৌবা মরি অসিনি বৈষ্ণবকী লক্ষণ। মীওইবগী পোকপগী অচাউরম কাবগী, বিদ্যাগী অমসুং শক্তী নাপল—এগীনি হায়বা অহঙ্কার থাদোককদবনি; নাপী মথক্তা নেত্তুনা চৎলবা ফাওবদা নাপীনা অচুম্ব খাঙজে—অচুবু মকোকতি হাইগংলি। বৈষ্ণবতি কোক হাইগংপা ফাওবগী অহংকার তৌরোইদবনি। পুক্নিং হকচাং, লৈজবা থিবিক শ্রীহরিগী চরণদা কৎথোকখ্রবা ভক্তনা মশাগীনি হায়বা করিমতা লৈফম থোক্তে। পুম্নমক শ্রীহরিগীনি। অসিবুনি কৌরিবা নাপীদগী হেন্না তোন্না থনবা রাখল। ভাগবতকী শ্রীপ্রহ্লাদ, শ্রীহরিদাস ঠাকুরগুম্না পুনসিগী অন্না-অনা পুম্নমক উপাম্বীগী মতোংগুম্না খাঙবা তমগদবনি। শ্রীবাসনা মচা শিরবা মতম্মদা ফাওবা হরি-সংকীর্ত্তণদা থাওতুনা লৈখি। মসিনি বৈষ্ণবশিংগী অখাঙকনবা হায়বতু। ভক্তনা কনাগুম্বদগীসু মিংচৎ-সন্মান পামলোইদবনি।

জগাৎ পুম্বনা সন্মাণ তৌরবন্থ কনাগুম্বগী মফমদগী সন্মাণ পামদবহৃনি "অমানী" হায়বদি। পুরাণ শাস্ত্রদা হায়রি মহারাজ ভগীরথনা শ্রীহরিবু নীংজৃখিহুনা ময়ুম মক্কৈ থাদোক্তুনা সন্ন্যাসীগী ফিজোন্দ। য়েক্লবগীদা ভিক্ষা অমসুং চণ্ডালশিংদা থুরুমখি। মতম পুম্বদা শ্রীকৃষ্ণগী ইচ্ছাগী ভাবনাদা লৈগদবনি। থৌদোক খুদিংদা শ্রীহরিবু নীংশিংগদবনি। অদুগা পুম্নমকপুদি সন্মাণ তৌগদবনি। পণ্ডিত রঘুনাথ শিরোমণিগী ন্যায়গী টিকা উবদা মহাপ্রভুনা মশামককী টিকা অদু গঙ্গাদা থাদখি। মহাপণ্ডিত কেশব কাশ্মিরীনা শ্রীগৌরাঙ্গদেবগী মফমদা মায়থীবা ফংলবদা ওনথোক্লা ইকাই-খুম্ননা পণ্ডিতপু থাগৎখি। "কীর্ত্তনিয়ঃ সদা হরিঃ" হায়বসিদনা মতম পুম্বদা হরিগী কীর্ত্তণ তৌগদবনি হায়বনি। কীর্ত্তণ অসি চুম্নগী ঈশৈশকপা ওাক্তো খঙনদনা শ্রীহরিগী কীর্ত্তণ তৌবা, চিন্তা তৌবা, ভাগবতনচিংবা পাঠ তৌহুনা নীংশিংবা অমসুং তাবা অমসুং সেবা তৌবা ফাওবা খঙনগদবনি। পুম্নমক হরিগা মরী লৈনফম থোকপনি। শ্রীহরিগী নাম, রূপ, গুণ লীলাগী মশক অমসুং ভক্তগী কীর্ত্তণবু খঙনগনি। ভক্তশিংগী য়ারী লীলা তাবা ফাওবা হরিগী কীর্ত্তণনি। মণিপুরী সমাজগীদা হায়রগনা য়ারী লীবা, লাইরিক তাবা, লাইরিক থীবা-হায়বা পুম্নমক অসি চপচানা জগোই ঈশৈমক কৌড্রবসু হরি কীর্ত্তণগী মহুং চনগনি।

হায়রিবা মথককী গুণশিং অসি চেল্লবা মীওই অদুদি তশেংনমক মপুংফারবা পুনসি হায়বদু কৌবা য়াই। মহাত্মা গান্ধীনা য়াম্নমক পামজবা "বৈষ্ণব জনতো" হায়বগী ঈশৈগী বৈষ্ণব অদুমকসু মীশক্তি অমতনি—য়াহৈদা খেন্নখিবগী য়াফমনি। গীতাদা তাকলিবা—"স্থীতপ্রজ্ঞ"গী শকফমদুসু হায়রিবা বৈষ্ণব ভক্ত অসিগা অমতনি। যোগীশিংনা তৌরিবা সাধনা, জ্ঞান য়োগীশিংনা পাম্লিবা ব্রহ্মবাদী ওইবগী মওং, কর্ম্ম যোগীশিংনা চঙশিল্লিবা ভক্তগী মশক পুম্নমক অসি পুকনিংগী অমসুং পুনসিগী মহুংগী মশক্তদি মথক্তা হায়খ্রিবা বৈষ্ণব অসিগা খেন্নবা লৈতে।

শ্রীচৈতন্যদেবগী মপুং ওইবা দানদি—প্রেম-ভক্তিনি। মুক্তিদগী ফাওবা ভক্তিনা অথোইবনি হায়রি। নামেরুচি জীবে দয়া—হায়দুনা শ্রীহরিগী

মামদা লুপ্ লুন তীরদা দয়া তৌবনা বৈষ্ণবগী মপুং ওইবা মথৌনি। অসিনা মহাকপু কৌনরি—প্রেমগী ঠাকুর। মহাবকী মীৎয়েংদা জাতি বিজাতি থায়দে—অচৌ অপিশক নাইদে পুম্নমকপু চপমান্না য়েংবা মীৎয়েংনি। শ্রীনিত্যানন্দদা মহাক্না পাউতাক পী "আচণ্ডালাদি করিহ ভক্তি দান" (চৈতন্যচরিতামৃত, মধ্য ১৫শ)। চণ্ডালশিংদা ফাংবা ভক্তিগী দান তৌ। শ্রীহরিদাস ঠাকুর মুসলমাননি, শ্রীরায় রামানন্দ শূদ্রনি—মাদুবু অনীমক অচৌবা ভক্ত ওইনি মহাপ্রভুনা চেংনা কোনশিনখিবা। অনারোমদা মহাপ্রভুগী ধর্মসি—শাস্ত্রগী নিয়মবু য়াথিদবা প্রেমতবু থাজখিবা, মীওইবতনা আরোইবনি হায়খিবা বাংলাগী বাউলশিংগী সাধনাগা য়ামনক মান্নে। প্রেমগী লীলা শন্নবা য়াবসি মীওইবগী পুনসিতনি—অসিনা ভগবানগী থায়দগী অথোইবা স্বরূপতি মীওইবগী পুনসি অসিনি। কৃষ্ণদাস কবিরাজনস্ত হায়রম অসিবু লৌখংনি—"কৃষ্ণের যতেক খেলা, সর্বোত্তম নরলীলা।" (চৈতন্যচরিতামৃত, মধ্য ২১শ) শ্রীকৃষ্ণগী লীলাশিং পুম্নমককী অথোইবদি নরলীলানি মীওইপাককী লীলানি।

অসিগুম্বা প্রেমগী মশক অসিদা মীগা লাইগী থেন্নবা ফাংবা মাঙহল্লি। মীওইবগী ওইবা প্রেমগী মশক—দাস্য, সাখ্য অসিনচিংবা অসিগী মথক্তা লাইরমলেনগী ওইবা প্রেম অমসুং ভক্তি হাপচিনবনি। কামবু প্রেমদা ঙনথোকহনবগী তৌবা সাধনানি। শ্রীচৈতন্যদেবদা মীগা মীগী থেন্নবা লৈতে; লায়রবা ঈনাকখুনবা, অহাংবা-লৈথা তারবা পুম্নমক ভক্তি প্রেমদা চঙবা য়াদবা লৈতে। পুম্নমক হরিনাম মন্ত্র লৌবা য়াই। পোক-শম্বা য়াদবগী, জাতি বিজাতিগী পন পুম্নমক বৈষ্ণব ধর্মদা থুগায়নবা তৌরমই। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য মশামকত্ত মশানু অস্থমা তাকচৈ :-

নাহং বিপ্রো নচ নরপতির্নাপি বৈশ্যো ন শূদ্রো
নাহং বর্ণী নচ গৃহপতির্নো বনস্থো যতির্বা।
কিন্তু প্রোদ্যন্ নিখিলপরমানন্দ পূর্ণামৃতাব্ধে
র্গোপী ভর্তুঃ পদকমলযোর্দাসানুদাসঃ॥

(পদ্যাবলী; ৭২ শুবা অঙ্ক, শ্রীরূপগোস্বামী)

অর্থদি

ঐহাক্তি নত্তে ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয়, বৈশ্য নত্রগা শূদ্র
ঐহাক্তি নত্তে ব্রহ্মচারী, বর্ণাশ্রমী, বাণপ্রস্থ নত্রগা সন্ন্যাসী
জগৎ পুম্বগী পরমানন্দনা থল্লবা অমৃত-সাগরগী মশক ওইরবা
অচুংম্বা শ্রীকৃষ্ণগী খুযাথম্বালগী মীনায় নাইথাংনি।

অসিগুম্বা প্রেম-ভক্তি অসিমকনি হৌজিকমক জগৎনা খৌবাংনা ওাইরিবা। জগৎকী কল্যাণগী মশক ওইরবা, মীগী খেল্লবা থমদ্রবা, জীব পুম্নমক্তা শ্রীহরিগী শক্লোন ওাক্তা উখ্রবা অচুগুম্বা ধর্ম্ম অমবু হৌদোকপীরম্বনি শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা। অসিগুম্বা পুনসিগী সাধনাদা—রসকী সাধনাদা পুনসিদা তাওনা ফংলবা আনন্দগী বসপু ফংজহনবনি।

ঐখোয়না তোগদবা হায়রবু—অসিগুম্বা বৈষ্ণব অমা ওইরকপগী সাধনাদা মতমগী সমাজনা পুশিল্লকপা অমম্তুং শাস্ত্রগী মতমগা চুনদ্রবা চংনবী কয়ানা ফাডিনখিবা মশক অচুদি মশক মুম্না খওবা তাই। মীগা মীগা পুনশিন্নরকপগী লম্বীদা ধর্ম্মগী চংনবী কয়ানা অপনবা পীরবদি মচুবু লংশেকপা তাই। মুংগী সাধনাদা পানগী নিয়ম্না কায়হল্লক্রবদি মচুবু য়াহুনা লৈকম খোক্লে। মণিপুরী সমাজদা ওল্লকইবা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী নিয়মশিংদা অমম্তুং চংনাবোলদা অমাং অশেংগী মশক, শোক্ল-শম্নবা যাদবগী মতৌ অমম্তুং অরাং-অনেমগী বিচারশিং অসি হায়রিবা ভক্তগী মুংগী ওইবা মশক্তগী য়েংবা তাই। মহাপ্রভুগী ধর্ম্মদি পুম্নমকপু মুংশিবগী ধর্ম্মনি, জাতি-বিজাতি থায়দবগী ধর্ম্মনি,। অচৌ-অপীশক নাইদবগী ধর্ম্মনি। অসিগুম্বা মুংশিবগী তীর্থযাত্রাদা কনাগী মীনায় ওইবগী অর্থ লৈতে; কনাদম্তু চওজগদবা লৈতে। (ন কিংকরো নায়মৃণীচ রাজন—ভাগবত ১১, ৫, ৪১)। অসিগুম্বা ধর্ম্ম অসি ঐখোয়না নৌহৌনা মতমগী লাক্লিবা মানববাদগী দাবীদা কুপশিন্না য়েংগদবনি। মায়কৈ অসোমদগী য়েংলবদি সমাজগী চৎনরিবা কয়ামরুম অসিদা ঐখোয়না চুমথোকফম থোকপা কয়া থেংনগনি।

নোংচুপকী যন্ত্রগী সভ্যতাগী মাওশিল্লকপা মশক্তা খাওমদ্রহ্ননা থোরকই। হরে কৃষ্ণ শোনবা ইসকোনগী কা'লুপ। শন্দোরক্কি নৌহৌনা পৃথিবী শীনরাথু'না। মণিপুরদি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী অচৌবা তীর্থস্থান অমনি — নাম সংকীর্ত্তণগী ঈচেলদা সমাজ অসি লুপচরিবনি। অসিনা নৌহৌনা গৌড়ীয় বৈষ্ণব ধর্ম্ম তম্নীংঙাই লৈতে। ঐখোয়না তৌগদবদি হৌজিক হৌজিক চংনরিবা সমাজগী মশক অসিনা তশেংবা বৈষ্ণব অমা ওইনবা হোৎনবদা অকাযবা পীবা মশক লৈবররা অসিনি। অসিগুম্বা অবানবা বযা অসি চুমথোক্লবতদা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী অনৌবা য়াওন অমস্যং পুনসি ফংগনি। বৈষ্ণব ধর্ম্মবু মাওহনগদবা নত্তে বৈষ্ণব ধর্ম্মবু মপূং ফাহনবনি।
১৭৮৬ ইং

(৭)

গৌরলীলাগী হৌজিককী ওইরকইবা ফীভম

মণিপুরী বৈষ্ণব সমাজগী লাইনৌংগী অথোইবা সম্বাদি সংকীত্তননি 'বিদ্যাবধূজীবনম্' হায়দ্রনা বেদ শাস্ত্র ফাওবগী পুন্সীনি। পদ খুদিংমক্তা মপুং ফাবরা অমৃত থকচরিবনি। অসিনা গৌরলীলাগু সংকীর্ত্তনগী থানবা য়াদ্রবা শরক অমা ওইনা হৌরকই। হৌজিকমকস্ম অদুম্না চংথরি। গৌরাঙ্গ অবতারগী মপুং ওইবা পনথুংফমদা প্রেমগী অমৃত যেনবনি। শ্রীকৃষ্ণগী অনিংবা অদুম পাওথোরবা শ্রীকৃষ্ণ অমস্যং রাধারা অমতা ওইরকপদা থোরকই শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য। ব্রজগী লীলাবু মপুং ফাহন্নবা নবদ্বীপ লীলাদা শমথরকপনি। রাধা ভাবনা লুপপ্রবা গৌরাঙ্গনা মীকুপ অমতং শ্রীকৃষ্ণগা কায়নবা ঙমদবসি গম্ভীরা লীলাদা চহী ১২মুক গৌরচন্দ্রগী মপুং ওইবা পুন্সীগী অরোইবা লীলা ওইখি।

মনিপুরদা গৌরলীলানা হৌরকপসি চপচাৰা প্রমান ফংবা ঙমদ্রবস্তু চাউরক্লা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদগী হায়না লৌনবস্ত কায়দে। মতাং অসিদা লাইরিক হৈরবা খুরায় লাকপা সনখ্বা কোলি, অহানবা ভারতী শাখিবা সিদ্ধ পুরুষ ঙাংবা মাল্লা থওইনা মীং পনবা য়াই। অতৈ ওজা কয়া অমস্তু লৈবি। ইহান হানবগী ওইরম্বা য়াবা মশক্লা নিমাই সন্ন্যাসকী মওংনি। নিপাগী সংকীর্তননা হৌরগা (খর অমনা হায়—নিপা মচাশিংগী সংকীর্তননি। মতাং চানা সুত্রনা শ্রীকৃষ্ণনা রাধাগী লমন শিংনবা হায়রুনা গৌর অবতার তৌরে হায়রগা লোয়ননা তিন প্রভু হায়বদি গৌরাঙ্গ নিত্যানন্দ অমসুং গদাধর অহুম্না সংকীর্ত্তন ময়ায়দা চঙলকই। পালানা ঙাইহাক শক্লগা ফমথখি। অতুদগীদি হৌরে গৌরলীলা। অমুম্না থাজনৈ অহানবদদি ভারতী (কেশবভারতী) অমসুং মধুশাবগা লোইননা শচী মাতা অমসুং বিষ্ণু প্রিয়াগনা মপুং ওইবনি। মথংদা চঙলকই অভিরাম। নিত্যানন্দনা ব্রজদা চত্তুনা থিরুই শ্রীদামবু নবদ্বীপ লীলাগীদমক। শ্রীদামনা থোরক্লগা নবদ্বীপতা উনরৈ শ্রীগৌরচন্দ্রগা অমসুং মিংগৌরকই অভিরাম। খব অথেঙবদা হাপচিল্লকই—জোগাই মাধায় অমসুং তারা শাবী। মধু মাতা সনখ্বা কোলিনা হাপচীল্লম্বনি হায়। হায়নবা য়াওই—জোগাই মাধাইসু ব্রাহ্মন মচানিনা আজমীর য়েৎলমই হৌজিক্তি কুস্তী তৌবা মীওইগী শক্তম লৌরগা হৌরে। হৌরকপগী গৌরলীলাদি থাঙ্গৈশেংবা নিমাই সন্ন্যাসনি। নিমাই মমা তাক্লমদনা মাঙখ্রবদা শচী বিলাপ তৌই।

লোইশিল্লকপদা অদ্বৈতগী যুমদা কৌশিন্দুনা মতম খরা লৈহল্লগা মমা মচা বিদাই লৌনবা ফাওবদা অদ্বৈত ভজন হায়বগী মতেক্তা লোইশিনবনি।

চুড়াচাঁদ মহারাজগী মতমদদি থোইদোক্নসু লৈখিদ্রবা ওজা ঙাঙোম যুগীন্দ্র অমসুং খৌনাওজম কুঞ্জকিশোর (জোগাই শাবা) অমসুং ওজা ওজাপী ফাওবনা তেংবাংহুনা মতাং কয়া কয়া অমুম হাপচিল্লকপনা হৌজিক্তি গৌরলীলা ছুমিং হমনি মীংখিজনা শাম্নরে। তরেৎনি ফাওবা শামবগী পাও কংই। চৈতন্যাচরিতামৃতকী মত লোক্লগা বাল্যলীলা হাপচীল্লে।

প্রমান তৌরে। চৈতন্যচরিতামৃতনচিংবা লাইরিক্তদি থেংলবা অহিংদা ইবুংঙোনা ঘাটতা (নিদয়াঘাট কৌনখি) কুমথত্তুনা লোন্না লেঙখি হায়বনি — ইবোয়ত্তুনা লাল্লমগনি গঙ্গাবু। অদুবু হৌজিক্কি 'হি লানবা' হায়বা মতেক অমা ওজাশিংনা অঙকপা কল্পনাগা লোয়ননা হাপচিল্লে। গৌরলীলাগী ভাবক পুম্নমক হীলানবগী মতাংদা ঙাওনরে। লোইশিনবস্তু পুমলোয় লোইবা সমুদ্র পতনদা লোইরে। অসিনা নুমিৎ হুমনিগী গৌরলীলাগী মথং মনাউসি অস্তুম্না চাউরাক্না লৌবা য়াবে।

অহানবা নুমিৎ —

(ক) সংকীর্তন (খ) নন্দামোহন (গ) প্রভুনা পোকপা (ঘ) গঙ্গাস্নান (ঙ) সুকৃতি উদ্ধার (চ) শ্রীকৃষ্ণগী বাল্য লীলাগী মতৌদ, উদুখল (ছ) বল বিক্রম মর্দন মনাউগী মতেক (মতম ফংলগনা)

নিনি চনবা নুমিৎ—

(ক) নিতানন্দগী বাল্যলীলা (শ্রীরামগী অবতার ওইনা লীকং তেন্দোং পাহত্তুনা চংবা। (খ) ভক্ত হরিদাসপু ওৎনৈবা অমসুং ফুবগা গঙ্গাদা থাদবা (গ) দিগ্‌বিজয় পণ্ডিত মাহৎলীবা পীরগী মতেক (ঘ) জোগাই মাধাই উদ্ধার তৌবা (ঙ) কাজী দমন।

হুমনি চনবা নুমিত্তা

(ক) হী লানবা (খ) ভারতী গোষায় থোনত্তুনা দীক্ষা লৌবা অমসুং মধু অমসুং মধ মতাগী মতেংনা সন্ন্যাসকী মুক্তি ওইরকপা। (গ) শচী বিলাপ (ঘ) অদ্বৈত ভজন (ঙ) সর্ব্বভৌম সঙ্গ অমসুং (চ) অদোইবদা সমুদ্র পতন (সমুদ্রদা চোংথবা)

মথক্তা অসিদগী খঙবীগনি হৌজিক মতমগী গৌরলীলাদি মহাভারততা হাবীমতেক কথা কয়া হাপচিনখিত্তুনা মহাকাব্য ওইবকপদোনা থায়নগী ইচন চন্না নুংশিনা শান্নজরবা গৌরলীলা (নিমাই সন্ন্যাস) না বাল্যলীলাদগী হৌবত্তুনা অমতলীলাগী লোইরমদাই কাওবা শান্নরে। নোংমগী দৃশ্যমতেক অত্তুনা শাংলবা নুমিৎ হুমনিগী কুশৈ ওল্লে

জহীং-নোংয়াইট যেৌম্না শাগ্লিবে। হাপচীনবগী লোইবা নাইদ্রে হায়বা তাই। গৌরলীলাদা সত্রে কৃষ্ণ লীলা যাওবে। ধামলীলা যাওবে। পু ঈশৈ অমসুং শাস্ত্র খঙবা মীওইশিংগী অদুম অদুম হেঙ্গৎলকইবা ভাওকপা কলপনাগী মশক অমা হৌজিককী গৌরলীলাদা থেংনবে। মহাভারত, রামায়ন মতেক মতেক শান্নবদোৌনা মতাং কল হাপচীন্দুনা হৌজিক্তি লমকতম ফাংমদ্রবা মীংতম্লবা হাপচীনবদা অপনবা চৈত্রবা অতুংগী লীলাগী মশক হংইরে। খন্নগদবা ম্রাকমদি হাপচিল্লীবা কয়া অসিনা গৌরলীলাগী মশক ওলহল্লবরা? হাপচিল্লকইবা ময়াম অসিনা গৌরলীলাবু মপুং ফাহল্লবরা অমসুং মশক মাওংহল্লবরা? ম্রাহং অসি নৈনফম থোকই।

ঐহাককী মততদি গৌরলীলাবু মপুং ফাহনবনি হায়জনিংই। তৌবদবু গৌরলীলাগী মশক্তি পুমহে হোংলে। লীকল্লা হুংশিনা তেনশিন্না নুংইগী ওইনা শাগ্লদ্রা থায়নগী গৌরলীলা অদু হৌজিক্তি রামায়ন অমসুং মহাভারতকী মখল লৌবে। থায়নগীনা চেকশিন্না তাশিনবা রস মপুং ওনগা লীলানি ওকতগী থংনাইদা লেঙদ্রবা মমি তাহৌনবা হাৎনবনি। মা। বিংপোর্বা বাংলা প্রেমদা নপতবা বনাস্থ যাওবা নত্তে। পণ্ডিত নিমাইনা শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য ওইরকপদা ভাবোবকী হংমাইদা থক লাউবা অমা ফ ওইদ্রিবনি। হৌজিককী লেনাচোমগী লৈনাওম্না থেংলম্বা রাবী মতেক মখাস্থ লৈরদোত্রগা লৈ নাচোম অমমন থোক্লা শেমজিন্নকপনি। তৌবগীদি অসি খংদ্রেব্বা বলাকাব ওজাশিং কযাগী প্রতিভাগী মদমনি। মহাভারত পুংজকপদা ঐথোহনা মতাং মতাং ওইনা শাগ্লবহল্লা সভাপর্ব্ব কর্ণার্জুন নচিংবা 'কথা' থায়দোকুনা তৌরগম্না গৌরাঙ্গগী আদি মধ্য অমসুং অন্ত লীলাগী মতাং কয়া কয়াসি বাল্যলীলা (স্মৃকৃতি উদ্ধাবনা মপুং ওইবা) ডগাইঅাধাই উদ্ধার, হ। লান্বা "অস্পৃশ্যা" রাবী মতেক মতেকশিংনা মপুং অমমম ওইনা পুখেৎলরগা পীরুবা জনলা অমতনা শগজিন্নখকপনি। হৌজিক্তিকি হৌরকলাংনিমাই মন্ন্যাস লৌরে। গৌরলীলা মেইরাং পর্বগী মহাভারতকী রামায়ণগী মশক পৌরে।

ওল্লকইবা মশক অসিবু ময়াম্না পায়না লৌনরকইবনিন। অমসুং লাইওংলবা ওজা কয়াগী প্রতিভানা ওলহল্লকইবনিনা ঐখোইনা শাংমন্ত্রে তেনশিংঙসি হায়রুবগী শক্তিদি ওইদ্রে। ঐখোয়না হায়রবা অদুবা হায়রবু রসিক অমগী মীয়ৎদা মতাং অসিমদি শাংদোকমনখ্রে হঞ্জিন হঞ্জিন থোকপা কয়া য়াওরে খল্লিত্তুং শমতিনবা কৈ মতাং অসিমদি রসতা খঙ্গিত্তুং কাম্নরে হায়বনচিংবা খরা মখৈদি য়াই। হৌজিককী লীলা য়েংবদা সমালোচকশিংনা হায়নবমম। অদুগা গৌরলীলা হায়দুনা কন্নি কাওবদা মতাং মতাং অদু ময়েক শেংনা কৌরগা শান্নবনা চুমলে। মোইরাং পর্ব শান্নবা হায়রগা ঐখোয়না লৈলাংবগী মতেক, শামু খোঙয়েৎপা, লোইকুম লোইকানচিংবা হায়নবগুম্না যাত্রাগী অশেংবা মশক লৌরিবা গৌরলীলাসু বাল্যলীলা, জোগাই মধাই উদ্ধার, হীলানবা, নিমাইসন্ন্যাস, অসুম্না মতেক মতেক কৌনবনা চুমলে। চুম্নগী গৌরলীলা হায়রবদি থায়নগী নিমাই সন্ন্যাস অদুদি ওইদ্রবনিনা ভাবোককী পেন্ননিংঙাই ওইদ্রে। অসিনা কৌজরিবা কাংবুনা অপাম্বা মতুংইন্না ঙসিদি মতাং অদু শান্নবীয়ু হায়রগা নীংখিজনা পুং ৩দগী হেন্দনা শান্নবনা মতমগা চুনবা হায়বদু ওইরগনি।

মতমগী ড্রামাদদি মহাভারত শান্নগনি হায়দে শান্নবসু ওইথোক্তে। হন্‌ক্তা ইউরোপতা মমিং চৎলবা পিটরব্রুকনা জাতি পুম্নমকী মীওই থনগৎতুনা মমিং ওনিগী মহাভারত পুথোকখি ফ্রেঞ্চ লোন্দা, ভারতকী কলাকার য়াওই। অদুবু ড্রামাদদি সভাপর্ব শান্নবা কর্ণার্জুন লীলা শান্নবা অসুম্না চৎথনরি। অসুম্না রামায়ণগীসু সীতা বনবাসনচিংবা মতাং মতাংগী লীলা চথরি। থা মখায় অমা চঙনা শান্নবা অঙকপগী মশক ওইরবা উত্তরপ্রদেশকী নিংথৌ পানবা লম রামনগরগী রাম লীলা হায়বদুফাওবা হৌজিক্তি চৈজদা মতেক মতেক উৎপগী মওংদা চৎথরে। গৌরলীলাগী অসুম্না মতেক মতেক ওইনা শান্নগদবদু মিংথোক্নুনা চৎথবনা মতমগা চুনবা মশকনি হায়না লৌবা তাই। অতম্বা কনাগুম্না মাওব অমতদা ঐগীদি মমিং ৭ নিগী গৌরলীলা কপচগে হায়রবদি কায়রে।

অদুবু খুয়ানা চৎনবা য়াবা মতাংদি ওইখোক্তে। অসিনা ময়েকশেংনা মতাং মতাংগী মমিং লৌদুনা শান্নবনা চুমলে হায়বগী মত পীজরি।

পনজনিংবা মতাং অমনা গৌরলীলা শান্নরিবা ষ্টাইল (টেকনিক) অসি ওজাশিংনা কুপ্না য়েংশিনবীবা ঙমা চঙই। নোংচুপকী ভ্রামাদগী চঙলকপা অয়াম্বনা থৈজদা উৎনরিবা রিয়োলিষ্টিক স্টাইলদা চঙশিনবা মশক অদু নত্তে। তাশেংনা কুইদ কুইবা য়েংবদা তাবোক্লা ফুংডাইথিব্রেদা হায়বা মওং অমুক্না উৎকদবা নত্তে। পুন্নমক ষ্টাইল অমদা হকচাংগী শাথেক্লা খঙহনবনি।

হন্দক্তা য়েংজখিবা গৌরলীলা অমদা জগাই-মধাই উদ্ধারগী মতাংদা দ্বারীনা সংকীর্ত্তনগী ভক্তশিংবু শেন্নবা, মাধাইগা নিত্যানন্দগা অনিগী থেংনরকপগী খোঙচৎ শাথেক জগোইগী তানথাদা লৌবনা ওন্থোক্লা ফজে। ভাবোকক্কী পুক্নীং ফানবনি হায়দুনা হৌজিককানগী ড্রামাগী একটিং মতৌদা চাননা থোক্পা মালহন্না উৎলবদি লীলাগী মওন হনখহনবা ওইগনি। মোইরাং পর্ব্বগী শাথেক থুংথেক্তা ঐথোয়না থেংনরিবা ফজবা চপচানা গৌরলীলা শান্নবদসু থেংনরিবনি। বাল্যলীলাদগী হৌরদুনা গৌরচন্দ্রনা শ্রীকৃষ্ণগী শত্তম লৌরকপনিনা অমসুং অঙাংশিংগী পালাগা লোয়নরকপনা বিষ্ণুপ্রিয়াগা কায়নবগী মতাং অমসুং জগাই-মধাইবু লানবীবা ফাওবগী মতাংদা চহী ৮ গী অঙাংনা অদুম গৌরাঙ্গ ওই, গদাধর ওই। তশেংবা পুন্সীগী চহী মতাংগা হায়রবদি ওন্নরবনি। অদুবু থোৎনৌরবা বাৎসল্য-রসকী মতাং পুশিল্লকপদা মপুংফাহনবনিনা অদুম বৈষ্ণব সমাজনা য়ারি। রাসলীলা শান্নবদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণগী চহী ৮নি হায়বগুম্না শচী মাতাগা কায়নবদসু শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যনা চহি ৮গী মতাংদা কায়নবা উৎপদা অকাইবা কয়িসু তাবোক্তা পোক্তে। অসিনি গৌরলীলাগী মপুথোকক্কী ফজবা মশক অমা।

হৌজিকক্কী মনিপুরী সমাজদা মহৌশাগুম্না রাসলীলা উদুখল, গোষ্ঠলীলা শান্নরক্তে। মণিপুরগী মচি মচিদা ধর্মগী অকনবা ঈহৌসু লাক্তবা অমসুং ওন্নকইবা সমাজগী লৈতলায়রগী মশক্লা অমসুং হিংবগী কন্নবা লানকমনা

[illegible]পুনি। অদুবু যাত্রাগী শককম লৌরিবা খোরলী[illegible] [illegible] [illegible] আনবা হাপচিল্লকপনা কলাকার বয়াগী পুন্সী কুমথোক্তুনা নপুক[illegible] হিংনি হাযবা তাই। ঐবুত্তবু কুমিং ৩ ফাওবা শান্নবকপগী মশক [illegible]কপনা [illegible] পুং[illegible] ওমদ্রে। অদুবু মতেক মতেক. ওইনা [illegible] ওপাম্বা [illegible] মনিপুরগী মযম মকমদা শান্নহনবদা [illegible] হাযনা [illegible]! চন্দ্র[illegible] [illegible]হারাওগী এতমদগী লৈরব্রবা অমম্ং [illegible] [illegible] পুখংপীবরুবা [illegible] বলালাবু [illegible] ওাকপা তাই কনবা তাই, [illegible] তাই [illegible] ভাব [illegible] বলা[illegible] ভাব তানবা তাই। [illegible] [illegible] কংচবিবশিংগীসু [illegible] পুং ৪ [illegible] নিমাই [illegible] মতেকসু [illegible] শেম্বীবা চওই। মতুনা অথম্নবা [illegible] [illegible] [illegible] শিংনা [illegible] গৌবলালাগী [illegible] [illegible] কংচ[illegible] [illegible] [illegible] বংরেবদি [illegible] [illegible] নো মতম [illegible] লমদমসিদা [illegible]

[illegible] ৌবলীলা [illegible] থা ৫৫ চত্ত। লেবায়গী [illegible] পুনোবগা তোংলবপা প্রভু শাবা [illegible] পুখোক্তুনা গৌবলীলা [illegible] লিংখক্তুনা [illegible] চপাবা [illegible] তৌবদ্ধ হৌজিক্তি [illegible] অসিনা [illegible] তাংনো কংনরে। হৌজিক্তি [illegible] সংবাইনগী [illegible] [illegible] নত্তুং কয়া কয়া [illegible] উংহনবগী [illegible] লাগ্রে। মাওবতা [illegible] হায়বদু মঙাক্তুরে। [illegible] [illegible] ফুানবক্রগনি। [illegible] মপা [illegible]

লোয়নন। অমসুং লৈকায়গী অহল লমনশিংনা মচা মশুবু পুথোকচবগী মুংঙাইজবগী কৎচবা মশক অহু মাঙখ্রবনি। অসিনা ঐখোয়গী থায়নগী কলচরগী মশক্তদি অহোংবা অমদি পুরক্লে।

ঐখোয়না মতম অসিদা তৌবা য়াবসি থায়নগী অমসুং হৌজিককী অসিমক শেমগৎপনি। থায়নগী গৌরলীলা কৎপা অহুসু য়ারবদি মাঙ-খিদনবা বৈষ্ণব সমাজগী মনুংদগী ভক্তি লৈবশিংনা অমসুং অঙম্বশিংনা মনিপুরগী মচি মচিদা নোংমতা ওইরবসু কৎপগী মশক অসি মুৎহনবীদবা। হৌজিককী লাকইবা লীলা তৌবগী পাটি ওইনা থোরকপগী মশক অসিবুসু সমাজনা অমসুং সরকারনা মতেং পীতুনা থৌগৎপীবগা লোয়নন। হিংহনবীবা। অনিমক হিংবা দরকারনি। অনিমককী ফজবা অমসুং কান্নবা লৈ। অমা মাঙখিবদা গৌরলীলাগী অমাঙবা ওইগনি। মতাং অসিদা প্রজানা য়াবীবগী মথক্তা মণিপুর সরকার অমসুং মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী চাউরবা থৌদাং লৈবি।

(৮)

ক্লাসিকেল মণিপুরী জগোইদা পরম্পরা অমসুং অনৌবা চাংয়েং

বিষ্ণুধর্মোত্তর পুরাণগী ৱারী অমা লৈরি—মসি নিংথৌ বজ্রগা মার্কণ্ডেয় ঋষিগা ৱারী শানবগী মতাংনি। নিংথৌনা মুনিবু মূর্তিশিংগী চপ চাবা মশক লেপপা ঙম্নবা মহাকপু শিষ্য অমা ওইনা লৌবিরগা মূর্তি শাবা তম্বীয়ু হায়জখি। মুনিনা খুমখি—লাইয়েকপা হৈতনদি মূর্তি শাবা হৈরোই। নিংথৌনা মহু তৌগে হোৎনবদা অমুক্কা পাউখুম ফংখি—চপচানা জগোই শাবা অমা ওইরবদি লাইয়েকপা হৈবা ওইথোকতে। নিংথৌহুনা মহুমক

তমজগে হায়রবদা যন্ত্র সঙ্গীতকী বিদ্যা হৈতনদি জগোই শাবা ওইথোক্কে হায়বগী পাউখুম ফংই। অতুনক তমজগে হায়বদা অমুককা হায়রকই—টাল্লা শবপগী সঙ্গীত হৈতনদি যন্ত্র সঙ্গীত খওবা ওইথোক্কে। অসিনা অরোইবদদি মনি ভসিনা নিংখোবু পূন্নমক অসি তম্বীরগা মূর্ত্তি শাবা তম্বীখি।

মথক্ক রাবী ভসিনা তাকপদি ভাবতকা কলাগী মীংয়েংদা আর্টস পূন্নমক অসি তামগা অনগা থানবা য়াদবা মবী লৈনৈ হায়বসিনি। অমা খওনবা তো নবদা তমস্থ খাব মশানা তাবকই। পূন্নমককী নকবা মরী অনি থবা মুন্না খওজিনবা নান কলাগী অয়েবা থাক ফোঙদোকপা ঙমই। অতুগা শাস্ত্রা ওইববা ক্লাসিকেল আর্টতদি ভাবোকস্থ হায়রিবসি চপচানা খওতুনা উংলিবা অতুগা অমতা ওইশিন্নখিতুনা সহৃদয় হায়বতু ওইবা ঙমদবদি চপলিবা নসকী মগুং ফাবা ঙমদে। ঈশৈ খওদে, জগোই খওদে শারিবা শাবা অতুগা য়েংলিবা ভাবোক অতুগা চপমান্নবা খওমিন্নদ্রবদি অমত ওইমিংতুনা বস চুপপগী নুংঙাইবা আনন্দ হায়বতু ফাওবা ঙমদে। কলাগা শারিবসি চুন্নগী নুংঙাইবতা নত্তে। লান্নবগী মশক মুর্তিগী মশক ওইদি ঈশৈ নত্রগা জগোই অতুনা সাধনাগী মশক ওইবি। মতুনা পাথে ওইতুনা অরানবা থবম ফংনবগী মশকতু ওইরি। কলাগী পনখুংফমদি ঙাইহাক নুংঙাইথোকপা নত্তে; মনুং মপান থীংনা ফাওতুনা ভাবোকপু স্বর্গগী নুংঙাইববোমদা পুখৎপনি। অতুগুম্বা মনুংঙাইতু ব্রহ্মাবু ফংবগী আনন্দগী মচানমনাউনি।

ঐখোইগী শাস্ত্রায় ওইববা জগোই—হায়বদি লিরবা মতমদগী হৌরতুনা ভরত মুনিগী নাট্যশাস্ত্রদা মতুগী অকুপ্পা মশক পল্লম্ববা (খৃষ্টগী মতুং শতাব্দী ২গী অতুরাইদা) অসিগুম্বা জগোই অসি ইংবাজী বাহৈ 'ডান্স' হায়বতু নত্তে। সংস্কৃত বাহৈ—'সঙ্গীত' হায়বসিমক্তদা শক্রোন অহুম য়াওরি—নৃত্য (জগোই), গীত (ঈশৈ) অমসুং বাদ্য (তালবু পুরিবা যন্ত্র) অহুম অসিমক থাগে নত্ত। মাদনা ঐখোইগী জগোইদা চঙই।

জগোই য়েংবা হায়বসি চুম্নগী হকচাং শাথেকতবু য়েংবা নত্তে শক্লিবা ঈশৈগা কোম্নবিবা মশক্তু খণ্ডবা তাই অমসুং তাল পুবিবা পুংনচিংবগী সম্ভুগী ছন্দস্থ নাবোংদা তাদবা য়ারোই। অহুম্মক অসিনা নীংখিদনা পুল্লগা থোবক্লিবা মশক অতুব তশেংনা জগোই কৌবা য়াই। মায়কৈ অসোমদদি সঙ্গী-তকা য়াম্নমক নকশিন্নরকই। চুম্নগী ঈশৈ শকপনা মপুং ফাদে। মতুব্ ফোঙদোকপা হকচাংগী শাথেক চঙই অতুব্ অমুক পল্লিবা তালগী ছন্দস্থ দনকার ওই।

ঐখোইনা ক্লাশিকেল জগোইনি হায়না লৌনবিবা গোষ্ঠলীলা অমসুং রাসলীলাশিং অতুগা তাণ্ডবকী জগোইদনা নটসংকীর্ত্তনগী মশক অসি অমুক নাট্যগী মখল অমনি। সংস্কৃত সাহিত্য অমসুং নাট্য শাস্ত্রনচিংবদা খণ্ডনবি মসিবু রূপক হায়না। রাণ্ডবগী শরুক্তা মপুং ওইদবা হকচাংগী শাথেক্তা মপুং ওইবা উপরূপক (সঙ্গীত রত্নাকরগী মত মতুংইন্না) হায়বা অসিনক রাসলীলাগী মাশক্লি। নর্ত্তন (নত্তুং, নটন— অভিনয়দর্পণগী মত মতুংইন্না) হায়বসিদা য়াওরিবা— নৃত্ত, নৃত্য অমসুং নাট্যগী ও পুনবা মশক জগোই রাস অসিনি। অসিগুম্বা নাট্যগী পোক্লকপস্থ বেদ মরিমক্তগী মচাক অমমম লৌখত্তুনা হায়বদি—ঋকতগী রাণ্ডংবগী শরুক, যজুদগী অভিনয— মতৌ তস্বগী শরুক, সামদগী ঈশৈ অমসুং অথর্ব্বদগী রসগী মশক লৌশিন্দুনা মঙাশুবা বেদ - নাট্যবেদ পাসি ব্রাহ্মানা শেমখি হায়না নাট্যশাস্ত্রদা পল্লি। মায়কৈ অশোমদদি অমুক জগোইসি নাট্যনি রূপকনি। তশেংবদি রা ণ্ডাবনা মপুং ওইদবা হকচাংগী শাথেক্ত মপুং ওইবা-- উপরূপক হায়বদুনি।

অমুক ঐখোইগী জগোইদি— চুম্নগী হকচাংগী শাথেকতাক্তা নত্তে। মসিদা শরুক্লান মরিনা পুল্লি—'আঙ্গিক' (হকচাংগী অঙ্গ, প্রত্যঙ্গ, অমসুং উপাঙ্গ হায়দুনা মায়মিৎ অমদি থুংশানচিংবা হকচাংগী শরুক্তা উৎপা) 'বাচিক' (ঈশৈ শকপা, রা ণ্ডাবনচিংবনা উৎপা), 'আহার্য' (লীকংকোন-ফিজেৎ লৈতেংনা মশক তাকপা), অমসুং 'সাত্বিক' (সম্মীংম্না চপাদেশ্না,

হুন্না' শৌবা, তুচুংবা, হকচাং তনিক তনিকপা অসিনচিংবা মখল ৮ থোক্না খায়দোকক্তুনা পুক্নীংগী ফীবম উংপা)। মরী অসিনা অভিনয়গী মপুং ওইবা মশক্লি। রাফম অসি পুথোক্লক্তুনা নন্দিকিশ্বরগী "অভিনয়দর্পণ"দা অসুম্না মঙ্গলাচরণ তোবি

আঙ্গিক ভুবনং যস্য বাচিকং সর্ব্ব বাঙময়ম্।
আহার্য্যং চন্দ্রতারাদি তংনুমঃ সাত্ত্বিকং শিবম্॥

(অভিনয় দর্পণ)

অর্থদি নবোল অহুমরা মহাককী আঙ্গিকাভিনয় ওইবা শাস্ত্র পুম্নমক্না বাচিকাভিনয়না ওইবা থা, থরানমিচাকনচিংবনা মহাককী আহার্য্য অভিনয় ওইবা অশেংবা সাত্ত্বিক অভিনয়গী মশক ওইবা অতুওম্বা শিববু খুরুমজে। কয়াদা পাকচাউখ্রবা শিবগী সাধনানো। জগৎ পুম্বসি অভিনয়গী মশক্লি। জগোইগী জগোই ওাক্তনি।

পুম্নমক অসিদগী তাবক্লপদি মীংযেং কযাদগী শাস্ত্রীয জগোই হায়বসি চুম্নগী হকচাংগী শাংককতুবু নত্তে। সঙ্গীতকী মশক্লি; নাট্যগী মশক্লি (উপক্ক পকনি) অমসুং অভিনযনি। অশাবসু অয়েংবসু মীংযেংশিং অসি চপচানা লেপদবনি। অসিগুম্না নটসংকীর্ত্তনগী কূপশিনবা অর্থদা নট কীর্ত্তক অমা হায়বদা চুম্নগী চোলোম তৌবতবু খঙনদে মচীন্দা ঈশৈ শক্লিবা, মশানা চোলোম তৌবিবা অমসূং মখুত্তা কর্ত্তান পাযত্তুনা খীংলিবা পুংলোনগী তালদা নেত্তুনা ফীজেং লাকচেংতগী, হকচাংগী মপাল অমসুং নুংগী ফোঙদোকপা মংংদগী বস পোকহল্লিবা মীশক অতুবু খঙনগনি।

মণিপুরী জগোইদা যাওবিবা ভাব, বস, অমসুং তালগী মতাংদদি কূপ্না মতাং অসিদা নৈনজবরোই। বাস অমসুং নটসংকীর্ত্তনগী পবীং কয়াবুসু নৈনজবরোই। অসিগুম্বা ব্রাশিকেল ওইববা জগোই অসিনা ভারতগী অতৈ জগোই লৈবিবা—ভবতনাট্যম, কথক, কথাকলি— হৌজিকককী—কুচী পুডি, উড়িষি ফাওবা হাপচল্লগা অসিনচিংবা জগোইদগী খেন্নরিবসি কদাইদনো? ভারতকী অতৈ জগোইদনা য়াম্নমক ফোঙদোকনিংবা

হকচাং কায়াৎ মতেক মতেকনা মঙ কয়াদা পুগোক্তুনা কক কতুনা (এঙ্গুলর মুভমেন্ট) হায়বা অসিনচিংবা য়াওই। মণিপুরী জগোইদা মুংশিংনা লিরি শীৎপদা উনা লেঙবগুম্বা, ইহায় হায়বা মান্দবা ইংনা লেম্না রাদি য়াম্না হায়বা মপান্দদি ইউৎ উত্তনা মসুংদদি মৈগী চাংজাওগুম্না প্রেমগী রসতা ভাবোকপু তাউহনবা ঙম্বা অদুৎম্বা জগোই মখল অমনি। জাপানগী লীরবা জগোই—'নো'দা থেংনৈ য়াম্নমক ফাজীনবগী মশক। মৈতৈ জগোইদসু অসিগুম্বা ফাজিনবগী চাং অসি ফনা ফজনা য়াওই। মায়কৈ অসোমদা বালি, টাইলেণ্ড অমসুং ইন্দোনেশিয়াগী অতৈ জগোই-পুম্বগী মশকক্তা নকনবা মওংসু থেংনদবা নত্তে। খুদম অমতং পীজরবদা—ভঙ্গী পরেং অচৌবদা শারিবসি অভিনয় য়াওদ্রবা ঈশৈ অহুম মরিনা তোপ্পা তোপ্পা ইনবা য়াবা জগোইগী শম্নবা (নৃত্তপ্রবন্ধ) মশকনি। শক্লিবা ঈশৈগী অর্থ আঙ্গিকাভিনয়না ফোঙদোক্তে। অদুবু উৎলিবা নৃত্তগী শরুক অদুনদি ঈশৈগী রস অদুবু ঈঙ্গিৎ তৌরি। শাগৎলকলিবা কাব্যগী মশক লৌরিবা মূর্ত্তি কয়া অদুনা ঈশৈনা ফোঙদোক্লিবা রসতা তেংবাংনবা হোৎনৈ। রাধা কৃষ্ণগী শৃঙ্গার ভাব অদুবু তুং ইন্দুনা শাথেক খুৎথেকনা ফোঙদোরবা লাক্লে। মণিপুরগী তশেংবা মতিক চাবা ভাবোকতি রাসকী জগোইবু য়েংবা লাকপা নত্তে। বাসপু খুরুম্বনি—ঈশৈ তাবনি অমসুং ঈশৈ জগোইনা ফোংদোক্লিবা রসতা লুপচবনি; তোপতোপ্পা অমনা মনুং হুনজিনবা (ইনরার্ড লুকিং) মীৎয়েং অমসু মৈতৈ জগোইদা থানবা লৈতনা য়াংরি। রাসকী জগোইদা গোপীনা ভাবোক্তা ওনশিন্দে, শ্রীকৃষ্ণগী রসতা ডাওজখিদুনা চপচাবা গোপী ভাবতা চঙখিদুনা জগৎপু কাউথোকপা ঙমই। ভাবোকপু খল্লনিংঙাই মতাং লৈতে। অসিনা মচানা শারিবা কৃষ্ণদা মপানা দণ্ডবৎ তৌদুনা খুরুম্বা ঙমই। মরমদি মতম অদুদা মচাদু কৃষ্ণ ওইরি। মপানা মদুগী রসপু চুপচরি। রাসমণ্ডলী অদু মাণ্ডবকী মচেৎ অমা নত্তে; ব্রজভূমি ওল্লবনি—রাধা কৃষ্ণ অমসুং সখীশিংনা শান্নরিবনি।

পরম্পরা নত্রগা ট্রডিসন হায়বসিস্তু, খঙবা পণ্ডলায লায়দে। ঈপাঙ্গীপুনা অহনা-লমনশিংনা খঙনবা অসিবু পরম্পরা হায়না হেক্তা লৌনরি। মেৎংনি হাইচি ওইদে। অদুবু যমক কাইবা তসিগী অশেংবা মশক অসি করিনো হায়বসিদনি যাম্নক অববা অমা ওইবিবা। ইজবাইলগী মমিং চৎলবা কলাকার দেবোবা বাটিলোযনা হায়বম্বা নহাক্না নপা নপুশিংগী পরম্পরা অমা যাঙ্গৈবক্ত চপচানা খণ্ডলে অমস্তু ফংলবনি হায়না হেক্তা খনগনবু, অদুগী মওং শিজু হন্না হন্না পুথোকপা তাবনি মশা নত্তোনতগী ওইনা অমসং নওনা নওহনা। পণ্ডিত ওত্রগা বলাকার মশা মশানা নাইত্তোম ওইনা, সাধনা তৌজদুনা পরম্পরাদু উৎচবা অমস্তুং খণ্ডনবা লাম্নবা তাই। মাণ্ডা নৌবিবা খবসিনু উবে হায়দুনা ঐখোয়না খণ্ডলবনি হায়বদি যাদে। যুগনা অম্নুম অম্নুম রাখনদা থম্মোইদা অমস্তুং মীৎয়েংদা হোংলক্লিবসিনা আর্টকী মশক অসিবু খণ্ডজনবা অমস্তুং পুথোক্নবা হোৎনবদা খেন্নবকপা মশানা তাবনি। সেদম সেন লৌবদা বাডল ভগ্যচন্দ্রগী মতমগী লাইহুয়্রবা ডগোইগী পণ্ডিত অমস্তুং খোমশিংনা লাই হব উবগী জগৎকী মাণ্ডা নৌবিব শাস্ত্রক খুৎথোকর্ক পরম্পরা অদুগা লোক্লিবা বৈষ্ণবগী সাধনাগা অনিগী অমতা ওইবকপদা ডগোম বাস পুথোকখি। মহু নিংথৌরেল মথ মথংদা খোম্শিংন থাহনগী পরম্পরাবু ভাকপগী চাংয়েংদা খবা খবা অমুক হাপচিল্লকনা হাপচিল্লি হায়বা খঙন্দনা কুনশবা শতাব্দীদ ঐখোয়না উবিবা সংস্কৃতি বাস হায়বসি ওইনি। ডগোইগী খৎশাগী অমস্তুং শাস্ত্রগী অচৎপা নিয়ম খবদা অমক পুথোকপগা ওইবা সজনশীল শক্তি খোম্শিংনা হাপচিল্লক্লুন জগোইগী মশক মপুং ফাবা হেঙ্গৎলবই। হোংবা হায়বসিনা বলাগী অমস্তুং যুগকী ধর্ম্মনি। হান্নগী পরম্পরাবু থগায়দবা হায়বা অসিনা জাতি অদুগী মীৎয়েংগী দাবিনি। অনিগী তাইনফম অমদা মপুং ফাববা জগোইগী শকলোন থোরকই।

অমনৌবা চাংয়েংকযাসিগী মতাংদা মৎং অনি থেংক্লা অমুক লৌবা য়াই। পরম্পরাবু শকতনবা অমস্তুং ফজহন্নবা হোৎনবদা যুগকী মাংবাদা চংথরকপা চাংয়েং খরা। অতোপ্পা অদুনা পশ্চিমবাদগী থৈদোকখিদুনা

অনৌবা খুৎশেম পুথোকপগী চাংয়েং। অহানবগী চাংয়েং মশক অসিদা অমুকন্থ অনি থোক্লা শায়দোকপা য়াবি। শুমাংদা মাণ্ডবতা থাযনগী জগোইনি—রাসলীলানি, উত্থুখলনি শনশেনবনি হাযত্তুনা জগোইগী মশক খণ্ডফাত্তুনা ঈবাংদা তাউহন্দুনা ওঝাশিংনা পৈশা তানবগী মণ্ডদা মণিপুর পুম্বদা চৎথরক্লিবা চাংয়েং। হৌথবা মখলগী চাংয়েংনি-জগোই অনৌবা পণ্ডহাপ্পা হাপচিনবা, জগোই পণ্ডশাদা শাহনবা, লীলাগী মশা পুম্বদা চেল্লিবা বস তদুব থুগাইবকপনি। মসিদি পরম্পরা, ঙাকপা নত্তে, পরম্পরাবু পুক্লোই ওইনা শিভিন্নদুনা ঈবাদা তাউহনবনি। তশেংবদি হৌজিক গোবিন্দগী মাণ্ডবতগী হৌবদুনা খুল্লককী শান্নবিবা জগোইশিং অসি যেংব যাদ্রবনি নীংথিজনা তম্বীদবা, চেৎনবা পবিত্র থুগায়বক্পা অমসু পৈশা থাবগী ঈবাংদা থুপখিদুনা শান্নবিব জগোই অসিবু রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শম্বাবম্বা জগোইগী মশক্রা হাযবদু চিংনবা পোত্রবনি। মসিদা শীল্লিবা মীওইশিং তংাবিবা ওঝাশিং অমসুং ভাবোককী দাযীত্ব পুন্না য়াওমিন্নববনি। ইশৈ তৌবা গোপীশিংগী মহৎ লেববা শেশক খবদনা জগোইশিং অসিবু ঙাকলি।

অনিশুবা পরম্পরা [হেন্না ফজহন্নবা হোৎনরিবা মণ্ডনা ষ্টেজদা পুথোবকপা জগোইশিংদা থেংনবি। ষ্টেজনা হৌজিক্তি মাণ্ডবগী মশক লৌবে। মাণ্ডবতা ঙাক্লা অককনবা নুমিৎতা শাগ্নবনা য়ারক্তুনা জাতিগী সংস্কৃতিগী মশক উৎফম অসি হৌজিক্তি ষ্টেজনা মহুৎ শিল্লে। অসিনা স্বাধীন ফংলবা ভাবত্তা জগোইবু ষ্টেজদা পুখৎনবকপগী ঈহৌ অসি কন্না চৎথরক্লি। মায়কৈ অসোমদা লময়ানবশিংগী মন্থংদা লৈবি-গুরু মৈস্নাম অমুবী সিংহ। মণিপুরী জগোই মপান্দা পথোক্পনা উৎম্নবশিংগী মঙ্গুংদা লনয়ানবনি। উদয়শঙ্করগা অমসুং ভাবতকী অতৈ জগোইশিংগী গুরুশিংগা অমানমোয়াদা মতম খনা তিন্নকবদগী ওঝাগী মাংয়েং অসি পাকথোক্লতুনা অভিনয়গী মতাংদা অনৌবা ভাব জগোই বাসকা মাংয়েংদা শাথেক্তা হাপচিনবীরকই। হান্নগী থুংথেক শাথেককন্থ শন্নতুনা হণ্ডগী মশক খরম্থ

অভিনয়দর্পণনচিংবা লাইরিককা চান্নহন্দুনা গীত গোবিন্দগী ঈশৈ খরগী শেম্লকপা জগোই থরদা থোইদোকনস্থ ক্লাসিকেল ওইরবা শ্রীকৃষ্ণবন্দনানচিংবা জগোইদা থেংনরকই। অয়েংবদা অনৌবা অহাপ্পনি হায়বগী রাখল অছু পোকহন্দে। শাথেক্তা থোংপা নৌবগী শরুক হাপ্লকই। ঈংবা লেম্বগী ফজবা অমা মতম পুন্নমক্তা মাঙহন্দনবা ওঝা অমুবীনা কন্না হোৎনরমই। তালনা ছন্দনা ফনা কন্না থুজিল্লক্লবস্থ মৈতৈ জগোইগী তোপতোপ্পা ইছল অমা লৈপ্লিবসি মাঙখিদনবা ওঝাগী খুৎশেম কয়া হোৎনরমই। মপুং ওইনা থম্বীরম্বশিংগী মন্নুংদা গীতগোবিন্দগী জগোই কয়া মহারাস শ্রীকৃষ্ণ বাল্য লীলা (বেলে কৌরবস্থু নৃত্য নাট্যগী মশকনি-ঈশৈতনি য়াওদবা), কান্নুকালিন্দীগী জগোই শীংথানবা য়াই। ওঝাগী তুং ইনবা ওইবা, গুরু তরুনকুমার গুরু থিংবাইজম বাবু অমসুং রাজকুমাব সিংহজিৎস্থ অসিগুম্বা জগোই খুৎথেক শাথেকশিংগী তুংইন্নবা চংথরি। অসিগুম্বা জগোই খরা অসিদা থায়নগী পরম্পরা অছু চপচানা খউডুনা ঙাক্লি হায়বদা কায়রোই। অরি অনৌগী অঙকপা শমজিন্নবগী মশকনি।

পরম্পরাবু খণ্ডনবা অমসুং ফজহন্নবা হোৎনবদা চৎথরিবা অকনবা চাংয়েং অমনা গুরু বিপিন সিংহগীনি। মৈতৈ পুংগী অরুবা, অকুপ্পা তাল, ঈশৈগী ছন্দ কয়া ষ্টেজগীনি হায়তুনা খরা থুরপ তৌবা খুৎথেক শাথেক্তা জগোই মখল কয়া পুথোরকই। কন্দুকখেল, ননীচোর (তাণ্ডবকী মশক্তা) তাণ্ডম (তাণ্ডব অমসুং লাস্য অনীমক্তা), খরা শাংতক তৌবদা গোষ্ঠলীলাগী মতেক, বসন্তরাস অসিনচিংবা অকুপ্পা তাল-লয়গী ছন্দদা পুথোকপা জগোই কয়া চহী ৩০ মুক অসি পুথোক্তনা লাক্লি। তৌবগীদি জগোয়গী মশক অসি অজ্ঞা অম্নদোনগী মপুং ওইনা লৌবনি হায়রবস্থু গুরু অসিগী ঘরানা হায়না লৌবা তাই। খরা ফিংবা তাল-লয়গী অথুবা ছন্দদা মপুংওইবা অমসুং হস্তকনচিংবগী অভিনয়স্থ নীংথিজনা পুথোক্লবা হোৎনবনি। হান্নগী জগোই রাসতা হৈনরবা কাংবুনা অসিগুম্বা ষ্টেজগী মতেক খরা অসি খরা থুমন্না অমসুং ফিংনা থোককনি। অদুবু গুরু অমুবীগী জগোইগী মশক্তা, গুরু বিপিনগী জগোইগী মশক্তা

পুন্না য়েংমিন্নরবদি খেন্নবা অসি তশেংনা উগনি। মৈতৈ জগোইগী থন্নায় ওইরিবা য়াম্নমক ফাজিন্না কোওদোকপা (সবল্ড ইলোকেন্স) হায়বদুগী অন্নাংপা থরবুদি থেংনবা য়াই। অদুবু কুপ্পশিনবা শাস্ত্রীয় ওইরবা জগোইনি হায়দবদি য়ারোই। মসিমক অকনবা চাংয়েং অমনি। গুরু অমুদোনগী পরম্পরা ঙাক্না হোৎনরিবশিংগী মনুংদা বোম্বেগী কুমারী সবিতা মেহতাসু পনবা য়াই। অদুবু মহাকমক্তি ঝাবেরী মচীন-মনাওশিংগুমনা জগোই কন্না মফম কয়াদা শারে হায়বদি য়ারোই। জগোইগী কলাকার ওইবদগীদি জগোইগী পণ্ডিত অমনি হায়রনবু হেন্না পকচৈ।

উদয়শংকরনা ভারতা য়াকাঈবীরম্নবা 'বেলে' হায়না খণ্ডনরিবা জগোই অসিবুদি ঐখোয়না মৈতৈ জগোইগী মশক ফজবা হেক্লংনবনি হায়না লৌবদি ঙমদে। ইতোপ তোপ্পা খুংশেম অমনি। তৌবতদি ত্রিবেনী কলা সঙ্গমগী রাজকুমার সিংহজিৎকী অমসুং জরাহরলাল নেহরু মণিপুর ডান্স একাদমীগী রাজকুমার প্রিয়গোপালসনা অনিমকী বেলেদা মশক্তি থেন্নরবসু মণিপুরীগী চোলোম জগোই থাং-তা ফাওবগী য়ুম্ফমদা শাগৎপা জগোই—বেলেদি কৌবা য়াই। অদুগা শারিবসি নত্রগা উংলিবসি তশেংবা মৈতৈ জগোইগী পরম্পরাবু পুথৎনবা অমসুং মগুন লৈহন্নবা হোৎনরিবরা হায়বদুমদি হংনিংঙাইগী মশক ওই। মণিপুরী বেলেবু ক্লাসিকেল ওইরবা মণিপুরী জগোই কৌবদি হায়মনবা থোক্কনি।

মথক্কী অসিদগী খণ্ডবিরগনি—থায়নগী মৈতৈ জগোইগী পরম্পরা ঙাক্না অনৌবা চাংয়েং তৌরিবা মফমদি মাণ্ডবতা নত্তে—ষ্টেজদনি। ক্লাসিকেলগী মথরাই হাপ্পিবসু অমসুং মরীক চুমহল্লিবসু মাণ্ডবতা নত্তে—ষ্টেজদনি। য়ুগক্কী হোংলকইবা রাখল অমসুং থম্মোইগী মশকক্কা মতমগী দাবীগা ঈরোয়ননা চংমিন্নরিবা জগোইগী মশক থরদি মথক্তা পঞ্জব্রিবা গুরু অমুবী অমসুং মহাক্কী সেবকশিংগী অমসুং গুরু বিপিন অমসুং ঝাবেরী মচীন মনাওশিংগী জগোইদা থেংনগনি। অনিমক থরানা তোঙানি হায়না লৌগনি।

অসিগুম্বা ষ্টেজগী অনৌবা অরি অনৌ য়ান্নবা জগোই পুথোক্লরিবা অসিনা মপুং ফারবরা হায়বত্থদি অমুক ওইত্রি। মণিপুরদা চৌংতন্নগী জগোইনা মরাং কায়মনখিত্থনা অমসুং লোইনমকস্থ উংথোক্লীংত্থনা ঐখোয়না মৈতৈ জগোইগী প্রোগ্রামদা আইতেম খুদিংগী মিনিট ৫।১০ দা উংলা মওং অমা চঠী কয়াসি চংথরক্লি। অসিনা পূং ৫ শান্নরিবা জগোই রাসলু মিনিট ১৫ গুম্বদা লোইশিনবা, নটকীর্ত্তনস্থ মিনিট ১০ গুম্বদা শমজিনবা অয়াম্বদা পূং চোলোমনা সংকীর্ত্তনগী মহুৎ শিন্দুনা মিনিট ৭তা লোইশিনবা অসিনচিংবা প্রোগ্রামগী চংনরকপা মওং অসিনা ঐখোইগী গোষ্ঠ লীলা, রাস অমসুং নট সংকীর্ত্তনবু নীংথিজনা মশক তাক্লে হায়বদি গুম্লোই। সঙ্গীতনাচ হায়ত্থনা লৈরম্বা ভরত নাট্যমদা—হৌবদগী তাংকক কন্না থায়দোক্তুনা অলাবিপুদ্দগী হৌরগা শব্দম, বর্ণম, তিল্লানা অসিনচিংবগী অপূনবা মশক অমা পূং ১-৩০ গুম্বদা মপুং ফানা উংপা ঙম্লিবা অসিগুম্না ঐখোয়স্থ মৃত্তি শুনা শম্নপ শম্নপনা জগোইরাস গোষ্ঠলীলা অমসুং নটসংকীর্ত্তনবু য়ামজরবদা পূং অমগুম্বদা নীংথিজনা উংনবা হোৎনবগী মতম ফংদবদগী অমসুং ভাবোক্লা খাণ্ডবা ঙমলোই হায়ত্থনা মুংশা থীবদগী অসিগুম্বা খুৎশেম অসি পুথোক্ত্রি। ঐখোয়গী ঈশৈদা অন্নায় অথুমদা মওং কয়া থোক্লা শক্লবগী চংনবী লৈরি। মসিমক ক্লাশিকেলগী শৈশকী মওংনি। হৌজিক ফাওবা জগোই নত্রগা ঈশৈদা পুথোক্ত্রি। ভরত নাট্যমগুম্বগী জগোইদা ঈশৈগী পদ অমবু কয়ারক থোক্লা হায়ত্থনা তোঙান তোঙানবা অর্থ জগোইনা ফোংদোক্তুনা ভাবোক্তা রস পোকহল্লি। ঐখোয়গী রাসলীলাদা অমসুং নট সংকীর্ত্তনদা মসি তৌরি। অত্থবু ষ্টেজদা উৎপদি ঙমত্রি। শাংদোকখিনি অমসুং য়েংবদা তনথখিগনি হায়বগী, মুংশাথীবা অমা ঈপোক পোক্লরি। মায়কৈ অসোমদা মগুন লৈরবা ওঝা গুরুশিংনা চাংয়েং থরা তৌবা দরকার ওইরে। হন্দক্তা দিল্লীগী সঙ্গীত নাটক একাদমীনা মাওব খন্দুনা মৈতৈ জগোইগী ফেষ্টিভেল তৌখিবস্থ শীংথানিংঙাইনি।

ক্লাসিকেল মণিপুরী জগোইগী পরম্পরা কমদোনা ঙাকদগে হায়বসি অচৌবা য়াহংনি। গুমাং মাগুবস্তা ঙাক্লি হায়বগী পাউথুমসিনা চুম্নগী

হায়বা হায়বছনি। ষ্টেজদা পরম্পরা ঙাকপগা লোয়ননা অরি অনৌ শয়বদগী অনৌবা খুৎশেম কয়া পুথোক্লরিবা অসিনা পরম্পরাবু শকঙনবা অমসুং ঙাক্লবা থিবগী লান্দা ফনা য়াম্না চঙশিল্লে হায়নীংই। অদুবু খোঙচৎকীদি লেপ্পা লোইবা নাইরোই। অদুৎপা লৈতনা চৎথখিগনি। মত্তিক চাদবা গুরুশিংগী মঙ্কমদা তাথ্রগনা পরম্পরাগী মশক পুম্মাং মাঙথিবা য়াবগী অকিবা লৈতবসু নত্তে। ১৯৮২ ইং

(৯)

শান্তদাস কনানো ?

শ্রীহট্টকী নরসিং টিলাদগী শান্তদাস (মহন্ত) লম্বোইবনা মহাক্কী চেলা অনী—ভগবান দাস অমসুং নারায়ণ দাসকা লোয়ননা লাক্লুনা মণিপুরগী নিংথৌ—গরীবনিৱাজবু রামান্দী (রামানন্দী) ধর্মদা দীক্ষা তৌখি হায়বসি—ইতিহাসকী রাফমনি। হংলিবা য়াহংদি—শান্তদাস কনানো ? মহাক্না পুরকই হায়রিবা রামান্দী ধর্ম হায়বসিনা কদাইদগীনো ? ভারতকী ধর্মগী ওল্লকইবা মশক্তা মহাক্কীসু পীবা তাবনি—চপচাবা মশক অমসুং হৌফম অমা। অয়াম্বনা থাজনরি—মধ্যযুগতা (খৃঃ কুমজা ১৫গী অহুরাইদা) অৱাং ভারততা ভক্তিগী ঈহৌ পুথোকপীরম্বা প্রয়াগতা পোকখিবা ব্রাহ্মণ রামানন্দনি। রাম মিংথৈ লৌখি। অদুবু মমিং য়াম্লে হায়রুবা অমতনি হায়রবদি চেকশিন্নবা থরা লৈগনি।

শান্তদাসতা লাইমীং লৌবতা নত্তনা রামান্দী ধর্মবু মণিপুর শীনবা থুংনা (অতৈ ধর্মবু মুথৎতুনা) চৎহন্নবা হোৎনরম্বা গরীবনিৱাজনা তৌরম্বা থবক্তি করি করিনো ? চপচানা য়ামসীতা নীংবগী মওংনি। রামজী প্রভুগী মন্দির শাই, পুন্নী তৌই, হনুমান ঠাকুরগীদমক মহাবলী মন্দির

লিংখৎলি। রাম্মো রাম্মো হায়না শৈশোনবা বংদেশ পালা (অরিবা পালা) ফাওবা কীর্তনিয়াগী মত্তেংনা (কোম্মৌজম ওঝা হায়না খওনবা অমনা) কৎলি। অসুম্না রামায়ণ (মপুং ওইনা কৃত্তিবাসকী বাংলাদা ইবা অহুগা নকননা) গী চপচাবা লাইনীং অহু চৎপগী মওংদা চথরমই। হান্নগী লৈজরবা সনামহীগী কোলু ফাওবা য়েথায়রুরগা মমৈদদি শাস্তদাসনা ভাব তারক্কু না—বিষ্ণু নি হায়না খওলক্কু না অমুক্তা হন্না লিংখৎলি। অহুবু অরিবা পুয়াশিংদি মৈ থাদোকনবা হোৎনখি।

অন্নাং ভারত্তা ভক্তিগী ঈহৌ পুরকখিবা রামানন্দগী লাইনীংদি কমদৌই? অসুম্না হায়নবা অমা লৈ—"ভক্তিনা হৌরকই দক্ষিণ ভারততগী। রামানন্দনা অন্নাং ভারত্তা পুরকই। কবীরনা মহাদেশ তরেৎতা অমসুং পৃথিবীগী মফম অতৈ রাংমদা শন্দোকই।" মহাক্কী অথোইবা দানদি ভারতকী সংস্কৃতিগী ফজবা পুন্নমক হাপচিন্নবা হোংনৈ—অন্নাং ভারতকী যোগ অমসুং জ্ঞান, দাক্ষণ ভারতকী প্রপত্তি (আত্ম সমর্পণ) অমসুং ওইদবা কান্নদবা পুন্নমক লংশেকই। অসুম্না পুন্নমকী হৌফম—ঈশ্বর অমতনি হায়না থেংনরবা রামানন্দগী মফমদা থেন্নবা লৈরমদে—শাগৈ জাৎকী, অচৌ পীশকী। পুন্নমক-মচীন মনাউ ওাক্তনি। অহুগুম্বা ঈশ্বরহুবু মহাক্না রাম হায়না কৌবতনি—তশেংবদি মসি ব্রহ্মগী মশক্নি। মহাকনা হায়রম্বা অইবা কয়া য়াম্না থনমদে। অহুবু শিখশিংগী গ্রন্থ সাহিবত্তা থেংনবা মহাক্কী শৈরেং অমগী মম্নুংদদি অসুম্না য়াওরি—ব্রহ্মদি থম্মোয়দা লৈরি। বেদদা নহাকপু মথোয়না থিরি—অহুবু ফংদে। অসুম্না লোইশিল্লি—"ঐহাক্কী অশেংবা গুরু! নহাকনা ঐহাক্কী মায়থীবা অমসুং মান্নাগী মশক পুন্নমক মাওহনবীরে। নহাকসি পুণ্যগী মশকনি। রামানন্দদি মহাক্কী মবুংভো ব্রহ্মদা লুপচরে। গুরুগী য়াহৈদনা থবক্কী কোটি কয়াগী অয়েংশিং অহু মাওহনবীগনি।" (The Cultural Heritage of India—Vol IV, Reprint 1969—The Medieaval Mystics of North India, Page 379)। রামানন্দনা থম্মীরম্বা অথোইবা

সেবক ১২গী মনুংদা পনবা য়াই— রবিদাস (খোংউপ ভুবা), কবীর (ফি-শাবা)। মমৈথংদা থোরকই "রামচরিতমানস" লেংবা রামানন্দগী শিষ্য নরহরিদাসনা য়োকপীরকপা গোস্বামী তুলসী দাস (১৫৩২-১৬২৩)।

মথক্কী রামানন্দগী লাইনীং অসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমলে— শান্তদাসনা চংহল্লম্বা রামান্দী ধর্ম্মগী লাইনীং মঙং অসিগা অন্নাং ভারতকী রামানন্দনা পুশিল্লক্লম্বা অদ্বৈতগা নকশীন্নবা লাইনীং অসিগা তশেংনমক য়াম্না খেল্লে। শান্তদাসকী অসিনা চুম্নগী রাম-সীতা নীংবগী মওংনি। রামানন্দগী অসিনা পুম্নমক্কী ওইবা শাগৈজাং থায়দবা ব্রহ্ম উপাসনাগী মশকনি। ব্রহ্মবু, ঈশ্বরবু চুম্নগী রাম হায়না কৌরুবতনি। রামানন্দগী ল্যাইনীংদা রাম, সীতা, হনুমানগী মশক য়াওদে। অমী অসি তোঙান তোঙাল্লি।

ডাক্তর শুকুমার সেননা বাংলা সাহিত্যগী ইতিহাস অমা ইংরাজীদা ইবদা পণ্ডিত অমসুং সন্ন্যাসী, তান্ত্রিক সাধক—রামানন্দ যতি (খৃঃ গী কুমজা ১৮ শুবগী ময়ায়রাইগী) পল্লি। ডাক্তর সেননা ইরম্বহু লৌখৎচরি "Ramananda was a Pundit and a mendicant (Sannyasi) with many disciples. He wrote several treatises on Yoga and Tantrism and commentaries in Sanskrit. His only other work in Bengali is a Ramayana Poem (1762) where he mentions the work of Tulsidas"—(History of Bengali Literature : Dr. Sukumar Sen : Sahitya Akademi. Revised Edit on 1960. Page 150)। হায়রিবা রামানন্দ যতি (ঘোষ) হায়বসি সেবকসু য়াম্না মৈরমই হায়রি। তুলসীদাসপু পনবা বাংলাগী রামায়ণ ইরমইসু হায়রি। লম্বোইবদা নত্তনা যোগী অমসুং তান্ত্রিক সাধক ওইনসু তৌই। বাংলা দেশকীসু মীনি। শান্তদাসনা মহাক্কী অরোইবা সেবক অমা ওইরগা চেলা অমী পুরক্লুনা গরীবনিৱাজদা রাম মিংথৈ শোনসি হায়রবদা থোইনা ঙকনিংঙাই

লৈতে। রামায়ণসু অনিরক পুরকপনি (শিন্দোকপা কপি কয়াসু লৈরম-গনি)। অহানবদা মৈচাকখিবনি। মতুংদা অমুক থা অনীগী মতুংদা পুরকপনি। ইনশিনতুনা সনামহী কোল্লু নিংথৌনা য়েথায়হনবিরগীদমক চেলা অনিবুসু মমৈথংদা তাম্থোকখি। তান্ত্রিকী সাধনাদসু চঙবনিনা শক্তিগী উপাসনা লৈবনিনা নম-হাতুনা নিংথৌবু খুত্থম চনবা ঙমগনি। বৈষ্ণব অমনা পাঙথোকপা হৌনত্রবা থবক—পুয়া খোমগৎতুনা মৈ থাবগী থবকসিসু তান্ত্রিক অমগী মফমদদি অরুবা ওইরোই। রামানন্দ যতিগী শিষ্য ওইবনিনা ধর্ম্ম অসিবু রামান্দী কৌবদসু করিসু কায়দে। যোগ শাস্ত্রনচিংবসু খঙবনিনা সনামহীবু বিষ্ণুনি হায়না খঙজরকপা অমসুং হায়রকপা "আদি—অনাদি—পুরুষ—ভাগবান—শ্রীবিষ্ণু অন্তর্যামীতুনি"—(খাগেম্বা লাঙজৈ: ওইনাম ভোগেশ্বর (সম্পাদক) ১৯৬৮ লামায় ১৩৮) —করিসু ওইথোক্তবা নত্তে। রামানন্দ যতি হায়বসিমক্তি পঙথাদা থাজগনব, বুদ্ধিগী শরুকপু থৌশারক্তবগী ঈরাং অমা চঙলকইবসি থেংননবা খরদং নিংঙাই চাউবা, বুদ্ধিবাদী ওইবা মীশক অমগী চরিত্রনি। তৌবগীদি নীংবা কায়বা লম্বোইবনি। লাইবক থীবদগী ডাক্তর সুকুমার সেননা মহাক্কী শিষ্যশিংগী মমিং তামতা পল্লমদ্রে। অতুগা শান্তদাসনা অনীরক পুশিল্লকইবা রামায়ণ (বাংলাগী) অসিসু রামানন্দমক্না ইবা বাংলাগী রামায়ণ অতুনি হায়বগী প্রমাণসু ফংবা ঙমদ্রে। রামানন্দ যতিগী খরদং কুপ্না থিজিনবা মশক অমতং পুথোরকপা ঙম্নবদি শান্টদাসনা পুশিল্লকইবা রামান্দী ধর্ম্ম অসি মহাকমক্কীনি হায়বা ঙম্বগী মওং লাকপা য়াই। অসি নত্তবা অত্তে রামান্দী ধর্ম্মগী মশক অমতসু হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা ধর্ম্মগী মশক কয়াশিং অসিদসু থেংনবা ঙমদ্রি। শান্তদাসকী পরিচয়সু করিমতা ফংনিংঙাই লৈত্রি। শ্রীহট্টগী ইতিহাস (ইতিবৃত্ত) তসু মহাক্কী মমিং থেংনদে হায়। অসিনদি কলিগী বুদ্ধ অবতারনি খঞ্জরবা রামানন্দ যতিগী শিষ্য ওইনা শ্রীহট্টদা মতম খরা লৈরগা চেলা অনীগা লোয়ননা ইনিংথৌ গরীবনিৱাজগী পুরীং অমসুং থম্মোয়বু ফাজিনখিবনি হায়বগী চৎনা থাজবা লৈ।

তাজরক্লিবা রাকমদি—শান্তদাসকী রামানন্দী ধর্ম্মগা অমসুং ভারতকী খৃঃ কুমজা ১৫ দা ভক্তিগী ঈহৌ পুবীরক্লম্বা রামানন্দগী লাইনীংগা মরী করিস্থু লৈনদে। বঙ্গদেশকী রামানন্দ যক্তিগী সেবক শান্তদাসনা গুরুগী রামায়ণ পুরকতুনা মণিপুরদা রামান্দী ধর্ম্ম—নমহাত্নুনা কা হেনবগী মওংদা প্রচার তৌত্নুনা গরীবনিরাজবু চপচানা থুত্নুম চনশিনখিত্নুনা—মণিপুরী জাতিগী ওল্লকইবা ইতিহাসকী মীৎয়েংগা ঈরোইননা—শন্দোক-খিবনি। শান্তদাস চুম্নগী রাম নীংবতা নত্তে—শাস্ত্র খঙবা তান্ত্রিক সাধক অমস্থুনি। মহাক্কী থম্মোয়দা লৈগুম্না থোৎপা গুণদগী নূংগুম্না কনবা মশক্না মপূং ওইখি। ১৯৯০ ইং

(১০)

লাই হরাওবগী দর্শন

মণিপুরী তম্পাককী লম অসিনা মৈহৌরোলগী সংস্কৃতিগী মথক্তা ধর্ম্মগী য়াওল কয়াগা ঈরোইনরকপনা মণিপুরগী অরিবা সংস্কৃতিবু মশক খঙনবা হোৎনবদা ভারতকী অমসুং নোংপোককী সংস্কৃতিবু নৈনবগা লোইননা আর্য্য, দ্রাবিড় অমসুং মঙ্গোলোইড কাংবুগী কলচরবু মশক খঙবা তাবনি। চাংদম্নবগী নৈনবা-রিসার্চ অমা চংই। চুম্নগী অরিবা কোর্বেক থরা পারগা মৈতৈগী সংস্কৃতিবু খঙবা ওইথোক্তে। করম করম্বা ধর্ম্মগী ঈহৌনা লমদম অসোমদা চঙখিবা হায়বত্নু খঙদোকপা তাই। মৈতৈতগী ওইজবা অতৈগী প্রভাব য়াওদ্রবা সংস্কৃতি লৈফম থোক্তে। মায়কৈ কয়াদগী চঙলক্নগা তম্পাককী লমদমগী লৈহাও অসিদা করম্বা লৈশাৎ তম্নকপগে হায়বত্নুনি ঐখোয়না কুপ্না য়েংসিনগদবা।

অত্নুবু খ্বায়দগী লুরিবদি থিজিনবা রাৎপদগী রাহং কয়াগী পাউথুম চপচাবা ঐখোয় লৈবা ঙমদ্রি। মৈত্তৈ জাতিগী হৌকম ঐখোয় খঙদ্রি, ভাবনা শানবতনি। হিন্দু ধর্ম্মনা করম্বা শতাব্দীদা চঙলকপগে হায়বা

ওমদ্রি। অসিনা মৈহৌরোলগী লাই হরাওবগী মশক ঐখোয়না হৌজিক উরিবসি ওইরম্লোই। মৈতৈ ময়েক্ন করম্বা মতমদা হৌখিবগে হায়বা ওমদ্রি। অসিনা ঐখোয়না হায়বা ওম্বসি—থেংনরিবা অরিবা খুংইগী কোর্বেকশিং অসিদা য়াওরিবা শোম্নরিবা লাইশোন তীনশোন কয়াসি নৈনরগা লাই হরাওবগী ওইরিবা সংস্কৃতিগী মশক লেপ্পনি। অহোংবা নাইবা সংস্কৃতিগী ঈচেন্দা য়েলহৌওগী মশক খণ্ডফম্ থোক্লে লাইরিক্না পীবা ওম্বা প্রমান অমসুং থায়নগী চংনরকপা ওাক্লরিবা মওং অসিদগী হেন্না ঐখোয়না চওশিনবা ওম্বগী শক্তি লৈত্রি। হায়রিবা রাকমসি চুম্নগী কংলৈ হরাওবগী রাকমতা নত্তনা চকপা হরাওবা হায়না খণ্ডনরিব-শেকমাই, আন্দ্রো, ফয়েং, লৈত্রাম, ককচিং হরাওবা অমসুং মোইরাং হরাওবা ফাওবদনি।

ভারতকী সংস্কৃতিগী ইতিহাসতা ঐখোয়না থেংনরি-বেদগী লায়নীংনা মরায় চায়থরক্লবদা অমসুং উপনিষদশিংনা পুখৎলম্বা জ্ঞান কাণ্ডগী মশক্না হনথরক্লবদা থোরকই—আগম্ শাস্ত্র অমসুং পুরাণগী রারীশিং,ইথোকপনা গুপ্তগী মতমদা লোইশিল্লকই। শিব-অমসুং বিষ্ণু অমসুং লোয়নবা শক্তিশিংগী রারী থোরকই। তন্ত্র শাস্ত্রগী জগৎ ওল্লকই। বেদগী লাইশিংসু মশক ওল্লকই, মথৌ থেন্নরকই। বেদ অমসুং উপনিষদতা ব্রহ্ম হায়রম্বড় ওইরকই-ব্রহ্মা, বিষ্ণু, শিব অমসুং শক্তি! বৈষ্ণব, শৈব অমসুং শাক্ত থোরকই। বেদগী লাইফমশিংসু মাওথিবদি নত্তে। অদুবু মশক মমিং হোংদুনা মথৌ থেন্নরা মায়কৈ ওাকপা লাইনচিংবা ওইদুনা পুরাণগী ইচম চম্বা লুংশিরবা রারী কয়াগা লোয়ননা মীচমগী থম্মোয়দা চওশিল্লকই। বেদগী লমজিং লমতাকপা লাই অগ্নিনা ওইরকই শিবগী মচা ইবুংঙো কুমার কার্ত্তিকেয় লাম্মী পুরাণগী শকফমদা। বেদগী অগ্নি স্তোত্রনা ওইরকই দেবী স্তোত্র-রাহৈ ফাওবা থেন্নহন্দনা।

মণিপুরদা হৌজিক ফাওবদা, থেংনরিবা পুন্না পুরাণ নচিংবা মৈতৈ ময়েক্না ইরমলিবা কয়া অমা। শোম্নরিবা লাই হরাওবগী লাইশোন

কয়াদা অমসুং থাজনরিবা রাখল মওংদা—হায়রিবা পুরাণ অমসুং তন্ত্র-শাস্ত্রগী জগৎকী পাকলবা মশক থেংনৈ। কুইরবা মতমদগী শৈব ধর্ম চংলকপগী প্রমান লৈরি। শুবিকা, শিবাজ্ঞা নচিংবা লাইহিক্তা অমসুং মহাদেবগী ত্রিশূলনা চৌংসুং হুংতা ঈশিং চিংথোকখিবগী থাজনবদা। লাইনীং লাইশোন্দা থানবা য়াত্রবা গুরু শিদবা, লাইনীংথৌ, লাইরেম্মা, শিবগী লোয়নবীনি নীংজরিবা মাইবীশিং, নোংপোক পানথোইবীগী য়ারীদা লৈশেম্বগী য়ারী কয়াদা, লাইবুংথৌ মাপল লাইহুয়া তরেৎকী য়ারীদা হায়রিবা শৈবধর্ম শক্তি অমসুং তন্ত্রশাস্ত্রগী মশক নীংথিজনা য়াওই। মসিগী মথক্তা অমুক শাগৈগী অপোকপা থুক্রমবগী মশককা পূনশিন্নদুনা, মায়কৈ গুাকপা লাই, চীংগী লাই, তমগী লাই কয়াগা তিন্নখিহনা হিন্দুশিংগী লাই কোটি ৩৩ লৈবদোনা মণিপুরগী তম্পাক্তসু উমংলাই ৩৬০ তগী হেনবগী মশক্তি; লাই হরাওবা চৎথরি তম্পাককী মফম মফম খুদিংদা। অদুবু মপুং ওইবা লাইদি শিব অমসুং শক্তিনি—লাইনিংথৌ লাইরেম্মানি-মিংলেন চা কয়া লৌরিবা তোঙান তোঙানবা শক্তিশিংগা লোয়ননা।

মতাং চানা ঐখোয়না তন্ত্রশাস্ত্রগী শন্নপা মশক অমতং খঙদোকপা য়াই। আগমশিংবু তন্ত্রশাস্ত্র হায়না খঙনৈ। তন্ত্রগী অর্থ য়ামই। অদুবু আগম পুন্নমক্তা য়াওবা অমদি ক্রিয়া—থবক (ইংরেজীদা একট) অসিনা আগম শাস্ত্রশিংবু তন্ত্র শাস্ত্র হায়না খঙনৈ। তন্ত্রগী থোক্তকম ৪নি-জ্ঞান পাদ, যোগ পাদ, ক্রিয়া পাদ অমসুং চর্য্যা পাদ মথোক্ত ৪ হায়না লৌবা য়াই। জ্ঞানপাদনা ফিলোসোফিগী মওংনি, বেদগী ব্রহ্মানা শিব, বিষ্ণু নত্রগা দেবী ওইরকপা, উপনিষদ অমসুং বেদান্তগী মশকতা সাংখ্যগী তত্ব ৩৬ কা পুন্নকপা অমসুং অমতনা ময়াম ওইরকপা ময়ামনা অমুক অমতা ওইরকপগী বুদ্ধী শক্তমনি। যোগ পাদনা লাইনীংগী লম্বীনি। হায়রী লৈরবা পাতঞ্জলিগী য়োগনচিংবা লৌরিবশিংগী মখক্তা অমুক শক্তনা শিন্নদা দীক্ষা পীবগী মতাং অমগা য়াওশিনদুনা তন্ত্রযোগনা চৎথরি। অদুক্তসু মপানগী পুজা, লাইশোন তীনশোনগী পথাপ কয়ামকম ভাক্তা

[illegible] [illegible] ক্রিয়া-পাদ লৈরি। অরোইবদা তোপ অমনুং মুক্তিগী [illegible] সিদ্ধ ওইরবশিংনা সমাজদা নমজিং [illegible] মশক অমুক [illegible] [illegible] লৈরি। লাই ওইরবা মীওইপোককী তিকন অমসুং [illegible] [illegible] নমজিংলি। মথককী মথোং ৪ অসিনা [illegible]। [illegible] [illegible]। তোপ তোঙ্গা মশক অমরি মীওইবগী পুন্সিবু [illegible] [illegible] [illegible] তাক্তা চংলু হায়বা নত্তনা, মীওইবগী পুন্সিগী পুক্নিং হকচাং অমসুং [illegible] মপোক অমদা ওন্থোকপা অনৌবা পুন্সি অমা শাগংনবা [illegible] পোকওনবা মীওইবগী মপোকনি হায়বসু প্রমান তৌনবা পুন্সি মখং অমা বেদগী ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রীয়দা মপুং ওইরবা লাইনিং অসু পারা [illegible] বর্ণ ৪ মক্তা নুপী য়াওহন্দুনা পুন্নমককী ওইবা সাধনাদা চঙহনবা [illegible] [illegible] মরু ওইবা দাননি।

মৈতৈগী লাই হরাওবদা উরিবসি জ্ঞানপাদগী মশক্তা লোত্তুনা লৈরগা ক্রিয়াপাদগী মপুংফাবা শককমনি। অসিগুম্বা মশক অসিদা শিব-শক্তিগী লাইনীংগী মওং য়াওগনি। মন্ত্র হায়বসি চুম্নগী বাহৈ নত্রগা মরেক থরবু নত্তে। নীংজরিবা লাই অসুগী খোন্থোককী মশক্তি--সিদ্ধ ওইরবশিংনা হায়দোকখিবা অসুনা তপস্যাগী মৈরী ওইনা কাথংখিক্লা কৌজরিবা লাইশিং অসু [illegible]। গুরুগী দীক্ষানা থরায় হাপনি। লাইশিংগী যন্ত্র মত্রগা মুক্তি লৈরনি। মীংনা উবা লাইসুগী মশক্তি। চুম্নগী মুং মচেং অমা মরেক অমনি নত্তনা উ মচেং অমা নত্তে। তৌবনকসু থরায় হাপরিবনি—প্রান প্রতিষ্ঠা তৌনবৌরিবনি ক্রিয়াগী মশক কয়ানা। [illegible] সাধনাদা—যন্ত্র, [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ওই হায়রনি। [illegible] ক্রিয়াপাদ [illegible] [illegible] [illegible] মশক অসু চংথরকপনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সিদ্ধ ওইখ্রুনা নখী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শ্রীরাধা কৃষ্ণগী চরণ যুগলদা। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মশক লৌরক্লা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

[illegible]। মৈতৈশিংবা লাই অমুবশী লনাউনি—[illegible] [illegible] [illegible]। মাইকৈ অতোপ্পা মীওইশিংদি লাই হরাওবা [illegible]।

মৈতৈগী লাইহরাওবা মখল করামুক থাম্রেলোমন্না লাই উকোকী, লাই লেনগংলনবাচিংবাগী পুন্সিদা হরাও যাদ্রে। মসু ওইনা তাবনি লাইবুংথৌ ৯ লাইনুরা ৭ না লেংলোমখিবা অছু অমুক মতৌ অহুনা হরাওবনি—অমিনা তোপনা শক্লবিবা "অসিবু থোইনা হরাওবা লৈবনি" হায়বগী অর্থনি লাইরামশিংগী হরাওবা অহুনা অমুক হেন্না শঙহল্লবনি। অহুমগী মবাগী নুপাগী কোনয়াই থাবদা (ঈশিংদা নগগী কংকালদা—লাইকম লাইফমগী মতুংইন্না) নীংজরিবা লাইদা লেংশিনবিরক্লো হায়না পাউজলজবনি। ঈশিংদা কোনয়াই থাবগী লাইশোন অমত্তা য়েংবিয়ু—

"হোলো ইমাদোম্বু ইমাহন্নো, ইমুয়োম তরুকবকু ইঙ্গোরোন [illegible] ইন্নাবি ইবাধি ইপ্নোকচন্নু, [illegible] য়াঙোইবি, [illegible] [illegible] [illegible] য়ুবি, নহাইরেম নখুল খুনবুকলেন অচবনা, চিঙু ইবুঙো (মলিক) থোঙুম ইবেমাগী হয়াউ শকলেম অমগে থোথোক কুপৈ শারুগে য়ামগী লাইবা ইরোনচুংদা কোরৌ নোং লুপা অঙোবনা লুপা কোন্সজন, মালেম লৈমা অঙাংবনা মা য়াম্পাচন, লাইজ ইরোচুংদগী চিঙু নকা কনিরো, মালেম লৈথারোল তরেংমঙ্গীগী, কোরৌ নোংথৌরোল, মাপলমঙ্গীগী শনা শনাই [illegible] কারণে হৌ ই কৌ।" (লাই হরাওবা লাইশোন, খুলেম চন্দ্রশেখর)। মতাং অমিদা লৈথারোল ৭ নোংথৌরোল ৯ হায়বনি পুন্নবগী মরোল ১৬ গী অহুপা চাংদম্নবা য়াই।

[illegible] লাইরোন তাবীয়ু—"হে [illegible] লাইরেম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] ইবুঙো ইবেমগী হয়াউ শকলেন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]"

(লাই হরাউবা লাইহোল-চন্দ্রশেখর)। অসুমনা লাইনিংথৌশীনা অমসুং লাইরেম্বীনা ওইনা লাইরগা খয়োম অমি অহু চৎথনা লাইরেমগী পোস্তবা থাদগনি। মসিমু লৈখক লৈখাখয়োম লাকপা কৌই। অসিগী খয়োম লাকপগী অর্থ অসি লৈখিবা পণ্ডিত মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহনা অসুম্না হয়ি—"খয়োমদা লাতোন ও, চেক, মসুংদা সনা-লুপা, ... খুবা, মকোক্তা লাংথৈ, মতোন ও থেংপা য়েরুম য়াওই। পোঙলম পূন্নমক অসি ল্যাতোন ও অহুম অহুনা য়োম্লগা পয়ানা পুল্লি। খয়োমগী য়েরুম অহু তাইবংপানবা মপুনা ঈশিং তরণ্ডা মতোমতা রা ভাজুনা ফুমক তাক্লিজগা লৈখিবগী মশক্লি। চেপ্তনা তাইবং মপু গুরুনা শেম্বা তাইবংপান পূন্নমকনা ত্রেশেমতুনা পালিউঙা লৈবংম লৈতারুবস্থ গুরুগী মশাদা থৌগৎদুনা লৈবা তাক্লি। য়েরুম মসুংদা সনা, লুপা কোনয়াই হাপ্পনা গুরুগী সনা, হকচাংদা লৈমরেন শিদবীদি মতম পূন্নমক্তা লাংবুম ওইনা লৈবা অহু থম্মহল্লি। য়েরুম মতোন্দা লাংথৈ, মতোল অহুম থেংপনা লৈশেম্বা, লৈত্তাকপা অমসুং লৈক্তকপা হায়বা তাইবং মপুগী সত্ত্ব, রজ, তম, গুন অহুমগী খনক অহু লৈ ওইনা থেত্তুনা লৈ ওইনা পুবা হায়বদি মপু মাগী মনীংনি হায়বনি ... (ফিদম খ্রারেং—সম্পাদক চন্দ্রশেখর)

লাই থেমগৎপগী মতাংদা পণ্ডিত চন্দ্রসিংহনা অসুম্না ব্যাখ্যা তৌরি লাই থেমগৎপদা লংজা মাপলগী লম অমা মথায়রোম শাংবা হিরী লং অমগা লংজা ৭ কী হিরী লং অমগা অনি য়াওই। মচু লাইবুংথৌ মাপল অমসুং লাইহুরা ৭কী মশক্লি। মাইবীনা হিরী লংগা লৈয়ামনা পুন্না পায়হুনা হিরী লংগী মচিন অমনা ঈহাইফুদা থমলগা ঈশিংদা লুপ্তুনা শরিক থীংনা থীংনা লাই থেমগৎলগা লৈথোম অনী অহু থাইজোকতুনা ঈহাইফুদা তোংঙাল তোংঙাল থম্বনা লাংবুম ওইনা লৈরম্বা গুরু লৈমরেননা লৈথেমলাবদাইদা লুপা অমা লুগী অমা ওইতুনা চোংথোকখিবা অহুনি। হায়বদি তাইবংপানবা শেম্বদা লুপা লুগী অনিনা শেম্নই, অহুনা তাইবংগী লাইবুংথৌ ৭ লৈমরেলবগী লাইহুরা ৭ পুথোকই হায়রা তাক্লি। ঈশিংদগী

লাই ইকৌবনি হৈদিং তরঙলগী মতমদা লৈশেম্বম্বিগী মখক লৌবনি অহুনা হরাউসংলোরিবা লাইশী খরাম শিবনি "অহুনা লাইশং লৌকা লাইশী খরাম হাপ্নী।" (কিন্দন থাঙ্গেং-ব্রজনেশ্বর)

লাই হরাওবগী মতাম থুকিংনা মতম ও অখিলা ব্যাখ্যা তৌরদি ওইথোক্কে। মরম্না কে. এস্. চোংবা হাম্না মহুদনরিবা ঈশ্বৈ জগোয়দা প্নাখংবা সনামহীগী রায়ী মসিমক শিব পুরাণদা য়াওবা গণেশকা কার্ত্তিককনা লমজেল তাম্বগী রায়োগী য়ারে-পেম্বা হায়বদু মনাউজম্বা কার্ত্তিকনা মাকেম থুকনা কোয়থি। মৈতৈগী রায়োদনা সনামহীনা কোইথি। সনামহী, পাখংবগী লাইশোল্দা মৈতৈনা হ, য়, স, তোয়না শিজিন্নে-অমিবা ক্লোবেক্কু কয়াদমু থেংনৈ। তন্ত্রশাস্ত্রদা য, স, হ, শীজিন্নে। য বা ব্রহ্মা, সনা বিষ্ণু অমম্বুং হ না শিবনি। অমিবা মৈতৈগী থুংই লাইরিক্তা অতহৌবদা য়াওরিবা অখোয়বা ময়েক-অজৌ অসিমক তন্ত্রশাস্ত্রগী লেঙঙবা খুদমনি। ঐখোয়না খঙগদবদি শিব হায়বসি অনার্য্যগী লাইনি-ইন্দো-মঙ্গোলোইদ অমম্বুং মথংদা দ্রবিড় কাংলুপকী ওইবা লাইনি। অসিনা লৈশেমচৌদগী চংথরক্লিবা লাইনীংদা শৈব ধর্ম্মগী মশক য়াওবা অঙকপা ওইরোই। দেবীনা মপুং ওইরকপা নোংপোক-পানথোইবীগী রায়োদা শক্তি উপাসনাগী মশক থেংনৈ-নোংপোকনা শিবনি হায়বসিদি কাথাদা তারিবা অমিবা মৈতৈ কাংলুপ অমগী নোংপোক নিংথৌ খুকমম্বদা থেংনৈ। অমুম্বা লাইশোল্লি—"হে গুরো নোংপোক গুরু মহাদেব গুরু শিদবা তরেং পুংমাইওম্বা অচোনবা য়ারক নীংনাংওম পিশক হুইরিতোনবা খাংজেংবা, লৈশাংথেকয়াইবা কাংথোব লৈনোৌবা হামেং অজাওম্বা তুনৌবা য়াও মচাওম্বা তুনাম্নিবা; অয়াং চাব চানবা, অয়াং খুচানবা অখিং চাকচানবা, কাবা লৈওইনবা, লোংথে মত্ত জিংবা, লোইচিংদা খাম্নাইবা, লাখাইদা খাদোকপা তিমেন, হুমাল লৌংবদু খুংগু ওইনমিবা লাইনিংথৌ। অয়াং নবী জটায়ুংদা মলা লাইগী পুবা (কাং-শ্রীলেখক) আচার্য্য কিজিমোহনসেনমা মহাশয়গী "বাংলার বাউল" কোথা লাইরিক্তা খুংগী মুমজা ১৬ ওমদা

[illegible] থৌরি [illegible] মণিপুরগী [illegible] পুরানদা [illegible] লৌহাটীগী মনাতা লৈবা বশিষ্ঠ [illegible] [illegible]। মণিপুরগী [illegible] [illegible]।

মতককী মখা অসিগী ভাজরক্লিবা হাকনদি মণিপুরবা লৈরক্ত কুম না মপুং ওইনা চঞ্চল্রক্লিরেদো ওইরবা সংস্কৃতিগী মশক অসিনা লাইনীং মঙদো অমসুং চংলরোদদা হায়নী লৈজরগা ঙশাইগু নিংথনাচিংবা পোনিদা শিবগু নীংজনচিংবগী শকতা ভারতা চৎথরক্লিবা পুরাণ অমসুং তন্ত্রগী রাথল পুরিংগা পুনশিন্নখিনা শৈব-অমসুং শক্তি ধর্মগী অনৌবা মশক অমা ওইরকখি। হায়রগিনি। মক্কেক মথোং-মশিং মথান্নচিংবগুদি মৈতৈগী ওইবা কয়া য়াওরে—য়াওরম্ হৌনরবনি। অমুক পুরক্লিবা রাথল পরিংদি অমসুং শোভিরা লাইনীং মঙদি পুরাণ অমসুং তন্ত্রগী জগৎকীনি। মসিদা আর্য্যগী সংস্কৃতি, ইন্দো মঙ্গোলোইড অমসুং দ্রাবিড়গী সংস্কৃতি লোইনা পুনশিনবনি। হিন্দু ধর্মগী অতকপা সমন্বয় শক্তিনা তম্পাক্কী সংস্কৃতি অসিগু অসোন্নগী ওইবা জোন তোম্বা মশক অমদি ঐথোক্পা লাইহরাওবদা থেংনরি। থেংনরিবা মশকতু মপুংওইনা-মথককী থোউকম মরিগী মতুংদা ক্রিয়াপাদ হায়রবনি। মরামদা লোয়ননা হরাওনিমবা চৎশিননিমবা ভাবনা জ্ঞান-পাককী শকতি মাইবা মাইবীগী লাইশোন্দা অমসুং মপুংওইবা তন্ত্রগী লাইনীংদা লোম্বা পুম্বা য়াওরি।

[illegible] কাইটিবা—"[illegible] [illegible] উপনিষদকী [illegible] [illegible]। [illegible]

[illegible] শক্তি লোয়নবসু অমগনি। শক্তি লৈতবা শিব [illegible] (শক্তিমান) লৈতবা হায়রোই। শক্তি শাবরিবনা শিবনি। শক্তিনা অমুক [illegible] লৈনবেন [illegible]। মসেগী অনিমক মং, চিং [illegible] অমসুং মুকবু মুক্তি কৌবা হায়বসু ওই। অসিগুম্বা শক্তিশালী মশকনা মমিং লৈবসু মশক (নাম অমসুং রূপ) হায়রবা ওইরবদি—লাইহরাওবা অসি। শিবনা লেপ্তনা লৈবগী মশক্তি। শক্তিনা অনেকবগী মশক্তি। অসিগুম্বগী অমুক অমত্তনি। অমগনবসু লোয়নবসু অমত্তনি। অসিগুম্বা মশক্ত অসিনা লোতপগী মায়াবা শিবনগা মশক খাত্তোকুনা "মবুনাইদবগী মশকম" ওইহনকই শক্তি সাধক কমলাকান্তনা হায়রম্বা। অদুবনা মশক্তি অমসুং লেপনাইদবনি। মীওইবনি অনেকবনি শিবনি। (শিবঃ অমুম) শুক্তিং অমসুং হকচাংগী মশক্তা শক্তিনি। ইমানি। অসিনা মীওইবনা ওইরি—শিব-শক্তি। সাধনাগী শাক্তনা অসিগুম্বা শক্তি অসিবু লাইরেমলেনগী মথক্তা ওন্থোক্লুনা মুক্ত নত্রগা সিদ্ধ পুরুষ ওন্থোকপনি। মসিনা যোগগী লম্বীনি।

লাই হরাওবদু মসিগী মতাকসিদা মাইবীবু ঐথোয়না যোগী অমসুং যোগিনীনি হায়রবদি য়াগে। সাধক [illegible] থাবদি মাই—[illegible] পুরোহিতচুম্বা মাইবীগী মশকতি লোপ [illegible] শুনি অমং ওইবনা শিবগী মক্তা শক্তিগী শক্তান [illegible] মখুত্তগী লাইশিংবা লোই। [illegible] ঐথোক্না [illegible] হায়বদু—লাই হরাওবদি [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] সাধনাগী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মশক অমদি।

১৯৬৮ ইং

(১১)

অরিবা মণিপুরী সংস্কৃতি অমসুং তন্ত্রশাস্ত্র

তম্প্যাকী লমদমগী মণিপুরী নত্রগা মৈতৈ হায়বা জাতিগী থাজনগী কলচর থিজিনবসি ইংরাজী শিক্ষা ফংলবা মতুংদা চহী কয়াগী মথাংদগী হৌনরক্লে। লৈথিক্রবা পণ্ডিত রাহেংবম খুমজাওদগী হৌরকুনা পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু বিদ্যারত্ননা পুন্সি চুপ্পা থিবীরম্বগী মীংয়েংসি বেদনা কেন্দ্র (Veda-Centered) ওইবনি হায়বা য়াই। আর্য্য ওইত্রগদি চোগ্নরবা কাওবগী মতম ওইরমই। পুম্নমক বেদদগী হৌরগা লেপ্পবা অমা ওইরবনা হায়রিবা মীৎয়েং অসি লৌরম্বা য়াই। মসিগী ওন্নতৈনবদা হিন্দু ধর্ম্মনা মরায় চায়থরকপগা কোম্না পুম্নমক মণিপুরদগী হৌবনি হায়বা মৈতৈনা কেন্দ্র ওইবা (Meitei Centered) মীৎয়েং অমদা সনামহি, অপোকপা হায়কুনা ধর্ম্মগী কাংলুপ কয়া চোংথোকনরকপসিনি? ঐনা উজবদি নাকল অনিমক অসি বৈজ্ঞানিক ওইদে; ওইহন্নীংবনা ঈনশিন্নকপা মীৎয়েংনি। অচুম্বদি অনিগী তাইনফম (synthesis) অমদা লৈরবশু য়াই। হিন্দু হায়রগা কনি খম্নবগে কদায় ফাওবা চিংবগে হায়বসি মুক্তা লেংলোকনব চওই। ইতিহাস পুথোকপগী থুৎলাই কয়ামুক্তা হায়বদি—অইবা সাহিত্য আর্কিওলোজী, (নুমিসমেটিকস মোনুমেন্টল ইনস্ক্রিপসন্স) মথানগী মীওইনা হায়রিবা কয়াগী পান্থৈনা অরিবা মতম্ থিবা তাই। তাম্নসনবা মতৌ নত্তে—ওইরকপা অচুম্বা অহুতনি। পুম্নমক হিন্দু ওইহল্লীংবা নত্রগা মৈতৈ তাক্তা ওইগদবনি হায়বগী য়াকম লৈতে। মীওই কাংলুপ অমগী হৌখৎ চাম্বগী মরমদা অচুম্বা খরা খওনীংবসি কাংলুপ অমুম্বা মথানা কন্নাবু শরুখবা তশেংনমক তেংবাংগনি।

ইংরাজী পাওরো অমদা হায়বা—"He knows not England who only England knows—" ইকাইখবু খরা মীশকুপি

ইংলণ্ড খণ্ডবা ওইথোকতে হায়রবসু অচুম্বনি। মণিপুরগী অন্যাক্কী লমদম খণ্ডগে হায়রবদি চীংগী লমদম খণ্ডবা অাই। মণিপুরগী অকোয়বদা লৈরিবা আসাম বাংলাদেসনচিংবা খণ্ডবা, অহুদগীসু পাকখোক্কুনা ব্রহ্মদেশ, তিব্বতন-চিংবগী হৌরক্লুনা টাইলেণ্ড, কম্পুচিয়া ভিয়েটনাম, লাওস, ইন্দোনেশিয়াগী লমদমশিংগী ময়াম ফাওবা নৈনদবা য়াদে। পুম্নমক অসি মুম্না খণ্ডলবতদা মৈতৈগী মশক খণ্ডবা ওমগনি হায়বসি ঐহাক্না থাজবনি। হৌজিক ফাওবদা মণিপুরদা চৎথরিবা রিসার্চ অসিদা চীং অমসুং তমগী মশক থরগী মমিং খণ্ডনবদগী হেন্না যুমলৌন্নবা লমদমশিংগী সংস্কৃতি থিজিন্নরুবা লৈত্রি। সাহেবশিংনা থর। ইবীরম্বা ভারত পণ্ডিত অমনিনা ইবিরম্বা থরনা মৈরা ওইরক্লুনা চৎনরি। মসিগী রিসার্চ অসি জবাহরলাল নেহরু বিশ্ববিদ্যালয়গী ইম্ফালদা লৈরিবা পোষ্ট গ্রেজুয়েট সেন্টর অসিগী মথাদা খা-নোংপোক এশিয়াগী নৈনবগী সেন্টর অমা ওইরক্লগাদি থরগী মথৈ মওং তাগত্রা থাজে। হৌজিক ফাওবদা মরীক চুম্বা মণিপুর ইতিহাস লৈত্রি—কলচরগী হিষ্টরি উবা ফংদ্রি। মৈতৈ ময়েক লেপনবা লোইদ্রি ; হৌফমসু খণ্ডনদ্রি, মণিপুরী সাহিত্যগী হৌফম খণ্ডদ্রি—পণ্ডিত ব্রাহ্মেংবম যুমজাও-সিংহনা থেংনথিবা চকপা ফয়েংগী কোপর প্লেট থরক্লুন। পুথৎকে হায়রুন। পুথৎলবদা ৮শুবা ইংরাজী শতাব্দী ফাওবতনি। ইতিহাসকী খুৎলাই ময়ামসিনা মতীক চানা থবক তৌরবতদা জাতি অসিগী মৈহৌরোনগী মরমদা থরগী মথৈদি লেপ্পা ওমগদৌরিবনি। মখোয়শিংসিগী থবক অসি ইহৌ হৌদ্রি হায়বা য়াই। অতুবু হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা থরসিনা মথাগী অসিমদি চাউথাক্না লেপলবরা নীংজে।

শলাই তরেৎনা পুনশিনহুনা শাগৎখিবা মৈতৈ হায়বা জাতি মচা অসি মঙ্গোলোইড নত্রগা কিরাট হায়না মহাভারতকী মতমদগী খণ্ডনরবা জাতি অহুনি। কিরাট হায়না খণ্ডনরিবা অসিগী মনুংদা ভারতকী অথাং নোংপোক লমদমগী খাসি, বোডো, নাগা, মিজো, কুকি অমসুং অতৈসু য়াওরি। পুম্নমক অসিগী মনুংদা খাসি অমসুং জয়ান্তিয়ানা অমুক থরা

তোপ তোপ্‌ই। মখোয়সি Austro Asiatic কাংলুপনি—মরোলনা মোন খেমর (Mon-Khemer) লোনগী মহুং চল্লি। খা-নাংপোক এশিয়াগী মোন অমসুং খেমর লোনবা কাংলুপশিংদা সংস্কৃতিগী নকুবা থেংনে হায়না অখণ্ড অহৈশিংনা মত পিরি। মখোয়সিনহুম আসামগীদি ইহান হানবা খুন্দাবশিংনি হায়নৈ। মতুংদা চঙলকই তিবেতোবর্মন লোনবা কাংলুপশিং। মৈতৈশিংসু তিবেতো-বর্মনগী মহুং চল্লি হায়না ডাক্তর গ্রিয়ারসননচিংবনা মত পীরি। হায়রিবা তিবেতো-বর্মন লোনবা কাংলুপশিং অসিগী হৌফমদি হোরাংহো অমসুং য়াংসিকিয়াং ভুরেলগী মপান্দা লৈবা চাইনাগী অরাং নোংচুপ লমদমদগী মখারেনদা হাইথরকপনা ব্রহ্মদেশকী অরাংথংবা শরুক্তা চাইথোকনখি। কাংলুপ অমনা অরাং নোংপোক্কী লম্পীদা ব্রহ্মপুত্রদা হাইথরকখি; অতৈনা খারোমদা মথং মথং শংদোকখি। মোনখেমর লোনবা খাসি অমসুং জয়ন্তিয়া চীং নগুনা আসামগী অতৈ লমদমদা মখোয়না খুন্দাখি। মণিপুরদসু চানী অমসুং তংখী ময়ামসি অসুম্না লাক্লম্বসু য়াই।

আসামদা ইহান হানবা খুন্দাবনি হায়রিবা মোন অমসুং খেমর অনি অসি লিন পুজা তৌই, মখোয়গী থেলেন (thlen) উৎসবতা। খাথংবা ব্রহ্মদেশকী মোন অমসুং কম্পুচিয়া লমদমগী খেমরগী অরিবা ধর্মদসু লিন পুজা য়াওই। মায়কৈ অসোমদগী মণিপুরীশিংগী 'পাখংবা' অসিসু থিজিনবা য়াই। খেমবশিংগী মরক্তা থাজনবা অমা ওইনা ব্রাহ্মন কৌণ্ডিনিয়না লিন নিঙোল সোমা লৌবগী (মসি হিন্দু প্রভাবনা চঙলকপা মতমদগীনি) রারী লৈরি। মতুংদা লিননা মখোয়গী শেংলবা সিম্বল অমা ওইহৌই। খাথংবা ব্রহ্মদেশতা কাংলুপ অমা ওইনা তারিবা মোন কাংলুপপুনা বর্মীজশিংনা তেলেং (Telang) কৌই। থাজনবদি মখোয়সি ভারতকী তেলেঙ্গনা লমদমদগী লাকপনি। ইতিহাসকী খোঙচত্তা মোন কাংলুপশিংসি বর্মীজশিংনা তানখায়হুনা মফম মফমদা খুন্দাখিবগী রারী লৈরি। কাংলুপ অমনা মণিপুরদা য়োরকখিনা "অন্দ্রো" (অন্দ্রদগী লৌহুনা) হায়হুনা খুন্দাবা য়ানগী মতংদু লৈরি। মণিপুরগী চকপনি হায়না

খঙনরিবা অপ্রোগী কাংলুপ অসিগী তোপ তোপ্পা সংস্কৃতি, মমিং কাওবদা সংস্কৃত য়াম্না শীজিন্নবা, কোম্না চঙলকপা হিন্দুধর্ম্মগী প্রভাবতি কয়া তাদবা খরা অসি কুপশিন্না নৈনবগা লোয়ননা মোনশিংগী পাবী পুরী থিগৎনবস্থু য়াম্নমক নুংঙাইবা অমা ওইগনি।

ম্রাহং অমনা মণিপুরদা শানশিং অমস্থং টাই কাংলুপ চঙলম্লব্রা? মৈতৈগী 'টাই' হায়বসি 'টাই' হায়না টাইলেণ্ড (শ্যামদেশ) দা থুন্দাখিবা কাংলুপ অত্থু ওইগদ্রা? অথঙ অহৈশিংগী মতত্তা শান, লাওসিয়ান অমস্থং শ্যামীজশিংসি চীনাগা নক্নবা জাতি অমনি— মখোয়সি খৃঃ গী মমাং চহী ৬০০ কী অত্থুরাইদা থোরকই। চীনাগী বেজোডতা মখোয়সি য়াং-সিকিয়াং তুরেলগী খাংবদা লৈবা চাওখৎতবা কাংলুপ (barbarian) হায়না পল্লি। চীনানা ওৎনৈবদগী নাম্ভোক্লবা মখোয় অয়াম্বনা ব্রহ্মদেশকী অরাংথংবদা লৈবা শান ষ্টেটশিংদা থুন্দাখি। য়ুনানগী লমদমগী নোংচুপ অমস্থং অরাং নোংচুপকী লমদমদা লৈবা নানচাও (Nanchao) লমদমগী থৌনা ফরবা কাংলুপতু টাই কাংবনি। টাইশিংসি খারোমদা অস্থম অস্থম তপ্পা শন্দোকখিত্থুনা তোর্ব্বানলোমদা কুমথরকত্থুনা ময়ায়থংবা ইন্দো-চিনা য়োরকই। কাংলুপ খরনা খেমরশিং, মোনশিং অমস্থং বর্ম্মীজগী মরক্তা চঙখি। ইংকুমজ ১২১৫ দা অরাংথংবা ব্রহ্মদেশকী ভামোগী অরাংদা মোগোউং (Mogaung) হায়বা টাই ষ্টেট অমা শেমখি। খৃঃ ১২২৯ দা টাইগী অহোম কাংলুপনা আসামদা অহোম লৈবাক শাগৎখিবা ইতিহাসকী রাফমনি শানশিংনা ব্রহ্মদেশতা হাইথবকপগী মতাংদনা পণ্ডিত Gor-don Luce না মত পীরি। ইং কুমজ ১২৮৩ দা মোঙ্গোলশিংনা শানশিংবু মায়থীবা পীখিবা অত্থুদগী ইরাবদী তুরেনগী তোর্ব্বাংদা শানশিংনা হাইথবক্লে; চিন্দুইন তম্পাক্কী চীনশিংবু তাম্ভোখ্রে। খৃঃ ১৩৬৪ ৩৬৫ দা অবা (Awā) কোক্তুদা শানশিংনা পানখি। নুংঙাইবদি বর্ম্মীজশিংবু পেলংহল্লবা বর্মীজ মমিং অবা লৌবনি। শানগী রাইহে নত্তে। য়ুমলোম্লবা ব্রহ্মদেশতগী শান কাংলুপ অমা নত্রগা বর্মীজ কাংলুপ অমা

নোংপোক হান্নমদগী লাকপা ওইনা মণিপুরদা চণ্ডখি হায়বদা করিম্নু ওক্লিংঙাই ওইদে। খন্নগদবা রাফমদি টাই-অহোমশিংনা শোরারেলবু অপোকপনি হায়না লৌরিবা, মখোয়গী নিংথৌশিংবু ইন্দ্রবংশীয় হায়না চাউথোকচরিবা, চকপা ফয়েং অমম্নুং লৈত্রামগী মীওইশিংনা পাম্থোইবী খোঙ্লগী প্রমান ফাংবা লৌরগা শোরারেলবু অপোকপনি হায়না নীংনরিবা, মৈতৈশিংনম্ন অতিয়া গুরশিদবা হায়রিবা—অসিগী মঙ্গুংদা মান্নবা খরদি লৈরম্বা তাই হায়বসি হায়জনীই। পূম্নমক অসি লমদমশিং অমম্নুং কাংলুপশিং অসিগী কলচরগী ইতিহাস মপুং ফানা নৈনরবা মতমদা ময়েক খরা শেংলক্কনি। হৌজিক ফাওবগী মতাংদদি অমম্বদা মাবদগী পওহেন হেন্দ্রি। অসিমদি শেংনা হায়জনীংই—মৈহৌরোলগী নৈনরিবা অসিদা বেদগী রাফম খরা হাপখিগনি, ডাক্তর স্নুনীতিকুমার চের্তজিগী মততা খুঃগী মমাং ৫ শুবা শতাবদীগী অহুরাইদা তম্পাক্কী লমদমদা হিন্দুগী ষ্টেট অমা ওইরম্বা য়াবগী রাফম অসিগী চপচাবা প্রমান ফংদ্রি।

তম্পাক্কী লমদমগী সংস্কৃতিগী মশক খণ্ডবদা লুরিবসি মীওই কাংলুপ কয়ানা মথং মথং চঙশিল্লকপসিদা সংস্কৃতিগী মরোল কয়া লৈখ্রে। তিব্বেতো-বর্মনগী মথক্তা মোন খেমর, শান অমম্নুং টাইনচিংবা কাংলুপ অমম্নুং খরা থেংলপনা সংস্কৃতিগা কোন্ননা চংলকপা হিন্দু ধর্মগী অকনবা প্রভাব ফাওবা চঙলক্লম্বা য়াবগী মশক শেংনা লৈরে। অহুবু চঙলকপা অমম্নুং লৌরকপা খুদিংনা হান্নগী থাদু খওহন্দে; মথক্তা কুপশিল্লি। অরাবা খুদম হায়ববু রানা বৃষ্ণদা চঙহবা মৈতৈনা সনামহি পাখংবা কাউদে, অপোকপা খুরুমই। লীচৎ শাজওা চাংমী ইচিন্নাউশিংগীগা নকনবা কয়া ফাওবা মাঙহন্দনা থমলি। রাফম অসিমক ইতিহাসকী প্রোফেসর অর্নোল্ড টোইনবী (Arnold Toynbee) গী মতনি—অরিবা মখাথংবা শরুক অহু লেঙদনা লৈ, মথক্তা কুপশিনখি, অহুবু মাঙহনবদি তৌদে। খুদম ওইনা হায়রবদা—অরিবা লাইনীংদা লীন পুজা তৌবা য়াই; তন্ত্রগী প্রভাবতা কুন্দলিনিগী মশক লৌরকপা য়াই; পাথংবনা 'থা' ওইনা

পুজা তৌরম্বা— য়াই —অরুনাচল লমদমশিংদা 'মুমিৎ' 'থা' ঈরাংপগুম্না। মতুংদা লীনগী শক্তম লৌরকপা য়াই; শক্তিগী মশক ওইরকপা য়াই। বেদগী লাইশিং কাওবা পুরানগী মতমদা শক্লোন হোংলকই, মগুণ পণ্ডচাউ চাউদ্রবা রুদ্রবু অর্যাবর্ত্তগী 'শিব' ওইহল্লি, অমুক লাইয়ামশিংগা খৎনহল্লি। মতুংদা ব্রহ্মাগী মশক লৌহল্লকই— হরিহর ওস্থোরকই। মসিগী খরা কুপনা নৈনবা মশকতি মথংগী লেকচরদা পুথোকচগে।

মথক্কী খরসিনা য়াম্নমক শন্বা ব্রাহ্মোদোক ওইরগা ওসিগী বিষয় তন্ত্র শাস্ত্রগী মরমদা চথজরগে। অদুবু তিবেত্তো-বর্মন লোন লোনবা হায়না খণ্ডনরবা মৈতৈ কাংলুপনা হৌরকখম লমদমদা অমুক্তদি য়েংখম থোকই। যোগ অমসুং তন্ত্র শাস্ত্রগী চাউরবা কেন্দ্র অমনি – তিব্বত লমদম। খৃঃ গী শতাব্দী ৫শুবগী অদুরাইদা বৌদ্ধ ধর্ম্মনা চণ্ডিনৈণ্ডদগী হৌনা তিব্বত লমদম অসি মিত্রং অমসুং যাতুগী লমদম ("a land known for Sorcery, exorcism and magic) হায়না মমিং চৎলমই। কাশমীরগী অরাং নোংচুপ লমদমগী swat valley গী উযেনে হায়বা লমদমদগী তান্ত্রিক অথোইবা পদ্মসম্ভবনা তিব্বতগী লামাইজম (লামা হায়বদি অথোইবা—Superior one) গী অহানবা গুরু—রিন-পো-চে (Guru Rin-po–che-the precious guru) ওইখি। অসিগুম্বা লামাগী ধর্ম্মদা শৈবগী রহস্যবাদ, মিএং, ইন্দো-তিবেতান লাইশিং— মহায়ান বৌধ ধর্ম্মগী অপাবা কুরাংবান অমগা কোম্ননা হৌজিক ফাওবা মশক অসি ওাকতুনা লৈরি। তিবেতান ময়েক্না ৭শুবা শতাব্দী দা খা ভারত্তা থারকপা তিব্বতগী পণ্ডিত অমনা অরাং ভারতকী ময়েক্কী মশক লৌদুনা ইহান হান্না তিবেতান ময়েক পুথোকখি।

ভারতকী সংস্কৃতিগী ইতিহাসত্তা শৈবা ধর্ম্ম অমসুং মদুগা তুংথ মাংথ চৎমিন্নবা দেবীগী উপাসনানা ইন্দস ভেলি সভ্যতা অরিবা সংস্কৃতিগী মমাং— থারুদ্র ইতিহাসনা সাক্ষী ওইবি। মদুগী মতাংদদি নৈনজররোই। পুরাণ অমসুং তন্ত্রগী ধর্ম্ম অসি বেদগী ঋষিশিংগী লাইয়াম অমসুং

মখোয়না খঙহল্লিবা মনুংগী ওইবা জ্ঞান (Psychic knowledge) শিংগীস্থ ঈহৌদু মাঙশিল্লকপা অমস্থুং খঙনরক্তবা মতমদা থোরকপনি। অসিনা মসিগী শাস্ত্রবু 'আগম' নত্রগা 'নিগম' হায়না খঙনৈ; পুরানশিং, যোগ-উপনিষদশিংনা তন্ত্রগী ইহৈগী য়ুমফমনি। অসিনা ইতিহাসকী মীৎয়েংদদি পুরাণ অমস্থুং তন্ত্রগী সংস্কৃতি অসি বেদ ধর্মগী মতুংদনি— অনৌবা ঈচেন অমনি। কেথোলিক খৃষ্ট ধর্মনা পাগান (Pagan) ধর্মশিংগী মনুংগী অথুপ্পা অমস্থং যজ্ঞগী মশক কয়া মন্থৎ শিল্লকপগুম্বনি। খেন্নবা হায়বদু অনৌবা তন্ত্রগী ঈহৌ অসিনা চুম্নগী মীচম প্রজাদা মশাগী মনুংগী ওইবা থিজিনবা অমা অমস্থুং মতুগী সাধনানা পুন্সী অদু অনৌবা যোগগী মপোক অমা ওন্থোরবগী খুদোংচাবা পী। হকচাং, পুক্নীং অমস্থুং আত্মাগী কলচর অমনি। তন্ত্র বেদনি। অসিনা হকচাংদা য়াম্নমক য়েংশিনবা হঠযোগ ফাওবা মসিগা মরী লৈনরি। মসিগী সাধনানা মীওইববু মনুংগী ওইবা লোৎতুনা লৈবস্বা অচুম্বা খরবু থেংনহন্দুনা পুন্সী অসি হেন্না রাংবা থাক অমদা পুথংলি। অসিনা বেদগী মতমগী 'হোম' অমস্থুং লাইয়াম কয়াদা থাজবা অতুগী মহুত্তা থোকই—'যজ্ঞ' পূজা, মন্দির অমস্থুং মূর্ত্তি পূজা— মতুগী মতেংনা মীওইবগী হকচাং, পুক্নীং আত্মাগী অপেনবা, ফজবদু পেলহল্লি।

অশেংবদি মনুংগী হায়রুববদি ইহোং হোংদে হায়বস্থ য়াই। ময়ামগী মনুংদা অমগী অচুম্বা (Truth of the one in many aspects) অতুবুদি লোংদ্রি। পুরাণগী ত্রিমূর্ত্তিনা অথোইবা লাই (Godhead) অমস্থুং ব্রহ্মাগী মশকনি। শক্তিশিংগ থ্বাইদগী অথোইবা অতুগী শক্তিনি। খেন্নরিবা হায়বদু বেদগী মতমদা ঋষি নচিংবা মীওই খরতগী ওইনা লৈরম্বা অদু য়াম্নমক মরীক চুম্না মপাঙ্গল লৈনা মীয়ামদা য়েহোকপিরকপা অসিনি। বেদগী লাইয়াম লাৎপগী মওং (Henothism) অদু ইচম চম্না বিষ্ণু নত্রগা শিব লাৎপগী মওংদা লাইশিং অসিনা অথোইবা লাই ওইনা অমস্থুং অতৈন মখা পোন্না চখবকপনি।" মীওইবদা লাই ৈল হায়বা ব্রাহ্ম

(Divinity in man) অসি চুম্নগী অবতার ওইনা মরক মরক্তা থোরকপদা নত্তুনা মীগী থম্মোই খুদিংদা লৈরি হায়বসি তন্ত্র শাস্ত্র অমসুং যোগনা খঙহল্লকই। হকচাং অসিবু মন্দির ওন্থোকতুনা অথোইবা লাই অহুবু হকচাং অমসুং পুক্নিংদা থেংনহল্লি, উনহল্লি। অসিগুম্বা পুরাণ অমসুং তন্ত্রনা যোগগী লম্বীদা তিন্নতুনা মীওইববু কর্ম্মযোগ ভক্তি যোগ নত্রগা জ্ঞান যোগকী লম্বী লৌহন্দুনা লেংদ্রবা অথোইবা পরম ব্রহ্মগী মশক লৌরিবা শিব নত্রগা বিষ্ণুবু থেংনহল্লি অমসুং অমতা ওইহল্লি।

শ্রীঅরবিন্দনা মতাং অমদা হায়বীখি মীওইবগী আত্মাবু ফোংবা, ফোংদবা ঈশ্বরগী শক্তি পুন্নমকপু থেংনহনবগী অকনবা মহোৎন অমনি "The tantric system is in its aspiration one of the greatest attempts yet made of embracing the whole of God manifested and unmanifested in the adoration, self discipline and knowledge of a single human soul" তন্ত্র শাস্ত্র হায়বসি ইতোপ তোপ্পা যোগ শাস্ত্র অমনি। অতৈ যোগ শিংগী পুনশিনবা নত্তে। প্রকৃতিবু শক্তিবু চেংনা কোনশিনদুনা শক্তিগী হৌনফম ওইরিবা ঈমাবু চেংনা কোনজতুনা ইথিবা যোগগী লম্বীনি। অতৈ যোগ শাস্ত্রদনা পুরুষনা মপু ওই মহাক্না পুন্নমক্কী হৌফমনি, মপানি অমসুং পুন্নমক্কী মথকনি। তন্ত্র শাস্ত্রদনা পুরুষকী থবক্কী মওং লৌরিবা প্রকৃতিনা মপুং ওইনা লৈরি। মীংয়েং থেন্নবগী রাদনি। ব্রহ্মসু কালীনি, কালীসু ব্রহ্মনি হায়না শ্রীরামকৃষ্ণনা চপচানা খঙখি। অহুবু তোপ তোপ্পা রাখল অসিগী লম্বী - 'তন্ত্র' অমগী মথাদা মীওইবগী হকচাং রাখল অমসুং পুন্সিবু খুত্থম চনবা, মপুং ফাহনবা, মুক্তি অমসুং ভক্তিগী সাধনাদা পুনশিল্লকই।

লাইবক থীবদগী অসিংনবা চাউরবা সাধনা অসি তান্ত্রিক ওইদবা মীওইশিংগী মখুত্তা তাখিতুনা মীনা হঙ্গাইনবা মওংদা ফাওবা উথি। থোইদোকনসু ওইথংবা লম্বী—বামমার্গ হায়বা কাংলুপতুনা কা হেনবা

শাজং কয়া চংশিল্লকপা পঞ্চ'ম'—'ম' মঙাগী শাজং লৌরকপা (মদ, মৎ, মাংশ, মৈথুন মাৎসর্য্য) শেংফাত্তবা কাপালিক ওইরকতুনা মী হাৎপা অসিনচিংবা লমজিংনা কিনফম তুক্কচনফম ওইবা কা হেনবা মশক লৌরকপদগী তন্ত্রযোগ অসি ভারত্তা মরায় য়াম্না চায়থরুব্রনি। হৌজিক ফাওবা তান্ত্রিক হায়রগা সমাজনা কিনবগুম্ব। অমা পোকনরিবসিগী মরম অসিনি। তশেংবদি য়েং, ওই হায়না দক্ষিণ অমসুং বাম হায়না খায়দোকখিবা অসিসু অচূম্বা অমগী মখাদনি। তশেংবা ধর্ম্মদদি দক্ষিণ মার্গনা জ্ঞানগী সাধনা নি, বামমার্গনা নুংঙাইবা আনন্দগী সাধনানি। জ্ঞানগী লমবীদা শক্তিগী মশক অরেম্বা খঙবা অমসুং মতুগী মচাক কয়াবু ময়েক শেংনা খঙবনি, আনন্দগী সাধনাদনা ইশাগী শক্তিশিংবু নুংঙাইনা অমসুং মখোয়বু নুংঙাইনা শিজিন্নবা তাবনি। অতুবু লম্বী অনি অসিমক্তা ভাব তানদবা চময়বা অমসুং মমৈথ'দদি যোগগী মশক ফাওবা মাঙখিবা (fall) হায়বত্থু থোকখি।

তন্ত্রগী সাধনা অসি অর্থ অমদা সমন্বয়নি (synthesis)। মহাক্কা পায়রিবসি অচুম্বা—Universal Truth অমদনি। মসিদা অচুম্বগী নাকল অনিগী অমত্তা ওইবনা লেংলি পাল্লিবা পূম্বগী মমুংদা লৈরি—ব্রহ্ম অমসুং শক্তি, আত্মা অমসুং প্রকৃতি। প্রকৃতি হায়বসি আত্মাগী শক্তিনি—অমুক্কা শমজিল্লবদা spirit অসিমক power নি। মীওইবগী প্রকৃতিবু আধ্যাত্মিক ওইবা মওংদা পুখৎপনা মসিগী সাধনানি। মরম অসিনা অনিশুবা শাস্ত্র অসিদা হঠ যোগগী পান্থৈ শিজিন্নরি। মীওইবগী শিংলিদা লৈরিবা চক্রশিং অতু হাংদোকহন্দুনা শক্তিবু ব্রহ্মগা থেংনহল্লি। রাজযোগগী শেংদোকপা, জ্ঞান অমসুং সাধনাসু য়াওই; কর্ম্মযোগ অমসুং জ্ঞান যোগগী মশকসু চঙলি। অতুবু অসিগুম্বা যোগশিং অসিগী থোমজিনবা মওং অসিনা তন্ত্র শাস্ত্রগী অশোইবা নত্তে। চৎনরিবা যোগ লম্বী অসিদগী মায়কৈ অনিদা তন্ত্র যোগনা হেন্না চঙশিল্লি। অহানবা —মীওইবগী খবক্কী ইনশিল্লকপশিং—ইচ্ছা (অনিঙবা) অমসুং ক্রিয়া

(থবক) বু অকনবা নিয়ম অমগী মথাদা পুশিল্লকতুনা মখোয়বু শিজিন্নদুনা অমসুং অরোইবদা লাইগী শাক্ত—আধ্যাত্মিক ওইবা লমদম অমদা পুখৎলকপনি। অনিশুবা—শাস্ত্র অসিগী পান্দম অসি মুক্তি ফংবদা নত্তে; ভুক্তিসুনি মুংঙাইবনি। (cosmic enjoyment) থেংনরুরিবা য়াকাই-রুরিবা শক্তিশিং অসিবু খুত্থম চন্দুনা মুংঙাইবা ফংবনি। মরম অসিনা তন্ত্র যোগ অসি অতৈ চৎনরিবা যোগগা চাংদম্নবদা খরগা হেন্না থৌনা ফনা চঙশিনবা সাধনা অমনি।

তন্ত্রগী সাধনাদা অহানবা মশক থঙগদবসি মীওইবগী হকচাং অসিনি। থায়নগী ঋষিশিংনা থেংনখ্রে—হৌজিক উরিবা হকচাং অসি মীওইবগী হকচাং হায়বসিগী অরোইবা নত্তে! বেদান্তনা হকচাং মঙাগী রা পল্লি। কোষ কুয়োম (Sheath) মঙা হায়রি—অন্নময় (the material), প্রানময় (vital), মনোময় (mental) বিজ্ঞান ময় (ideal) অমসুং আনন্দময় (spiritual or beatific) হায়দুনা কোষ মঙা পল্লি। মতুংদা অমুক থেংনরকই—কোষ মঙা অসিনা শরীর (হকচাং) অহুমগী মচাক ওইরি স্থূল শরীর (gross body) সুক্ষম শরীর (subtle body) অমসুং কারণ শারীর (causal)। হকচাং ৩ মক অসিদা মীওইবগী থরায়না চপচানা মতম অমত্তদা লৈরি। ঐখোয়না চূম্না থেংনবনা অনৌবা হকচাং অসিখক্তনি। অহুবু অনৌবা হকচাং অসিদা নত্তনা সুক্ষম অমসুং কারণ শরীরবু খঙবা ওইথোকই অমসুং মখোয়গী মরক্তা খারিবা পল অসি থুগায়বা য়াই। মতম অহুদা থেংনরকই—psychic অমসুং occult হায়দুনা হৌজিক্কী মতমদা মমি শামি খর খর থেংনরকইবা শকঙং (phenomenon) অসি ওইরকই। থায়নগী হঠ যোগী শিংনা অমসুং তান্ত্রিক সাধক শিংনা হায়রিবা অরাংবা পুন্সি অমসুং হকচাং অসি science অমা ওইনা পুশিল্লমই। অনৌবা হকচাং অসিদা শিংলিগী চক্র ৬ থেংনরকই। মখোয়দুগা কোন্নরা সুক্ষম ওইবা (subtle) হকচাং অমসুং পুক্নীংগী তাংকক ৬। অদুগা গ্রন্থ—কিশি (knot) তরুকমক অসি থম্বাল

লৈনাল্লা শাংকাইবগুম্না হাংদোকপা রাহৈ সাধনাগী মতেংনা। রাকম অসি হঠ যোগীশিং অমসুং তান্ত্রিক সাধকশিংনা থবক ওইনা চৎথরম্বনি।

তন্ত্রযোগ অসিদা, উদাহরণ ওইনা, অসিগী মথক্তা সুক্ষ্ম শরীর (psychic body) রাখবা ফুনা লৈরি, মসিদা প্রানশক্তি (vital force) য়াওরি অমসুং অসিগুম্বা লোন শক্তি অসি মসিং থাজিনদ্রবা মরীশিংনা ফুরি। মখোয়দু 'নাড়ী' কিনা কৌই। মখোয়গী চক্র ৬ (মতমগী ৭) তা সেপাকে কৌনৈ, অসিনচুনা লৈরি। অহুম অংম থম্বাল লৈনা মরী হামথৎনকপাচুন কৈমা ১০০০গী মমংদা কোকতোম্মা লৈরি। থম্বাল খুদিংমক অসি তোপ তোপ্পা পুক্সিংগী শক্তিশিংগী কেন্দ্রনি। অসিগুম্বা অকুপ্পা 'নাড়ী'গী উপেম অসি spinal cord না ময়াম ওইরগা হকচাংগী শরকন্থ মখা ওইনা লৈরি অদুগা মখাথক্তা মতোন "ব্রহ্মরন্ধ্র"দা লোইশিন্নি। অসিগুম্বা থম্বালশিং অসি মিগী মাওংদদি দরকার অমদা লেপ্তবগী মতম ইপা খুদিংমক হাংদোকই। হকচাংগী ওইবা শক্তি ওাকুনা পুন্সি অসি চথরি। অসিনা খ্বাইদগী ওইবা শক্তি (supreme energy) অসিনা লীনদোনা কৈরা কোনশিন্দুনা ঊরোয় লোয়রবা মখোগী চক্র—"মূলাধার"দা তাশিন্দুনা লৈরি। সাধকশিংনা প্রানায়ামগী মতেংনা মথক মথাগী প্রানশক্তিশিং—শম্নহল্লকপদা মৈপুবা লীনগুম্না কাথৎলকই— চক্রগী মথক চক্রদা—অমসুং অরোইবদা শক্তি অসিনা "ব্রহ্মরন্ধ্র"দা পুরুবকা থেংনদুনা সমাধি ফংবা হায়বত্থু ওই। অসিগুম্বা সাধনা অসিদা চওই মন্ত্র শক্তি—হকচাং লকানুংদগী থোরকপা রাহৈ মতুদা ধ্যান তৌবগী মতেংনা রাহৈগী মতেং লৌরকনা symbol ওইনা, খুৎলাই ওইনা হকচাংগী কায়াৎ পুম্বদা মন্ত্রনা থওনরিবা শক্তি অদু য়াকায়হল্লকই। অসিগুম্বা মরগী শক্তি, চক্র তরুক অমসুং কুণ্ডলিনী শক্তি পুম্নমক অসিনা তন্ত্র শাস্ত্রগী মপুং ওইবা রাকমনি।

কুণ্ডলিনী হায়রবসি যোগ শক্তিগী পরমা শক্তিগী মশক লৌই। কুণ্ডলী হায়বসি কোয়শিনরবা (coiled) হায়রবনি। যোগ সাধনাগী পুস্থেনা অসিগুম্বা ভুজংগ লানগী মশক লৌরিবা শক্তি অসি চক্র ৬ মক

লাক্লোকনকই—শিবনু ঈনবগী খোঙচদা। মতুংদা হকচাং পুম্বদা উনবগী থুংঙাইবা অমৃত ধারা শিন্দরকই। কুণ্ডলিনী শক্তিগী মাকাইবগী মশক অসি অকা অকুমনি। (spinal cord) কী নাবক অনিদা 'নাড়ী' (শিংলি) অমি লৈরি ইড়া অমসুং পিঙ্গল, ময়াইদা লৈরি সুষুম্না নাড়ী। কুমথুরবকপা ঈচেলনা [illegible] পোক্লাহনা লৈরিবা কুণ্ডলিনী শক্তিনু হৌদোকপনি। কাখৎলকপা মীকপ থোরবা কুণ্ডলিনীনা সুষুম ওইরবা [illegible] লম্বীদা চক্র তরুক্কমক লাক্লোকতুনা কাখৎলকপদি অমসুং দেবীনা শিবগা উন্নরনা মতুংদা অমুক হকচাংগী শরক কয়ামুক্তা ফাওতেল্লি। ঈরোই লোইবদা থেংনরকই—মুক্তি অমসুং ভুক্তি ফারানবা খবম অমসুং [illegible] ফংজবগী [illegible]।

[illegible] চক্র [illegible] ঈথোয়গী ঈশাদা [illegible]-[illegible] [illegible] লৈরি। মথোক্তদা য়াওরিবা থোঙান [illegible] অদুগা অমুকপু [illegible] তোপদোকপা [illegible] পংথৈ নাইদে। চক্র পুম্নমক অসি হকচাংগী ময়াইদা [illegible] spinal cord দা [illegible] লৈরি। [illegible] শরীর (মঙ্গগী হকচাং—subtle body) [illegible]। [illegible] অনৌবা হকচাংদা [illegible]। [illegible] অমুম্না ওইরি।

(ক) [illegible]:—[illegible] মরি [illegible]। মরোক ওইনা [illegible] ব, শ, ষ, অমসুং স। মসা [illegible] মচু ওইনা লৈরি। হকচাংগী [illegible] অমসুং [illegible] লৈরি sex centres ওইরি। নাড়ীনু ঈরেল ওইনা লৌরগা ঈড়া, পিঙ্গলা গা সুষুম্নাগা অহুমগী তিন্নফমনি। মফম [illegible] দেবী কুণ্ডলীনিনা কোনশিনহনা লৈরি। অমুক্কম্ব শেংদোকচরি—অনৌবা হকচাংদা নত্তে, সূক্ষ্ম শরীরদনি।

(খ) স্বাধিষ্ঠান:—অসিনা অনিশুবা থম্বালনি। শিন্দুর মচু লৌখা লৈকা ৬ পানবা থম্বালনি—মথেক্তা ব ভ, ম, য, র, অমসুং ল নি।

মফমনা খোয়দৌ মখাদনি। ভাঙশং ভাঙবা মচুনি। কাম, ক্রোধ, লোভনচিংবা য়েকনবা তরুকপু মসিনা লাকশিল্লি। "ৰ" হায়ৰদি পরম লিঙ্গ অথোইবা লিঙ্গনি।

(গ) মণিপুর (নাভিপদ্ম)—খোয়দৌদা লৈবনি। অয়াকপা মৈঙালনা মনিঙম্না ভানৰদগী মণিপুর কৌবনি। থম্বাল অসিগী লৈনা ১০ পাল্লি ময়েকতা হায়রগা ড, ঢ, ণ, ত, থ, দ, ধ, ন, প, ফ, নি। মসিনা থরা হেম্না চাউবা থরায়গী শক্তিশিংবু লাক্লি। মচুদি পেত্র্ কলৈ মচুনি।

(ঘ) অনাহত (হৃদিপদ্ম) থম্মোয়দা লৈবনি। মচুনা সনামচুগী মঙ্গ্রা মচুনি (golden pink) লৈনা ১২ নি। ময়েকনা ক, খ, গ, ঘ ঙ, চ, ছ জ, ঝ, ঞ, অমসুং থ, নি। থম্মোয়গা নকৰা ভাৰ অমসুং রসপু য়েংশিনবনি। মুনিশিংনা খোনথোকতবা শব্দ (অনাহত শব্দ) অমু মফম অসিদা তায় হায়ৰদগী মিংথোনবনি। শব্দ ব্রহ্মাগী লৈফমনি; পুরুষ (জীবাত্মা) না লৈরি। বীজনা "বং" নি।

(ঘ) বিশুদ্ধ—খৌনাঙদা লৈরিবা চক্রনি। উৎমানবা মচুনি। থম্বাল লৈনা ১৬ কী মশক ওইরিবা স্বর ময়েকনা অ, আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, ঋৃ, ৯, ৯ৗ, এ, ঐ, ও, ঔ, অং, অঃ নি। মা ভাঙথোকপগা মরি লৈনৈ। বীজনা 'হং' নি। মসি হাইদোকপা মতমদা physical mind অসি দিব্যগী শক্তি অমগী মঙান্দা ভাম্থোরকই।

(চ) আজ্ঞঃ—পিশুম অনিগী মরক্তা আজ্ঞ চক্র লৈরি। মচু অঙৌবনি। থম্বাল লৈনা অনিদনি - ময়েক্লা হ অমসুং ক্ষ নি। মফম অসিদা গুরুগী আজ্ঞা মথক্তগী ফংই হায়বদগী মিং অসি থোনবনি। ওঁ মন্ত্রসু মসিদা য়াওরি। মসিনা হাইদোরকপদা অরাংবা শক্তি অমসুং রাখলগী মরক্তা মমুংগী ওইবা মপান্দা উঙমদবা থেংনদবা মশক কয়াবু থেংনরকই। মফম অসি—অহুমশুবা মিৎ হায়নসু থঙনৈ।

চক্র ৬ অসি লাম্থোকলগা লৈরি সহস্রদল লৈনা লিশিং অমা পানবা সুষুম্না নাড়ীগী অরোইবা মতোন্দা কোক্কী মথক্তা ময়েক ৫০ অহুনা ২০ লক হুম্না কোয়না চত্তুনা লিশিং ওইরকই। শ্রীঅরবিন্দগী লোন্দাদা হায়রবদা

মফম অসিনা spiritual mind, Higher and intuitive mind অমসুং intuitive অমসুং over mind গা শন্নবনি। মসিদা য়াওরি হংস—মথক্তা ফমতুনা লৈরি—গুরু। মহাকত্তি পরম শিবনি। গুরুগী মথক্তা লৈরি—সুর্য্য অমসুং চন্দ্র মণ্ডল—মখোয়গী মথক্তা মহাবায়ু। মসিগী মথক্তা লৈরি—ব্রহ্মরন্ধ্র। অমুকসু তন্ত্র শাস্ত্র খরগী মতুংইন্না অ—ক—থ ত্রিভুজ অমা লৈরিবগী কাচীন অহুমদা বিন্দু অহুম লৈরি—মতোন্দা "হ" (মসিনা নিপা—পুরুষ খণ্ডনৈ), লেমহৌরিবা বিন্দু অনিনা "স" নি—বিসর্গ (ঃ) গী মশক লৌই—প্রকৃতিনি। 'জ্ঞানতন্ত্র' হায়বা লাইরিক্কী মত মতুংইন্নদি হ না ব্রহ্মানি। বিসর্গ (ঃ) অসিনা—শিবগা হরিগনি—হরিহরনি।

মথক্কী চক্র তরুক্কী মশক তাকপা অমসুং সহস্রদলগী মওং খরা পনজরিবসি বঙ্গদেশতা ১৬শুবা খৃষ্টগী শতাবদী (1577 AD) দা তান্ত্রিক সাধক অমসুং পরম হংসগী পুন্সি লেনখ্রবা পুর্ণানন্দ স্বামী না লেংশিল্লম্বা "শ্রীতত্বচিন্তামনি" হায়বা অচৌবা লাইরিকতুগী "ষট চক্র নিরূপন" কৌবা লাইরিক অদুগী মত মতুংইন্না লৌজবনি। লাইরিক্কী মতাং অসি অমুক সাধক অসিমক্কী অতোপ্পা—পাদুকা পঞ্চক (গুরুগী ফমথোল মণ্ডা) হায়বা অমগা অনিগী ইংরাজী অনুবাদ তৌরগা মপুং ফারবা রাহৌ-দোককা কোন্ননা Sir John Woodroff (Arthur Avalon) হায়বতুনা মহাক্কী The Serpent Power হায়বা মমিং চংলবা লামায় ৫০০ মুক পানবা লাইরিক অমা ফোঙই।

ভাষন মতেক অসিদা তন্ত্রশাস্ত্রগী মরমদা মপুংফানা নৈনবা ওইথোকতে। চক্র তরুমক্কী দেবতা লৈরিবা, ময়েকশিংগী দেবতা কয়ানা ওাম্থোইরিবা, তন্ত্রশাস্ত্রশিংগা, কোন্নরিবা বীজ মন্ত্র' খুদিংগী অর্থ তৌরিবা পুন্নমক নৈনবা ওইথোকতে। সাধক পুর্ণানন্দ গোস্বামীনা মহাক্কী ষট চক্র নিরুপন অসিবু তন্ত্র শাস্ত্রগী নিয়ম মতুং ইন্না (তন্ত্র শাস্ত্র অনুসরন) হায়তুনা

থগীরম্বনা মথক্কী নেনগ্রিবা, শরসি তশেংনমক তনত্র শাস্ত্রগী শাংখানবা যুরবা লাইরিক্কগী লোথোকপনি।

ঐহাক্কা ভাষণ মতেক অসি লোইশিনজিল্লিজৈদা ইকুই কুইদনা থেননজবা—"অঞ্জি" ময়েক্কী মতাং তামতঃ পঙ্গগে। ঐথোয়গী ঈপা ইপুশিংনা ময়েক পাবদা—"অঞ্জি"না হৌদিবা লৈতে পুম্না কয়াদস্তু "অঞ্জি"গী খুদমনা হৌরমই। অসিগুম্বা অঞ্জি অসি অস্ত চক্রগী মথক্তা লৈবা কলা অমা ওইনা, মতোন পুমাংলাগ লোম্বগী ঊনমনা হেক মথংদা লৈবা অমা ওইনা থেংনে। কলা হায়বদি শক্তিনি। ব্যাপিকা শক্তিনি—মুশক্তি অকোনবনি অখোয়বনি। Sir John Woodroff না হায়রি—

"This is in shape like a bent or crooked line over a letter. This sakti appeared in the beginning of creation" (The Serpent Power—Page 434)

তনত্র শাস্ত্রগী থ্বাদোকেনবা য়াৎরবা "অঞ্জি"না মৈতৈগী ময়েকা থানবা য়াদনা, লৈবম্বা অসিনা মৈতৈ ময়েক্কী মশক লেপ্পদা অনৌবা খোঙথাং অমা চঙশিল্লবা য়াই। ১১১৭৮ ইং

(১২)

মৌজিবনকী মণিপুরী সাহিত্যদা মোইরাং কংলৈরোনগী ছাখিল

মণিপুরগী শলাইলেইগী মঙ্গং চল্লিবা মোইরাং খুনাইগা মরী লৈনবা পাউ চাউখ্রবা মণিপুরী সাহিত্যগী পুথক অমি চপচানা। ঐখোয় পুথোকপা থিজিনবা খোংথাংদা মঙায়রি। অশেংবদি অরিবা মণিপুরী সাহিত্যগী চৈনবুংগী ওইনা চংথরকপগী মায়কৈদা জাতি অসিগী অনীংবা পাম্নবা অমসুং আশাগী চপচানা। মশক অমদি হায়বদি মোইরাং শাইওনগী হাকী শিক্কা লৈরিবা। থায়নগী মশক অহুম্ শরুক খরদি পেন। অমসুং থোংজাওপরবগী ওঝা শিংনা অতংপা কৌতনা শকপীজনা য়েন্থৌরি। মোইরাংগী কাশেরশিংগীদা নত্তেনা মণিপুর পুম্বগী ওঝাশিংগী দাননি। পুম্নমক অসিগী মচুংদা শরুক মচেং অমতং সমুদ্রদা তাউবা ঊনগী চাংথম —খম্বা-থোইবী শাইওনগী হাবী অসিশুদি অয়াম্বনা মচা তানা খঙবংম তৌরি। অদুবু মরিক্ত শৃঙ্গার রসকা মরী লৈনবা মতাং অমত্তনি। কবি অঙাংহলনা ওঝাশিংদগী লৌশিন্দুনা পুথোকপসু খম্বা-খমনুনা চাউরকপদগী লুহোংবা ফাওবদনি। থোংলেন, চাউবা, পুরেম্বা অসিনচিংবগী হৌকম লাককমদা অঙকপা অকিবা মশক কয়া লৈরিবতুদি নীংথজনা পুথোক্ত্রি। চহী তরেৎ নিপাল্ল অসিগী মঙ্গংদা ওঝা হেস্নাম মাঙ্গোলজাউনা খাংলিবা শরুক অয়িগী মচেং খরদং ঈঙ্গিংকুম্না উংলে। শরাংথেম বরমণিনা চহী খরগী মমাংদগী মোইরাং শায়োন ৯ গী হাবী লপুং ফোঙলে। পণ্ডিত ভোগেশ্বরগী মতেংগা লোয়ননা সবিতা দেবীনা অরায়বা লোন্দা ইথোকপগী কোন্নন। মোইরাং কংলৈরোন ফোঙলে। অদুমনা লীলা-ভ্রাম্বা অমসুং যাত্রাশিংদুং হাবীশিং অসি কুম্না য়াম্না পুথোকলে। অদুবু চপচানা। চরিত্রশিং অনিবু [illegible] লাক্কবা অমসুং লৈনবগী শরুক অমদি অশেংবমক য়াওলি।

মহাকাব্যগী চপচাবা মশক্তি খম্ব-থোইবীগী শায়োন (হিং অঙাংহলনা পুথোকপা) অসিকসু নত্তে-শায়োন ৯ মককী অপুনবা শক্তম অসি ওইকম থোকই। ইংরেজী ৱাহৈদা এপিক ওফ গ্রোথ হায়রবসু ওইগদবনি।

ইহান হায়নবদা ৱাহৈগী চঠৈনবা শরুক শেংদোকখিবা তাই। মোৱী কৌবা মোইরাংগী অশৈবগা লুরেংজাম্বগা অনিগী খুৎথাদগী হিজমচা কপো কৌবা ওজা অমনা অমুক শিন্দোক্লগা কোক্তবা "মোইরাং কংলৈরোন (সম্পাদক : সবিতা ১৯৮৫) দা য়াওরিবসি মোইরাংগী লমদা মখম কয়ামুক্কী থায়নঠেংদা থোম্নরবা মমিং লমগী লম্মিৎলোন অমসুং কোম্নবা ৱারোলশিংগী শরুকনি। খুদম ওইনা খম্ব-থোইবীগী ৱারী অসিমক পনবদা থোইরেন-তাক করিদগী থোনগ্রিবনো? হায়না থিগৎপদা 'কৈক্কাবগী মতাংগা কোন্ননা খম্বা থোইবীগী ৱারী চুম্নী পনবতনি। অতৈ মতাং য়াওদে। অসিনা মোইরাং কংলৈরোন হায়রগদি মোইরাংগী শায়োনগী ৱারীশিং অসি খঙনদবগুম তৌই। অহুবু পেনাগী ওঝাশিংনা মপুং ওইনা পুখৎলিবা শরুক্তি মোইরাং শায়োনগী ৱারীশিংনি। মোইরাং কংলৈরোন মক্তেক অমখুদি শকলমগনি। সাহিত্যগী ভাব অমসুং রসতা মপুং ওইনা চঙলক-লিবদি কংলৈরোনগী শরুক অসি নত্তে--শায়োনগী পাক্লবা মশক অসিনি। ৱাকম অসিনা ঐথোয়না ময়েকশেংনা খঙনহৌবা তাই। মোইরাং কংলৈরোন অমসুং শায়োন অনি পুম্নবদি মপুংফাবা মশক ওইগনি।

অরিবা মতমদা অসিগুম্বা মোইরাংগী শয়োনগী ৱারীশিংসি কমদৌনা লৈরম্বগে হায়বসিসু নৈনথোকপা চুমই। নীংশিংগদবা অমনা মোইরাং শায়োনশিংসি ইতিহাস নত্তে। চপচাবা শোক তাক্লিক্কী রেকোর্ড ওজা পুথোকপা য়াবা নত্তে। ইতিহাসকী খুক্কম খরমু লৈতবদি নত্তে। লীলা শাম্নরিবসি মীগা লাইগনি। মীগী লীলাশিংদা লাইশিংসু লাইশিংসু মতাং মতাংদা শরুক য়ারি। শায়োনগী ৱাখলনা চিংশিল্লিবা অসিমক হিংসু অৱতারগী ভাব অহু পুশিল্লকপনি। অহুম্না চঙশিনথ্রিবা লাইশিংসু হিংবগী অমসুং মমাঙগী লাইশিং ওজা য়াওই। অসিনা অরি অমনাগী

অপূনবা পূয়া পুরানগী মশক ওইবা মতম পুম্বদা লিয়গদবা অমুকন্তু মৌঙ্গনভা লৈরবা সাহিত্যগী মশকন্তু য়াওরি। ইতিহাসকী মীৎয়েংনা চপচানা য়েংলবদি থুমোংখিবা কম্বা থেংনকভা কতনা অয়ানবা মীৎয়েংস্তু ওইগনি। অসিনা খৌঠোকফলিংসি থোকখিত্রা হায়নবস্তু চপচাদা থোকখিদে। থোকখিত্রবরা হংগবস্তু মতম পুম্বদা থোকুনভা লৈরি হায়না খুন্বা ভাই নোংচুপ সাহিত্যগী ইলিয়াদ, ওদিসি (হোমরগী) ভারতগী রামায়ন, মহাভারত কুমদা মোইরাংগী শায়োনশিংস্তু ঐথোয়না চপচানা য়েংবা ভাই। পুন্নমক মহাকাব্য ওাকনি; মশকশিংদি থেম্নরবস্তু।

হৌজিক্তি মোইরাং শায়োনগী থোঙ্গ্লগী ৱারী নৈনসি। ওঝা হৈস্নাম মাঙ্গোলজাউনা হায়রি—"ওঝাশিংগী মত মতুংইন্না অহানবদা শৈশকশিং অসি ফুনোক ৱারী ওইনা লীনরব্বদগী যন্ত্র শীজিন্নত্তুনা থুমুং ঈশৈ হান্নত্তুনা শক্লরকই। মথংদা নিম্বা শাবা মুগী শাবা অনি চংত্তুনা শৈশকপদা থুংলং ঈশৈ হায়না চংলরকখি। মতমদুদস্তু পেনাগা কোম্নম শকপা অসি চংনরমদে। (খম্বা থোইবী পুনসি ৱারী ১বা শরুক: হৈস্নাম মাঙ্গোলজাউ: লা: ১)। অসি-মগন্তু হাপচিল্লকই—কংলৈরোলগী ৱারীশিংসিগী হৌরকফমসি পোইরৈতোন-লৈনাওভাবীদগী ওইনা ফংই। গুরু শিদবনা অনিমক ভাইবঙদা পোকপা শিবা তম্বীরু থারকপদা পোইরৈতোনন নোংপোক চীংদা লৈহৌই—নোংপোক নিংথৌ কৌই। লৈনাওতাবীনা কৌত্রু চীংদা নাউকোনখিত্তুনা পানথোইবী কৌখি। খম্বা-থোইবী অনিমক অসি অসিনী শায়োন্নি। থোকখিরনা লাইগী নিংথৌ ৭ কী মতুংদা মী নিংথৌ ২৫ ত্তবা নিংথৌ চীনখু ভেলহৈবগী মতমদনি। হৌজিক্তগী চহী ৭৫০ মুককী মাওদনি।

পেনাগা মোইরাং ঈশৈগা পুনখিবনা মহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা জিলা দরবার চঙবা মতমদগীনি। পেনা থোংবা ওবী চলম্বনা চীংলোন মাপাল অমখদা নিংথৌরোল, লাইরোল-ভীরোন শকপা লোইশ্রুবদা মোইরাং ঈশৈগী মতেক অমা হাম্বলা নিংথোনা পেনবীগ্রত্নুনা মতুংদা পেনাদা চপচানা লকইনবদা শোকচাও, মবীন অমস্তুং কুন্দো কোৱা ওবী অচৌমগা

লোয়নননা অনৌবা শৈশক কয়া অমস্থু হাপচীন্দুনা শেমখিবনি। মসিনা ওঝা মাঙ্গোলজাউগী মতনি। সরাংথেম বরমণিগী মতুং ইন্নদি জিলা দরবারদগী হন্নক্লগা ওঝা চনস্বা, পাওম্বা অমদি রাংগু্গী লোইতোংবম ভাওবা পেনা শকপা ওঝা অহুম অসিনা শিন্ন শিন্ননা মহারাজগী থৌখল তৌখি হায়রি। (মোইরাং শাইওন : বরমণি) ওঝা চনস্বগী সেবক তোম্বো (হৌদোং খোংবম্বা মানবদগী কুলচন্দ্র মহারাজনা চুংখা হৌদোং মীংথোনবীরম্বা)গী মচা ওঝা মনিকনা চুড়াচান্দগী মতমদা চৎথবীরকই। মতম অসিদা নোংথোম্বম ওঝা চাউবা (ময়াম্না কুলিজাউ হায়না খঙনবা) না পাকশন্না ঢোলোকনা লোয়নননা মোইরাং শায়োন শন্দোকপীরম্বদগী অমুক ওঝা হৈস্নাম মাঙ্গোলজাউ (ওঝা কুলিজাউগী সেবক) হৌজিকমক হিংলিবা ওঝা অমোম খোংনাং (রাংগু) না অমুক শমথবীরক্লি। চৎথরকলিবা পরম্পরাদা মপুংগী মথৈদি মান্নরবস্থু ওঝা ওঝাগী মত মতুংইন্না খেন্নবা থরদি শোয়দনা য়াওগনি। নিংথৌরোলশিংগী মতমদা পেনাদা অমদি ঢোলোকতা মোইরাং শায়োন শকপা ওঝা কয়াস্থু লৈরমই। পেনাগী মায়কৈদা হৌজিক ফাওবদা হিংলিবা ওঝা নিংথোম্বম মেরা(লুংগোয়), হৈস্নাম ইবোমচা (উয়ান)গী মমিং পনবা য়াই।

অতোপ্পা রাফম অমনা মাঙ্গোলজাউনা মোইরাংগী লৈখিদ্রবা ওঝা মাইত্রম চাউবদগী পুয়া খর থেংনবদা রারী মপুংদা খেন্নবা কয়াস্থু থেংনরক্লি (পুয়াশিং অসিদি ফোওদ্রি)। পুয়াদা থেংনরিবা অসিনা কংলৈরোন হায়না কৌরগা ওঝাশিংনা শেমদোকলিবা মশক অসিনা শৈশক লোন হায়না মাঙ্গোলজাউনা মিংথোললি। খুদম অমতং লৌরবদা—পুয়াদদি ককয়েন সুজাগী মচা খুজুপ চৈম্যাং হায়না লৈরমই, শৈশকলোন্দনা থোংলেনগী মচা খুজুপ চৈম্যাং হায়না চৎনরক্লি। খুজুপ চৈম্যাংগী মমা হাওন্নু কৈশিতোম্বীবু হাৎপা অসি চাওবা নোংথোন্না লুচিংবনি হায়বসি শৈশকলোননি। থোংলেনগী লাংওন ৪ নি হয়িংখোইজা, লাংবুম অজিবা,

ককয়েন সুজা অথৌবা অরোইবদা থোংলেন। মশামকস্থু কংলৈপাক মচানি, পোকক্ষমদি লোকপাচীংগী মথা পাংবা লমদমদনি (থোংলেনগী যুক্ষম লৈরি হায়।) মোইরাংদা শাইদাংনরম্বদা নিংথৌনা অচৌবা ক্ষম (অস্তুপ্পা) হাপ্পনি। থোংলেনগী শিবস্থু ম্বারি অনী থোক্লি—শৈশক লোন্দা খন্নুগী মচানিপানা হাৎলি, কংলৈরোন্দনা খুমন মচা হাওরেংথোম্বা মমিংনা থোকপা কৌবা অমনা হাৎলি। অস্তুমনা শৈশকলোনগা কংলৈরোনগা খেল্লবা কয়া অসি হন্দক্তা নৌহৌনা মাঙ্গোলজাউনা মহাককী লাইরিকশিংদা পুথোরক্লি।

শন্নাংথেম বরমনিন্না মোইরাং শায়োন অসি লীবগী হৌরকক্ষম অমা নীংথিজনা পুথোক্লি - ওঝাশিংগী মতেং লৌতুনা। ম্বাফম অসি ওঝা মাঙ্গোলজাউনদি পনদে। ম্বারীদি নীংথিজবা কাব্যগী শক্তম লৌই। কৌব্রু চীংগী লোকমায়দগী পোংমনবা কদনবা কৌবা ম্বাইন্নু লাবনা কবোদা মশাবী মৌরী থৌদনবী থেংনতুনা মচা অঙ্গোতোন ফংজখি। খুদোং-থীরক্কদ্রা কিবদগী ম্বাইন্নু কদনবা মৈত্তে লম পাংখি। মমা মচানা মতুংদা কোয়থী থিরকপদা ঈরোক লৈমনা কোল্লিবা লমলেনস্থুংদা ম্বাইন্নু চাদ-থক্তবনা কংশিল্লবা মশাবীবু থেংনখি। অহুমতুনা লোক্তাক খোঙবান্দা চাক-তামীন্নবদা কেগে মোইরাং লৈকোয়পুংদা থোকখিবা মোইরাং শাইওনগী ম্বারী-শিংস্থ ম্বাইন্নু লাবনা অমোমদা মথং মথং লীথিবনি—মতাং মতাংদা চিংনবা কোক্লবা ম্বাইন্নু অমোম্না হংজে। শাইওনদি কনাগীনো? ওঝা মাঙ্গোলজাউগী মতুংইন্নদি গুরু শিদবনা ত্মাইবংদা পোকপা শিবা তম্বীরু হায়তুনা থারকপা পোইরৈতোন-লৈনাউত্তাবী (মথংদনা নোংপোক নিংথৌ-পানথোইবী) গী শায়োনদগীনি। বরমনিনদি অতোপ্পা ম্বারী অমা লীরি—রামায়ণবু চপ-চানা নীংশিংহনবা, মান্নবদি নত্তনা। অতিয়া গুরু শিদবা মপুনা মত্তিক অচৌববু ফোঙদোক্কে থল্লহুনা খুন্ন লাবা অমোম অনিথক শেমখি— অনীমক শেম্বীবা মপুবু থক কাউদে। অনীমক কেগে মোইরাং লৈপাক্তা থুংলবদা কেগে শাদানবনা অহানবদা অমোমদা মথংদা লাবদা তেন্না কাপ্পদগী অনিমক

গুরুগী মিংলেন শোন্দুনা য়াইবী মাওথি (তেয়া পানখিবা মকমদি লমলেন খুমুতা)। লেমনা য়াইবীদি মাওবা য়াত্রতুনা গুরুনা মপোক লাংওন কয়াদা মীওইপোক্তা পোক্তুনা লীলা শান্নরুনব। চীংও থাংজিং লাইদা শিন্নখি। নীংথিজখ্রবা রারী ঙাক্তনি। রামায়ণদা অমুক্তং য়েংসি। দেবর্ষি নারদগী মকম-দগী রামগী রারী মুনি অথোইবা বাল্মীকিনা তারব। তুংদা তমসা তুরেলগী মপান্দা শিষ্য ভরদ্বাজগা লোয়ননা লৈরিঙৈদা খুমু লাববু শাতানবনা তেন্না কাপখিবদা খুমু অমোমগী মীকপ মীরাংখোলদগী থোকখি অঙকপা শ্লোক- "মানিষাদ প্রতিষ্টাং . . .।" চৈখি— নহাক অতোনবা জাং ওইনা লৈরগদবনি-মুংঙাইজনিংবা খুমু মতৈ মনাওবু হাৎপগীদমক। অঙকপা ছন্দদা থোরকপা শৈরেং অসিদা বাল্মীকি ঙকখি। মতুংদা ব্রহ্মানা লাক্লতুনা নারদগী তাখিবা রারী পূম্বা অমত্তা চিংথদনা ইয়ু হায়না তাকপীবদগী বাল্মীকিনা রামায়ণ ইবা হৌখি। * মথক্কী মোইরাং শায়োনগী হৌবা রারীসিগা বাল্মী কি রামায়ণগী রারীসিগা রসতদি নঙ্গরবসু রারী মপুংদি তোঙান তোঙাল্লি। অদুবু মণিপুরগী অশৈবশিংগী কল্পনাগী শক্তি অমসুং ফজবা অসিবুদি থাগত্তবা ঙমদে।

মোইরাং শায়োন ৯ নি। মথককী উরোক লাবনা পাউদম্নকপা শায়োন্দা মথং মথং অসুমনা ওইরি-হেঞ্জ নহা-খোংনাং লাইরৌলেম্বী, শাম্বা নহা লমগানবা-খমনু য়াদিংকোন্নু, বইলেন পুংদিংহনবা- চকপ্রম য়াইনু ফি-শাহৈবী, ঙানবা-শংলৌলেম্বী, খোয়োন হাওবা-য়াইথিং কোন্নু, কদেং-থাংজহনবা-তোন্নু লাইজিংলেম্বী, উরা নহা খোংজোম্বা-পিদোংনু, অকোংজাম্বা-ফৌওইবী, খম্বা-থোইবী। মসিনা বরমণিগী লাইরিক্কীনি। ওঝা মাঙ্গোলজাউ-গীনা মাপল ফাওবদি য়ারগা মমিংদা অমনিদি শোয়নৈ। মথক্কী মিংশিং অসিদগী ঙানবা-শংলৌলেম্বী অমসুং পুংদিংহনবা-ফিশাহৈবীগী শায়োন অনি অসি লৌথোক্লগা হাওসি নামোইনু অমসুং লমগানবা য়াইথিংকোন্নুবু অনি থোকনা হায়গনে তৌই (খম্বা-থোইবী পুনসি রারী অহানবা শরুক : হৈসনাম মাঙ্গোলজাউ) ফৌওইবী অকোংজাম্বা, খমুং য়াইথিংকোন্নু অমসুং

খম্ব-থোইবী অচুম্বনা লাইগী শায়োননি হায়না মতম ৯ পীরি। লেমহৌরিবা ৬ না মীগী শায়োননি। বরমণিগী পরীংদদা খম্ব-থোইবীনা খল্লগা অকোংজাম্বা ফৌওইবীনা ৮ শুবদনি। অরোইবা অসি কবি মীনকেতননস্তু য়াই— অচুবু অকোংজাম্বা ফৌওইবীবুদি মথক্তা থমই। অকোংজাম্বা ফৌওইবীনা খম্বা-থোইবী শায়োনবনি হায়বশিবুদি ওঝাশিং পুন্নমক্লা য়াই। ওঝা মাঙ্গোলজাউগী মতুংইন্নদি থাংজিংগী মচামগু লাই ৭না পাল্লবগী মতুংদা মীগী নিংথৌ অহানবা ফাং ফাং পোংলেনগী মতমদা অকোংজাম্বা-ফৌওইবীগী থৌদোক থোকখি হায়না পল্লি। অসিদা শায়োন ৯গী ইহান হানবা ওই-নতুম মাঙ্গোলজাউনা পীরি। মতাং অসিরাইদা খরগা য়েংশিনফম থোকপা কয়া থোরকই। মতুগী শক্তি অমসুং মতম এরোন্দদি লৈজত্রি।

শায়োন ৯ গী মনুংদা খম্ব-থোইবী শায়োন অসিমতং লৌখৎচগে। পেনাগী খোংজোম পর্ব্বগী অশৈবশিংদা নত্তনা মোইরাং পর্ব্বনচিংবা লীলা কয়ামুক্তা শায়োন অসিবু খ্বায়দগী মপুংফানা লৌখৎলি। মহাকাব্যগী শক্তম লৌরতুনা মনিপুরীশিংগী থম্মোইদা কাউওমদবা মমি তারি অমসুং জাতিগী পুন্সিবু লমজিংলি। তৌবদবু পুরেম্বা থোংলেন্নচিংবগী পুন্সিদা য়াওখিব্রা রাশক চেৎপা, শিববু করিস্তু লৈতনা খন্দোকপা ওম্বগী অকিবা শকফম্বুদি অয়াম্বনা হুন্দোক্লগা বৈষ্ণবকী ওইবা মধুর রসকা নক্লবা শৃঙ্গার রসনা রারীগী মপুং ওইরকই। অসিনা কবি অঙাংহলমক্কী "খম্ব-থোইবী শৈরেং" দা শনশেনবদগী হৌই। মহাকাব্যগী শক্তম লৌবনিনা, রারী মপুংদস্তু মীগা লাইগা ইশম শমনৈ। ইতিহাসকী মওং খর লৌরবস্তু চপচাবা ইতিহাসকী মশক্তি ওইদে-পুয়াগী ইংরাজী রাইহৈদা—মিথ অমসুং লিজেন্দ হায়বতুনা মপুং ওই। গ্রীকক্কী হোমরগী ইলিয়াদ অমসুং ওদিসিদা লাইয়াম থুনদিন্নতুনা লীলা য়াওশিনবগী মওং লৌই। মহাভারতস্তু শ্রীকৃষ্ণ য়াওবদনা পেল্লেরতুনা ব্যাসদেব মশামক কূমথরক্তুনা বন-পর্ব্বদা যুধিষ্ঠীরগী অরাবদা থেমলৈ!

খুদম ওইনা থোইবী পোকপগী মতাং য়েংসি। ওঝা মাঙ্গোলজাউগী মত মতুংইন্না মতাং অনি থোক্লা শক্করি—শৈশকলোন অমা, অতুগা ওঝা মাইত্রম

চাউবদগী ঋংবা পুন্নাগী মতুংইন্না কংলৈফুংনাক রা হায়ডুনা পরিং অমগা ফৌওই লৈমনা মোইরাং লীলা শান্নরগে হায়ডুনা অকোংচাদ্বগা শক্তখিবা রাশক মতুং ইন্না ফিরৌফমদা য়োরকই (হাওগ্রম পাং লাল্লকপা ফি চোংখিডুনা ফৌফম-ফিরৌফম ?) অঙাং ওইনা উপ্না লৈমায়থক্তা শান্নবত্থ চীংখুবগী তালোই ১১ না উথি। ওন্থোক্তা হুংশিল্লেদা হায়ডুনা মবেন্মা য়েংখুরাংবীদা পীশিনবদা মচা ঋংজত্রবী লৈমনা ইচা কংজরে হায়ডুনা নীয়ামদা লাউথোকখি। মসিনা কংলৈরোনগী রানি। ওঝাশিংগী শৈশক লোন্দনা-অঙাং অত্থু মাঙগ্রে-খেঙ্গোং য়াওদনা থম্বাল অমা শাংপা উরে। শীজ অহলনা লৈ অত্থু হেক্লগা থাংজিংদা কৎলগা মনম নম্বদগী ইবেন্মগী খোইজিগী মিহুল তমখি। থাবুম ১০ ফারগা থোইবী পোকখি। শেন্নুগী মপোকস্থু অত্থু মঙায়। ফৌওইবীনা অকোংজাম্ববু থিরক্তুনা ময়ুমদা লাকপদা মচেম থোইদিংচাম্বীনা করিগী হাওনা (হাওন্নুবী শাডুনা লাকপনি), ইতৈ .কৌবগে হায়না শুম-জিৎনা কনগে তৌবদা শাওডুনা ঐগী লাংওন অরোইবদা নহাক অসি মীনায় ওইয়ু-নমা নপাস্থু মশক খঙদবা ওইয়ু-হায়না শাপ তৌরমই। অসিনা নাইজন্নবী ওইরিবী শেন্নুগী মমানা মবুংঙোগী মীৎয়েংকারন চনখিবদগী পোল্লকইবা মচা অত্থু মাঙহনবীদনবা হায়জবদা মথক্তী শাপ অসিনা যুবরাজদা চিংনহনবা অমা পোকখি। ইকায়ডুনা মমানা শিস্ত্রবদা শকহেন্নু (শেন্নুবু) থোইবীগী মনাই ন্নুবী ওইনা লৌশিনখি। অস্নুমনা ঙাংখরৈমাগী ফৈরোইজাম্বগী পোকপগীস্থু লাই য়াওবা ঙাক্তনি। হেলোয় অতোম্বীবু পুরেম্বগী মচা পারেম্বনা হুন্দোক্লবদগী অতোনবীনা শাপ তৌবদগী পারেম্বা ময়ুম য়োদনা শিখি। চহী ২০ শুরবদা মথংগী শায়োন্দা মচা অত্থুবু হুন্দোক্লম্বদা চাউবা-নোংথোননা থেংনডুনা মচাগুম্না ফৈরোইজাম্বা কৌডুনা য়োক্তখি। অমুক পুরেম্বগা থেংনবদগী নিংথৌ কোন্দা কৎশিনখি। তোর্বুংশা তানবগী মনা ওইনা অমুক ঙাংখরৈমা(হেলোয় অতোম্বীবু) ঋংজডুনা লৈমিন্নরগা পুরেম্বগী মপুন্সি লোম্বা ফাওবা লৈমিন্নরল্লগা মীরমলেন থাদোকখি।

খম্ব-থোইবীগী রারীদা খ্বায়দগী পেন্দবা মতাংসি-অনিগী পোলোই অসিনি। মতাং অসি ওঝাশিংনস্থু পঙনা শক্তে। হাওদৈজাম্বা চৈতন্যনা

ইরম্বা (শিন্দোকপা ওইনম্তু তৌই) অসিদম্তু য়াওদে (খম্ব–থোইবীগী ৱারীনি ১৮৯৯) অহুবু মতম অহুগী ওঝাশিংনদি খম্বনা লংনবদগী থোইবীনা তানা খিন্দুনা হাংপা অমত্তুং অনিমক শিমিন্নবগী মত্তাং অসিদি লেনা শকপা ওঝাশিংনদি হায়নৈ হায়। ওঝা মাঙ্গোলজাউনম্তু য়াই (খম্বা থোইবী নোংগাবা-খম্ব-থোইবী পুন্সী ৱারী ২শুবা শরুক ১৯৮১)। বৈষ্ণবকী লৈচিং মথাদা ধর্ম্মনা জয় ওই হায়না অৱাবা কয়া থাওহুনা, চৈনা কয়া ফংলবা ফাওবদা পুকচেল অনি লোঙলক্রবা অনীনা অরোইবদা ফাগী তৌবদা শিনবদি তশেংবদি ৱারীগা চ্নদবনি। কংলৈরোনগী ৱারীনা মতেক মচা অমতা ওইবনা মহাভারততা কৃষ্ণনা লান লোইবদা পাণ্ডব মণ্ডাদা থবক লোইরে চংলসি সনধ্যা য়ৌরক্লে হায়হুনা কালগী গতি তাকপ শুমনা খম্ব-থোইবী অনি থুংনরকপদা লীলা লোইরে চংলসি হায়বগুম্না থা ৩ দংগী মুংঙাইবা ফংহনখি। শায়োনগী লীলাদি লোইবা য়াই। অহুবু কংথোক্লবা পুন্সি অনি অসিগী শেংলবা প্রেমগী মৈরিদা পুন্সী চ্ম্পা চাকখিবগী পোলোই ফাগি তাহনবা অসিমদি রসিকশিংনা য়াবা ডমদে। মহাকাব্যগী শক্তমদা শাগৎলকইবা ৱারী অসিগী পোলোই অসি পেন্দবদগী পেনাগী ওঝাশিংনম্তু অয়াম্বদা মতাং অসি শক্তবনি। (তৌবগীদি শায়োন ঃমক্কী অয়াম্বদা থুংনদবনা লোইশিল্লি-গ্রীক্কী ট্রাজাডিগুম্না কায়নবনা মপুং ওইবা ৱারীশিংনি। অসিনা ট্রাজিক সেন্সনা মপুং ওইবা মোইরাংগী শায়োনগী ৱারীদা খম্ব-থোইবীবুম্তু থাদোকপীরমদবা শোয়দনা ওইরম্বম্তু য়াই। অসিমক ওইরগদি ধর্ম্মগী য়ুম্ফমদা শাগৎলক্লিবা ধর্ম্মনা শোয়দনা জয় ওইগনি হায়বসিমদি চুমহল্লগা অনিগী পুন্সী মরোইশিন অসিমদি তশেংনমক মুংশিহৈতনা উই। মহাভারতকী ধর্ম্মরাজ য়ুধিষ্ঠিরনা চঙনা স্বর্গ কাবা ঐখোয় নীংশিংই — অনুতাপনা চাক্লবা মীওইনি পুন্সীদা অরানবা কয়াম্তু তৌখিবনা। মচীন মনাউ মরি অমত্তুং দ্রোপদী অশোনবা থর থরদং লৈবদগী মহাপ্রস্থানগী লম্বীদা তুহোই। খম্বগী পুন্সীদা থোইবীগী পুন্সীদা অরানবা তৌখিবগী থুদম অমত্তা উবা ফংদে। মতম পূর্ণদা কত্তবা, অহুবা অমত্তুং ধর্ম্মগী থাজবা

শক্তি উৎথিবগনি। অহুবু অশৈবশিংনদি হায়রি-লীলা লোইরে, মথা লৈত্রে—কায়নরসি অসিনি। মোইরাং শায়োনগী লীলাসি পুথোকপা হৌরকপদা মঙায়রি-শুরুবা ভঙ্গলদা চঙবগুম্বনি। হৌজিকমক্তি লম্বী লম্মাংনরি।

চহী ১০০ ফাত্রিবা হৌজিক্কী মণিপুরী সাহিত্যদা মোইরাং শায়োনগী ৱারীশিংনা চঙলকপসি অতুম অহৌবদগীনি। অফোঙবা ৱারেং ৱারীমচা উপন্যাসকী লমদদি হাওদৈজাম্বা চৈতন্যগী ১৮৯৯ দা ছাপা তৌতুনা ফোঙথিবা "খম্বা-থোইবীগী ৱারীনি" হায়বসিনা ইহান হানবা তাই। অরিবা কোর্বেকতগী শিন্দোকপদৌনস্থু তৌই। লোন্দি অনৌবনি। "খম্বা হায়বসিদি মহাদেবগী লাংওন্নী" হায়না হৌই। লোইশিনবনা লুহোং-বদনি লামায় ৫৮ মুক্কী লাইরিক মচানি। ঐখোয়না কাউরোইদবা অমতংনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদগী শৈশকলোন ওইনা মপুং মরৈ ফাহল্লকপা মোইরাং শাইওন ওইবনা বৈষ্ণব ধর্ম্মগী অমসুং মপুং ওইনা হিন্দূ ধর্ম্মগী আদর্শনা য়োমশিল্লরুবা মওংনি। য়েলহৌঙৈদগী মোইরাংগী অশৈবশিংগী ৱারীশিং অহুদি চুম্নগী শরু শয়াংগুমনা থম্বতনি। অসিনা রামায়ন মহাভারত কুম্বগী থায়নগী মশক মোইরাং শায়োন্দগী আশা তৌবদি অরেম্বদা তাগনি। কবি অঙাংহলসু ইথি- য়াইথিং কোন্থু উপন্যাস মতমগী লোন্দা। মণিপুরগী অশৈবশিংনা পেনাদা অমসুং ধুলোকতা কুম্বী কালেন নাইদনা শকপনিনা মোইরাং শায়োনগী মরমদা অনৌবা ৱারীমচা অমসুং উপন্যাস ইনরকপগী দরকার লৈতবদৌনা তৌই।

অহুবু শৈরেংদদি নীংথিজনা থোরকই। অঙাংহলগী "খম্বা-থোইবী" শৈরেং পরেং লিশিং কুন্দগী হেল্লবা শৈশকলোনগী মশক্তু চুংথাম ওবা মনিক্কী লৈয়োন্দগী কবিনা তাশিলহৌরগা অমুক পুথোরক্লবা মহাকাব্যগী শক্তম লৌরবা শৈরেংগী লাইরিক্নি। তৌবগীদি বৈষ্ণরকী ইথিল্লা কনবগী থোই-দোক্লহু বিষ্ণুপাদ মধুসূদন গোস্বামীগী কৃষ্ণাদগী শ্রীশ্রীশ্রী খম্বা মহাপ্রভু

ছায়রুনা হৌই। শৈহেক শৈদাদি পেনাগী অশৈৱশিংগী স্থর ছন্দ চপচানা থম্মবা হোৎনৈ। অঙকপা খুৎশেম অমনি। কবি চাউবগী শৈরেং মচাশিংদস্থ মোইরাং কংলৈরোনগী মমি খর খরদি তাই — থোইদোক্লস্থ মহাক্কী তোম্বলাইজিংলেম্বীগী শৈরেং মতেক অমদা। তশেংবদি মতম অসিদা হিন্দুগী সংস্কৃতিগী অমস্থং নোংচুপ সাহিত্যগী ইথিল কম্না চঙলকপনি। অসিনা মোইরাংগী সংস্কৃতি অমস্থং সভ্যতাবু-ৱারেং শৈরেং মচা অমনিদা ফোঙদোকপা নত্তনা মশক খঙবা ঙমখিদে। পেনা ফাওবা কুপশিন্না তানজ্রি হায়বা য়াই। লান মন্নুংগী অহুরাইদা স্থর-চান্দ শর্মাগী "লমজা অনি" (খম্বা-থম্নগী হৌরকপা পুন্সি) অরাম্বম নিপামচাগী "হাওবা-কোন্নু" শৈরেং খণ্ড কাব্য ওইনা ফোঙখি। অসি নত্তনা অঙনবা শৈরেং খরস্থ লৈরমখিগনি। ইকুই কুইদনা লৈখিত্রবা কবি শনজেমবম নদিয়া সিংহনস্থ কবি অঙাংহলগী শৈরেংদা হাপচিনবা ওইনা "চাউবা নোংথোলগী অহানবা পুন্সি" (১৯৮২) ফোংখি। অরোইবা পুন্সিদি ফোঙত্রিদ্রৈঙদা কবি অসি লৈখিদ্রে। অঙকপা অমনা কবি মীনকেতননা খম্বা থোইবীগী ৱারী শমথরকপদোনা "অশৈবগী নিতাই-পোদ" (১৯৭৬) হায়বা খণ্ড কাব্য অনীগী থোমজিনবা লাইরিক্তা "পিয়ে থাদোই" হায়রুনা নোংবানগী আম্মানা থাদোকপা ঙমদনা থাদোইতবু শোঙবা (থোইবীনা থওইনা তৌবীখিত্রবস্থ)। মমৈথংদদি বিশ্বপ্রেমগী মশক লৌরক্লনা লৈমায় য়েংঙি থাদোই ঙাক! ঈমায় য়েংউ থাদোই ঙাক! চীংনাই য়েংঙুই থাদোই ঙাক! লোকমায় য়েংঙুই থাদোই ঙাক" হায়রুনা থাদোই থাদোই পিথাদোই হায়রুনা থম্মোয় কায়রবা মশক উৎলি। মসি ২০ শুবা শতাব্দিগী গ্রিককী কবি কাজান্থ জাকিসনা হোমরগী ওদিসিপু শাংদোকহল্লপগুমই। (দি ওদি সি-এ মোডর্ন সিকেল)। কবি চাউবস্থ "পি থাদোই" হায়রুনা শৈরেং মচা অমদি ইথি-ৱাখল অসোমদা!

ৱারেংগী মায়কৈদদি অরী—অনৌ পুল্লগা নীংথিজবা লাইরিক কয়া থোরক্লে। পণ্ডিত তোংগেশ্বরগী অনৌবা লোন্দা ইথোক্লবা "মোইরাং

নিংথৌরোল লম্‌বুবা (১৯৮২) সবিতা দেবীগী "মোইরাং কংলৈরোল" (১৯৮৫) নচিংবা লাইরিক শীংথাবা য়াই। অনৌবা সাহিত্যদা কবি চাউবা, কবি মীনকেতননচিংবগী ব্রারেং কয়ামুক পনবদা মত্তিক চায়, ছন্দ অমসুং রসকী মায়কৈদদি কবি অঙাংহলগী ইথোরকপা ব্রারেংশিং অমসুং উপন্যাসতসু মোইরাং কংলৈরোনগী ব্রাখলগী জগৎকী ময়েক তশেংনা থেংনৈ। ছন্দক্তা শায়োন মাপলমুক্কী ব্রারী পুথোরকপা শরাংথেম বরমণিগী "মোইরাং শাইগুন" (১৯৭৪) তশেংনমক অচৌবা দান অমনি। মায়কৈ অসোমদা ইকুই কুইদনা ওঝা মাঙ্গালজাউসু পুয়া অমসুং শৈশকলোন পুন্না ফংবদা ব্রারবা মচাক কয়াসু পুথোরক্লি মথং মথং ওইনা 'খম্বা থোইবী পুনসিব্রাবী' (১৯৮০) অহানবা শরুক, খম্বা থোইবী পুনসি ব্রারী" ২বা শরুক (১৯৮১), হাওবা কোম্ন্ন (১৯৮৬); বরমণিগী লাইরিক অসিদা অমোম খোংনাং (ব্রাংঙু)গী শৈশককী মপুং ওইবগী খাজবা লৈ-অতে ওঝাশিংগীসু য়াওরগা। হায়রিবা লাইরিকশিং অসিনা মোইরাং কংলৈরোনবু শক তাকপদা অচৌবা থৌদাং অম য়ারগনি। অসিদসু নত্তনা মোইরাং কংলৈরোনদা রিসার্চ তৌরবা ডোক্টরেট ডিগ্রি ফংলবা মীওই অম-নিগী থেংনবশিংহু অমুক্কা ফোঙদো-ক্লবদি ব্রারেংগী জগঙা নীংখিজনা মপুং ফারকপা অমা থেংনগনি। মণিপুরগী অরিবা সংকৃতিবু শকখঙনবা হোৎনবদা মোইরাংলোনদি থাদোকপা ইয়া য়াত্রবনি।

মোইরাং কংলৈরোন অমসুং মোইরাং শায়োনবু চপচানা মপুং ওইনা চৎনবগী অমসুং অইবা সাহিত্যদা শন্দোকলিবদি মোইরাং পর্ব অমসুং ড্রামা অসিনি। অমশুক্কা লাঙাউ মমাংদগী হৌরকুনা মোইরাং পর্ব— অরিবা অমসুং অনৌবা অনীনা মপুং ওইনা খম্বা-থোইবীগী লোই নাইরবা ব্রারীদা পীরম্বা রস অহু ঐথোয়না খক কাউফম থোক্কে। হিন্দুগী মহাভারত অমসুং রামায়ণ, ভাগবত পুরাণগী কত্রবা শাকুদা কাব্বা পাখিরদি মোইরাং পর্বগী ওঝাশিংদি। পেনা অমসুং লোংজাম পর্বগী ওঝাশিংনা শৈরেংশিংবা

অতুগী মথক্তা দৃশ্য কাব্য ওইনা মুপী অঙাং অহৌল পুন্নমকপু ভুক্ষংপা ওইবনি। চুন্নগী সুন্ডাইবা পীবতা নত্তনা অচৌবা ধর্মগী শিক্ষা অমশু পীবনি। জাতিগী লাইবক ফবগী ঈচেলসি ফনা কংশিল্লক্কাওবদা ভুপীগী কাংলুপ-শিংনা হোৎনজুনা মোইরাং পর্ব অসি পুংমুৎমক্তি মুৎহল্লি। খম্বা, খমনু, থোইবী, থোংলেন, চাউবা, নোংবান অসিনচিংবা অঙকপগী মশক ওইরবা চরিত্রশিং অসিবু ওবাশিং অসিনা চহী কয়া চঙনা য়েকুনা রাঙাং শাঙাংদ; মীংয়েং নায়েংদা শাঙং-শাদাদা-য়েকপদা জাতিগী থম্মোইদা মুৎলরোইদবা মম্মি তাহৌরবনি। মোইরাং পর্বগী ইচেল অসি করিগুম্বা থকখিবা থোক্লবদি তশেংনমক মণিপুরী জাতিগী লাইবক থীবা ওইগনি।

হায়রিবা শুমাং লীলা অমসুং মোইরাং পর্বদা শীংথানরবা ওঝাশিংনা তৌবা দান অসিগুমনা মণিপুরী নাট্যগী ইতিহাসতসু নাট্য কার অমসুং পরি-চালক কয়ানা চপচানা চহী ৫০ মুক অসিদা দান তৌত্তুনা লাক্লি। কবি দরেন্দ্রজিৎকী "মোইরাং থোইবী" নাটক (১৯৩৫) ইদি ইরগা অঙনবা মতমদদি শান্নখিদবদৌনা তায়। অনিঙবা লাঞ্জাউ মতুংগী অহানবা লীলাদি থুমনথেম মধুমঙ্গলসিংগী "মোইরাং থোইবী" এরিয়ান থিয়েটরনা ইহান হান্না শান্নখি। কবি মীনকেতননসু কোঙখি —তোম্বু লাইজিংলেম্বী। মতম অসি-মক্তদা তুংথা মাঙথ ওইনা মণিপুর ড্রামাটিক ইউনিয়নদসু সরাংথেম বুরমণিগী "কেগে লমজা", "হাওরং লৈশং শাক্বী", "তোম্বু লাইজিংলেম্বী" অসি-নচিংবা মোইরাং কংলৈরোনগী লীলা শান্নরকই — কোঙনরকই। মতম অসিক্লাইদা হাওবম ইবোয়াইমা, অরাম্বম নিপামচা অমসুং হাওবম তোম্বসু মোইরাং শায়োনগী লীলাশিং কোঙলকই। মতম অসিমক্তদা রূপমহল থিয়েটরদসু কবি অঙাংহলগী "য়াইথিং কোন্নু" ড্রামাদা পুথোক্তুনা শান্নরকই। খম্বা-থোইবী শৈরেংগী পন্থিং অমমুক ড্রামাদা ওনথোক্তুনা রূপমহলদা শান্নরকই। মতম অসিমক্তি মণিপুরনা মীনায় য়োক্লিং কোক-লকপগা লোয়ননা থায়নগী অরিবা ইতিহাস অমসুং সংস্কৃতিদা থোইদোক্পসু

মোইরাং কংলৈরোন্দা কুপ্পা য়েংশিনজবা মতমনি। নোঙ্গৌনা থায়নগী মণিমুক্তা থেনেররকপনা হিন্দুগী সভ্যতাদা লূপচরবা পূম্নমক মীৎ পাঙথোরকপগী মওং লৌখি। য়াম্নমক চাউথোক্লা ম্নংঙাইনবা মতমনি। মথংদদি মণিপুরগী পান্না মরিমক্তা মাগী মাগী থিয়েটর হোলশিংদা অঙম্বা শক্তিগী মতুংইন্না মোইরাং কংলৈরোন অমম্নং শায়োনগী লীলাশিং লেপ্তুনা শান্নবা হৌনরকখি। মতম অসিদা ইহাল হানবা স্বাধীন ভারতকী ড্রামা ফেষ্টিভেলদা ১৯৫৪ দা সঙ্গীত নাটক একাদেমীনা শীনবদা এম, ডি, ইউ গী "হাওরঙং লৈশং শাফবী"না ফোক গ্রুপতা ফার্ষ্ট প্রাইজ ফংলকপা নীংশিংবা য়াই। লাইবকথীবদি শান্নরিবা লীলাগী ভোল্যুমশিং অসি খর নত্তনা অতৈদি তা-তাদুনা ফোঙ-দোকপা ওমদনা লৈরি। পূম্নমক অসি ফোঙসল্লবদি অচৌবা নাট্যগী সাহিত্যগী মচাক ওইগদবনি। হৌজিক ফাওবদা মোইরাং কংলৈরোন শান্নবগী ইচেল লেপত্রি হেন্নত্নম কনথৎনরক্লি।

ইউরোপকী মহাকাব্যশিংদা যুগ কয়াসি নৈনরকপগুম্না, ভারতকী রামায়ণ মহাভারততা ভারতকী পণ্ডিত অমম্নং কবিশিংনা (মহাভারতকী নীলকণ্ঠ টিকাদগী হৌরদুনা) চহী চা কয়াসি নৈনরকপগুমনা মনিপুরী জাতি মচা অসিম্নু মোইরাং শায়োনশিংদা নৈনফম থোক্লবনি। চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদগী চৎমরক্লবা পেনা অমম্নং মোইরাংকংলৈ ঈশৈগী পরিং পূম্নমক মপুংফানা টেপ রেকোর্ডকী মতেংনা লৌশিল্লগা ফোঙদোকপা মতমদা নৈনবগী শরুক হোগনি। পণ্ডিত খরদি মায়কৈ অসোমদা পুন্সি কংথোকপা তাবনি। হৌজিক ফাওবগীদি লীলাগী মখৈদ য়াম্না শান্নরে। অদুবু খম্বা-থোইবীগী মতাং খর নত্তনা অতৈ চরিত্রশিংদি ইখঙবু খঙদ্রি হায়বা য়াই। মাইকৈ অসোমদা কবি অত্তাংহলনা অঙকপা দাম তৌবীরমলে। মসিগী তুংইন্দুনা মণিপুর সরকার, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমী অমম্নং অতৈ মণিপুরীগী সংস্থানশিংনা চাউরবা মহাকাব্য অসিবু ফোঙবগী থবক্তা চংশিনবা তঙাইফদ্রবনি।

মণিপুরী সাহিত্যদা মহাকাব্য

মণিপুরী সাহিত্যদা মহাকাব্য লৈরম্বরা ? হংবা য়াবা ৱাহংনি। অরিবা মণিপুরী সাহিত্য লৈ হায়বা ফাওবদি খঙনরে অমসুং য়ানরে। অদুগা করম্বা মওংদা কমদৌনা অওনবা লাকপগে হায়বদুগী ৱাহংদি পাউখুম পীবা ওয়দ্রি। চহী খরা অসিদা ৱাহং অসিগী পাউখুম পীনবা হোৎনবতা মঙায়রি। ভারতকী ওইনা লৈরি—রামায়ণ অমসুং মহাভারত। মণিপুরী-শিংগী ওইনা ঐখোয়না লৌজরি—খম্বা-থোইবীগী ৱারী। ঐখোয়গী ওইনা মহাকাব্য অমতং পুথোকপা তারবদি শোয়দনা পুথোকনি-মোইরাংগী খম্বা-থোইবীগী ৱারীবু পেনাগী অশৈবশিংনা পুথোকলিবা মশক। ৱারী-সিমকসু অমুক শায়োন ৭ কী ৱারীগা শম্নরি। খম্বা-থোইবীনা অরোইবা শায়োননি হায়। অদুবু হৌজিক ফাওবদা মৈতৈ চেদা মৈতৈ ময়েক্তা খম্বা-থোইবীগী ৱারী ইবা অমফাওবা থেংনদ্রি। অতৈ শায়োনগী ৱারী মতাংদসু অসি মঙাই। খর খর পনববুদি মথেংনৈ। ইবুধৌ থাংজিং ফাওবদা হৌজিক্কি য়ুম্নবা হোররে।—কোম কাংলুপকী চীংগী ইচিন-ইনাউশিংনা মখোয়গী লাইনি হায়, কোইরেং হায়বা চীংগী ইচিম্নাউ কাংলুপনসু অমুক মখোয়গী লাইনি হায়। অসিনা বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা রিসার্চ চৎথবা তারবদি ভারতকী মনুংদা লৈরিবা ইন্দো-মঙ্গোলোইড নত্রগা কিরাট হায়বা মণিপুরী জাতিগী থায়নগী ৱারী অমসুং লাইনীং লাইশোল অসি নৌহৌনা থিগৎপদা তারি। পেনাগী অশৈবশিংগী খম্বা-থোইবীগী হৌজিক্কী ওইরিবা মশক অসিমক করা কুইরবনো হায়বা লেপ্পা তারি। শায়োন তৌংকী ৱারীশিংগী মরী-মখোং লীরুবা তারি। শম্না হায়রবদা অরীবা মণিপুরী সাহিত্যগী মশক লেপ্পদি চঙশিন্নরকপদা মঙায়রি। হায়রিবা ৱাকম অসিমতং থমজরগা ঐহাক্না খঙজবা অমসুং খনজবা খরদং পুথোকচগে।

মহাকাব্য লেংবা মহাকবি কনানো ? রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী লোন্দাদা হায়রগা কাব্য মথল অনি শুই। মতোমতগী মরম্নাই ওইবা রাফম ফোংদোকপা কাব্য। অত্তাঙ্গা অমনা চাউরবা কান্নুপকী রাখল থুহনবা কাব্য। অকোনবগী কাব্য অসিদা লমদম অতুগী মীওই পুম্বগী যুগ অমগী থম্মোই অমসুং রাথলগী মশক পুম্বহ্ কোংদোকুনা মীওইবা জাতিগী মাঙলরোইদবা লনা ওইহৌই। অনিশুবা কাব্য অসিধু মহাকাব্য কৌবা য়াই। খুদমদি— ভারততা রামায়ণ-মহাভারত, থায়নগী গ্রীস লমদমগী মা ইলিয়ড-ওডিসী ভারতকী ইতিহাসতা রামায়ণ-মহাভারত ইরম্বগী মতুংদা শতাব্দী কয়া হৌখ্রে, নিংথৌরেল কয়ানা পানখ্রে। অছুবু ভারতবাসী খুদিংগী থম্মোইহদা অমসুং রাথলদা খুজংদা যুমথোং খুদিংদা, শেগায়রবা থাংপোকশংদগী নিংথৌরেলগী কোনুং ফাওবদা রামায়ণ মহাভারতকী রারী পানবা, তানবা অমসুং শরুবা লেপখ্রি। রামগী চরিত্র মপুংফাবরা ফাদবরা, লক্ষ্মণগী চরিত্র ঐখোয়দা পেনবরা পেন্নবরা হায়রহনা ঐখোয়না রামায়ণবু বিচার তৌগদবা নত্তে। তুমিন্না লৈতনা শ্রদ্ধাগা লোয়ননা ভারত মহাজাতিনা চহী লিশিং থম্মসি কমদোনা চরিত্রশিং অসিবু লৌরকইবগে হায়রবসি য়েংগদবনি। মায়কৈ অসোমদা য়েংশিল্লু রবদি—রামায়ণ-মহাভারতপু ইতিহাস হায়না কৌনরি। ইতিহাসকী শোক-তারিখ থাবা মওংতু নত্তে ? থোকখিবা থৌদোকশিংগী পরীংসু নত্তে। ভারত লমদমসিগী সাধনা, আশা অমসুং নীংজবা পুম্নমকী মপূং ফানা ফোঙদোকপা হৌজিক ফাওবদা হোংদনা লৈরিবা অতুংঙবা ইতিহাসনি। অসিগুম্বা মহাকাব্য অনিসদা কবি কয়াগী থুৎশেম চওথ্রবনি। ব্যাস-বাল্মীকিদি মমিংদনি। লৈরমদবা ফাওবা য়ারি।

মহাকাব্যগী অর্থসি থরদং পৌতক্কী লৌরবস্ত য়াই। যুগ যুগকী মতুংদা অস্থুম অস্থুম হোংলকপা মহাকাব্যগী শকওংসু অমুক থমবা য়াই। মায়থৈ অসোমদগীদি মহাকাব্যবু অমুক অনি থোক্না খায়দোকপা য়াই— অশেংবা মহাকাব্য (মপূং ওইনা থীননবা) অমসুং সাহিত্যগী ওইবা রারী-কাব্য (মশং ওইনা পাননবা)। অহানবগী অসিদনা অকন-অথৌগী ওইবা

রারী মপুং অমা অমসুং মতুংবু লীরকপনা অরোই-অথম নাইদবগী গঙ্গা গঙ্গাগী ঈচেলগুম্বা অমসুং হিমালয় চীংজাউগুম্বা মশক নাইরকই। মথক্তা পনগ্রবা রামায়ণ-মহাভারত, ইলিয়ড-ওডিসীনা খুদমনি। মসিদা থৌনা ফবা লুংশিবা ত্যাগ, সিদধি অমসুং মীওইবা পুন্সিগী অতে পান্দমশিংগী মখিশিং অরোই অথম নাইদনা শাগত্তুনা য়েকই। অনিশুবা সাহিত্যগী ওইবা মহাকাব্যগী খুদমনা-ডান্টেগী "দিভাইন কমেডী" মিলটনগী "পেরোডাইস লোষ্ট", গেটেগী "ফাউষ্ট" মহাকবি কালিদাসকী "রঘুবংশ" অমসুং কুমার সম্ভব। মণিপুরগী খম্বা-থোইবী মহাকাব্যদি সাহিত্যগী ওইবা মহাকাব্যদা চল্লুবস্থ য়াদ্রি। রামায়ণ-মহাভারতকী পরীংদা থমলুবস্থ হাকমল্লি। শাগৈমক্তি পেনাগী অশৈবশিংনা চহী যুগ কয়াসি শাগৎলক্তুনা লাকপনা রামায়ণ-মহাভারতকী ওইরিবা মহাকাব্যগী লমদমগা নকশিন্নে। ডাক্তর স্থনীতিকুমার চট্টর্জীনা মসিবু কৌরি—লমদমগী ওইরিবা জাতিগী মহাকাব্য (নেসনেল এপিক ওফ লোকেল ইম্পোরটেন্স), রাজস্থানগী লমদমগী, অমসুং মারাঠাশিংগী অশৈবশিংগী রারীগুম্বা, পঞ্জাবকী সোহনী-মোহীরাজ অমসুং পুরণভগত, বঙ্গদেশকী লোরেন, বেহুলা-লখিন্দর, কালকেতু-ফুল্লোরাগী রারীশিংগুমনা। কবি হিজম অঙাংহলগী শক্রেংলিশিং ওঙ খুম্বী খম্বা-থোইবী শৈরেং পুথোকপস্থু তশেংবদি শরুক থরজনি। কবি লশাখল হায়জবা-চুংখামগী ওবা মনিকতগী তাজহোবা থরক্তু খোঙচিনবকা য়েনলায়বা পকহোবা থরতং পুথোকচনি হায়বত্তু অশেংবনি। শৈরেং অসিমকপুম্বি ফজদবা নত্তে পনাথী ওবাশিংগী কল্পনা অমসুং রাথল-পত্রিং অত্তু মতমগী নাকোংদা ভাবা য়ান। কবি অঙাংহলগীস্থ অঙকপা-কল্পনা শিজিন্নদুনা পুথোকপা ভবা অসিদমকতি মণিপুরী জাতিনা কবি অসিদা কুইনা লেনহোল্লকপনি। অদুবু খম্বা-থোইবীগী রারী মপুংফাবরম্বা হায়বদুদি অশেংনবক নত্তে। অতুগীম্র মথক্তা মীওইপোক্না লাইথোকী মশক ঐথিবা খম্বা-মহাপ্রভু হায়বগী ভাবতা চৎথরিকা রারীগী শরুক

খম্বা-থোইবীগী ৱারীগা কয়া য়াম্না চুনরবগে হায়বতুগী অৱাবা ৱাহং অমসু লাকই ।

ঐখোয়গী লাইবক থীবদি—খম্বা-থোইবীগী ৱারী য়াওবা থায়নগী থুংই লাইরিক অমতদা থেংনব্রি । অসিনা হৌজিকমক ওইরক্লিবা মহাকাব্য শকক্ম অসি রামায়ণ মহাভারতকী প্রভাবনা চওশিল্লক্তুনা ধর্ম্মগী ফজবা পান্দম কয়া ফোংদোকপদৌনা উরি । ধর্ম্মনা জয় ওইগনি হায়বগুম্না, পাপ-পুণ্যগী শক্তিশিংগী থেংগায়নবা, সতীগী য়ুম্ফমদা শাগংলকপা মশক অমা ওইনা উরি । অসিগা লোয়ননা সমাজগী চৎনরোলগী শাস্ত্র অমা ওইনা—নিংথৌমচা, অঙমঅথৌশিংগী লৈত লায়রা কয়াগী খোল্লাউগা কোম্ননা শক্তি পায়বশিংগীসু ধর্ম্মগী চৎনরোল তাকপগী মশক য়াওরি । খুদম ওইনা লৌরবদা—থোইবী চরিত্র অসিমক সতীধর্ম্মগী য়ুম্ফমদা শাগৎলি । কাও-ফাওৈগী ৱাশক ভাকপা ওইনা থোইবীনা খম্বদা চওজে । অদুগা লোইশিনবা ফাওরদা সতীদা করেম্নরুরদগী খম্বগী থরায় মাঙখিবদৌনা উৎলী । তশেংবমক্তি বাল্মীকি রামায়ণগী উত্তরকাণ্ডবু পণ্ডিতশিংনা কোম্না হাপচিল্লকপনি হায়বগুম্না খম্বা-থোইবীগী অরোইবা মশক অসিমদি চিংনদবা ওমদে । মথক্কী শাগং-লকপা ৱারীগী মতুংইল্লবদি অনিগী থুংনবদা লোইরগদবা ৱারীনি । মরম অসিমক্কা পেনাগী অশৈবশিংনা অয়াম্বদা অমসুং কবি অঙাংহলমক্কা অরোইবগী শরুক অসি হাপলমদে । অদুগা য়াওবা ভারগনা মৈতৈতগী ওঙবা কিরাট জাতিগী ওইবা তোপ-তোপ্পা শকুম অমা উৎপা ওইকম থোকই । অসিমক্কা অচুম্বা ওইরগনা মথক্তা শাগংলিবা মরোল মরোল নাইবা ধর্ম্মগী অমসুং সমাজ শাস্ত্রগী মন্দির অসি নৌহোনা শেমদোকখিবা তারি । হায়বদি খম্বা-থোইবীগী হৌজিক্কী ওইরিবা মহাকাব্যগী শক্তম অসি পওকুই কুইদ্রিবা ওইগনি । লৈরম্বা য়াই—পুরেনবা, চাউবা, থোংলেনগী মহাবীরগী শক্তম, মোইরাং লমদনগী কাও ফাবা, কৈফাবা অমসুং অতৈ অকন-অথৌশিংগী পুন্সিগী শক্তম । লৈরম্বা য়াই মদুগা লোয়ননা—খম্বা-থোইবী অনিগী থাঙ-ভাব্রবা পুন্সি মরোইশিন । লোইখাতুনা, কাও ফাদুনা. শামু থোংয়েত্তুনা

অমসুং কৈ কাত্না থম্মোই অনিগী তংন-থানবা য়াম্রবা মরী অহুগী তিন্নরকপগী মীকুপ্তা খণ্ডজমত্রবা খিথিগী নোংদমশুম্না ফাগি মতাং চাদবা অমদগী পুন্সি অনিগী সাধনা অমসুং তপস্যাবু অর্থ করিস্থ য়াওহন্দে। তশেংবদি খম্বা-থোইবীগী রারীদা খ্বান্নদগী মতাং চাদবা ফাগীনি । সতীগী মগুণ হাপ্লবা হাপচিল্লম্বা ফাগী ওইবস্থু য়াই ? অহু ওইরবদি কায়নথংগী থুংশেমনি। নত্রগা থায়নগী চংথরকপা খম্বা-থোইবীগী লোইশিল্লকপা রারীগী মশক্ত থাদোকপা ঙমদহুনা থমম্বস্থু য়াই। অহু ওইরগনা মমাংদা শাগংখ্রিবা চাউরবা ধর্ম্মগী দলানহু মথং মথং কিনথরকপা তাই । বাল্মীকি রামায়ণগী উত্তরকাণ্ডবু হাপচিনবনি হায়রবস্থু মহুগী ফজবা মতংনা মহুমক লৌথোক-খ্রবদি বাল্মীকি রামায়ন মপুং ফাদবা ওই। সমাজগী চংনরোল অমসুং সতীগী ইজৎ ঙারবা হোংনবদা পুন্সি কথোকচরবী রাজবতনা মথৌদাং ওইখ্রবী জগংমাতঃ সীতাগী মীওইপোক্কী পুন্সিদস্থু চোকথবা অমা পোল্লক্তনা লৈপাকলৈমদা চঙজখিবদা ভারত জাতিগী মিংকী পিরাং হৌজিক ফাওবা কংদ্রি। অহুবু খম্বা-থোইবীগী পুন্সিগী মরোইশন অসিদি অর্থ য়াওদ্রে, ফাগী মাল্লি। লোইদবা য়াদে শিমিন্নদবা য়াদে মতাপুম লোইশিনবা মাল্লি।

মতাং অমতংগস্থু নৈনবা য়াই। পেনাগী অশৈবশিংগী নোংবানগী চরিত্রদা পাপী ওইবগী মশক্তা মপুং ওই। খম্বদা লংজবা কয়া তৌবা, মজাই-বেম্মা থোইবীতবু পামজবা, ইকাইবা খঙদবা, শক্তিবু লান্না শীজিন্নবা অমসুং উপায় অমা তৌহুনা থোইবীতবু লৌদবা য়াদে হাবগী রাখলতনা নোং-বানগী পুন্সি অসি শাগংলি। নোংবাননা থোইবীবু পাম্বী, খম্বনা থোইবীবু মুংশি রাফম অসিনা মপুং ওইনা চংথরি। অহুবু নোংবানগী আত্মানা পিথাদোই ওনখিহুনা পাদোই থাদোই কৌহুনা চংথখিবগী মশক অসিমদি ইঙ্গিংতগী হেন্না তৌদে। পাপী নোংবাননা পিথাদোই ওনবগী অর্থ লৈতে। রাফম অসি কবি মীনকেতননা মহাক্কী খণ্ড কাব্য-পিয়ে থাদোই হায়বা শৈরেংদা অপাম্বা অমসুং মুংশিবগী মরক্তা খল্লিবা কত্রংগী লংলা লংজিন অসি পুথোক্রবা হোৎনৈ। কবিনা শৈদমলি—

মহাকথংনি ঐহাক্না চেক্লা ওইনা পোক্লকপা
মগুংলাংনি ঐহাক্না মালেম থুংনা কোয়রিবা।
চেক্লা ইপোক য়াম্লক্লে সুংশি মাগু খমখরে,
থম্মোই মানা অচুবু কাউসি কৌবা মঙমদ্রে।"

(অশৈবগী নিত্যাইপোদ)

অসিগুম্বা চেক্লাগী মীৎফমদা উরি --

"লৈমায় য়েংই থাদোইঙাক ঈমায় য়েংই থাদোই ঙাক
চীংমায় য়েংউই থাদোইঙাক লোক্মায় য়েংউই থাদোইঙাক
থাদোই চাম্ম চাগনি থাদোই লিশিং লিশিংনি
থাদোই লখা লখানি থাদোই কোটি কোটিনি।"

(অশৈবগী নিত্যাইপোদ)

অসিগুবা নোংবানগী চরিত্রগী কল্পনা অসিনা থায়নগী খম্বা-থোইবীগী মশক অমা ওইরবদি ঐখোয়গী ইমাংদা উরিবা পেনাগী অশৈবশিংগী নোংবানগী চরিত্র, কবি হিজম অঙাংহলগী খম্বা-থোইবী শৈরেংগী নোংবান নৌহৌনা য়েংশিনবা তারি। অশৈবশিংগী নোংবানগা পি-থাদোইগী নোংবানগা তোঙান তোঙানবনি। অনিমক চুম্বা য়ারোই। অমনা অচুম্বনি অমনা শাজনবনি। পি-থাদোইগী নোংবাননা অচুম্বা ওইরবদি মৈতৈ অশৈব-শিংগী রাখলদা অপাম্বা অমসুং সুংশিবা অনিমক প্রেমগী শকলোন অমমমনি হায়দবা ঙমলোই। নোংবানগী তৌথিবা পাপ ময়ামসিগু থরগী মথৈদি কোক্লকপা য়াবগী আশা লৈরি। ধর্ম্মগী মীৎয়েংদা সতীদা লংজক্লবগীদমক কাদোপ তাক্লরবা নোংবান অমসুং কৌখৎলকুনা থোইনা মরাল লৈতে হায়রকপা য়াবগী মওং লৈরি।

হংজরিবা রাহংদি-হিন্দু ধর্ম্মগী ঈথিন চঙদ্রিঙৈদা পাপ পুণ্যগী অকনবা চৈরাক লৈত্রিঙৈদা, থায়নগী মনিপুরী জাতিতগী ওইজবা খম্বা-থোইবীগী

য়ারীগী শক্তম অমা লৈরমগদ্রা অসিনি। হৌজিক্কী ওইরিবা খম্বা-থোইবী মহাকাব্যগী মশক অসিদদি চহী চা অম-নিসিদা জাতি অসিনা নীংজরিবা আশা অমসুং অপাম্বা পুন্সিগী পান্দম কয়া, চৈনাখোল অমসুং মুক্তিগী লম্বী মহা-কাব্য অসিদা য়াওরে হায়দবা ওয়্রোই। অসিনা য়ুমথোং খুদিংদা, খুঙ্গং খুঙ্গংদা, নিংথৌগী অমসুং অঙৱশিংগী শঙ্গায়দা পেনাগী অশৈবশিংনা, খোংজোম পর্ব্বগী অশৈবশিংনা অতৎ অথম লৈতনা মহাকাব্য অসিগী অমৃত য়েল্লি। লেপ্পা নাইত্রি অমসুং নাইস্রু নাইরোইদৌরি। লমদম অসিগী ওইবা জাতি অসিগী মহাকাব্য অমতং পুথোকউ হায়রবদি চিংনবা লৈতনা পুথোক্কনি —খম্বা-থোইবী মহাকাব্য। কুনশুবা শতাব্দীদা ইশিনহৌবা মতেক অমা পুথোকউ হায়রগা পুথোক্কনি কবি হিজম অঙাংহলগী খম্বা-থোইবী শৈরেং।

ভারত পুম্বগী ওইবা রামায়ণ-মহাভারত পরম্পরাদা শাগৎপা মহাকাব্যগী শক্তমশিংসু মণিপুরদা রাৎপদি নত্তে। অইবা মহাকাব্যগী মশক্তনা নিংথৌ-রেল গরীবনিৱাজ (১৭০৯–১৭৪৮) গী মতমগী অঙোম গোপীগী বঙ্গদেশকী কৃত্তিবাসী রামায়ণ (১৫ শুবা শতাব্দীগী) গী শমজিল্লকপা মশক শীংথানবা য়াই। সপ্তকাণ্ডগী ভ্যোলুম তরেৎকী মন্নুংদা অহুমদি ফোঙলে। চপচাবা অনুবাদ নত্তে। মতাং থরা শমজিনলগা মণিপুরী লোন্দা পুথোকপনি। অরোইবা উত্তর কাণ্ডগী মশক্লা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমগী পণ্ডিত লবঙ্গসিংহ কোনথৌজাম্বনা 'রামনোংগাবা' হায়রবা অমা থম্বীরমই। হৌজিক্কি নৌহৌনা কৃত্তিবাসী রামায়ণগী অনুবাদ অমসুং কাশীরামদাসী মহাভারতসু অনুবাদতা লৈরে। পণ্ডিত কালাচাঁদ শাস্ত্রীগী বেদব্যাসকী মহাভারতকী অনুবাদ ভ্যোলুম ২২ শুরকপগা লোয়ননা শান্তি পর্ব্ব য়োরে। য়ারী লীবা ওঝাশিংনা পুথোকলিবা রামায়ণ মহাকাব্যগী শক্তমা বাল্মীকি, কৃত্তিবাস, অধ্যাত্ম, অদ্ভুত অমসুং যোগশিষ্ট রামায়ণগী য়ুক্তমদা শাগৎপা মণিপুরতগী ওইবা মশক অমা থোকহল্লি। অমুম্না মহাভারতকী মতাংদসু বেদব্যাসতসু

নতনা কাশীরামদাস, গঙ্গাদাস অমসুং জৈমিনীগী মহাভারতকী অপুনবা শক্তমদা মৈত্রৈতগী ওইবা ফাগী অমসুং রাকম কয়া থেৎচিন্দুনা লমদম অসোম-গী ওইবা মহাভারতকি শক্তম লৌরি। অসিগুমবা রারি লীবা ওঝাশিংনা পুথৎলিবা মহাভারতকী শক্তমশিংগী অহানবা ভোল্যুম ফোংবা হৌরকলে। রারিলীবা ওঝাশিংগী মহাভারত অমসুং রামায়ণদি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতমদা আসামদগী চংলকপা তেখাওবামোন্ননি হায়বা প্রমান ফংই। পণ্ডিত আয়াম্বগী মততা নোংচুপ কবি মিলটনগী পেরেডাইজ লোষ্টনা মাহাকাব্য ওইবা য়ারবদি ভারতকী কবি মাইকেল মধুসূদন দত্তগী মেঘনাদ বধ কাব্যসু মহাকাব্যনি হায়গদবনি। মণিপুরীদা মেঘনাদ বধগী অনুবাদ অনি অহুম লৈরে। অহুগা মসিগী ছাচাগী হৈরকপা সর্গ ৯গী কবি অরাম্বম দরেন্দ্রজিৎ সিংহগী 'কংশবধ' কাব্য' লৈরে। মসিমসু মহাকাব্য কৌবদা কায়দে। শ্রীকালাচান্দ শাস্ত্রীগীসু দেবকী লুহোংবদগীনা শ্রীকৃষ্ণনা থুপখিবা ফাওবা য়ৌবা শ্রীমদ্ভাগবত অমসুং মহাভারতকী গীতা ফাওবগী রাকম য়াওনা পুখৎপা সর্গ ২০ দগী হেনবা বাসুদেব মহাকাব্য' লৈরি। কাসিদাসকী রঘুবংশনা মহাকাব্য ওইবা তারবদি বাসুদেববু মহাকাব্য কৌবদা কায়রোই। তৌবদবু পাননবা ওইবা সাহিত্যগী ওইবা মহাকাব্যগী মশকনি। ভাগবত মহাপুরাণ অমসুং মহাভারতকী য়ুক্ষমদা শাগৎলকপা মণিপুরী লোনগী মহাকাব্যনি। লাইরিকশিং অসিগী তোপ তোপ্পা মীৎয়েং অমসুং প্রভাব মণিপুরীশিংগী থম্মোয়দা অমসুং মণিপুরী সাহিত্যদা তাহনবা ঙমদ্রি। তুলসীদাসকী "রামচরিতমানস" অমসুং তামিল লোনগী 'কম্বণ' রামায়ণগী শক্তম লৌদ্রি।

লমদম অসোমতগী ওইবা মহাকাব্য অমতং পুথোকপা তারবদি থম্না-থোইবী নত্তনা অতৈ লৈতে। অহুবু হৌজিক থেংনরিবা মহাকাব্যগী শকক্তম অসিদি গরীবনিরাজ মহারাজগী মতমদগী হৌজিক ফাওবদা চহী চনিসুকসি মতুংদা ওইরিবা ধর্মনা জয় ওই হায়বগী য়ুক্ষমদা শাগৎলিবা পেনাগী অমসুং থোংজোম পার্বগী অশৈবশিংগী মহাকাব্যনি। লৈখিব্রবা হাওদিজাম্বা

চৈতন্যনা ইরম্বা অমসুং "হৃডসনগী দি মৈতৈজদা" য়াওরিবা রারীসু মমি অসিগী ওইবা রারীনি। অসিমকপু কুনগুবা শতাব্দীগী ময়ায় চল্লকপদা কবি অঙাংহলনা লাইরিক ওইনা ইথোকুনা থম্বীরম্ববা মরমনা তুংদা লাক্কদোরিবা মীরোল্লা নৈনবগী থবক্তদি সুংঙাইবা অমা ওইরগনি। অদুবু চহী ২০০ মুকসিগী মমাংদা লৈরম্বা খম্ব-থোইবীগী রারীগী মশক অদুমদি অমুক্তা নৌহৌনা খিবা তারি।

ঐখোয়না লৌনরিবা খম্ব-থোইবী রারী অসি মৈদিংঙু লোইয়ুম্বগী (১০৭৪–১১১২) মতমদা মোইরাংদা থোকখিবনি হায়না থাজনৈ। চহী ৯০০ লোমগী মমাংগী রারীনি। অদুবু 'চৈথারোল কুম্ববাবদদি রাফম অসি য়াওদে। মোইরাংগী নিংথৌরেল লম্বুবদা য়াওরমগদ্রা হায়বদুদি খঙদে। মতু অরিবা লাইরিকপু থীজিনবীবা পণ্ডিতশিংনা হায়বিবা তাই। য়াম্মমক অঙকপা পাউ অমনা—শ্রীসুরচান্দ শর্ম্মদগী পাউ অমগা ফংজে। মতাং অমদা শ্রীশর্ম্মাদা লৈখিদ্রবা পণ্ডিত অচৌবা মোইরাংথেম চন্দ্রসিংহনা অরিবা লাইরিক অমদা—থোইবীগী মপল মোইরাং নিংথৌ অসিনা মোইরাংদা পাল্লিঙৈদা খম্বা-থোইবীগী রারী অসি শৈশক্লে হায়বা অমা থেংনৈ হায়না। লাইবক থীবদগী লৈখিদ্রবা পণ্ডিতসু রাফম অসি হিংলিঙৈদা হৌদোক-পীরমদ্রে। অদুমকপু রাফম অশোমদগী চঙশিনবা তারবদি ইমাংদা লৈরিবা খম্বা-থোইবীগী রারী অসিগী পুমনৌ নৌবা মশক অমা চহী চা কয়াগী মমাংদা থেংনরবা য়ারি।

ঐহাক্না নীংশিংজরিবসি—রিসার্চ নি,, অচুম্বা থিসি হায়বনি। অচুম্বা থিবগী মায়কৈদা জাতিগী ইজৎ কাংলুপ অমগী স্বার্থ অমসুং সনমাণ হায়বা লৈতে। অচুম্বদি অচুম্বনি। অচুম্বগী মমাংদা মায়য়োক্লগদবা অতৈসু লৈতে। অচুম্বগী লম্বীদা চৎপদগী কাউনগ্রবা সভ্যতা—হরাপ্পা অমসুং মোহেনজোদারো

থেংনখি। অচুম্বা থিবদা রামায়ণ অমসুং মহাভারতকী ওন্নকইবা মশক থেংনরক্লি। রিসার্চকী মীংয়েংদা বাল্মীকি রামায়ণ াগু কোনথংদা হাপচিল্লকপানি হায়নরক্লি। রামায়ণগী রাবণ নিংথৌগী কোন্নুং সনা লংকা হৌজিক্কী শ্রীলঙ্কা অসি নত্তে হায়না মপূংওইনা শ্রীলঙ্কাগী পণ্ডিত-শিংনা মত পীনরক্লি। থম্বা-থোইবীগী রারীগী অচুম্বা থিরকপদা চহী কয়াগী মতুংদা পূমনো নৌবা রারী অমসুং মতুংগা কোন্নবা সভ্যতা অমা থেংনরকপসু য়ারি। অমাওবা লৈতবদি অচুম্বতনি।

১৯৭৮ ইং

কবি নবদীপচন্দ্র অমসুং মেঘনাদ তুবা কাব্য

বাংলাগী কবি মাইকেল মধুসূদন দত্তগী খ্বায়দগী মগুন লৈবা মহাকাব্যগী শক্তম লৌবা লাইরিক – 'মেঘনাদ বধ কাব্য'নি। মণিপুরগী নবদ্বীপচন্দ্রগী খ্বায়দগী শীংথানবা লাইরিক্তি মথক্কী লাইরিক অসিগী অণুবাদ তশেংবদি চুম্নগী অনুবাদতগী হেন্দোক্নুনা কাব্যগী শক্তিনা শেমদোক্লবা — 'মেঘনাদ তুবা কাব্য'নি। সাহিত্যগী য়াকম নৈনম্রিভৈদা কবি অনি অসিগী যুগ খণ্ডকম থোকই—থোইদোক্লসু অনিগী পুন্সি মীৎয়েংবু মশক খণ্ডননবা।

১৯ শুবা ইংকুমজাগী বাংলা কবি মধুসূদনগী পুন্সী য়ারী মতাং অসিদা লীবা ওইখোক্কে (১৮২৪-৭৩)। যুগ অসি বাংলাদেশকীদি য়াকাইরোল-শকপগী (ইংরাজী য়াহৈদা রেনেশাসঁ) যুগনি। অনৌবা মীওইপোক্কী য়াখল (নব মানবতাবাদ) না লমজিংবা মতমনি। ইংরাজী শিক্ষাগা থেংনরকপদা নহা ওইরিবা মীওই—রামমোহন রায়, ঈশ্বরচন্দ্র বিদ্যাসাগর, বঙ্কিমচন্দ্র অমসুং মধুসূদনদগুনচিংবা প্রতিভা লৈরবা মীওইশিংদগী থোরকই—অনৌবা খোল্লাউ, মুক্তিগী খোঞ্জেল, কাজিন্নবা পুনশিল্লবা য়াখলগী মৌরী ময়াম্বু থদখলকপগী শক্তি। অসিগুম্বা বিপ্লববাদীশিংগী মনুংদা মাইকেল মধুসূদনদত্তসু অথোইবা অমনি। নোংচুপকী কবি হোমর, দান্তে অমসুং মিলটনগী সাহিত্যগী মশক লৌদুনা ঈচেল তপ্পবী মনথরবী বাংলা কাব্যগী মশক অসিদা মৌনা ফনা নোংথাকপা লাউবগী, ঈশিং চাইবীগী শকফম অমসুং শউম হাপ-চিল্লকপনি। অসিনা রামায়ণগী মেঘনাদকী য়ারীনা ওইরকই যুগ অহুগী খোল্লাউ। রাবণ অমসুং মেঘনাদকী ট্র্যাজেডিগী শকফমনা উৎলকই মীংতম্বা মাঙত্রবা, মীথা পোল্লবা অমসুং মিংচেং মাঙত্রবা ভারত ইমাগী পিরাংগী শকফম।

মণিপুরগী কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা কুনগুবা শতাব্দীগী কবিনি (১৮৯৭-১৯৪৬)। মধুসূদনগুম্না নহা ওইনা লৈখিদে। চহী ৪৯ মুক্তী পুন্সিদনি। মতম অসিগী সাহিত্যবুনা কবি কমলগী রাহৈদা হায়রবা য়াই—"মতম কুইনগী তুংদা/লেংশিনলক্লে ইমা মৈতৈ চনু/মৈতৈ সাহিত্য মন্দির মমুংদা/য়েন্দাই থন্না লৈ হাপ্তুনা/কংলুসি ইমাগী খুয়াদা।" (লৈ পরেং)। অরিবা মৈতৈ সাহিত্যনা লোম্না থুপ্না ঈচেলদি কংদনা চেনবা মতমনি। বাংলা লোন অমসুং সংস্কৃতিদা ভাওখিদুনা মমারোনবু কাউথোক্লুরবা মতমনি। মীরোনবু মমারোনগুম্না থম্নরবা মতমনি। মতম অসিদা ইংরাজী শিক্ষা অমসুং থোই-দোক্লসু বাংলা সাহিত্য থেংনরকপদগী থোরকই—য়াকাইরোলগী লেপ্তুবা অকনবা সুর, অনৌবা সাহিত্যগী নীংতমবা খোল্লাউ, মমারোনবু নৌহৌনা শকখণ্ডলকপগী অমসুং পুথোকপা হৌরকপগী লেপ্তুবা ঈচেল মণিপুরগী কবি অমসুং লেখক কয়াদা—চাউবা, কমল, অঙাংহল, দরেন্দ্রজিৎ, ইরাবত, ললিত অমসুং নবদ্বীপচন্দ্রনচিংবা কয়াদা। মতমগী রাখল- আশা অমসুং নীংজবা কয়াবু কোঙদোক্লবা য়েংবা হৌরকই মনুং মপাল; থোইদোক্লসু বাংলা সাহিত্যগী অকনবা শাকু অমা চঙশিনবা হৌরকই। মতাং অসিবু পণ্ডিত চীংঙাখম পিশক সিংহনা অস্নুম্না থারি—"অথাপ্না, ঈগী মরি থোক্লদবা মী-ওইশিংগী লন ময়াম খংথেং থেংনরুরে। মীগী মমুমদা থানবা থাওমৈ মঙান্দো ইগুমাংদা ফাওনা ঙাল্লুরে। লনগী লোথোক লৌশিন বেরা লৈনদবনা সার্ব্বজনীন ওহবী মচরিৎকি পোৎশক ওইবনা ঐথোয়সু পান্মুরে লন অদো, থম্লিংলুরে ইরোনগী পুক্কৈদ।" (মেঘনাদ তুবা কাব্য —শকখণ্ড-মাইখণ্ডনবা রাহৈ অনীজং)। খণ্ডগদবা রাকম অমতং হায়ববু নবদ্বিপচন্দ্রগী শৈরেং কয়ানা প্রমান তৌরিবদি মধুসূদনগুম্না মহাক্তি বিপ্লবী কবি নত্তে। হায়গী রাখল মীৎয়েংবু মুংশিনা চেৎনা কোপ্পবা, ভারতকী সংস্কৃতিগী আদর্শদা লুপচনা মমারোনবুসু থরায় হুকচাংমক য়াওনা কোনশিজবা কবিনি। লোংচুপকী রাখল-লোনদগী খোরকপা হমেননিজমগী রাকম থোইনা লৌত্ত। মধুসূদনগী কাব্য প্রতিভাদা মীকুপ থরদং ঙানখোইজনীংলুবনি।

মধুসূদননা চহী ৩৭ শুরকপদা থোরকই—সর্গ ৯ য়াওরবা মহাকাব্য হায়না শীংথানবা য়ারবা "মেঘনাদ বধ কাব্য"। পুন্সিগী মশক লেপ্পদা রামায়ণগী চরিত্রশিংগী অওনবা মশক কয়া পুরকই। মপুং ওইবা চরিত্র—রামবু কবিনা য়ানীংখিদে, থীনা হায়খি (ঐহাক রাম অমসুং মাগী চোই-রোনবু ভুক্কচে·মধুসূদন)। রামগী অশোনবা অমসুং লক্ষ্মনগী পাওদবা মশকপু হুনথনা উখি। রাবণ অমসুং মেঘনাদকী মরৈবাক কল্লবগীদমক অকনবা ত্যাগ তৌখিবা অমসুং অওকপা উৎখিবা অত্থবু থাগৎপগা লোয়ননা মীনায়গী য়োহ্লিং চল্লবী ভারত-মাতাগী মচা মধুসূদন কবিনা মরমদমবু কাউদ্রা লৈখিদে। মতাং অসিদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথনা হায়খি—কাব্য অসিদা চুম্নগী অহোংবা পুরকপদা নত্তনা মমুংগী ভাব অমসুং রসকী অহোংৰা মশক কাউথোকপা চুমদে। যুগ কয়াদগী লোইনরক্লবা রাম অমসুং লক্ষ্মনগী ধর্ম্ম অধর্ম্মগী অফ·ফত্তগী চাংয়েংদা চৎথরিবা পুন্সীগী মহুত্তা রাবণ-ইন্দ্রজিৎকী চরিত্রবুনা হেন্না অরাংবনি হায়না লৌই। মেঘনাদ বধ কাব্যগী রাবণদি মতিক চাউরবা নিংথৌরেননি মচা হুংশিজরবা মপা, ভক্ত অমসুং মরৈবাক পু হুংশিরবা বীরনি। মেঘনাদসু ধর্ম্ম চেল্লবা শেংলবা স্বদেশ প্রেমিকনি। বীর রসতা শকচগে হায়না মধুসূদন্না হায়জরবসু মপুংদি করুণ রসনি। মরক মরক্তা বীর রসকী মশক য়াওবতনি। মহাকবি বাল্মীকিদা লমখুনু মতৈ মনাওগী ৱাফমনা করুণ রস পোকহনখিবগুম্না কবি মধুসূদনগী থম্মোই বীনাদসু থম্মোই কায়রবা রাবণ অমসুং মচা কায়নবদা কপচরিবা মন্দোদরীগী কপলাউ খোননা করুণ রস পোকহনখি। মেঘনাদপু সেনাপতি হাপ্লদা রাবণগী পেনজবা, সীতা অমসুং সরমাগী চীক্লবা ৱারী শানবা, শক্তি-শেলনা পাল্লবা লক্ষ্মনগী চৈনাখোলদা রামগী তেংথাজবা—পুম্নমক অসি করুণ রসনা মপুংনি। লোইশিনবদা মেঘনাদ ভুবদা প্রমীলানা ভুংইনবা অমসুং রাবণগী থম্মোই শোক্লবা তেংথাখোল। অসিগুম্বা মায়থীবগী করুণ রসনা কাব্য অসিগী মপুং ওইবা মশক্তি অমসুং থোক্লিবা থৌদোক কয়াগী কেন্দ্রনি ইশম শম্না রবীন্দ্রনাথনা কাব্য অসিবু মশক তাকই—মপাম্বোংগী শকফমদা

মপ্তানগী আদর্শ মন্নুংগী ঈচেলদা কৃত্তিবাসী বাঙালী কল্পনাগী মতেংনা মিলটন-হোমারগী প্রতিভাবু ওকচবা। কাব্যগী বিচারদা কাব্য অসিদা দোষ গুণ শোয়দনা য়াওগনি। অদুবু থুংশেম অমা ওইনদি অতাওবা মশক অমনি। স্বামী বিবেকানন্দগী ৱাহৈদা কাব্য অসিনা লেপ্পী হিমালয়গী মতৌ-গুম্না নোংদোন পকনা। অসিগুম্বা কাব্য বাংলা সাহিত্যদা লৈতে, ভারতকী সাহিত্যদসু অতাওবনি।

মতাং অসিদা য়াম্নমক শন্না মহাকাব্য অসিগী দোষ গুণ খরদং নৈনথোকপা য়াই। থোইদোক্লস্ম কবিগী পুক্লিংগী মশককী মরমদা। ইউরোপকী সাহিত্যদা চহী চনীদগী হেন্না জ্ঞানগী বিজ্ঞানগী সাধনাদা অমসুং নবজা-গরনদা পোক্লকপা ১৮ শুবা শতাব্দীগী পুক্লিংগী ফিবম অদু মধুসূদনদা থোইনা মমি তাদে। দান্তে, মিলটনগী জগত্তা চঙশিন্দুনা স্বর্গ নরকতা চেংনমক থাজৈ অমসুং বিজ্ঞাননা পুশিল্লকইবা সংস্কার কয়াবু মাওহনবা ঙমখিবা পুক্লিং হায়বদু ওইখিদে। অসিনা জর্মন কবি গেটেগী "ফাউষ্ট" কুম্না মেঘনাদ বধ কাব্য ওইবা ঙমখিদে। অদুগা নোংচুপ-নোংপোক তিন্নশিনবা অসিমক চপচাবা মওং অমদা পুন্সীগী মপূং ফাবা মীংয়েং শমগী মথাদা ওইখিবা মশকতু নত্তে। শন্না হায়রবদা পুক্লিংনা পামজখিবা অদু থম্মোইনা লৌশিনবা ঙমদবগী লোইবা নাইত্রবা মশক অমা কাব্য অসিগী মশা পুম্বদা চেল্লি। মপানথোংগী ক্লাশিক ওইরবা চীংলেম্লবা পাল্লবা মশকতা থানবা ঙমদনা লিরিক (গীতিকাব্য)গী স্বর অমা মন্নুংদা চেল্লি। কবিগী পুন্সিগী নীংবা কায়বা, অরেম্বা ওইবা অমসুং মায়থীরবা মশককী থোপ্পেল অমনা কাব্য অসিদা করুণ রসকী মশক লৌদুনা চেনথরি। অসিনা লময়ানবা মতমগী কবি ওইরবসু মধুসূদনদি রেনেশাসঁনা পুরকপা পুন্সী শকফম অমবু পুনশিনবা ঙমখিবা কবিনি হায়বদি খরা লুনা থোকই। অসিনা ফনা হোৎনচুনসু কবিনা য়োৎবা ঙমখিদে,—দান্তে, হোমার অমসুং মিলটনগী পদবী। ওইখিদে ভারতকী সেক্সপিয়ার অমসুং কালিদাস।

অসিগুম্বা কাব্যগী সর্গ ৫ থক অনুবাদ তৌখিবা কবি নবদ্বীপচন্দ্রগী পুন্সী মীৎয়েংদদি মধুসূদনগী ৱাখলগী মশক লৌই নম্রগা। লৌনবা হোৎনৈ হায়রবদি হায়মনবা থোক্কনি। চুম্নগী মমিং চৎলবা কাব্য অমবু মতম থরগী ওইনা লোয়নহুনা কল্পনা শক্তিগী মতেংনা মমারোলগী সাহিত্য পুকৈ হেঙ্গৎহনবগী আশা ফাওবদনি। মধুসূদন ওনগে হোৎনবা নত্তে। মধুসূদনবু মশক তাক্কে হোৎনবনি ৱাহৈগী খু-শেমদা, শৈরেংগী ছন্দদা লুপচহুনা অনৌবা ছন্দদা ঙাওজবা ফাওবতনি। মসিনা মাইকেলগী তুংইনবা অম ওইনবা হোৎনবদি নত্তে। নবদ্বীপচন্দ্রগী অতৈ শৈরেং থরা নৈনরবদি শোয়দনা থওগনি —বিপ্লবী কবি নত্তে; চৎনরকপা রস, ৱাখলগী মশক, ধৰ্ম্ম-অধৰ্ম্মগী ৱাখল অমসুং চৎথরকইবা পরম্পরাগী ফজবা অসিবু ঙাকচনীংবা কবি অমা ওইনা ঐথোয়না নবদ্বীপচন্দ্রবু খংনৈ। ঈশ্বরদা শীংনবা নত্তে; চঙজবনি। ধৰ্ম্মগী অনৌবা মতমগী শক্লোন পুথোকপা নত্তে। ধৰ্ম্মগী মহুংগী ফজবা মশক অমসুং রস অদু ফোঙদোক্লবা হোৎনবনি। , বাংলাগী কবিগী পুন্সিদা মতম পুম্বদা থেংনখি—তপথদবা, নীংবা কায়বা অমসুং মায়থীরবা পুন্সীগী চৈনাখোল। কবি নবদ্বীপচন্দ্রগী পুন্সীদদি উখি —শান্তিগী, মঙ্গলগী অমসুং আনন্দগী মশেক মঙাল – চরাংনবা পুন্সীগী মরকসিদা। অসিনা কবিতা থরদা মমি তাখি — বৈষ্ণব কবিশিংগী, রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী অমসুং থায়নগী মৈতৈ অশৈবশিংগী য়ারাশিং ।

মধুসূদন নত্তনা পুথোকখিবা অমিত্রাক্ষর ছন্দগী মপুং ওইবা মশক্তি ছন্দগী পল্লেপফমগা (যতি), অৰ্থগী লেপফমগা (ছেদ) অনি অসি অমতা ওইনা থমদবনি। অসিনা অতৎপা লৈতনা চেন্থৰগুম্বা ছন্দগী মশক অমা থোরকপনি। পরেংগী না-পু তাবা, ছন্দ নাইনা পাবা শকপনচিংবনা পোকহল্লম্বা হঙিন হঙিন হায়বগী মশক অদু থুগায়হুনা লেপ্তবা ঈচেল ওইনা চেন্থহল্লকপগী মহোৎন অসিদা কবিনা মায় পাকখি। কাব্যগী অহৌবগী মশক অসি অমুক্তং; য়েংবীয়ু (তাবীয়ু)—"সম্মুখ সমরে পড়ি, বীর চূড়ামণি/বীরবাহু, চলি যবে গেলা

যমপুরে/অকালে, কহ, হে দেবি অমৃত ভাষিনি ' কোন বীরবরে বরি সেনাপতি পদে/পাঠাইলা রণে পুনঃ রক্ষ কুলনিধি/রাঘবৰারি ? কি কৌশলে রাক্ষস ভরসা/ইন্দ্রজিৎ মেঘনাদে অজেয় জগতে/উর্মিলা বিলাসী নাশি, ইন্দ্রে নিঃ শাঙ্কিলা ?" কবি নবদ্বীপচন্দ্রগী অনুৰাদ "মায়োক্লবা লানফমদা, অকনবগী লুচিংবা, শিবা মতম চাদনা ৰীরবাহু তুপ্রগা/হায়য়ু ইমা ভারতী, রাঙাং খোইহী তৈরবী/হিংচা-শাগৈ-য়াই ওইবা, রাঘব তাথি-অথোইবা সেনাপতি হাপ্তুনা লান্দা কনা থাখিৰা ? করি লৌশিং তৌদুনা হিংচা পুক্লিং লুমবা ইন্দ্রওম্বা—মেঘনাদ-ওমফত্রৰা তাইবংনা/ইন্দ্র চিংন-কোকহনবা মাঙহন্দুনা লক্ষ্মণনা ?"

ৰাংলা কবিগী মতেক খরসি পাবদা থেংনগনি—ছন্দগী লেপফমগা অর্থগী লোইশিনবগা পুন্না চংমিন্নদুনা অরেপ্পা লৈতনা চেস্থবগী সুর অমা। নবদ্বীপচন্দ্রগী অনুবাদতনা কবিনা পামজরম্বা মৈতৈলোনগী পদ্য ছন্দবু থুগায়দনবা হোৎনবা। ছন্দগী লোইশিনবগা অর্থগী মপুংগা মফম অয়াম্বদা চংমিন্নে। অসিনা নাকোংদা তাবদা নুংঙাইৰা অমা ফাওহল্লি। মধুসূদননা হান্নগী পয়ার ছন্দগী খোঙচৎপু থুগায়নবা হোৎনৈ-অকনবা শাফুনা। নবদ্বীপ-চন্দ্রনা হান্নগী শৈহেক শৈদাদা য়াৰমখৈ পুশিন্নবা লাক্লে। কবিগুম্বদা থোরকপা অমিত্রাক্ষর ছন্দদুদি য়াদদুনা তৌখিবা ওইনা তৌই। অসিনা মাইকেলনা পুথোক্লবা অমিত্রাক্ষর/ অমিতাক্ষর ছন্দ অসিমক নদ্বীপচন্দ্রনা মৈতৈরোনগী কাব্যদা পুশিন্নবা হোৎনরমই হায়রৰদি লানগনি। অদুবু রাহৈ রাতাগী অনৌবা খুৎশেমদা, অর্থগী অওনবা শকফমদা ৰাংলাগী কবিগা লাম্বা তৌননীংবগী রাফম অমদি শোয়দনা শেম্নমইবা লোনগী মশক অসিদা য়াওই। সমালোচক ডঃ বাসিনা হায়বা —"মেঘনাদ বধ কাব্য"গী মনিপুরীদা ওনথোকলিৰা শক্তম অসিদা চুম্না অনুৰাদ লোন অমদগী লোন অমদা ওনথোকপা হায়বগী মহুত্তা ট্রান্সক্রিয়েসন হায়ৰদি নৌহৌননা অমুক কবিগী মস্তিক ময়াইনা শেমদোক শাদোক্তুনা অনৌবা খুৎশেম অমা ওইনা পুথোক্লবা

কলা—খুৎশেম অমনি হায়রবনা খরা হেন্না চুমগদবা মাল্লি” (কবি নবদ্বীপচন্দ্র কৃষ্ণচূড়াগী অঙাংবা মপাল-লামায় ৩৮) ৱাক্কম অসি লৌহৌনা খন্নবা দরকার ওই। বাংলা লোন্দা মধুসূদননা ফজহনবা ঙমলিবা অদুগা নবদ্বীপচন্দ্রনসু মৈতৈরোনগী ৱাহৈ খুৎশেমদা, না পু তাবদা ফজহনবা ঙমই। অনিমক চাংদমনবা য়াই। খুদম অমনিদং য়েংবা য়াই।

“মৃত্যুনজয়, যথা মৃত্যুনজয় উমাপতি।” হায়রবসিদা অহানবগী মৃত্যুনজয়না অশিববু জয় তৌবনি অনিশুবগীনা মহাদেব মশাগী মমিংনি। নবদ্বীপচন্দ্রনা অদুম্না হল্লি—“শিবা কোকখ্রে তাইবংদা শিবা কোকপা শিবগুম।” অমুকসু শৈরেংগী অহৌবা শরুক্কী—‘ইন্দ্রজিৎ মেঘনাদে—অজেয় জগতে/উর্মিলা বিলাসী নাশি, ইন্দ্রেনি : শঙ্কিলা।” অনুবাদতা—“ইন্দ্রগুম্বা মেঘনাদ—ঙমফদ্রবা তাইবংনা/ইন্দ্র চিংন-কোকহনবা মাংহন্দুনা লক্ষ্মণনা?” বাংলাগা অনুবাদ অসিগা অনিগী ফজবা চাংদমনবা য়াই। অমুকসু—“হায় সুপর্ণখা/কি কুক্ষণে রেখেছিলি, তুই রে অভাগা/কাল পঞ্চবটি বনে কালকূটে ভরা/এ ভূজগে ? কি কুক্ষণে (তোর দুঃ খেঃ দুঃখী/অনুবাদকী মশক্তা—সুপর্ণখা ঙন্থোকই। লাইবক থিবী নহাক্না/কাল পঞ্চবটিদা, কালকূটনা থল্লবা/কাল তাংজ অসিবু করি কালদা উরুবা?” বাংলাগী শরুক্তা অনুপ্রাস “কাল” অসিবু অনিরক শীজিন্নে; মণিপূরীদা মরিরক শীজিন্নদুনা অপাববু ঙকহল্লি। নাকোংদসু তাবদা থুমই।

কবি নবদ্বীপচন্দ্রনা মতাং চাবা য়েংদুনা হান্নগী সংস্কৃতকী ৱাহৈ থম্মি, লৌথোকই, অনৌবা মৈতৈরোন শীজিন্নে—অরিবগী ৱাহৈ কয়াসু মতাং চানা থেংচল্লি। শিজিন্নরকই অসিগুম্বা অরিবগী মনম চঙবা ৱাহৈ কয়াসু—পাথৌ-থোইবা, মুজা-থোইবী, পাথৌ-লুতোন শানিংথৌ, পারি শেংনা-ৱাবা, য়াইবী খন্নংতালহনবা, পুরেনবী সংস্কৃত লোনবুসু মীরোননি হায়না খনদে। চীন্দা পক্লিবা লোনবুসু থৌশাদবা তৌদে। থায়নগী অরিবা লোন্দাসু মতাং চানা চানা শীজিন্নবা হোংনৈ। অসিনা ওইরকইবা লোনগী মশক্তি

নীংথিজরবা লৈ পরেং নত্রগা নাচোমগী মশক্কি। অনুবাদ তৌই হায়বা খণ্ডনা অনুবাদ মালহন্দনবা হোংনৈ। বাংলা লোন্দা ফজবা ওন্নগী মশক অহু মণিপুরীশিংগী নাকোংদা নুংশিহন্নবা হোৎনবগী মশক অমা তঙ্গনা থেংনৈ। মতাং অসিদা কবি অসিমক্না মতাং অমদা ইরম্বা—"মৈতৈলোন শেমগৎনবগী লম্বী/শংত্রেনা ফিবান ওইরগা/জাতি চমেলী ভায়োলেট/মকম চানা লেংশিল্লু।" তশেংনমক অনৌ লনৌবা ব্রাহৈশিংবু শেম্নকপা অমসুং লৈ পরেং লেংশিল্লকপগী হৈশিংবা মশক অমদি অনুবাদ অসিদা ঐখোয়না অঙকপগা লোয়ননা থেংনৈ।

অরোইবা ওইনা হায়জনিংবদি – কবি মধুসূদন দত্তনা বাংলা লোন অমসুং সাহিত্যদা "মেঘনাদ বধ কাব্য"গী অনুবাদকী মতেং লৌতুনা অনৌবা য়াওন অমা পীনবা হোৎনবীরমই। হোৎনবা অসি তশেংনমক মায়পাকখি 'মেঘনাদ তুবা কাব্য'বু ঐখোয়না অমুক অনিরক পাবদা নত্তনা কয়ারক হন্না পাবা য়াই—ভাবগী, কল্পনাগী ব্রালবা মশক খণ্ডনবা অমসুং লোন-শেমগী নীংথিজববু য়েংজনবা। ☐

১৯৮৫ ইং

মণিপুরী সাহিত্যদা বৈষ্ণব সাহিত্যগী পরম্পরা

মণিপুরগী তম্পাক লমদমদা হিন্দু ধর্ম্ম চংলকপা কয়া কুইরবগে হায়বচ্নী চপচাবা পাউপুম্ন পীবা ওমজি অমসুং শীরন্দু লুগনি। বামোন খুনথোকলোনগী মতুং ইয়া খৃষ্টগী চহী চা ১৫ শী অহুরাইদগী চংলকপা হৌরে হায়বসিন। ইতিহাসকী সাক্ষী নি। অসি নত্তবা থায়নগী মৈতৈ ময়েক্তা ইহুনা থনবা খুংই লাইরিক কয়াদা চংনরকপা সনামহী অমসুং পাখংবগী অমসুং অতৈ লাইশিংগী লাইশোন তিনশোন কয়াদা অমসুং খোইদোকুম্ন হরস অঞ্জিনচিংবা তান্ত্রিক সাধনা অমসুং শৈব সাধনাগী মরোল কয়াদা য়াম্নমক তশেংনা থোকপা থায়নগী সংস্কৃতিগী মশক অমদি মনিপুরগী তম্পাক অসি শৈব অমসুং শক্তিগী সাধনাগী চহী লিশিং মুককী মফম ওইরে হায়বসিনি। মৈতৈ ময়েক করম্বা চহিদা পুথোক্লম্বগে অমসুং চংনবা হৌরম্বগে হায়বগী চপচাবা প্রমাণ ফংজি। ওল্লবদা ব্রহ্মাদেশতা চংনরিবা মোন ময়েক, তিব্বতকী ভারতকী শেমখিবা ময়েক অমসুং অতৈ ব্রহ্ম। গা নরুবা অহোমশিংগী ময়েকী হৌফম চাউরাক্ল খুংগী চহী ৭০০কী অহুরাইদগীদি মৈতৈ ময়েক্লা ওনথংপা লুনা থোককনি। মসিদা মতীক চানা বৈজ্ঞানিক ওইনা থিজিনবগী দরকার লৈরি। ভারততা শৈব অমসুং তান্ত্রিক সাধনাগী লাইরিকমকসু খুংগী চহী ৭০০কী অহুরাইদগী সংস্কৃত লোন্দা ফোঙবা হৌরকপনি হায়না প্রমাণ পীরি। পুম্নমকী মথক্তা নেপাল, ভুটানদগী হৌরহুনা আসাম, মনিপূর অমসুং বঙ্গদেশ ফাওবা অসি তন্ত্রগী লমদমনি হায়বসিমদি অখণ্ড অহৈ কয়াগী মতনি। পুম্নমক অসিগী মতীক চানা প্রমাণ তৌবদি মতাং অসিদদি ওইথোক্রে।

ইতিহাসকী মীৎয়েংদগীদি নিংথৌ কিয়াম্বগী মতমদা (১৪৬৭-১৫০৮ বিষ্ণু মন্দির লিংথোকপমবগীদি বিষ্ণুপুরা লাংলা অসি ময়েক শেংনা হৌরে হায়বা অাই। মসিমক্লা মীয়ামগী ওইরে হায়বদি নত্রি অহুপা মসিদগী ইচেল কয়া

চেনথরকই হায়বস্তু নত্তে। অদুবু চরাইরোংবা মহারাজগী মতমদগীদি (১৬৯৮-১৭০৯) বৈষ্ণব ধর্ম্ম অসি চপচানা চঙলকপা অমসুং মকা ফন্না শন্দোকপ হৌরক্লে। শ্রীকৃষ্ণ নীংবা ওইরগনু নিম্বার্ক সম্পাদায়গী বৈষ্ণবনি হায়না লৌনরি। মথংদা লাকই রামান্দী সম্প্রাদায় গরিবনিৱাজগী মতমদা (১৭০৯-১৭৪৭) শ্রীহটগী শান্তিদাশ অমসুং মহাক্কা লোয়নবশিংনা পুরক্লুনা অকনবা ধর্ম্মগী লানফম থেংনৈ। মতাং অসিদা রাফম অমতং পুশিল্লীংই। পণ্ডিত ক্ষিতিমোহন সেননা মহাক্কী "বাংলার সাধনা" হায়বা লাইরিক্তা বঙ্গদেশকী মমিং চৎলবা তান্ত্রিক সাধক (শ্রীতত্ত্বচিন্তামনি কৌবা লাইরিক থনম্বরা) পূর্নানন্দনা আসাম অমসুং মণিপুরদা চত্তুনা তন্ত্রশাস্ত্র প্রচার তৌরমই-- খৃংগী ১৬ শুবা শতাব্দীদা কামরূপকী গৌহাটি সহরগী মনাক্তা লৈবা বশিষ্ঠা-শ্রমদা লৈদুনা সিদ্ধ ফংখি অমসুং বঙ্গদেশতা হল্লকখিদে। অসিনা লৌরেম্বা খোংনাংথাবগা শান্তিদাশকা থেংনবা চাংয়েংসি তান্ত্রিক সাধক অমগা বৈষ্ণবকী সাধক অমগা অনিগী মরক্তা চৎথবনি হায়নীংই। রাজশক্তিনা শান্তিদাসকী মীচংদা লেপখিবদগী রামান্দী ধর্ম্মনা জয় ওইখি মতম খরদি। অদুবু কুইদে—রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা পুশিল্লকই (১৭৬৩-১৭৯৮) গৌড়ীয় ধর্ম্মগী অকনবা ঈহৌ- রাসলীলা অমসুং নট সংকীর্ত্তণগা লোয়ননা গরীবনি-রাজনা থম্বীরম্বা বংদেশ পালাগী মথক্তা।

বৈষ্ণব সাহিত্যনা মণিপুরী সাহিত্যদা চংবা হৌরকপসি তশেংবদি তম্পাক্কী মণিপুরীশিংনা বৈষ্ণব ওইবা হৌরকপদগীনি। অদুবু নিংথৌ চরাইরোংবগী মতমদগী বৈষ্ণব ওইবা হৌরক্লবদি হৌজিক ফাওবদা থোই-দোকপা খুংনা ইদুনা থনম্বা লাইরিক থেংনদে। রাখলদা অমসুং মীয়েংদবুদি শোয়দনা চঙলবনি অদুবু ইমারোনগী সাহিত্যদদি অইবা লাইরিক থনম্বগী প্রমাণ ফংদে। ১৮ শুবা খৃষ্টগী শতাব্দী হৌগৎলকপদা গরীবনিৱাজগী মতমদদা অনুবাদ অমসুং মণিপুরগী হান্না লৈজরম্বা রাখলগী মমি তাহল্লগা শেমদোক্লবা রামায়ণ মহাভারতকী রারীগী মশক কয়া থেংনৈ। মতমদুদা

হাওখিবা পণ্ডিতশিংগী মরুদা অঙোম গোপী, লাইশ্রম লাইরোই, মুয়াম অজিবার অমসুং, মুঙাংবম গোবিন্দরামগী মিংশিং পনবা য়াই। অঙোম গোপীনা কৃত্তিবাসকী রামায়নদগী থবা শমজিনা রামায়ণগী কাণ্ড অরোং মৈতেইলোনদা থম্বীরমই। পরীক্ষিৎ কোইবা লাইরিক মমিং পনবা য়াই। গঙ্গাদাস সেনগী মহাভারতকী মতাং কয়া হন্দোকপীরমই। কৃত্তিবাসী রামায়ণগী লোন্দা অমত্তং য়েংবীয়ু—"রঘুবংশ শাগৈ পূর্ণমনী, লাইপক থেলাই থোঙদা। শীংলেন চন্দনলৈবু ওইনমিবা। চীংগু লীকলাং লুমেরু। দশরথ নিংথৌ অপারি। দাশরথি অহেনবা ......"। থম্বীরবা রামায়নগী কাণ্ড ৭কী মরুমদা আরন্যকাণ্ড কিষ্কিন্ধ্যা কাণ্ড অমসুং সুন্দর কাণ্ড, লঙ্কা কাণ্ড অমসুং উত্তর কাণ্ড থেংনরে অমসুং হৌজিক ফোঙলে। চপচাবা অনুবাদ নত্তে। মপুং ওইবা অমথক লৌরগা থবা শেমদোক শেমজিন তৌরগা অমসুং থবক্সু শমজীনগা কাণ্ডশিং অসি পুথোকখ্রকপনি। লাইশ্রম লাইরোই অমসুং মুয়াম অজিবার অনিনা ইতিহাসকী ওইবা রারী— শমশোক ওইবা চপচারা ধর্মগী লাইরিক মত্রবসু থম্বীরমই। মপাবুং য়াথং ভাকপা গরীবনিবাজনা ঔরাগী শমশোকনা লান্দাহুনা ওমথিবগী মতাংনি। লোন্দা অসি য়েংবীয়ু—"অয়েং কোইবা লোংগা শোয়রবদা শেনবী মপাল থোঙদা মাকলং তাউজীং হৈতাউ ঔরবদা পাজা পূর্ণা হুপনা লাংবল ঈকাঙ্গাওম হাথোকলকখ্রবগা শেনবী শমশোক লাকপগী মপারি লাথমতোন মথোকললকপগা অনী মনচিংবা মালেম কৈদা পক্লা চাংজৌ চেপ্পা লোয়া, খুরুমজখিয়ে।" গরীবনিবাজগী মতমগী পণ্ডিত মুংগাংবম গোবিন্দরামনা হৈরমই—তখেল ওশা। অষ্টকাল হায়বা বৈষ্ণবগী সংস্কৃতগী লাইরিক অমসু অনুবাদ তৌরমই হায়রে—থুঃ ইত্যাদি থেংনাত্রি অসিদসু নত্তনা মশক থওহৌজবা পণ্ডিত অমনসু থনমই সাবিত্রী-সত্যবানগী রারীগা য়ান্নমক নক্কবা অশিবগী লাইবু মবৈথংদা জয় তৌবগী রারী—চোথে থাংবাই পাথবা। লাইরিক অসিগী অথনবা লামায়দা অন্নবা ইবি-"হয়া রে লীকলাই—ও ইপুথৌ লোংখোরেন বৈষ্ণব থোংনাং ময়ামপা, চীঙগু ইন্দ্র লোয়ারেন রত্ন লোংহনবদা

তাতি ওজোহ্ লোংবু চুনবা লাইরেন সনা নখোঙথাঙা হরিচৈতন্যবু নহাইরেন অহুম চীংলোই হৈরোকমনা হন্না লাউনা শৈশিররে।" মথক্কী লাইরিককশিং অসিগী মথক্তা কৃত্তিবাসকী রামায়ণগী লংকা কাণ্ডগী লৌথোক্লগা-বীরবাহু যুদ্ধ হায়বা লাইরিক অমসু অঙোম গোপী অমসুং মুরারি অনীনা ইরমই।

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতম য়োরককপদগি ঐথোক্লবা পণ্ডিত খরগী মমুক লেংবরকই—য়াংথৈ পণ্ডিত গোপী রাম, রাহেংবা মাধবরাম, কোন্‌থোজাম্বা নবক অমসুং যুবরাজ নবানন্দ। ভাগ্যচন্দ্রনা তেথাউন্না চেনবা অমসুং মহৈ-থরা গোবিন্দ নির্ণয় কৌবা লাইরিক্তা। লাইরিক অসি হৌজিক কাওবা চুংইবা লৈরি। রাহেংবা মাধবরামনা থম্বীরম্বা লাইরিক কয়াগী মধুংদা শীংথানবা য়াবগি লাংলোন, সনামনিক, মহাভারত বিরাট পর্ব্ব। লাং-লোনদা রীতি শাস্ত্রগী মশক কয়ামুক য়াওই। লোন্দাগি অসিনি—"নমু লোংজমচং থকশি কায়নরা খাশি লিকলেংশৈবু লাইরেন মেদিংগু শ্রীশ্রী যুং জয়সিংহ বৈষ্ণব লাইপোক শংশংবা ধর্ম্ম অতিয়া নিংথৌরেল, বিচার রাখিনবা পণ্ডিত মুপা থোকপা জ্ঞান চৈয়োইনবা, ধর্ম চেংলৌ শকওইনবগী শংহৈবা, ব্রাহ্মণ বৈষ্ণব পুন্নকগী পামেন কল্পতরু উপাল শিদবা, মেলপুম পুঙ্কিং হরাওবনু ওইনরিবা শ্রীশ্রী বিষ্ণুপ্রামলকগী অমুক শিজরেনথবা, চীংলাই শাকুনবা হেরা চিংবা থাংগুবা নিংথৌরেন কোইরেন কবাল তোংবা লোইবী লোংজাই ওবা হয়েল থবা কাবা নিংথৌরেন ......"। লাংলোন হায়বা লাইরিক অসি লৈখিত্রবা রাহেংবম যুমজাওসিংহনা সম্পাদন তৌদুনা ছপোক ১৯২৪ দা কোংথ্রবনি। মৈতৈ চানক্য লোকসুবনি হায়না লাইরিক অসিবু লৌবে। পণ্ডিত অসিনবী সনামনিক কৌবা লাইরিক্তা উপন্যাসকী [illegible] লৌবদুনা নিংথৌমচা অমগী [illegible] [illegible] য়াবী লৌরি। মহাভারত বিরাট পর্ব্ব [illegible] পণ্ডিত অসিনা লৌয়নবা যুবরাজ নবানন্দনু য়াওই। কোন্‌থোজাম্বা নবক [illegible] রামায়ণগী উত্তর কাণ্ড অমুক লৌরোনা [illegible] [illegible] [illegible] হায়বা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]

লৌখৎচরি—"কৃষ্ণ যশোদা মপারি। শ্রী হরি অখোইবগা। চুমিং শৌক্নুবা থাজা থাংগোইরিবিরা মীয়ুমন্দ লৌশিংনবা নীংখৎবিয়ে।"

রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রগী মতম্দগীদি অরিবা সাহিত্যগী মশক অসি ইশৈ অগোইরগোইবদনা হেন্না পুক্নিং চঙবিবগী মতৌ অমা থেংলে। পুরা অমসুং কাব্য ইবগী ঊচেকদি লেপত্রি, অদুবু ঊহোগী মশক্তি নত্রে। ভাগ্যচন্দ্রগী মচা-ইকুচৌ লাবন্যচন্দ্রগী মতমদা (১৭৯৮-১৮০১) রাহেংবা মাধবরাম অমসুং পণ্ডিত অনিগা লোইননা ইবকই রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা নবদ্বীপতা চংগা অমসুং মুর্শিদাবাদতা নোংগাথিবগী মতাং—চীংথংখোম্বা পালা চংগা। শরেং অনি-অহুমদং লৌখৎচরি। —"জয় শ্রীশ্রী যুক্ত জয়সিংহ মহারাজ। লোইনাই কোৎবা চীংথংখোম্বা। কৃষ্ণভক্তি খোইখোইবগী মপারি। যুবরাজ থোংলেন রাংথৈবাকপা। লাবন্যচন্দ্র পাম্না লৌশিং খোইবনা। লাইরেন মপা মৈতিংগুগী। শ্রী বাক্যমৃত য়াথং মতুংইন্না। পোইরৈ লৈপাক ভাকপদা মতোম উমবী লৈনিংশিংনা পাওমেল্লকএ।.. মধুচন্দ্র মহারাজগী মতমদা (১৮০১–১৮০৩) লোংজম প্রভুরামনা মহাভারতকী গীতাগী বাংলা লোন্দা লৈবশিংবু মৈতৈলোন্দা হন্দোকপগী রাকশ পল্লি। লাইরিকশিং ওইনদি থেংনদে। অদুবু লাংগোই শগোল থাবা (নক্রগা অশ্বমেধ পুয়া) হান্না অসিমদি লাইরিক ওইনা কোংলে। রাহৌতোকী শরুক শরদং লৌখৎচরি-"নমঃ নমঃ হরি হয়াহে শ্রী গুরু খোই খোইবা। সনা খুরালেন, থবায়জ্জা লোচেং-লাং অন্ খোকপা, লৌশিং উপু ফুঙনজে ফুংজেবা, নীংজ খুংপায় লেজরক্ম অচেংপা, প্রেম খোঙহো কবীরেন অখুম্পা, পাদপদা অনিনবু অৱজা লুক-থোং চৈরে ভক্ত জেং; ইন্না নাপী চীক; লুরাই নমদেং কোয়...."। লাইরিক্তি পণ্ডিত পরশুরামদা লেবক শরুনা তেংবাংফুনা ইবিবদি হান্না পল্লি। রাসীগী শরুক্তি মহাভারতকী অর্জুন-চিত্রাঙ্গদাগী মচাংবনি। বিংখোলাম্বা মাধবকী ভক্ত চরিৎবু পুথম অনিরাইদা ইবক্পদা নীংথৈ—অতিনা বিবরনি নীতি শাস্ত্রগী মচাংনি—কোৎবা হৌনৈ হৌবরগী মরমবনি। কামশাস্ত্রগী মচাং কাওবা পল্লি। অদুগা চংথরকপদা লৌরকিং

মহারাজগী মতমদা (১৮০৩-১৮১৩) ইংশোক ১৮১০ দা গোবিন্দ মিশ্রনা বাংলাদা ইবা অমসুং ওইনামচা প্রেজানন্দনা অনুবাদ তৌবা মৈতৈলোনগী গীতা অমা অষ্টাদশরাগাবলী ব্রজরেশগী ... পুরুবদগী মণিপুরদা পুথো-কখিনা খৌজিক কোংলে। চপচাবা গীতাগী অনুবাদ নত্তে। ভাগবতগী পুরাণগী হায়কমনু কয়া য়াওই। অদুবা মণিপুরী লোনদা ইবনি। মথংদা লোরকই গম্ভীরসিংহ মহারাজগী মতমদা খাহি ঙম্বা অমসুং চন্দ্রকির্ত্তি মহারাজগী মতমদা—ঙম্বা ওবা।

মথক্কী অসিদগী ঐথোয়না চাউরাক্লা উগনি, মহুদি গরীবনিৱাজগী মতমদগী হৌরদুনা বৈষ্ণব ধর্ম্মনা জাতিগী পুন্সিবু লমজিংখিবদগী অমসুং ময়েক কাওবা বাংলা ময়েক লৌখিবদগী হায়গী মৈতৈ ময়েকপা লৈজরম্বা লাইরিক কয়াবু মশক খঙলক্তবদগ্নী নত্তনা ইমারোলগী সাহিত্যগী ঈচেল অসি অসুম অসুম কংশিল্লকই। গরীবনিৱাজগী মতমদা ইমারোলদা ঈশৈ শকপা কাওবা থিংখি হায়নৈ। অসিনা চাউরাক্লা ১৯শুবা খৃঃ কুমজা অসিদি মণিপুরগী অহৈবা সাহিত্যগীদি লাইথক থীবা মতম্নি। কোন্নুংদা পুখংপা পণ্ডিত লোইশং অমসুং নক্কবা পণ্ডিত খরদনা অসিগুম্বা সাহিত্য অসিবু শেয়রজবা তাখি। অসিমকসু নিংথৌগী চপচাবা থৌগৎপা অমসুং য়োকখৎপা য়াওদবনিনা অসুম অসুম শিথরকপা মশানা তাবনি। সংস্কৃত, বাংলা অমসুং ব্রজবলী অমসুং মৈথিলী কাওবগী নৈনবদি অঙকপা ফংনা চাওখৎখিবা মতম্নি। মথোয়শিং অহুদি রাসলীলাদগী হৌরদুনা মথং মথং চৎথরকপা গোষ্ঠলীলা, গৌরলীলা, উদুখল, বংদেশ পালাদগী হৌরদুনা নট সংকীর্ত্তন, মনোহরশাই, ধোপ পালা অমসুং বাসক, খুবাক ঈশৈনচিংবা কয়াদদি অঙকপা ... বৈষ্ণব ধর্ম্মগী তশেংবা মশক অমসুং অয়োবী থাক ফোঙদোকপা ঙমকই। শাগরকপা লীলা কয়ানা শাৱকপা ঈশৈ কয়ানা অমসুং শাগরকপা জগোই অসুং কয়ামা শ্রীমদ্ভাগবততগী হৌরদুনা রামায়ন, মহাভারত অমসুং অতৈ পুরান কয়াবু মশক তাক্লকই। মথক্কী অয়োবী খাক্কি চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী মতমদা (১৮৩৪-১৮৮৩) নবদ্বীপ, বৃন্দাবনমচিংবদা ঈশৈ ময়েক খোমজিন্না লী

রাক্কহনা রস ওঙ কাংলবা হায়না অঙম অয়োই অয়াওবা। ঐখোয় অমসুং পুংগী ওয়া কয়াবা মুখিং মহং নি চুপা তোঙান তোঙানবা ছন্দদা, রাগদা, মেলদা চংশিন্নবা এমুনি। সাহিত্যদা শিন্নবকপা অমুক ঐখোয় অমা পীখিবনা ঐখোয় জগোয় লীলাদা বৈষ্ণব সাহিত্যগী অঙকপা মওংদা কোক্কোকখি।

সাহিত্য হায়রবসি অইবা ভাক্তমন্থ ওইদে। চীন অমদগী চীন অমদা চংথরকপা ইংরাজীদা ওয়েল লিটরেচর হায়বতুস্থ সাহিত্যগী মচুং চমকম থোকই। মায়কৈ অসোমদগী য়েংলুরবদি ১৯ শুবা শতাব্দী অসি ইমা-রোলগী খোরী চয়ম মেংথি হায়রবথুদি থোক্রে। ভাগবতঅনচিংবা লাইরিক-শিংবু থীহুনা ব্যখ্যা তৌবদা ইমারোন্দা ফজনা ফোঙদোকই। রারী লীবা ওঝাশিংনা রামায়ন, মহাভারততগী হোৌরহুনা পুয়া পুরানগী মশীং থীওমগ্রকা রারী লীবদা অঙকপা কল্পনা শীজিন্নহুনা মৈতৈতগী ওইবা রস কয়া হাপ-চিন্দুনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজদগী হৌরহুনা অসুম অসুম লেপ্তনা চংথরক্লি। লাইরিক থীবা হায়বা ওঝাশিংনা ছন্দ পান্দুনা চৈতন্য চরিতামৃতনচিংবা লাইরিক কয়াবু থীহুনা অমসুং হায়হুনা নীংথিজগ্রবা চীনতগী ওইবা সাহিত্য অমা থোরকই। থোংজোম পর্ব্ব শকপা ফাওবনা বৈষ্ণবগী মুন্ধমদা থোং-জোম লান শকপদা মতুনা রামায়ণ ফাওবা শক্লকই। পেনাগী ওঝাশিং-তদি খায়নগী লাইনীংগী মশক থরা থম্নবা লাক্লে। অসিমকতু বৈষ্ণবকী মীংয়েং অমসুং রাথলগী মায়োক্তা থম্বা থোইবীগী রারী ফাওবা লীবা ওই-থোক্তে। অসিনা চুংথামগী ওবা মনিকত্তগী লৌশিনজহৌহুনা কল্পনা শক্তিগা লোয়নমা থম্ব-থোইবী শৈরেং মহাকাব্য পুথোকপীরম্বা কবি অঙাংহল ফাওবা মহাকী লাইরিকী হৌরকপদা থম্ববু শ্রীমহাপ্রভু হায়না থম্মোইদা মীংজদবা ওঅখিদে। রারী অসিমক্তা উংলিবা শাজং লোনচং অমসুং রাথলগী মশক অসিমকনু বৈষ্ণবকী অম্মোবা থাকীমি হায়লদা ওমদে। বিষ্ণু লোন্দুনা ঐশে হৌজে হায়বতনি। মীংয়েংদি চপচাদ্বা বৈষ্ণবনি।

খৃষ্টগী কুলশুবা শতাব্দী হৌরকপদা বাংলা ময়েক্তা অমহুনা লাইরিক হৈগ্রবা কবিশিং অমসুং লেখকশিংনা থোইদোক্লস্থ মহারাজ চূড়াচান্দনা

শানবা হোজমলৈবীরি (১৮৯৯-১৯৪১) মাগী মপুংফবা সাহিত্যগী মরুওইবা মায়কৈদু চংচাবা ওইরম্মে। মতমগী চুপ্পা নৈরেং মায়েং ইথরম্মে। মখোয়দা মিং পাম্বা য়াবগী ডাক্তর কমল, ইরাবত, ময়ুরধ্বজ, মীনকেতন, চাওবা, নবদ্বীপ-চন্দ্র, ইবুংহোলনসিংহ, নরেন্দ্রজিৎ, অতোপ্পা অসিনচিংবা কবি অমসুং লেখক কয়ানা মতমগী সাহিত্য পুশোক্লকপা হৌরক্লে। বৈষ্ণব সাহিত্যগী চপচাবা শান্নবনি হায়রবদুবি য়াম্রবদু মীৎয়েংদি অরাপ্পনা বৈষ্ণবকীনি। নরেন্দ্রজিৎকী "ভাগ্যচন্দ্র" নাটক, 'কংশবধ কাব্য' বৈষ্ণবকী চপচাবা মীৎয়েংদগীনি। খাইদাকপম চাওবগী শৈরেংশিং অমসুং লবঙ্গলতা উপন্যাস বৈষ্ণবকী মুঙ্গেনদা শাগৎপনি। চংশরক্লিবা পুন্সিগী শরুক পুম্নমক বৈষ্ণবকী রসকী সাধনাদা লেমনথলকপনিনা সাহিত্যগী ওইনা ইথোরকপা কয়াদু মীৎয়েং অসিদগী লানখোকপদি ওইথোক্তে। অসিমকপু কবি অমসুং সাহিত্য পুম্নমক বৈষ্ণব ভাক্তনি হায়রবদি লানগনি। জি, সি, তোংব্রাগী নাটকশিং অমসুং নহারোল কবি অমসুং লেখক কয়াগীদি নীংতম্বা মওং কয়ামুক কোঙদোক্লবগী খুদোংচাবা কংলি।

বৈষ্ণবকী ধর্মগী ওইবা, পদাবলী অমসুং শাস্ত্রগী লাইরিকশিংসু অহনকপা কংনা য়াম্না কোংনরক্লে। পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু মক্না বেদগী হৌরকুনা শ্রীমদ্ভাগবতগীতানচিংবা লাইরিক চামদগী হেনবা লাইরিক হাপা তৌহুনা থবীরমহুনা ডাক্তর সুনীতিকুমার চাট্টো পাধ্যায়না মহাকপু মতম অসিগী ঋষিনি হায়না মিংথোল পীখি। পণ্ডিত কালাচাঁদ শাস্ত্রীনা বেদব্যাসকী মহাভারত ভোল্যুম ২৫ হেন্না কোওজিনতুনা লোইশিনকলৌরে। লৈখিরবা পণ্ডিত লৌরেমবম ইবুংহোম্বাইমা সিংহনা বাল্মীকি রামায়ণ উপনিষদ কয়া অমসুং বেদান্ত সূত্র অনুবাদ তৌহুনা থবীরমলে—কোওনদি কোওজি—মতুংগী লোনগী বাংলাদগী অনুবাদকী সাহিত্য অহনকপা কংনা য়াম্না লৈরে। পণ্ডিত শিংহুগী মহুৎতা অরিবম ব্রজবিহারী শর্মা, গুরু অরিবম সুরচান্দ শর্মা, লোকুল শাস্ত্রী, রাম নারায়ণ শর্মা, ওনামজাং সিংহ, শিবদত্ত শর্মা অমসুং স্বামী যোগেন্দ্রানন্দ মিং পাম্বা য়াই। অনুবাদ সাহিত্যদসু মতমনা লমাইগী

ওইবা য়াংবা কয়ামু ইমারোল্বা ইবীরকপনি। অনিশুবা ইমারোল্বা শকতি লোনবশি হায়বগী ঈহৌ, অসি অনৌবা চৎথরকপনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী মতাং অমা চৎথরকুবা নট সংকীর্তনদা শকপা লোনবগী আন্দোলন অমা চৎথরক্লি। মসিগী কপলা রাস মণ্ডল অয়াবা মণিপুরী লোনা শাব্বা য়ারে— উজ্বল, গৌরলীলা, গোষ্ঠলীলা, ইমারোল্বা শাব্রে। সংকীর্তনগী পদাবলীগী অনুবাদতশু নত্তনা অনৌবা ঈশৈ কয়ামুকসু ওবাশিংনা লেংহনা শক্লক্লে। মথোয়শিংহুগী মহুৎদা লৈথোক্লবা ওঝা খাজেন্দ্র গুলাপী শীংথানবা য়াই— চুমগী অনুবাদ নত্তে, কাব্যগী শক্তমনি। লামায় ১৯৪ পানবা শ্রীশ্রীগোবিন্দ থৌরম শৈরেং কোংবীরনই। মহাক্কী সেবক কয়াদা অমসুং ওবাশিং কয়ানসু মহাক্না থম্লীরবা ঈশৈ ময়েকশিং অসিবু সংকীর্তনগী মখম কয়াদা শীজিন্নরি। বাসক, খুবাকঈশৈ মুপা মুগী পালা পুম্নমক ইমারোল্বা লোইনা শকপা লোনবা হৌনরে। অসিনা ঈশৈ জগোয় লীলাগী মায়কৈদদি বৈষ্ণব সাহিত্যগী চৎথরক্লিবা পরম্পরা অসি মণিপুরী সাহিত্যদদি অত্তকপা ফংবা প্রভাব তারে হায়দবা ওঁমদে। অনৌবা মপোক অমা হায়বা ফাওবা কায়ত্রে।

অরোইবা ওইনা হায়জরবদা অনিশুবা পৃথিবীগী লাঙাংগী মতুংদা ওইরক্লিবা মণিপুরীগী আধুনিক সাহিত্যদদি বৈষ্ণব ধর্মগী প্রভাব অসি মরোং কনা য়াম্না তারক্রে। মসি নোংচুপলোমগী চৎথরিবা থোক্তচং মওং অসিনা সংস্কৃতিগা মরী লৈনদবা, বিজ্ঞানগী থোক্তথাংনা অনৌবা অহুম চত্তশিল্লকপা অমসুং মেটারিয়েলিজমগী মীথয়েং অমনা সমাজবু মতম থম্নতগী ওইরবা মশাক পাম্লকপনা থোকহনলকপনি হায়বা য়াই। য়াকম অসি অনৌবা কবি অমসুং সাহিত্য কার, অমসুং অনৌবা লাইরেকপা লাই শাবা ফাওবদা পনবা য়াই। পুম্নমকসিংদি মথক্তা থায়নগী হিন্দুগী সমাজগী সংস্কৃতিবু পুথৎনবা লাক্নতুনা (খঙনদু ওইরবসু খঙদনবু ওইরবসু) ঈশা মশাক খঙনগী চাংয়েং অমদা চত্তশিনবগী ঈহৌ অসিনা মীওই কয়াদা অমসুং থোইদোক্লসু মহা-য়োলশিংদা অকনবা প্রভাব তারি। মথোয়দগী থোরকপু য়াবেং শৈরেং কয়াদদি বৈষ্ণবগী প্রভাব য়াওরকবা মশাক তাবনি।

অমুদুনু ঈশৈ কনোয় অমম্বুং লীলাগী মায়কৈদদি থায়নবী অচুম্বরা নিংথৌনা ছোদ্রনা তৌবা কন্যাকারশিংবু অতকপা। ফংবা রাংবা থাগংপুরী মখক অমুদি মাওথরকনবনু অমম্বুং যুগকী হোৎলকইবা মথকনা। থাম্ভীবু পানজবা নোংমুকসবা বৈষ্ণবশিংনা অকনবা চেংথং পীরবস্তু ঈমারোনবা থকপা থোনবা অমম্বুং লীলা শারবদদি বৈষ্ণব ধর্ম্মগী পরমপরা অসি অমুম অমুম চেনথৎলকই হায়বা তাই। সংস্কৃতগী শরুক অমু মণিপুরী লোনবা চপচানা শিনবগী মওং য়ৌরক্লে। থুমমক অসি বৈষ্ণবধর্ম্মগী য়ুম্ফমদা থাগংপা ঙাক্কনি। চংথরিবা পরম্পরা অসিমক কায়দনা থমনবা অকনবা অন্দোলন ফাওবা চংথরিবনি। অরাম্বা লানফমদা নত্তে। অশেংবদি য়েলহৌঙৈদগী হৌরকপা সংস্কৃতিগী ইচেনথবা চেনথরকইবা ঈরোং কম্যানা তিন্নরিবা মথক অসিমক ঙাকপা। ঙমজনবা হোৎনব। অসি তম্পাক্তা অমম্বুং মণিপুরগী মপাল্লা লৈরিবা মণিপুরী শিংগী হিংবা শিবগী লানফমমক্তি।

১৯৮৪ ইং

রাজ কুমার শ্রীমাহল ঃ নোংশিংবা থবা

মহাভারতকী অরোইবদা ফজরবা দৃশ্য অমা উৎলি—ব্যাস দেবনা। মচীন-মনাউ ৫ না দ্রৌপদীগা লোয়ননা স্বর্গ কাবনি। যুধিষ্ঠিরগা ভীমগা য়ারী শার-শারহনা চৎলি—মথং - মথং তুহৌই দ্রৌপদী, সহদেব, নকুল অমসুং অর্জুন। যুধিষ্ঠিরনা মরম অমমম পী। য়োরমদাইদা ভীমশু লাউরকই—হায়মা, ঐশু তুরে। ভীম মক্তি তুরকনি থাজরমদবা য়াই। হন্নক সনখ্যা বিঃ কমঃ (অহানবা বিঃ কমঃ ওইবনা থঙনথ্রে-বিঃ কমঃ সা, ঐহাক্কা মিংগৌ-জৈ সনাখ্যা) চৎখিবসি থাজরমদবনি—চহী ২০ মুক্তি লৈথিদ্রে খল্লবনি। মখা ওমদে পুন্সী—চেঙ শুরবা হায়বছু ওইরমাল্লে।

রাজ কুমার মাহল অশংবদি পণ্ডিতনি। শৈরেং-ৱারেং পামজনা ইবা সাহিত্যিক হায়বছুদি নত্তে। নকশিন্না তিল্লবসি পণ্ডিত ওইনাম ভোগেশ্বর অমসুং নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিংহ (পদ্মশ্রী) নি। মুংঙাই য়াইফবা ইমুংদগী ছোরকপা অমসুং খুৎকন-পাঙলবা কাংবুগী মীশক অমা ওইবনা অৱাবগী শক্তি য়ামমক ফংখিবা নত্তে। লৈত-লায়রগী পুন্সি মশক থঙখিদে। অসিনা পুখোক্লবা হোৎনখি মণিপুরীশিংগী অরিবা লাইরিকশিং (টিকাগা কোয়না) রামায়ণ, ভাগ্যচন্দ্র মহারাজ গঙ্গা চৎপা অসিনচিংবা। ভোগেশ্বর, খেলচন্দ্রগুম্না য়ামমক লুপশিল্লবরা হায়বছুদি নত্তে। অছুবু দানদি শোয়দনা ওইরে। মশুং ওইবা রিসার্চ কী লাইরিক্তি—"বীর টেকেন্দ্রজিং" নি হায়বা য়াই। অশংবদি টেকেন্দ্রজিংনি—ঐখোয়দা চীন্না পল্লবা টিকেন্দ্রজিং নত্তে। অতাংশিংবুদু ছুশিনি। অসিনা থখীরমই—নিংথৌ বিক্রমাদিত্যগী য়াজা "লাইফদিবী কুই নিংথোই"। ইংরাজীদসু কজনা খোমজিল্লবা—"Peeps into Manipur" থখীরমই। য়ামমক মশুং ওইবা ওইবনা

"হাওসৈজাম্বা ভৈভন্না সিংহগী [illegible]শিং" পুনশিন্দুনা থম্বীরমইবসিনি। য়াম্নমক [illegible] সংস্কৃতিবু য়াম্নমক শুংশিনা সেবা তৌজরম্বা মীওইনি। ময়ায়স্ শকখঙবিখি। অসিনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী সভাপতি ওইথিবদা নত্তনা সম্মান (গবেসনা ভূষণ); মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীগী খ্বায়দগী বাংবা সম্মান "ফেলো" ফংখ্রবা লাইবক করবা পুন্সী অমনি। মুসলিম ইচিল্লাউশিংগী পুন্সিবুস্ খঙনবা য়াম্না হোৎনরুমই।

ঐহাক মতাং অসিদা লাইরিক্কী মরুমদা নৈনজরোই। ঐগোন্দুগী হেন্না খঙবশিংনা নৈনরগনু। নোংশিংবগী মশক খরদং পুথোক্কচগে। তিন্নবস্ পণ্ডিত খেলচন্দ্রগুম্না অয়ুক মুংখিল্ল খায়দনা চৎমিন্নবগী তাঞ্জা ফংখিদে। অচেৎপা রারী অমফাওবা শাজখিদে। লোয়নবগীদি লোয়নে মকম কয়াদা —মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ তা, কলচরেল ফোরমদা, মণিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীদা চহী কয়ামুক অসি। ইখঙ-খঙদে হায়রস্ য়ারোই। যাম্মক মম্নুং য়ৌশিন্না খঙলব্রা হায়বদুস্ নত্তে। তশেংববুদি-মীনা মীবু শক খঙবা ওয়া? হুত্তিগী লৈমিন নরিবা, রামিন নরিবা, নোকমিন নরিবা নিপা-মুপী ফাওবা অমনা অমবু শক খঙলে হায়বা ওয়া? ওইথোক্তবনি।

ঐনা উজ্জরদা সনখ্যা অসি-মীতিক-মীরো কুপ্পা খঙবা ফাংগি হৌগনরা অমস্যং চনীং তানা খঙবা হৈনরা মীশক অমনি। অশাউবরু [illegible] ওমই। লাইনদি য়ারোই-ষ্টেট কলা একাদেমীগী স্কোলার্শিপ অমস্যং ফেলো-শিপ খনবগী মতাং অমদদি-সুনখ্যানা পুখৎলকপ কেন্দ্রিদেটশিং অত্তু মথং মথং য়ুয়ায়া কুকখৎলকপদা অমুওংদি শ্যথীনা শাউখি। সভা থাদোকতুনা চৎখি। থাম্নবা ওমখিদে। অনিরক শুবনা-মুমিং কয়ানি রিব্বা অৎচুনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী লমগী তাম্নবদা সরকারনা [illegible]না ফংলবদা। [illegible] [illegible]খিবদা খুওবা ওমদহুনা হৌদোকখি— কেপা-খাৎখি। [illegible]বা [illegible] খঙই [illegible]গী মায়োক্তা। [illegible] নবংনা [illegible] পাম্ব তৌরম্বি [illegible] মথক্তা কেপ তৌবা। অশেনমক য়ায়া [illegible]বনি। [illegible] অয়াবা [illegible]দি

শৃঙ্গিং মুংডাইনা, কাছাড়মচিংবগী তোরনা কোরক্তনা মহারোজ, অহক্রোন দুন্নকা নীংবজনা লৌয়নই ।

মপানগী মণিপুরীশিংবু মুংশিবগী লাব্রবা খুদম অমনা মুতিগী অযুক্তা মণিপুরগী অফোঙবা খবরশিংসি খ্রোমজিন্দুনা পারিগী কাছাড়মচিংবগী খুঙ্গন চাক্লবা কয়াদা লোইনা পৈশা তিংনা থাদোকখিবা অসিনি । অসিমক অচৌবা খৌদাং অমনি । মণিপুরগী পাউবু খৌরাংনা ভাইনরিবা কাংবুদা তৌবা অচৌবা সেবা মথল অমনি ।

বৈষ্ণবকী হৌন-লোনচৎতি ফজনা ভাকখি । অদুবু ধর্ম্মগী সভা কয়াদা লায়না উবা ধর্ম্মগী ব্রাহং কয়াবু থুম্নবা হোৎনখিবা মীশক্তি ওই খদে । মণিপুরগী শ্রীঅরবিন্দ সোসাইটিগী চহী অমদা মরীরক ওইবা ময়ামগী সভাদা তত্তনা বার্ত্তন তৌই । লাকপদি কয়া থেংনখিদে । শিরগা করম তৌগদগে হায়বত্বুদি হিংলিভৈদা কমদোনা ময়ামগী সেবা তৌগদগে হায়বগী ব্রাখলনা মপুং ওইনা উই । ধর্ম্মগী অরুবা ব্রাহং অমফাওবা হংখিবগী খুদম থেংনদে । নীংলম্বুদি য়াই লোম্না থুপ্না । লাই নীংদববু য়াওব্রা ভাব তানা নক্রগা তাদনা । সত্যগী, ধর্ম্মগী মায়কৈদা খোঙশান্দবা কনাবু য়াওবগে ? মশক্ত মমিং থেম্নবগী ব্রানি । লাই নীংদবা কনানো ?

মুবানবগী পুক্লিগী মরমদা ঐনা খঙবা লৈতে । অদুবু লোয়নরীনা লৌশিনবদা ধর্ম্মগী লাইরিক মতেক অমদা সহধর্ম্মিনীগী কোটো মাগ্গা অদুদা য়েম্মোকখি । কোটো অদু সোমোন লোকই । অতেং কমা মনুলি হায়বদা সনখ্যানা মতুতবু য়ামমক পামজনা খনখি । মন্দিদা কনবা অতিগী পুক্লিগী অনুমা লৈরবনা কনানা হায়বা ভমগনি । অনীগী নকশিনরগী খুদম অমদি ওইরে । অনীমক লাইবক করনি । মুপীনা মপুরোইরবগী মাঙ থানা চংখিবমকতু পুঞ্জ চেনবগী খুদম্নি হায়না খাজনৈ । অদুবু মহাকা লৈমিদবদা সনাখ্যাগী পুক্লিদা মেনশিনবা ওম্নরোইদবা অহাঙবা অমা থনম্বদুদি কল্পনা তৌবা য়াই ।

অনাবনা কবশিরুক্লা অমুক্তং লাইবক্কক্রোবা ওইনা কলিকতায় চং-লমদাইগী মতমনি। শেন্নরিবশিংনদি ডাক্তরগী মচীন্দগী য়ারনোই হায়বদি খঙলবনি। ঐক্তোন্দা পাউ য়োরকই—কবি অশাংবম মীনকেতননা ইবা গৌরাঙ্গগী চহী ৫০০ শুবগী চহী অমগী উৎসবকা মরী লৈননা ফোঙখিবা—"শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যদেব" প্যানীংই। ঐহাক থীন্দনা কোপী অমা পুরহুনা উনকই অমুক্তা। খঙদে পুন্সিগী ময়মদাইগী মশেক মঙাল ফাওরকপদা মহাক্ললমখে কয়া থৌশারমদবা লাইরিকসি পানীংলক্রবা? ফংবদা য়ায়া হয়াউনা উই। য়াদি য়ায়া ওাঙবা ওমত্রে। মসিমক ঐহাক্না অয়োইবা উনবনি।

কলিকতাদগী থোরকপদদি পাউ তারে—অনাবা থোইনা ফগংলকপগী-য়াকম লৈত্রে। য়াররোই হায়বগী চীংনবা ফোঙদোরক্লে। অমুকসু খরা ফবগুম তৌবা, অমুক হেক্তিনবগী মশক্তি। তশেংবদি অশিবগী লমদমদা যাত্রা তৌরক্লবনি। ঐহাকসু ওহোকপনি—নোংমতং চত্তু না য়ারী-য়াতায় শানবা ওমহৌদে। খরদি মরৈখিগস্রা থাজরুবনি।

কনানো অমনা পাউ পীরকই—মতম অহু সনথ্যানা খঙন-চায়বা কয়াগা বিদায় লৌননীংবা মতমনি। অহুবু অয়াম্বনা য়োরক্লে মথৌ চিন্নখিবনা। অসিনা পুন্সিগী লোইরমদাইগী মতমদা নাইতোম তাখি, মীনা থৌশা-বীখিদে। হায়নীংবা কয়াবু থম্মোয়দা অহুম কোন্দুনা থম্বা তাখি। জাতিগী, পুন্সিগী, লাইত্যাগী মরমদা ফোঙদোক্লিংখিবা আশা অমসুং অনীংবা কয়া তুমিন্না থাজহনা লৈবা তাখি। ওহোক্লমক তুংঙাইতবা মীকুপশিংনি। অহুবু মসি সংসারগীদি চংনবীনি। ঐথোয় পুন্সিংমক হীপ অময়দা খঙন-উজদনা লৈরিবা ওাকনি হায়বা কবিগী ফমনা অহু অচুবনি। কনানগু খঙ-বীদনা, কনানসু থৌশাবীদনা (শেন্নরিবা ইমুং মফুংগী মীওইশিং নত্তনা) নাইত্তোম তানা তুমিন্না থাওবা তাখি। অশিবনা খুংলরবদা তরায়া গুরুপা ওয়াগত্রা হায়বহুগী পণ্ডিতসু ঐথোয়না ফংবা ওমত্রে।

মীংচং লৈবশিংদি শিদে হায়নৈ। চুন্নগী মীংচংতনা হিংবা নত্তনা সনথ্যানা থম্বীরম্নিবা লাইরিকশিং অসি পাররকপদা, নৈনয়কপদা তঙনা

মহাকশু নীংশিংগনি।" থম্বীরম্বা লাইরিকশিংগী লাময়শিংমা প্রমাণ ওইগনি — মহাক্না মণিপুরীশিংবু (হিন্দু, মুসলিম, খ্রিষ্টিয়ান খাৎদনা) জাতি মচা অসিবু, মজাতিগী লোন, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিবু কয়ামুক হুংশিজরম্বগে হায়বছু। মহাক লৈখিদবসি কাঙলুপ মচা অসিগীদমক্তি ভশেংনমক অমাওবা অমনি।

১৯৯০ ইং

(১৭)

অরিবা মণিপুরী সংস্কৃতি অমসুং তন্ত্র শাস্ত্র (২)

অহানবা শরুক্তা খরদং ঙাওজখিবা অহুদা মৈতৈগী মৈহৌরোনগী ওইরম্বা য়াবগী ঈঙ্গিৎ খরা ফোঙদোকচগে। মহুগা কোন্না তন্ত্র যোগকী পৌরম্ব মশকু উৎচগে। মহুদগী ভাব অসিমতংদি লাকপীরম্বা য়াই। বেদগী ধর্মনা চপ চানা মণিপুরদা চংলম্বা য়াবগী প্রমাণ অসি চপচানা থিবা ফংজদ্রি। পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপুগী বেদগী ব্যাখাদা ঐথোয়গী পুক্লিং লৌশিং কয়াদি ওই। অহুবু বেদনা কেন্দ্র ওইবা অসিদি মতম অমগী চৎনরম্মনি হায়না লৌবনা চুমই হায়না নীংজে। খুদম ওইনা "কুন্জা লাইরু" বু "ভৃগু লাই অরুবনি" হায়বা য়োৎশুবী মখোং অহুম্ম বিষ্ণুগী ত্রিপাদনি হায়বা হেক্লিনবা ওইগনি নীংজে। ঐহাক ইশামকম্ম মতম অমদদি মাইকৈ অসোমদা চঙজরুই। অহুবু খা-নোংপোক এশিয়াগী শেংফাওবা মীৎয়েংদগী পারী পুরীগী খোঙ্গুল লীরকপদা বেদগী ধর্ম্ম অহুগা য়ায়মক নকশিন্না মৈতৈ ধর্মনা চৎলমগনি হায়বসি ওইথোক্তবগুম্না থোক্লি।

মণিপুর হায়বা লমদমসিদা "মণিপুর" হায়না মিংথোনবদগীনা তন্ত্র শাস্ত্রগা য়ায়মক নকুবা অসিমদি ঐখোয়না থেংনরে। মহাভারতকী মণিপুরছু

ঐখোয়গী মণিপুরগী হাকনসিন্না রাকম অমসুং। 'মণিপুর' হায়রিবা মখোয়গী লমদম মপাংগী মীওইশিংনা, মরাংগী কোৎগীদা লৈবা, মখোয়গী সীবনিংবা পামনবা মকোক্তা শান্তিদাসনা অমুক মণিপুর হায়রিবা হাযবসিমক্তা শিব শক্তিগী লমদা হাযবগী লেঙদবা প্রমাণনি। শিবগী ত্রিশূলগী মহেংনা ঈশিং চাউং থোকখিছনা তম্পাক ওইখি হায়বসিমক নীংথিজরবা থাজনবা। অমুনি। মৈতৈগী অরিবা পুয়া কয়ামুক্তা গুরুগী রাকম পল্লি ' গুরু ' গী ভাব অসিমক শৈব ধর্ম্মগী লেঙকদ্রবা খুদমনি হায়না প্রোঃ আর এন ডানডেকারনা মত পীরি :—

" The peculiar concept of the Aryan, which incidentally is not of vedic origin, constitutes one of the important characteristics of the Shiva religious ideology. In a sense, the guru tradition is to Saivism what the Avatar theory is to Vaishnavism (Vaishnavism and Saivism A : fresh look)

শিবগী শক্তিগাদি খুবাক্কী খুনমগুম্বনি। তন্ত্রশাস্ত্র পুম্নমক শিবনা হায়বমি (শিবোক্তম) কয়ি অমুক হায়গমি গৌরিয়া বৈষ্ণব ধর্ম্মগী থামবা য়াত্রবা লাইরিক 'শ্রীগোপালসহস্রনাম' অসিমক সম্মোহন তন্ত্রগী মনুং চনবা শিব পার্ব্বতী সম্বাদ (শিবগা পর্ব্বতীগা য়ানবী শাবা) স্তোত্র অমনি। শিবনা লৈভদবনি, শক্তিনা অন্নেংবনি। শিব য়াওদনা শক্তি লৈতে। মৈগী অপোকপগা মৈগা থানবা য়াদে। শক্তি য়াওদনা শিব লৈতে। ঐখোয় পুম্নমক শিবিকা (শিবাঙ্গ) তানরে। মইবীগী লাইশোন তিনশোন্দা শিব থাদোক্তে। গুরু পন্নবা লৈতে। পুম্নমক অসিনা তাকপদি য়ামদ্রবদা চহী লিশিং অমমুক্কী সংস্কৃতিগী শরুক অসিদা শৈব ধর্ম্ম অমসুং শক্তি পূজাগী মমি শায়দনা তাই। বৈষ্ণব ধর্ম্মগী লৈভদ্রবা প্রমাণগী মথক্তা। পুম্নমক অসি পুরাণ অমসুং তন্ত্রগী মনুং চনবা ভাক্তনি। ঐখোয়গী পণ্ডিত খোংনাংথাবপু মশক য়ুম্না থউদ্রি। অহুবু শান্তিদাসকী মহাকা থেনবদা মহাক্না শীজিন্নখিবা মন্ত্র যন্ত্র পুম্নমক্কী মহাকসি তান্ত্রিক সাধক অচৌবনি হায়বগী প্রমাণ থংই।

[illegible] ঐকাগী য়েংশিনবা মীওয়েং লিপি। অমুকখা লোনবাকচকীগী প্রো: [illegible]বিগী। মতম কদায় ইমা সংস্কৃতিগী মরোল মথৌলা কোনথংলগা। হিন্দুগী সংস্কৃতিগা মাওং থকমক কি কুলশিলা লিবদু মাওংথিবদি তৌরে হায়বগী মীওয়ং মাহুত্রি লৌজনিনবা ওইরম্বা য়াই। মৈতৈগী কোনবা মৈতৈশিংগী [illegible] লিংথৌকপশিংনা মীন পূজা তৌকখা (মোরাংবাগী [illegible] সংজ্ঞ তাদা শিবগী থিনহাং মীনবকী অশকনু লৌবি) [illegible] মীনজবা (মনা মহী [illegible] কোকপা [illegible] অমুকনু লাইনিংথৌ লোয়রাঙেনবু নীংবা। চকপগী অরেং [illegible] ক্যাংবুনিংপা তৌবত্বা) অলৌকপনু [illegible] মীং[illegible]গানি। [illegible] লক্কপা। য়াহি পুরাণতন্ত্রগী প্রভাবনা কনখ্রবদা। সনাবহিনা শিবগী (নত্রগা [illegible]শিবগী) শক্তম লৌবা পথংবনা মীনগী মশাক লৌরকপা মমৈদমা তন্ত্রয়োগকী কুণ্ডলিনীগী শিবগা ঊনবগী মশাক মীনগী অমৈ মময় চীকপগী [illegible] অতিয়া নত্রগা শোয়রাকেন নীংবা কাংবুগী প্রভাবতগী [illegible]। আর্ডিংবা গুরু শিদবা মীংথোল কাংলকপা। লৈকরেননা সেবীগী শায়োন ওইবা। সনা মহিনা শিবগী মশাক লৌনা গুরু ওইরকপদা সেবী ওনথনা মমা মচানা নিংপা হুপী ওইনা অমুক তিন্নরকপা। অসিনা হায়রিবা সনামহি, অথংবা লৈমরেন অসিনচিংবগী মশাক থাদুনা পুজা তৌরদা হায়রিব। ময়ামসি পুজা য়াওরকপনু য়াই। মীন নীংবা কাংবুনা নিংথৌ ওইদুনা থারকপদা পথংবনা মীনগী মশাক লৌবা য়াই। অমুক তন্ত্র শাস্ত্রনা কনথংলক্লবদা পাখংবনা দেবী কুণ্ডলিনীগী মশাক লৌরকপা মাওংকপা ওইরে। অসিগা য়োননা হায়রিগী সনামহিগী হুমিংবা মশাক প্রাখংবগী থাগী মশাক অসিমনু মাওথিবদি ওইথোকে। মথংবদি তন্ত্রশাস্ত্রদদি আজ্ঞা চক্রগী মথক্তদি লুমিং থা অমসুং মৈ অকুনমক [illegible]) লৈরি (স্বর্গ, চন্দ্র অমসুং, বৃষ্টি হায়না খঙনহল্লা)। পুরুমক [illegible] অমত্ম, অসম্ভব [illegible]কপদগী থোরকপা রাফ [illegible]। তন্ত্রশাস্ত্রগী মথং [illegible] শ্রীগোপালসহস্রনামতন্ত্রদা ইকাই ২০০ নমনা খুমৈগী চোননা লাইনি [illegible] [illegible] লোপিকতুনা মথাঙো হায়না পার্বতীবা লৈরমলকী চীয়নেনলা [illegible] [illegible] [illegible] পুরুমক মসি অমগা [illegible] নকশিঙরকপগী থুদক্কি।

লাইহরিবগী য়াথম য়োরকপদা থাইদগী চাউনা অপনবা পীরিবনি করম্বা মুকশী অপাকী লমদম অসিদা ময়েক পুখোকুনা লাইহরিক ইবা হৌরিবম্বা হায়রবসিনি। চৈথারোল কুম্বাবগী মকোকী শরুক ইতিহাসকী য়াথম ওইহনে। জিনবত লোনগী ময়েককাওবা ৭ শুবা খৃষ্টগী শতাব্দীদা পুখোকখি। অতিঙ্গি' না ময়েকী অহৌবা ওইরবদি পুরাণতন্ত্রগী প্রভাবনা মণিপুরদা নীংথিজা চক-লঙ্গবদা লাইহরিক ময়েক পুখোরকপনি। অমুকসু তন্ত্রশাস্ত্রগী ময়েক ৫০ নত্রগা ৫১ না মৈতৈ ময়েকী মশীং ১৮ নত্রগা ১৫ নত্রগা ৩৫ ওইরকপনে। হায়বসুদু থিজিনবদা য়াম্নমক মুংঙাইগনি। লৈখিত্রবা পণ্ডিত য়ুমজাওনা পুখোকপীরম্বা ফয়েংগী কোংপরপ্রেতকী য়াথম লৌবা অরবদি য়ামত্রবদা খৃঃ গী ৮ শুবা শতাব্দীদসি মৈতৈ ময়েক লৈরে হায়রবসিনি। মথক্তা নৈনজগ্রিবা অগিগী মতুংইন্নদি নিংথৌ খোংজেকচানা শিব, দেবী অমসুং হরি নীংথদা অগকপা ওইরোই। হায়রিবা ময়েকশিং অসিমসু য়াথম অসিমসু য়াওরি—খোংজেক-চানা শিবগী অশেংবা ভক্ত অমা ওইরবদি হরিবশিংসি মাওলোই। হৌজিক্তি কোরি কোম্পাকশিং অসি খেনেরবনিনা নিংথৌ অসিমক শিবগী ভক্ত অশেং-বা ওইরম্বা তারে।

মণিপুরগী থায়নগী চৎনরম্বা অমসুং হৌজিকসু থুরম্নরিবা লাই খুদিং-মকপু মশক তাকপদি ওইথোক্তে। মমিং ওইবা লাই খর—সনামহি পাখংবা, ইমা লৈমরেন শিদবী অহুম অসিখক্তং নৈনবনসু থায়নগী লায়নীংগী মপুং ওইবা মশক খঙগনি নীংজে। অরিবা লাইহরিক শিংবু অমম ওইমা নৈনবসু ওইথোক্তে। অহুবু হৌজিককাওবদা কোওহনা খেনরিবা থায়নগী ধর্মগী অরিবা পুয় কয়া অসিকাওবদদি শৈব অমসুং শক্তি ধর্মগী অমসুং তান্ত্রিক সাধনাগী মমি অয়াম্বনা ভাই। গুরু (নত্রগা কুরু) ও (নত্রগা উম) হরি, হয়া (হীরিহর) হুং হ, রম অরগী বীজ মন্ত্রশিং পুরুক অসিগী অগত্তা খোঙদোয়রকপা লাইহরিকশিং ভাক্ত ওইবা তৌই। খর অরিবনি হায়রিবা লৈথক লৈথারোল - পুরাণগী অমসুং তান্ত্রিকাসাধনাগী লাইহরিক্তি। গুরুনা লৈশেশ্ধা হায়বগী য়াথম পুরুক শৈব—শক্তিগী য়াথম

অমসুং লাইরেম্বী অমসুং চহিদা ওইরবা মতুং থাবুমগী চম খোনজেলবা মাপী পাবদা, তন্ত্র শাস্ত্রগী অমসুং পুরাণগী মাখলনা মুলপাশিংদুনা লাইরিক অসি মশাক (অপুনবী মচাক খরদি লৌশিন্নরগা), হনখোক্লকপা মাইরিকী পুথম মরম ওইরকখিবী পায়খোম্বী লোতল, "পান্থোইবী খোংকুল" লোনমসুং পাথোইবীগী পায়রগী লৈশিলবা খারী লৈরাকখবা মাই। লৈনুং লৈনবা ওয়ারই। মতুং মণিপুরী সাহিত্য অশিমদা লোংলিবা পানথোইবীগী খোংকুল (পানথোইপী খোংকুল) মাইরিক অসিদু লোংশিনবদি চিনবা লৈতনা হায়পনি শিব দেবীগী মখক্কি। অহানবা পানথোইবীনা অথোইবা শক্তিগী মূর্তিনি হায়বদা অয়োই। পণ্ডিত অমনা লোংপোকপু অতিয়ানি পানথোইবীনা মাচেম মশিনি হায়না প্রমাণ তৌনবা থেনজহনবা য়াম্না কোইমনখিহনা লৌশিনবদা ময়াম থোকই। মকম অমদিদং লৌখৎচগে। লাইরিক মহৌবুরা তাঙ্গরি। পণ্ডিত চন্দ্রসিংহগী অচৌবা মণিপুরী ওইনা পাথোকচরকে। "ওকনা পার্বতী খোমলংকপা জীব হুমলংকপু খাকিবা হায়বদি খাইবী থুংনবদা ওইবী লেং অমা, লোংলোম পোকবা বী রামনগী ওইরকই মাইনবী, অথোইবা লাই ওইবী থাওগী।" লাইরিকী লোইরমদা ইদা অশিমক্কী অশেংবা মশক মচু তেকতাদা উৎলকপদা অমুক্তা হৈকি—

"অরায়বী মশক ওইবা লাই অশীবা অথোইবা শক্তিকী মখল তৌংবা মুমিৎ লিশিং অমা অরাম্বদা থোকলগম উৎপীরেন ... পান্থোইবীনা মৈরা মচু মাইবী যমেক শেকলি ঈশিং মচু মানবনা থারোজেং ওইরসনা লৈথাম মতোন লোমতবা চিংগা মীন খাওন ওনবা তা মতোন লোমতবা পায়রবা মশাম জটা পুরকা লোংকি খুম্বি তৌংবা শেনগী কাতি পায়না লোনপাক লেপমিন-হুনা মৈরী মচুক শেংবী ঈশিং থাকুম্বী লীলা অংকপা অচৌবা থোক্লা হুমিৎ লিশিং মমী মন্ত্রান অমা অশেংবা মশক উৎপীরে" অনিকু শিব দেবীগী মশক প্রাকবনি হায়বা অগা ? পুরাণদা শাস্ত্রদা পুরিবা শিব দেবীগী মরুক অমুকমা মৈতৈগী পারাংকী চেংকী মিতেং খোমলপা লৈকাবনি।। মৈতৈগী পারাইবীনি মশাকনী উবদা।।

"হৌজিক্তি সনামহি লাইনী মশক তাক্কবা হোৎনজগে।" বাসেবা লাংবৈবা সনামহিদু লাইনি হায়না শাক্তিদাসনা চন্ডজয়ন্তবা পন্ডিত খোংনাং-থাবনা ঙৈদক তাকখি। " হে মীরৈবাক মচা নখোইবা জাও। থক্তা হৌখিবী শকেক শক্তৌ চাইনিং অইন ওইবশিংনা থম্বা তাংবী খোজয়মদে। খোইয়ুন শকী শিদবা মহাকপু হেনবা লাইদি লৈতেরে। অহানবা মাই মাইথিবেন শিদবা মাবা কোনবাংশাবী মিমু মথংতোম থেংমুকপা থিৱেন ভুংলৈতুগী মাবা থিয়াং থোকুম লমহৌরকপা সনা কোনফুরেন শিদবা অক্তুমা নিঙনবনি।" (থাগেশ্বা লাংজৈ লামায় ১৩৮)। বৈষ্ণব শাক্তিদাসনা অর্থ অমদা লৌজৈ ভাগ কোবা মোংদগী খঙজয়ে। " লখোইবৈ মৈতৈ লৈবাকী খোইয়ুম লাইশোন অসিনা থাইদগী হেন্না রাংলগ্রে। আদি অনাদি পুরুষ ভগবান শ্রীবিষ্ণু অন্তর্যামীবুনি। (লামাই ১৩৮) লৌরেশ্বা খোংনাং-থাবনা ভট্টাচার্য ভাব তানা "থুম্বীরকই" " হে মহন্ত। চীঙ্ খোইয়ুমপু ওইবা অহাক্তি মী মী মহাকী নিঙজ নিঙজবা অতুগী মতুংইনা পীবীবা মাইনি নীঙ্ত। তান্ত্রিক সাধক খোংনাং থাবগী মকমদা সনামহীদি শিবনি। বৈষ্ণব শাক্তিদাসনা মহাকপু বিষ্ণু ওইনা খঙজবভনি। অমুকনু "সনামহি লাইকন" হায়বা লাইরিক্তা ময়েক থরগা শেংনা উৎলি।" তৌইঙম চীংঙ্ কমাঙবা খোইয়ুক মরী লিজিনবদি কনালো হায়না শাঙৈহংজনবু খোইদা চীংঙ্ ইহিংশাং খোইয়ুম তুয়ান লোঙবনু থুঙনবা শক্লাং অটাইহনা গঙলাইজা। ফিপুবা; মালেম নিঙ্থৌ তৈবা; অমাঙিং চাক চানবা, মীচাক ওইনবা থিঙ্গা উবাকাইয়িদা খন্দোখবা লাইনিংথৌবু চীংঙ্ ঐনী ঈরী লিতীরেয়ে।" (সনামহি লাইকন ইভিং শ্রীভোলেশ্বর লামায় ৯৮)। মাকম অসিদগী সনামহিগী লাইনীং অসি শিবগী লাইনীংনি হায়না অক্লি। পন্ডিত মাধব অমসুং থেংচন্দ্রনা খোম-জিনবা চংবকিব। সনামহি ঈরাংশগী তেবা লাইশোনগী থৌডৈক অমতং লৌমংচগে। " হয়া হে খোইজোম লাইয়িংথৌ অবাং মাংলৌ মাইম খোয়া চীঙ্ মাইবী অতুংনবা মাতিঙ্গা ভঙলৈথিং অদুমদা অহিংবা অনাম্বা পুক্নমকা কন্নে থাংকোক হুহযবু চাচন হৌরকপা লাইরিংথৌ-ও।" খোইজোম

লাইয়িংথৌ তাইবং নমু শং শং লোন খ্রিবা, চীঙ্গু য়াইবী খোঙ্গেমেন্না কোয়ৌ অরাংবদু তাইথংগা রাংবন লাইচিকবা, মেন্দোকপা মনা চীংতোনগন য়াইবরন্দা কমফবা পায়েল উগুলিদা লাইতোকবা মতিক মথৈ খণ্ডবা খোইরা লিছৌ নাইদবা, নংবু কোয়ৌ মুমিংতা কুম্বরু মণগ্রেং। রাংবরু লোংমিত্তা কুম্বরু নাঙম থরা তেরানলকে। হে খোইমোম লাইয়িংথৌ শ্রমো নিংথৌ অপানবা নচুবু মৈগী মচু ওইবা নমিংদি অক্লেং খোনজলগী অনি লৌথোক্নুনা। মঙা খোনবা মঙাদগী য়াম্মনলে হায়রুনা। অহুম খোনবা অহুম্বু য়াম্মনলে হায়রুনা অনি খোনবা অহুম্বু য়াম্মনলে হায়রুনা। মমা খোনবা নমিং " র " কৌবা হে লাইয়িংথৌ নংবু ননাইনা পুনেমজরিঙ্গ কুবিও।" (লামায় ৭৪) মথক্কী অসি নত্তবা লাইশোল থরদা সনামহিনা খোউরকপদা মুমিং ওইরম্বা য়াবগী থাজবা লৈ। অহুবু খেংনরিবা লাইরিক থর অসিদদি শৈব শক্তি সাধনাগী মনুং চনবা ওইনা সনামহিবু শিবনি হায়বসি ময়েক ফনা শেংলে। সনামহিবু " র " মিংথোনবা তান্ত্রিক সাধনাগী মনুং চঙ্গে।

পাখংবগী রাকম অমুক লৌখৎচরি। পণ্ডিত খেলচন্দ্রনা খোমজিনবা থায়নগী শৈরেংদা পাখংবা লায়েনশৈদা অস্তুম্মা হৌরি –

" গুরু খোজান মায়োক্না
থম্মোই লাইদা কওনদি
থুরুমগে সে
সণ্ড লেংনা তিনবণা
পুঙ্গি শেয়োং নিজনা
তাবিওসে।
অহনগুম্মা লাইওইবা
তুবী লাইরেন শৈতুবু
শকলককেসে।

তুম্বী পাৰ্বত মুংদগী [illegible]
লাইরেন তাউরোইনাই হুবু
থোকলকলেসে
চীরল লাংজেন অরেপ্পা
মৈরা তন্নুং থইনদি
তানকলেমে
সনা থম্বাল লৈওংনা
চেংজো মিখুং লাংবদি
কয়িনো সে।
উনবী চংদম মুংদগী
লাইরেন তাউরোইনাই চলে
হক্কুনো সে
তাউরোইনাইগী চকদা
সনা থম্বাল শাংলকপা
নীংথিরেসে ”

(থায়নগী শৈরেং লমায় ৬)

মথক্কী অসি পাক্নবদা “ তাউরোই নাই ” অসি দেবী কুণ্ডলিনীনা মৈরী থোক্লা থম্বাল ৬ ফাওদুনা কাথংলকপগি হায়বা চীংনমিতাই লৈতে। মৈ-হৌরোন্দা পাখংববু চুমনগী লিন ওইনা নীংনরম্বা য়াই অদুবু সাধনাগী ঈহৌ লাকপা মতমদদি পাখংবা চপচানা দেবী কুণ্ডলিনীগী মশক লৌরে। মৈতৈগী পাফল হায়রিবসিসু তশেংবা শক্তি সাধনাগী হুকচাংগী মফুংদা লৈরিবা চক্রশিং অসিবু মথং মথং লানুশিলকপগী সাধনানি হায়বদা থোইনা চীংনবা লৈতে। থেঙ্গোরোলগী ময়েকসু অদু মঙায়।

মথক্তা পনজত্রিবা পণ্ডিত মাধব অমসুং খেলচন্দ্রগী লাইরিক অদুদগী লাইনিংথৌ পাখংবা খুরুম্বগী মতেক অমত্তং পুথোকচগে “ হুম হুম হুম উম হে পোইমোম লাইনিংথৌ অতিয়া উংলে হুংগী অমম্বা য়াইবী মতুম্বগী

অথুবা পোকলেম, য়াইবীরেনগী চিথোইবা ও লৌ য়াইবীরেন শিদবগী লিহুইকম মুথোং য়াইবীরেন চিথেক্লিবা অরাং লোংবু মহমহুংগী অমত্তা, হুন্দোকলে য়াইবীরেন শিদবা মরিমক্তা মাতাফম অমাইলোংদবগী লিহুইকম, ভীবা য়াইবী মতুম অতোবগী লিহুইকম, অমম্বা ওয়া লাইজা ঈফমলেনগী চিথোইবা, থিরেন উংলেনবুংগী খাকপা হুঞলোইননা অতিওঙা য়াইবীরেন শিদববু নাশিলিতিমরকপা লাইয়িংথৌও। থিরেন চামুকথাই পেংম য়া খোন্নচেনগী লাবা থিয়াং থোক্লা লমহৌরকপা লাইয়িংথৌবু ভাইরোইনবা থিরেন হকসাং ওইনা লাইজা ঈফমলেনগী তোঙ্গৌ য়াইবীরেন খোইমোম কোনজিন তুথোকপ ওঁখি লাইজ হূম ওইনা চীংও উনবীখোইথানুংগী থম্বাল লাকোংমানা মুংসু মুংঙাং মাপনমকপু হূইথোক্লকপা লাইয়িংথৌ য়েংঙাও তাও-বীরোইনাই তাওবি ইরোইনাই লাইরেন তাওরোইনাই অহুম্মক্তা হন্নোংবা মুংমু শিদবা মুংগাং মহারাবা য়াইবী মুংঙৌ পিমাবা অহুম্মক্তা থিরেন খোইজিনুংগী থম্বাল লৈরিকমানা হূইথোক্লগা মুংমু মুংগাথক্তা। লৈরিক মুংগাং মহারাবগা তিল্লি তোন্দাও লিঙ ওরেনগা খোইমোম ফিতুপ অহুমগুবা ... ... । য়াইবি শিদববু লাইরেন লিন্দাংশাংবা কৌনা খোংলেন তুথুপ শেমলক্লে। সনা কোনশৌরেন কোনখৈ হূইরেন লাইরেন য়াই চীংও শিদবা কৌনা থবি শেঙ্গোইরেংবু নাশিনা লোইদাম থাজা পাখংববু ... ... চীংও নংগী নশাই-ওন্দি হয়ি চক্তা পাখং য়োইরেন নোংপোকপা কৌএ। হয়াচক্তা তাংজা লিল্লী পাখংবা কৌএ। খুমুচক্তা সেক্রেং লোলাং পাখংবা কৌএ। লাংবচক্তা তুবিরোই নোংতা লাইরেন পাখংবা কৌনা লাংওনবা লাইয়িংথৌ নমিংবু "স" কৌনা মমু ননাইনা পুন্নেমজরিএ" (খুমুং লিচং শাজং — ৭৫-৭৬)

মথক্তা পাখংবগী মস্তিক মণ্ডল তাক্লিবা থরুসিদগী পাখংবগী শক্তি অসি কুণ্ডলিনীগী শক্তি লোই হায়বা শেংনা খঙগনি, অদুগা অমুক "স" হায়না মিংথোলবসিনা তান্ত্রিক সাধনাগী মমুং চক্র হায়বা খঙনগনি। মতম অমদা লোইদাম থাজা হায়না খঙনরম্বা পাখংবনা মৈহৌরোনগী লিন পুজাগী মশক

ওইরমুনা মিংথৌ খুনগা অকুরকপা অমসুং চুম্মী লিমা : অমুক দেবী কুণ্ডলী নীগী শক্তি য়াওরকপা অঙকপা ওইরোই। অর্থ অমত্তোমদা অমুক সনামহি (অক্তাম বিন্দু) থীংলবা অহূনা দেবীগী মপুং ওইবগী লাইনীং লৌরকপদা নিংথৌগী শিন পাথবনা দেবী মঙং লৌরকপদু য়াই। সনামহি। থাগৎকবী ওইরকপদু য়াই। গুরু হায়বা থাহে অসি তৎন থানব। নৈরনা য়াওবনীনা শৈব শক্তিগী থাথলগী থাংমদগীদি লাক্লোকপা ওইগোক্কে।

গুরুগা লোইনরিবা লৈমরেন শিদবীগী মতাংদসু চাউরাক্লা খণ্ডনরিবা অসিদগী হেল্লিনা লাইরিক্কী প্রমাণ অমা অনিদং পুথোকচরকে। লৈমরেল সেক্লিংদা লৈমরেলগী থাক্ম য়াওরি। অসুম্না হৌরি—"হয়ি হয়া হে হে খোইয়ুম লাইয়িংথৌ। নত্তিক খণ্ডহনবীবা চীংগু কুরুম শিদববু থুরুময়িজরকে। কুরুম শিদবনা হায়য়ে। হে মীওইবশিংও হল্লেল হানবা মহাক্তি। থরাই লুচিংববু অহুম থোকয়ে। অমুকসু হকচাংদা হঙ্গিন্দুনা থরাইগী মশক ওইনা মফম অহুমমক্তা ঙাকপিরিয়ে। মফম অমদি থোইনে অমদি থম্মোইনে অমদি মিংনে। (লৈমরেল সেক্লিং : ইথোকপা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র লাঃ ৯)। মথাদা অমুক পল্লকই "র" না লৈমরেলনে "হ" না হরিনে মৈ ঈশিং লৈপাক নোংথৌ মুমিং থা থরালমিচাক খোংজোমনুবী অসি থিবিকসু ময়েক অহুম স, র, হ, অসিনা হ রস হায়রগা হঙ্গিনখি।"

"থম্মোই য়াংমোই" হায়বা লাইরিক্তা মথক্কী থাক্ম অসি থরগা অমুক ময়েক শেংনা পল্লকই। মতাং অমত্তং লৌথচরি—"থম্মোইগী থম্বাল অঙুপ অরোং অনিমক্কী মরক্তা য়াচীং লৈবনে মনাক অহুমা থরালমিচাক গুরু শিদবনা পানলিবুনে। চীং অপীশক অমসু লৈবনে থরাইগী কবীনে লাংয়েন শিদবা কৌই। নিংথৌ লেংদ শিদবদি লাইবক্কী শল্লাই পিগুম অনিমক্কী মরক্তা ঙাম্না লৈবনে লাংয়েন্না মাইথোংদা লংনা থোক্রবদি হকচাং য়ুমশিংগী হায়বনে খোমজিনবা ক। (থম্মোই য়াংমোই—ইথোকপা ময়াংলম্বম গৌরচন্দ্র লাঃ ১০)।

পান্থোইবী খোঙ্গুলগী মাপাঙগী...লায়কম খরসি অমুক "পান্থোইবী নাহৈরোন" কৌবা লাইরিক অমা পাক্লি। পণ্ডিত নাওরেম অমুয়াইমা সিংহনা অনৌবা লোন্দা হন্দোকলবা মতেক অমতা পুন্সিনচরক্লে "ইপা ইমা ওইবী লাই মুগী পুন্নমক্তগী অহেনবা অচৌ অপাং কোন্দা লোকপী মৈ মিংথৌগী মচা ইবেম্মা হে তক্পা পান্থোইবী নংনা চৎপদা অপনিরা লৈতবী হৌরকফম খণ্ডবী হে তক্পা।' (পান্থোইবী নাহৈরোন—অনুবাদ পণ্ডিত অমুয়াইমা লামায় ১৬)" পুন্নমক অসিগী কোঙনা মৈতৈগী ওইনা লৈজবা লাইরেম্মা খরসু লৈরি। "ঈশিং লাইজা ঈরৈমা" খুন্দসা কোরৌ লোংথৌরেল তরেৎমক্তগী কুম্মকও। মালেম লৈময়োন তরেৎমক্তগী কাক্কও। রাকম অসি তন্ত্র হকচাংসু লৈরিবা মপানগী থকী ময়োল তরেৎ ভূ ভুব, স্বঃ, মহা, জন, তপ, সত্য হায়বা লোক তরেৎকী রাকমদসু য়াওরি। অসুম্মা লৈজরি য়ুমজাও কা সাপন শাকলগী 'য়ুমজাও লাইরেম্মা'..... মৈতৈগী ওইজবা। অহুবু পুন্নমক অসি অখোইগী অহেন নাইনা শৈর, শক্তিগী লাইশীংগী অমসুং তন্ত্র সাধনাগা তংসং ওনবা লৈতনা য়াওরি।

অইবা সাহিত্যগী নত্তবা, মাইবা পণ্ডিতশিংনা চেকশিন্না য়েংহনা চংথরিবা লাই হরাওবগী জগাও মীকুপ থরদং য়েংশিনবা য়াই। মোইরাং হরাওবগী থাজনবদা লৈশেম্মকপদা ইবুধৌ থাংজিংনা কৈ অচৌবা তোংহনা অরাংবদগী মালেম লৈবা কুমথরকপগী রাকম য়াওরি। মশানৌ তক্পা লাইরেম্মগা তিন্নরকপসু পন্নি। লাই হৌবগী অহানবা য়াগেরোনগী মতেক অমত তাবিয়ু।

ইয়িচা হয়াহে হৌইরৌ হয়া হাহনা শৈহৌবা
হে খোইয়ুন লাইনিংথৌ কেগে খোইবা ভাংভোই
লৈশেম চৈহৌবু খোইয়ুম শকয়োন য়াম্বা য়াহিয়া
পৌকলেন অরুবা হে খোইয়ুম শকয়োন য়াম্বা য়াহিয়া
পৌকলেন অরুবা হে খোইয়ুম লাইনিংথৌ
কেগে ময়াইরেনবা মোংবা অমাংবাইদা পৌহু তুংজবনা।

হয়া খিলয়হৌবা চৈংজা অচুগুথবু মালেম থৌরেঙবু
অমুখ কোংগ মোইরাংবু কোনজাইবা রাইরা শাদিং যাবা
থাংজাওবরে লেয়া শাইওনবা হেরকুলা আইমা চৌঙ্
মাবু তকন ইরাক মানা খেংথাজনরোই।

"মণিপুরী লাই হরাউবগী ফেষ্টিভেল" : ফোজয় মনিপুর ষ্টেট কলা অকাদেমী ম্যা : ৭.)

মোইরাং হরাওবগী থোংচিবদা সনামহিনা মমাংদা চংখিনি মচুংদা লাই-মুরা ৭ দোলাই তোংদুনা মথংদা লাইবুংথৌ ৮ দোলাইগা লোয়ননা মথংদা অক নোংলাবা মথংদা মোইরাং থাংজিং লাইনা লাইয়াম কোনদুনা চংকনি।

ককচিং লাই হরাওবদা উমংলাই ৬ নি থম্লাংবনা খুনগী লাইনি অচৈনা মুমাক শাগৈগীনি। থম্লাংবা লাইনিংথৌ অমি অজিংকোক গুরু শিদবগী খোয়রকপনি। তারেলদা চংলুদুনা লাইরেম্মা ইরেম্মা থোংলাং চমু শিজ কালিকা লুহোংদুনা উরিপোক্তা হায়না খুম্ভাংগ, অথংদা ককচিং মেয়রকই। মরী অসিদা শিবগা দেবীগা তিন্নরকপগী অমি শোংবা তারি। ককচিং অম-মনগী মীওইশিংগী তোপ তোঙা সংস্কৃতিগী মশাক অমা থিজিনরাং চওলি।

অশেংবা হরাওবনা ময়ামদগী প্রমুক তোপই। মসিদা শিজিন্নরিবা লাইশোল তিনশোন্দা তন্ত্রশাস্ত্রগী ময়েক শেংনা য়াওই — হু, ম, হ্রীং, হ, হ্রিং, র, ছিং ছিং অসিনচিংবদা শিজিন্নরিব থাজনবগী মশাক অমা হে গুরু শীওই নাওইবিরিবা তুমাং শমজিন কিরগা পম্মৌ হায়না পাউথুম্বিরিবা গুরু তুতুং শমজিন কিরগা পলেম হায়না পাউথুমবীরিবা গুরু, লরাই চক্র কোয়রেপ্লক্তা কিরগা গুরু হায়না পাউথুমবীরিবা হে গুরু শীওই মাওইরিবা, মথুক্তা কোরৌ ওই মনমা মাখেতা ওই মমিং অনিনা থুমিং ওই, মমানা মোড় ওই মুঙনা উ-রা নাপী-শাংবী ওই মনা অনিনা উয়াম ওই, মথোক্তা কোকতৌমিন্নি ওই মনিলনা লোংমন কোরি ওই উনা জিখিং ওইরম" (মণিপুরগী লাই হরাওবগী ফেষ্টীভেল লামায় ২০) লাই অহুম পুখোকপদা মাং, হুয়ং ওইনা অহিংবা, অশিবা, অরাংলুরাং। অকোকবগী অনি মরাং মরি পাজিং মথোক মথোক অনি ওই

অকোনবদ দি তাউরোইনাই পাথংবনি কৌই। কোক্সিন অনিশুবা মনায়রিবনি কৌই। মথক্কী থরদং উৎচরিবা অসিদ। পুরাণগী অর্দ্ধ নারীশ্বরগী মশক থেং-নগনি। পুনম নিংথৌ অসিগী শায়ওনদু সত্য, ত্রেতা, দ্বাপর অমসুং পুনম নিংথৌ লাইনিংথৌ।

চকপা লৈত্রাম অমসুং চকপা ফয়েং হরাওবদা অপোকপা শোরারেলনি হায়না লৌই। ফয়েং হরাওবদা কৌব্রু অমসুং লোয়ারাকপা হরাওই। লৈমরাম্না লোইয়ারাকপা হরাওই। অনিমক্কী থাজনবা য়ারী অমন—শোরারেন শিদবনা য়ারৌ শক্তি ওইনা শায়োন্দুনা চকপশিংগী মমাংদা তোংথোকই। চকপা অরাংবা, চকপ নরাং মেলোংবা অমসুং চকপ মেনাং হাংমেংমিৎ হায়রিবা চকপরেনশিং অহুনা তাম্নবদা কোরৌথক্তা চেনখ্রবা শক্তিবু তাম্নরক্লদা শোরা-রেন্দা লাইয়াম হরাওবা অচু থেংনরুই। মহুগী মতৌ তম্লহুনা চকপশিংনা মালেমদা লাই হরাওখি। লৈমরামগী হরাওবা হৌবদা লোয়ারাকপা অমসুং সুংথেল্লেমা অনিগী শক্তম পোলাংনা শারগা মচুদা পিথ্রাইগী কোমায় হাপ্লগা পুথোকই। মথংদা শোরারেন কম্বাল লাথোন ৯ শেমই।

মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থরা অসিদগী হায়জরিবা য়াকম অসি শম্নপনা অমুক্তং পুশিঞ্জরক্কে। (ক) বেদগী মতমগী আর্যশিংনা ভারত্তা লংক্রিঙৈদা য়াম্নমক পাক্না শন্দোক্না ধর্মগী কাংলুপ অমসুং মওং লৈরমই। ইন্দস ভেলিগী সভ্যতানা প্রমাণ তৌরদা শৈব ধর্ম অমসুং দেবীগা কোম্নবা লাইনিংগী মশক অমা হায়না লৈরমই। মতুগা মরী লৈননা ভারতকী মফম কয়াদসু পাক্না শন্দোক্লু-না লৈরম্মগনি। অনিশুবা শৈব ধর্ম অসিগী মমুংদা দ্রাবিড় জাতিক্তা নত্তনা মাঙ্গোলোয়েদ নত্রগা কিরাট কাংলুপশিংসু মসুং চল্লি। মণিপুরসু হায়রিবা কিরাটশিংগী লমদনি। বেদগী ধর্মনা মণিপুরদা চংলবা অমসুং হিন্দুগা মরী লৈননবা লাইনীং লাইশোন্দী প্রমাণ ফংজ্রি।

খ) বেদগী ধর্ম মরাম্ন চায়থরক্লবা মতমদা ভারত্তা পুরাণগী অমসুং তন্ত্রগী ধর্ম কনখৎলকই। থায়নগী নমথরুরবা লাইনীং লাইশোন কয়াগা

কোয়না অমুক অসি গুপ্তা ধর্মগী অকনবা ঈহৌ অমা ভারতত লাকই। মৈতৈ-শিংগী মপাগী য়াম্লগী অপোকপা খুরুম্বা অমসুং উমং য়াম্বং খক খা অমসুং অয়ুকে ৮-অমসুং লমদমশিংগী কোয়বা লাইশিংদা শৈব ধর্মগী অমসুং তন্ত্র-শাস্ত্রগী লেঙএরবা প্রমাণ ফংই। অসিনা য়ামদ্রবদা চহী চানিপাল্লমুক্তী মতুংদা কোঙনরিবা লাইরিকশিং অসিদা হায়য়িবা অসিগী য়াম্নমক ময়েক শেংহল্লি।

গ) প্রোফেসার (ডাক্তর) রাধাকৃষ্ণনগী মত্তা শিবনা দেবীগা য়ারী শান্নবশিংসি লাইরিক ওইনা সংস্কৃততা তন্ত্রশাস্ত্র ইথোকপসি খৃঃ গী ৭ শুবা শতাব্দীদগী হৌই। অসিনদি মৈতৈশিংগী লাইনীং লাইশোন্দা য়াওরিবা খরা অসি সংস্কৃত লোন্দা ইবা শাস্ত্রগী লাইরিকশিং থাবদগী থোরকপা নত্তে। জাতি অসিগা মৈহৌরোন্দা কোন্নজরবা কিরাটশিংগী লাইনীং লাইশোন ওইগনি মতুংদা তন্ত্রগী লাইরিকশিংগা শম্নরক্লবদা ময়েক খরা শেং-হন্নবন্সু য়াই। অন্তবু থেংনরিবা খরা অসিদি মৈতৈগী ওইবা তন্ত্রগী সাধনাগী লম্বী অমনি। চৎথরিবা য়ারী কয়াদস্সু লমদম অসিতগী ওইবা য়ারীনা মপুং ওই। পান্থোইবী খোঙ্জলগী পান্থোইবীদা দেবীগী মশক য়াওই। অন্তবু য়ারীদি মৈতৈগী ওইবনি।

ঘ) মৈতৈ জাতিগী হৌফম লাকফমগী মরমদা হৌজিকফাওবা অরেপ্পা হায়বা ঙমদ্রি। থোইদোকস্সু থংনবা লমদম কয়াগী কিরাটকী লমদমশিংগী অমসুং মপুং ওইনা খা নোংপোক এশিয়াগী সংস্কৃতিগী মশক নৈনবনদি চপ-চান্না মণিপুরী সংস্কৃতিগী থায়নগী মশক লেপ্পা লুগনি। অসিনা ইজিপ্তকী মশক ওইনা থমজখিবা খরসি য়াহৌদোক্তনি। লম্বী অসোমদা চঙশিনগদবা য়াম্নমক্ত রাখলি। মৈতৈ ময়েক্কী অরেপ্পা মশক খঙবগা লোয়ননা অইবা মণিপুরী সাহিত্যগী হৌরকপা মতম লেপ্নক্লবা অতুগা মৈতৈগী অপুনবা কাং-লুপসিদা চঙশিনখ্রিবা শলাই ৭ অমসুং অন্দ্রো চকপা ফয়েং লৈত্রাম্নচিংবগী সংস্কৃতিগী মশক খরগা হেন্না খঙলকপদা অমম্বা অসি খরগী মথৈদি ক্রোকপা ঙমগনি।

ঙ) শৈব ধর্ম্ম অমসুং তন্ত্রশাস্ত্রনা হিন্দুগী মীওয়্যাংদা চঙবা তারবদি মৈতৈশিংসু হিন্দু ওইবদি বেদগী আর্যশিংগী মমাংদগীদু হায়া ওইরে খায়না লৌবা য়াই। খৃঃগী ১৫ শুবা শতাব্দীগী বিষ্ণু মন্দির শাবদগী ঐথোয়না সনামহি পাখংবগী লাইনীং তম্বা নত্তে। সংস্কৃত লোনগী মতেং ফাওবা লৌদনা ঐথোয়তগী ওইবা ইরোন্দা ঈপা ঈপু নীংবগী লাইনীংগা কোয়না কিরাট জাতিগী শৈব ধর্ম্ম অমসুং তন্ত্রগী মশক চৎনবা হৌরে হায়বদা হেন-জিনবা থোক্লোই। বিষ্ণুবু পুজা তৌবা, বৈষ্ণব ধর্ম্মদি মপান্দগী চঙলকপা য়াই। অদুগা শৈব ধর্ম্ম অমসুং তন্ত্রগী সাধনাদি ঐথোয়গা কোয়জরবা ওইনা চহী চা কয়ালি লৈজরবনি। মৈতৈগী ওইবা তন্ত্র সাধনা শিব দেবীগী লাইনীং লৈজরবনি। মতু কিরাট জাতিগী ঈপা ঈপুশিংগী লাইনীং লাইশোন্নি।

১৯৭৯ ইং

---

(১৮)

রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎকী শৈরেং

মনিপুরী সাহিত্যদা বিশ্বকবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগী রাথল অমসুং শৈরেংগী প্রভাব থাইদগী হেন্না তাবা কবি কনানো হায়না হংলবদি চিংনবা লৈতনা খুমগনি কবি রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎনি। থরগা অমুক কুপশিন্না—মনবা রবীন্দ্রনাথ (হৌরকপা ময়ায় নত্রগা পুন্সি য়াচংলকপা) হায়না হংলবদি অদিমতু খুমগনি— অহৌবদগী ময়ায় ফাওবনি। রবীন্দ্রনাথকী ময়ায় ওই-রকপা পুন্সিগী 'মানসি' 'সোনার তরী' 'চিত্রা' অমসুং 'কল্পনা' গী মতমগী ফজবদা ভাওবা কল্পনাদা তাউবা মালেম লৈমগী অরাববু মশক চপচানা উত্রিবা মতমদুগীনি। ফজবগী পুজারী সুরেন্দ্রজিৎনি। আনন্দগী ভাজনি।

মহাক্কী বাইবেল হাক্কলগা অথুবগী চাম্বনি। অসিনা 'বসন্তগী বাঁশী (১৯৭৮) গী মহলা চরণ অমত্তা হৌরি—

থম্মালগী থম্মোইদা ঈহোবা হে অথুবা অথুবা

খুমহনবিয়ুনে, অমুক্তা

অথুম্বা মশক খণ্ডত্রিবা

চিংনবগী রাহংনা খারবা মীংথেংং ময়ামসে

তমথীবনা শুরুবা

ময়্বা হিংচা পুরক্লীংসে।'

শৈরেং নৈনত্রিভৈদা কবিগী পুন্সি শক্লোনগী চাউরাকপা মশক অমা খণ্ডবা তঙাইফদে। ইং কুমজা ১৯২৫ দা পোকপনি। ধনমঞ্জুরী কলেজ অমসুং বিশ্বভারতী (শান্তিনিকেতন) গী ছাত্রনি। ছাত্রগী পুন্সিদা ছাত্র কংগ্রেস য়াওত্তুনা নেতা ওইনা ফীরালগী সত্যগ্রহদা চণখি। ইং কুমজা ১৯৫০ দা শ্রীঅরবিন্দ আশ্রম, পণ্ডীচেরীদা চহী অমমুক লেল্লুই। স্বামী রামদাসকী আশ্রমদা খরা লৈরগা ঋষিকেশতম্ভু মাঙলুই। থোরকপদা স্বামী উপাধিগা কোল্লনা লৈঙাঙ শণ্ডবা ফি মতেক অমা শেৎলমই। ১৯৫১ দা ইম্ফালদা বিশ্বশান্তি আশ্রম লিংখৎলি। আশ্রমা কায়খ্রবা মতুংদদি ওজা ওইবগী পুন্সি লেন্দুনা ধনমঞ্জুরী কলেজদা মতম খরা লৈরল্লগা কাছাড় কলেজ, শিলচরদা মণিপুরী লোন তম্বীত্তুনা পুন্সিগী অরোইবা শরুক লেনখি। খ্বাইদগী তোপ-জোল্লা পুন্সীনি— হৌগৎলকপা শরুক্তা চীংয়া তময়াদা লাইনা চেনবদোনা মাঙলুবগী য়ারী ফাওবা তৌনরি। তপথবা ওমত্রবা য়ায়মক ড্রামাটিক ওইবা কবিগী পুন্সিনি। মনিবু মওং অমা হোংলকপদা শান্তিনিকেতন শ্রীঅরবিন্দ আশ্রম অমসুং মণিপুরগী চীংয়া অয়াগী অপুনবা স্মুরগী ঈচেল য়াওরি।

মপুং ওইবা শৈরেংগী লাইরিক্কি লামায় ১৩২ পানবা ইং কুমজা ১৯৭৮ দা থোঙবা চহী মাপনগী শৈরেংশিংগী (১৯৫৮ দগী ১৯৬৬ কাওবগী) খোমজিনবনি। হৌরকপনা শৈদম্বগী অহানবগী শিন্থা 'খাংখিরবী' (১৯৪৭) চৈঅরুক্কী ওইনা তৌবা য়ারেং শৈরেংশিংগী খোমজিনবা 'সাহিত্য লৈচল'

(১৯৫৪) 'সাহিত্য অশোয়া' (১৯৫৫) অমসুং 'লাইরেম্মা নপাক খোঙদাবা' (১৯৭৫) য়াওরি। শৈরেংঙনা শোন্নতুনা শৈরেংগী টেকনিকী মরমদা চঙ্ক খোল্লবা লাইরিক "ছন্দবীনা" ফাওবা ফোঙলকই। কবিবু অশৈবা কৌবা চুমত্রা হায়বদুদি খণ্ডবে অহুবু, সুরেন্দ্রজিৎতি কবিনি, অশৈরনি চৈংনবা তৌ-তনা। মহাকী শৈরেংদা য়াওই তোপ তোপ্পা কজবা অমসুং মঙাল অহুগা ঈশৈগী ময়েক্তনা খোংজবা নৌরবা ভাব।

য়াহং অমতংগসু নৈনথোকপা য়াই। কবিনা মশানা মশাবু শক খঙজ-বা ঙমত্রা? রবীন্দ্রনাথকী শৈরেংদা খঙ হৈরবা আলোচকশিংনা পুথোক্লক-পদা কবি মশা ফাওবা ঙকখিবগী য়াবী লৈরি। ঈশৈ জগোয়দা তৌবগুম্বা শৈরেংগীসু 'সহৃদয়' ওইরবা অপাবা চঙই। কুপশিন্না য়েংবা হৈরবা ক্রিটিক্কী দরকার লৈ। কবি মশানা খঙজবা অমসুং খঙবা ঙাক্নসু ওইদে। রসিক্কী চঙদবা য়াদবা মতেং য়াত্তই। রাজকুমার সুরেন্দ্রজিৎনা ইথোরকপা শৈরেংবু মশানা খঙজবগা অপাবশিংনা শৈরেংশিং অসি নৈনতুনা পোক্লকপা রাখলগা মান্নফম থোকই হায়বগী অকক্লবা লৈতে। করিগুম্বদা মান্নরকপসু য়াই। মান্নদবসু য়াওগনি। য়ামত্রবদা সমালোচকশিংগী মীৎয়েংদি কবি মশানসু খঙফম থোকই— মশক অহু মিংশেলদা মমি তাহল্লগা মশানা য়েংজ-বগুম্বনি। নৈনগদৌরিবা অসিদা মুংঙাইতবা অমতংদি পোক্লে। লৈখিদ্রবা কবিনা পাহুনা পাউখুম পীনবগী খুদোংচাবা লৈরোইদৌরি।

'শাৎনিংবী' নচিংবা ফোঙবদগী হোৌরতুনা চাইনা লৈরিবা সুরেন্দ্রজিৎকী কবিতাশিংদা "বিশ্ব" গী রাখল মীৎয়েং অমসুং মণিপুরদগী লাম্হোকখিতুনা ভারত ফাওবা কাল্লমতুনা পৃথিবী পুম্ববু থনবগী মমি ময়েক শেংনা তারকই। বিশ্বশান্তি বিশ্বপ্রেম হায়বসি কবিসিগী থৌম্হোক্নি। ভারতকী বেদ অমসুং উপনিষদকী ভাবশিংনা মহাক্কী থৌম্হোক্তা চঙই। মতাং অসি রবীন্দ্রনাথকী শৈরেংদা ঙাওজবা মতম্নি। অহুবু মওং অমা তানা ফোঙদোক্লকপা কাব্যগী মশক্তি উবা ফংগনি— 'বনকী বাঁশী' দা।

লাইহরিক আমসুং শৈরগী মতাংদা কবিনা হৌজিক লৈতেংলবগী মরমদহ্ন করবা নাইত্রবা মেজৌ ওইনা লৈরবা মতমগী শৈশকুনু থকপা নাইত্রবা খোঞ্জেলগী ঈবুং ওইনা লৈরবা বসন্তনি। অনৌবা থরায় পুবা অনৌবা চেতনাগী মশক লৌথিবা। অনৌবগী মশকতম ওইরবা বসন্ত মশামক্তা খোংবা বাঁশীগী শৈরোন অমদি কাব্য লেংবা অশৈবনা যৌবনগী ঈচেৎ পুবা মনবা নাইত্রবা বসন্তগী মরমদা তাকপা শৈরোল—অমীমক্কী অপুনবা বাঁশীগী শৈরোলনি 'বসন্তগী বাঁশী'।

ইং কুমজা ১৯৫৮ দগী ১৯৬৬ ফাওবা চহী মাপল কাওবগী শৈরেংশিংগী থনগৎলবা শৈরেং ওইনা পুথোকপা শৈরেংগী লাইরিক্নি। মপুং ওইবা ভাব অমনা লিশাং শিংনা চেনবগুম উৎলি। অঙ্খবু শৈরেংগী মশক্তি ওঙ্কই। শৈকম মাপনমক শৈওং শৈদা তিম্মদে। লোইরমদাইগী শরুক্তি আধুনিকী ওইবা মপাউখোল পুরি হায়না কবিনা থাজজে। চপচানা মতমগী য়ারা-খোল পুবা শৈরেংশিংনা হায়বহ্নদি নৈনবা তারি।

কবি মশামক্না খোঞ্জেলসি বসন্তগী বাঁশীমক্কী মখোলনি। মশামক বসন্তনি রোমান্টিক কবিনি। নোংচুপকী কবি কীটস অমসুং শেলীগুম্না ভারতকী রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরগুম্না শরুকপা ঈশৈনি। অহানবা শৈকমদা অরোইবগী য়ুথল মরুমদগী হৌরি—'ঙাইনচিংদা' হায়বা শৈরেংদা। লোইদবগী বাঁশী খোংলিবা অমৃত ওইরিবা যৌবনগী ঈথক ঈরৈদা তাউথ-রিবা, মঙানগী মশক ওইরিবা য়াকাইরোন শাক্লিবা বসন্তগী মতোমন্তা পেন্নবা ওমত্রি অসিমা হায়জরি।

'তাবিয়ু এঐগোন্দা অমুক্তদি
মথুংগী লমদম্দা চাংজৌ য়েংনা লৈজনা
মৈচাক পুবা মুৎপা মাঙগী বাঁশীগী শৈরোল্নু
থরায় পেন্না শকচবা
য়াকায় তুমথুন অনী তিম্মনা
তুকাং থপাত্রিকাওবা মথুং মপান কাওনা
ঐগী বাঁশীগী সুর

"কজরগী মীচুংখোঙদগী" হায়বা মখংগী শৈরেংদা অশিবনা কক্লাং খাগিবা পৃথিবীগী মীংচৎ খোংদগী কজববু রেংনবা পৃথিবীদা হায়জরি। শক-হৌত্রবা ঈশৈদা মসম্ভ ঐগী ব'শীগী থম্মোয়দসে ইবুংঙো নঙগী ঈশৈনা অশক-শক্ শক্তবযু—থলহুমবীয়ো হায়রৈ। ঈথোলাংলবা মহাক্কী ব'শীনা নাকোং থাজত্তুনা ঙাইজরি—অমুকন্থ হুপুর থল থল। "অশিমগী ঈপাকথঙা" হায়বা শৈরেংদা মসক্তুনা মৈথী হিরেম ঙোংচুনা চাইখদি হুৎপা ম্নাইত্রবা থরায়গী মৈরীক রৈলীক্লা।

অনীগুবা শৈফম্না পুশিল্লকই ওন্না তৈনবা অনিগী হৌরককমদা তোর্ব্বান অনী। তাক্লী মীওইবগী পুক্নীংদা ভিন্নবা য়াদবা অনীগী মহুম শারি। অসিনা কবিনা হায়জরি ওন্না তৈনবা অনীগী থম্মোয় হাংদোকপীচুনা কায়না তিন্নবা অনীগী মরক্তা চেল্লিবা অথুম্বগী ঈচেলবু শকখঙজগে। মপুং ফাত্রবা মীওইবগী রাহৈগী অর্থবু মপুং ফাবা অর্থনা লৈবা মফমচুদা পুবীয়ু হায়জরি—"ব্রাহৈগী রাংমদা" হায়বা শৈরেংদা। রবীন্দ্রনাথগী লৈশক লৈনম ঙাক্তনি। থরায়গী ইরায়খোন হায়বা শৈরেংদা কবিনা লোইশিল্লি।

ভাউখদি অহুনা মীওইবগী পুক্কিনা
লোইবনাইদবা ঈচেন্দা
জয়গী পরেং লেংনা লেংনা
লাক্লুবা মতমগী ঙকশমদা হুক্লুনবা
মপুগী হুন্দবীনাগী মংকারগা ভান্নোয়নবা
হৌগ্রবা লাক্লিবা

মতু পুন্নমক্কী শৈরোলনা ভিন্নবা
অহানবা অহুক্কী ঈশৈনা
অয়োইবা হুদিংঙী
কাহলকমদাই তৈরবীগা ভিন্নবা নিন্নিবা।

বজনবা বাহৈগী ঐমক হৌবোম্নি। পুন্সিগী ছন্দদা থোক্লকপা ভপথত্রবগী থম্মোয়নি। রবীন্দ্রনাথকী "অনির্দা নান্ত অনিদা নত্তে" হায়বা থোক্লউঠুগী ছন্দগী মশক্নি। অতংপা টৈতনা চেহুবা পন্থুং নাইত্রবা অপ্তিনাবগী থোক্তচংবনি। ভাইজরি অনৌবা মনাগী যুগ অমা। অতুগা চেহুরি অতংপা টৈতনা। ইমিবা মতাংসি ছং কুমজা ১৯৫৯ দনি।

অহুমশুবা শৈকমদা পুশিল্লকই খতুগী কুমৈ। অহানবা শৈরেং বসন্তগী শৈশিনদা কবি কালিদাসপু নীংশিংহন্দুনা মালেমদা বসন্তনা থোঙদায়কপগী ছন্দ উৎলি। অতুবু ওলাংথাগী শৈশিল্লা থৌরাংনা বসন্তবু ভাইহরি শৈশিন লোইশিনবা। কবিনা তেংথারি কুঞ্জগী চেক্লাদি পাইরক্তরে। ওকচরি অনৌবা কুমগী কুমদমথোন নিল্লরিবা মালেমগী থোঙজিন্দা ওকচরি বসন্তনা ইঙাগী নোংলেন। মরমদি বসন্ত ঐগী বাঁশীতনা তাইবংবু য়াকাইরবা ভমদরে—ওকচরি মৈগী বীনানা থম্মোইদা খোংলিবা নোংজু শৈরোল। মথংদা হায়জরি হেমন্ত শুরদা বসন্ত শরৎ খোংলসি। অরিবগী নাকেন থাদা অমুক অনৌবগী পঞ্চজন্য খোংগৎলো হায়রি অকংবগী থম্মোয়গুংদা শুংশি য়েনীং য়েন্নোহন্নবা।

চৎথরক্লিবা বসন্তগী বাঁশী মরোলস্রি শককা শককা উনবগী থেংনবগী মশক য়াওত্রি। কবিনা হায়জরক্তা মথংজি পাউখুমদি ফংত্রি। অসিনা মরিশুবা শৈকমদদি পুশিল্লকই—তৌত্রি—বাঁশীগী খ্যারী শানবা। বাঁশীগী মকাদা তৌত্রিনা হায়জরি।

'শৈহল্লকউ বাঁশী অনৌবা শৈরোল শৈহেকসি
তৌত্রি ঐহাক শুমজগে ইবানী তৌমিন্নসি
ভাইবঙবু লৌথহল্লসি।'

তৌত্রিগী মপাউদা বাঁশীনা হুংজরি—বসন্তনা লেলাহনবা ভমত্রবা মাগী থম্মোয়দা করমম সূর্যগী মহীবু হৈথজরিগো, অদুবু ইবানী শকপাদদি লেপহুসি হায়জরি। তৌত্রিগী ঈশৈগী মহুক্রনা আরমজোম বকী ৺ভানবু কৌজক্লগে হায়বা তৌত্রিনা পাউখুমলি। বাঁশীনা তৌত্রিবু থাগৎচরি—

'শিরাংগী মরোক মরীদা কুলনা তাইবঙ নৈকনা
শেমজবা মুসিং—নাইগোন থম্মোয়গী ঈদৈশ মতুমদা
মুথবী কায়া কন্নীনা চাক্না মালেম কোন্দুনো
তজনা খিরাং শিংবা কয়াদা থংখীং নৌশ্রবা।

তৌত্রিগী মতুমদা— মশাইগোন্দা তিনজরগে হায়জরি বাঁশীসু তৌ-ত্রিনা থডনরিবসি— ঈথৌ লাংবগী চৈনাখোলনি মালেমগী তেংথাখোননি। বাঁশীনা পুররক্লিবনা বসন্তগী মপুং ফাবনি। যৌবনগী মঙ্গাই কাবনি। তৌত্রিনা কায়নবনি বসন্তনা পুংনবনি। তৌত্রিনা মৈতাকি বাঁশীনা অন্তালনি। মৈতাক্না মন্তালগা লৈনিন্নরবতদ। পুন্সিনা মপুং ফাবা ওই। অসিনা শৈরেং মপুং অসিগী তাংকক তাংকান্তা অনীগী লোইনমাইনবা য়ারী-শান্নবা চৎখি। মমৈথংদদি অমতা ওইখি। অনীমক হায়নরি— হোৎনসি পাউথুম হিদেন য়োনবা।

ইং কুমজা ১৯৬২ দা ইরকপা শৈরেংশিংনা কবিনা শাগ্নজরকই— শক্রোল সমুদ্র ইয়ায়দা। শক্তী তাইবঙদা শাগ্নজরকই। থেংনরকই তৌশিন্নবা তাইবঙ। অসিনা লাউজরি 'নৈথায়রসু শেগায়রসু তাকথায়-রসু থুগায়রসু লুপ্পসু, লোইরসু তৌশিন্নবা থম্মোয়' ওন্নকইবা মীওইবা সমাজনা কবিবু নীংবা কায়হল্লি। য়েংথি ঙেৎথিবদা উথি, তৌ-শিন্নবা— শাশিন্নবা, লৈশক থডদবা সাহিত্য মাতী। তুং হন্দোকচে কবিনা অতুগা নীংশিংলকই হৌত্রবা পুন্সি। রবীন্দ্রনাথনা "পূরবী" দা ওাওবঙ্গো কবিসু নীংশিংজরকই। "মতমতুগী ইবানী" থেংনরকই মকম কয়াগী 'খুজি শিবা খুজেং'। 'ঐতনা থডজবা ঐতনা মুত্তাইজবা কনাতি।' শান্তিনিকে-তনগী হাত্তিন মথোংদগী শ্রীঅরবিন্দ আশ্রমগী লৈহাউ মথোক্ত মকম অনি-নক্তা থেংমদ্রে। মতুগী ঈহৌনা মতুগী থামমদা তিন্নদ্রে। শান্তিনিকেতনগা শ্রীঅরবিন্দ আশ্রমগা অমতং ওইরকপনি। বসন্তা হেনক্তা পুরকপনি। পুন্সিগী মপুং ফানরকপগী মুজা অনগী মুত্তি অসিবু কবিনা কাউবা ঙমখিদে।

'আত্মা কুণ্ডলিনীগী থুংনবা তম্বগী লমদমদা
বসন্তগী মণ্ডলায়া
অওইবগী লাইনীংদা লুপখিবা মতম অসিদা
শাইগুমদনা লৈরম্বা ঐগী পুক্নীং পুম্বদো
তুফাং থগ্না পাইজখি
কল্পনাগী লম্বীদা
অওইবগী মণ্ডান পাংতুনা' ।

মতাং অসিদ্বাইদদি বসন্তগী বাঁশী অসি শৈরেন শুনা অয়েৌবী রাগ—রাগিনীদা মরোন থোক্লে হায়নীংই। মাইবী মরোলদগী তাইবণ্ডদা কুমথবা হৌরে। অসিনা উরক্লে পেন্দবা তৌশিন্নবা কয়া, বাঁশীগী তথক্লবা অণ্ডাওবা ছন্দ থাদোকুনা থোরক্লি চৈবগী, শাউবগী, নীংবা কায়বগী।

তরুকশুবা শৈকমদা উৎলকই মপুং ওইনা— 'সভ্যতাগী ফুম মগক্তা' 'শাশিন্নরিবা' নত্তবগী লমওক্তৈ'। অসিনা বসন্তগী বাঁশীনা মপুগী মকাদা তত্তনা রাকখলি। থেংনরক্লি 'সভ্যতাগী ফুম' দা পুক্নীং হুরবা বিজ্ঞান্না পুশিন্নকই হু পাম্বী। ফুম অসিমক্তি অমথীবা অমোংপা লোন থম্মোয়না শেম্বনি। থেংথাবা হৌরক্লে কবিনা 'সতী ধর্ম্ম মাণ্ডলবী কবিতা'। অমথীরবা সাহিত্য্য রাবন লাকুনা কবিতা সতীবু ছন্দগী শাইগোন্দগী মুন্দুনা পুখ্রে। অতুনা হংজরি থম্মোয় শোক্না 'হে পুন্সি নওবু নত্রবরনে শৈরেং'। পুন্নমক্না ভাংনরি মতম পুম্বদা 'রাচোই' রা ওাঙনীংবগী লায়না চেন্নবা লমদমসিদা। অতুনা কবিগী বসন্তগী বাঁশীনা থেংথারি হুমিং চুপ্না।

তরেৎশুবা শৈকমদা চণ্ডলকই কবিনা কুংলবা ঈশৈগী থেংথাখোল মরক্তা। থেংনরকই নিপালশুবা শৈকমদা (ঈং কুমজা ১৯৬৫) অতোপ্পদগী লোন্না আইডিয়া লৌশিঙ্গবী আইডিয়াগী মমা শাবী' অথুবীদা কবিনা চৈরকই। মায়াগী শক্তিবু কানবা হোৎনবা থাদোকউ। নহাক্তি পুন্সিগী অশেংবা মশক খঙ্গনবী মায়কৈ অমা য়াওবীনি হায়না য়ারকই। অতুনা

থোংলি হুমিৎ চুম্ন 'কজবতা পামজরবা ঐগী বাঁশীনা অথুংবী নঙুগী কংলবা পুক্লীং লমদমদা চত্তুনা'।

ইরোই লোইবা মাপলগুবা শৈফমদা কবিনা থোঙদায়কই কবিতা নত্তবা কবিতাগী লমদমদা'। অতুগা হায়রে 'নত্তে শস্ত্রেম্বীহুদি'। কবিগী শস্ত্রেম্বীদি মাঙখ্রে শাশিন্নবতা মঙায়রে। অতুনা হান্নজরি—য়েংবীয়ু সত্য-তাগী নীংথিজরবা খুংশেম হ্রাংমদা মক্রবা সনাগী সাবিত্রী সীতা। অমুক কুমথরকই কবিনা 'থম্মোয় লমদমদগী লৌশিংগী সুরুংদা'। নীংশিংলকই অমম্বা যুগ। থিজরকলি অশেংবা মঙানগী ঈগ্নিকথোনবা লম্বী অমা। মতমগী সাহিত্য কাব্যনা তাক্লিবা পুন্সিগী শক্তম অসিদা কবিনা হ্রাহংলি মসিনা অচুম্বরা? কবিনা পামজরিবদি হেন্না ফজবা পুন্সিনি। মতমগী কবিনা হ্রাহংগী লবুক্তা থিতুনা পাউথুম্বু ফংব্রে। অসিনা শৈরেংগী লোই-শিল্লকপদা কবিনা হংজরি থম্মোয় শোক্লা

'লৌশিং থম্মোয় অনীগী
তিন্নফম তীর্থ শেম্বদি
ওম্নরোইদবা মীওইবগী পুক্লীংদা
অরোইবা পাউথুম অমতং ফংনলবা
তেংবানবা শীন্না
পাউথুমগী মঙান অমতং চাইননবা'।

মতাং অসিদা বসন্তগী বাঁশী লেপখ্রে। পাউথুমগীদমক থৌরাংথিবা বাঁশী মরোল থোকখিদ্রে। ইং কুমজা ১৯৭৮দা কোংথিবা শৈরেংগী লাইরিক অসিনা কবি সুরেন্দ্রজিংকী অরোইবা বসন্তগী মরমদা ইবা কাবতা-শিং অসি শৈরেংগী মহুত্তা হ্রারেং ওইনা ইরম্বনা ফগানি হায়রবা মত কোঙদোকই। হ্রাকম অসিদা অচুম্বা কন্না হ্রান্না হ্রাওই। সুরেন্দ্রজিংকী লোইশিল্লকপগী শৈরেংশিং অসিগা হৌরকপা কবিতাশিংগা চাংদম্নবদা ওম্নকইবা সমাজ অমম্নুং মতুগা লোয়নরকপা শৈরেংগী অহোংবশিং অহু ট্রবদা কবিনা থাঙবা ওমদে। পোক্লকই থম্মোয়দা অশাউবা য়েংনিংদবা

মরমনু থাওজ্রবদবা। অমুকপা সুর অমা মহাক্কী বসন্তগী কাপীদা থাও-মকই। মসিমক্কা কবি অসিনা পুন্সিগী অহোংবা থোইদনা নৈতবা কল্পনা ঙাওজবা নত্তনা পুন্সিগী ওইবকইবা মতম অমসুং জগংগী অহোংবা মওংদা সহানুভূতি পীবা তঙাই। মশক থঙবা কাওবা ওবদেশ প্রেম অমসুং করুণাগী লমবমদা থোক্তলামকপা ওমদে।

মতাং অসিদা রবীন্দ্রনাথকী শৈরেংগা চাংদমবা য়াই। থোইদোক্লবা মহাক্কী পুন্সিগী থাওমৈ মুৎলমদাইদা ইথিবা শৈরেংশিংগা। মঙালদা তাও-অবা রবীন্দ্রনাথনি। পুন্সি চুপসি থাজরকই। মঙালনা জয় তৌগনি। অচুবু অনীওবা লাঙাওনা পুন্সিনকইবা ওন্নকইবা পৃথিবীগী মশক্তা মৈরাচু নীক্রকই— থেংনরকই অমাবগী নোংদোন পক্তা ৱাংলবা মশক। খঙজরকই— ইমলসিবা মঙালসি মপাম্বোংগীনি, মঙ্গুংগী নত্তে। লাওরকই ঐহাক্তি ব্রাত্যনি, মন্ত্র য়াওদ্রবনি। থাজবা মাওথিবমক্তি নত্তে। মপাম্বোংগী লৌনম্না হৈশিংনা শেরান্নবা লমজীংলবসু লৈরি মশা মতোমতনা ঙাঙবা মতম পুন্সগী শেংলবা মুংগী মঙাল। পুন্সিবু অশুম্বা মশক খঙজরকই বিশ্বকবিনা

"শিত্রিফাওবগী অম্রাবগী তপস্যানি পুন্সি হায়বসি
অচুম্বগী তাঙলবা মমলবু ফংননগীদমক্তা
লমন পুম্বা শিংদোকপা তাই অশিবদা
(রূপ-নারানগী তোর্বান্দা—'শেষলেখা'

কবিগী চায়জরবা মরূপ জীবনদেবতাবু ওইনজরকই— লৌনম তৌবা মায়ানি। অচুবু মুংগী লমজমদা থাজবদি লেপথিদে।

কবি সুরেন্দ্রজিংকা রবীন্দ্রনাথকা চাংদমবদি ওইথোক্তে। চহী ৮০ হেল্লরুবা রবীন্দ্রনাথকী পুন্সিনা কললকপা মঙাল অমু চহী ৫০ গী ওইবা সুরেন্দ্রজিংতা পোক্কদবনি হায়বহুদি নত্তে। অচুবু পরমপরা অমসুং অধু-নিকতা অনিমকপু শমজনগে হোৎনথিবা সুরেন্দ্রজিংতি মতমগী ওন্নকইবা সমাজ অমসুং মতমগী কবিতাবু শক খঙখিবরা হায়বহুদি হংবা য়াবা ৱাহংনি।

ট্রাডিসনগী অচেৎপা যুগমদা লেপখিবা রোমান্টিক ওইবা কবি সুরেন্দ্রজিৎনি আধুনিক ওইরবা কবিতাবু শক খঙদবদা নত্তনা তশেংনমক তাথীখিবা মীওই অমনি। সুরেন্দ্রজিৎনা আধুনিক কবি ওইখিদে হায়না শাউবদি নত্তে। ওইবগীসু দরকার লৈতে। অদুবু রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর গুম্বা পুন্সিবু মঙালদগী হেন্না ভাগদবা মপাঙ্গা পুংখাওনা চঙশিনখিবা মঙ অমগা চঙশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা কবি সুরেন্দ্রজিৎনা লমখাঙদা লেপথোকখিদ্রনা ওন্নকইবা পুন্নকপু তাম্বোক্লবা হোৎনখিবা মহাকী বসন্ত কাঁশীগী লোইরমদাইগী শৈরেংশিং অসিগী মপুং ফাদব। অশাউবনা মাঙওইনখিবা অমসুং অখুবা পুক্চেল অমগী মমি উৎখিবা অদুগা পেন্দবা ফোঙদোকপনি।

শক্ন হায়রবদা ফজবদা ঙাওজবা কবি সুরেন্দ্রজিৎনি। শৈরেংগী ছন্দদা রাথলগী মীৎয়েংদা ফজবা কল্লাগী মশক উৎপা ঙমখি। বুদ্ধিগী রাংমদা লৈবা তুংঙাইবনু থৌরাঙজবা মীওইনু অমনি— মতাং অসিদা অফি-শিংগী মমি ময়েক শেংনা তাথি। অদুবু শাপ্তগী চাঁকা লেপত্রবা কর্ণগী দোলাই গুম্বা খাঙজপ্তা কবিতাগী ঈচেল থকখি। য়াক্লবা সমাজগী মশক থেংনবদা তুংগী অমুতবু কোনশিন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা থম্মোয়দা খাঙঙমদবা চৈন্নাথোল পোকখি। মতুগী ফমনা মতমগী সমাজবু মতমগী শৈরেংবু শকখঙবা ঙমখিদে। তুংঙাইতবদি কবি মশামক্তা খঙলে হায়না থাজখিব-সিনি। অরি অনৌগী শক্নবা থোং শারে হায়না শেন্নায়না লৌজখিবসিনি। সুরেন্দ্রজিৎতি ওন্নকইবা যুগাপু শকখঙখিব্রে।

১৯৮৪ ইং

মণিপুরী হিন্দুশিংগী অশিবগা মরী লৈনবা সংস্কার

'হিন্দু অমগী পুন্সিদি অরোইবা নাইদবা যজ্ঞগী মশকনি। হিংলিঙৈগী পুন্সীগী যজ্ঞগী মশক্তি— অতংপা লৈতনা কংথোকপা, শেংদোকপা অমসুং মপুং ফাহনবা। অশিবনসু অরোইবা নত্তে। গীতাদা হায়রি—শিবা হায়বসি ফীজোল হোংবনি অত্মাগী। অমনবা কি লংশেক্তনা। অসিনা মুক্তি ফংত্রিবা ফাওবা পোকপা-শিবগী চক্রদা উংহনা লৈরিবা, পুন্সিদা মপোক অমদা পোক্ত্রিঙৈগী মহুংদা চংথগদবা শিবদগীনা চহী অমগী চংথগদবা সংস্কার (অন্ত্যেষ্টী) লৈরি। অসিনবু হেল্লা মরু ওই। সংস্কার হায়বসি চুমগী ইংরাজী রাইহেগী রাইটস অমসুং রিচুয়েল হায়বস্থু নত্তে। মহুংগী কৃপাগী মশক ওইনা মপান্দা ফোঙদোকপা ইংরাজী রাইহে সেক্রামেণ্ট হায়বহুনি। হকচাংবু শেংদোকপা নত্তে; পুন্নীং অমসুং থম্মোয়বু অরাংবা থাক্তা পুথক্তনা ফুদোংলবা সনাগুম্না নত্তগা ফজনা করুবা লংলবা মণি মতুমগুম্না থম্বনি। ঐখোয় পুম্না পোক্লকপদদি শুদ্রনি— সংস্কারগী মতুংদদি অমুক পোক্লবনি— ব্রাহ্মণনি (দ্বিজনি) হায়বসি হিন্দুগী চেংনা থাজনবনি। পুম্নমক ধর্ম্মগী মহুং চনবনি—নিংথৌবু রাররিবা ধর্ম্মনি। হিন্দুগী সংস্কারগী মশক অসি মনুস্মৃতিনা (খৃংগী মাং তুং চহী ২০০) হৌরগা স্মৃতিশাস্ত্র করাদা মপুং ওইনা "গৃহ-সুত্র" দা অহানবা ওইনা নিয়ম পুথোকই। গরুড় পুরাণদসু রাকম অসি ময়েক শেংনা য়াওই। হিন্দুগী সংস্কারগী মশীং অয়েক্কা লৈতে— নিফুনি হায়বসু য়াওই— গৃহ-সুত্রদা ১২ দগী ১৮ ফাওবদা হাইহনা লৈরগা অরোইবদা ১৬ নি হায়হনা লোইশিল্লি। মসিগী মহুংদা অন্ত্যেষ্টী সংস্কার থেংনৈ।

শাস্ত্রনা হায়রি— হিংলিঙৈগী তৌবা অর্থাৎ কয়াগী সংস্কারনা পৃথিবীদু জয় তৌই ; শিরগা মরী লৈনবশিংনা তৌবা সংস্কারনা অতোপ্পা জগৎপু জয় তৌই। হৌজিকী পুন্সিদগী লাক্তৌরিবা পুন্সিনা হেন্না মরু ওই— হিন্দু অমগী মক্মদদি। মরমদি পোকপা-শিবগী চক্র অসি পোকপা নাইদবা, শিবা লৈতবা আত্মাগী তীর্থ যাত্রানি— পুন্সি কয়াগী, অরানবা থুবম কংত্রিবা ফাওবা। পোক্রবদি শিবা শোয়ত্রে। শিরবদি শোয়দনা পোকনি (মুক্তি কংত্রিবা ফওবা)। অসিনা শাস্ত্রনা হায়রি— পোকপদগী মুং-ঙাইকম থোক্কে। শিবদসু তেংথাকম লৈতে। খঙদব। লমদম অমদগী খঙদবা লমদম অমদা চংগনি। অসিনা পোকপা শিবা অমতনি। অরোইবা সংস্কার ওইনা হিংলিঙৈগী আত্মানা অপাম্বা ওইনা পিতৃলোক অমসুং ব্রহ্মালোক্তা তিনখিনবা, শিরবা মীশক্তুগী দাবী ওইনা (প্রেতগী অধি-কার ওইনা) লৈহৌরিবশিংগী চাউরবা থৌদাং অমু হিন্দু খুদিংনা পাঙ-থোকপা তাবনি। অমুক পোকপা, কর্ম্মগী ফল অমসুং মুক্তিগী চপচাবা মশক্তুদি লৈনফম থোকপা কয়ামুক লৈবনা মতাং অসিদদি পুশিঞ্জত্রে।

মণিপুরগী হিন্দুশিংসু সংস্কার অসিগী হৌবদগী লোইবা ফাওবদি পাঙ-থোকপা তাবনি। অমুকসু বৈষ্ণব ওইরবনা থানবা য়াত্রবা ভাগবত ধর্ম্মসু মসিদা চঙবা তাবনি। অসিনা লৈরি— সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞ— শিরমদাই-দগী চহীগী অরোইবা ফীরোয় শোনবা ফাওবা। মসিনা মণিপুরী বৈষ্ণবকী তোপতোপ্পনি। অসিগীসু মথক্তা লম লমগী চৎনবী হায়হ্না— দেশাচার, লোকাচার হায়হ্না লময়ানবীরম্ব। লাইগুরুশিংহ্না অসুম তৌকম থোকই হায়হ্না থম্বীরম্বা চৎনবী অমসু লৈরি। পুন্নমক অসিনা পুনসিঙ্গগা মণিপুরী হিন্দুগী অশিবগা মরী লৈনব: সংস্কার ওইরি। চহী ১০০মুকী মসুংদা চূড়াচান্দ মহারাজগী মতমদগীনি হায়নৈ—বৈরাগ্য নত্রগা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌখিহ্না পুন্নমক অসি শমজিনখিবগী মওং অমসুং লম্বোইখিবগী কর্ম্ম হায়হ্না য়ায়নক পায়না চঙশিন্নরকপা অমসু লৈরি। মসিমসু মতাং চানা

লৈনরবনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] হা [illegible] — [illegible] হুম্ভিংবা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]।

[illegible]শাস্ত্রশিংগী মতুং ইন্না অশিবগী মথী লৈনবা সংস্কার অসি মতাং কয়ামুক থোক্লা খায়দোক্লি— (ক) শিরমদাহিদা খাঙথোকপ, (খ) শোর দনা শিরগদৌবদ্য তৌবীগদৌবা, (গ) কু শাবা, (ঘ) অশিং হৃকচাংবু লৌথোকপা অমসুং মোংকম্বদা পুথোকপ, (ঙ) অন্তুস্তরণী (লোয়রনবা শনবী), (চ) মৈ থাবা, (ছ) ঈশিংনা ঈংহনবা, (জ) কায়নরবশিংবু থেমজিনব, (ঝ) অশৌচ (অমাং অশেংগী মশক) ময়ামগা তিন্নদবা (ঞ) অস্থি সঞ্চয়, (ট) নীংশিং ফুরা কৎপা, (ঠ) শ্রাদ্ধ (লৈথিদ্রবা প্রেতদা কৎপগী থৌরম), (ড) সপিণ্ডীকরণ (পুরোন ভয়েৎতা তিনশিন-হনখিবা)— মসিনা কীরোয়গী মশক্কি। মথক্কী অসি মণিপুরী বৈষ্ণবশিংনা খজিক্তুং শমজিন্নগ তৌবা মওংদা চৎথে। থরম্বু কুপশিন্না তৌবা মতাংশু য়াওই। সংকীর্ত্তন নগম্বু ইথা খানজ্রি— চহী অমা চ প্রা। শিরগা মৈ থাবগী মফুংগী অর্থদি মৈ (অগ্নি) কৌবা লাই অসি মীগা লাইশিংগগী মরক্তা পাঙ থানবগী থবক ত্তোই। বেদদা মৈবু হায়— পুরোহিত, পাথোন চৎপীবা লাইশিংবু কৌথবীবা। অসিন শিরবদা হৃকচাং অসিবু মৈদা দান তৌ-থোকপনি। লৈকংদা ফুম্বা, ঈশিংদা লংথবগী চুংনবীসু লৈরমই— মণি-পুরদসু মৈ চঙজিবশিংবু ফুম্বগী চংনবী লৈরি। পাপ কয়া তৌরবা, মপুরোইবা হাংপী, মতোমতা শিজবনচিংবা কয়াসু মৈগী সংস্কার প্রাপ্ত-থোকপা য়াদরগী নিয়মসু লৈরি। মতম অমম্ভদি মণিপুরদসু থৌরী য়ানুনা শিজরশিংবু মন্তাবক কানবীদা হন্দোকপগী চৎনবী কয়া লৈরমই।

শিরমদাইদা মচা মতশিংদগী বিদায় লৌবা, দান তৌবা অমসুং [illegible] [illegible] [illegible] কয়া পাঙথোকবদা মৈ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কা কংবম থোকলনি। [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] গঙ্গাগী [illegible] অমসুং [illegible] [illegible] [illegible]।

শূদ্রবদা খুৎনা তুলসী শোকহল্লি। মকোক অমাং ওলহনগনি। মনুসংহিতাদা হায়রি— শূদ্রনা শিরবদি যুমগী মথা মায়কৈদা পুথোক্কনি, বৈশ্যগীনা নোংচুপ্তা, ক্ষত্রিয়গীনা অরাংলোমদা অমসুং ব্রাহ্মণগীনা নোংপোক্তা। পোৎলোইফমদি অকক্কবা লৈশ্রবনা মায়ওনফমসি অমাং ওইনা থম্বা ওইরম্বা য়াই। ব্রাহ্মণনা কৃষ্ণগী মন্ত্র থীগনি। মতাং অসিদা মীশক অসি চপচানা হকচাং থাদোক্লে হায়না লৌবা য়ারে।

মরক অসিদা উপারা মায়কৈ মরী কোয়শিনবা হকচাং চনবা কু শাগনি। পোৎলোইবদ। চঙগদবা ফীরালনচিংবা পোৎচং পুম্নমক থৌরাং তৌরগনি। চাক থোংবদি খুদোং চাত্রবনিনা য়াম মকুপ্পা মতুম তাশিল্লগা পিণ্ড শাগনি অমসুং মথং মথং দান তৌগনি— যুমদা (গৃহ পিণ্ড) থোঙজিন্দা (দ্বার পিণ্ড) নত্রগা কোম্থোংদা অমসুং পোৎলোইফমদা পিণ্ডশিং অসি থরায় য়াওদ্রবা হকচাং (প্রেত) অসিদা অরাম-থৌরাংবা কোক্নবা মথং মথং পীজরকপনি। থরদং শমজিনবা ওইনা মণিপুরদদি লোয়নবা শনবী দান (অনুস্তরণী)সু পুথোক্লিঙৈদা লোইশিল্লে। বৈতরণী লানবদা শনবীনা য়াম্নমক মতেং পাংই হায়না থাজবদগী মহাকপু দান ওইনা পীথোক্লগা থাদোকখিবনি— মসিবু গোদান হায়না মণিপুরদা চৎনরি। মমাংঙৈদদি হিন্দুগী অশিবগী কু অসি শনগাড়ীদা হাপকৎনবদা যম লৈবাক্তা মতেং ওইননবনি হায়বগী মন্ত্রগা লোয়নরমই। হৌজিক্তি শনগাড়ী চৎনদ্রে। নক্নবা মরী মতাশিংনা, লৈকায়গী মীওইশিংনা পুনরে। কূদা হকচাংবু হাপচিনবদসু মন্ত্রনা অসুম্না খঙহল্লি - অমনবা ফীজোল হোংলো। তৌখিবা যজ্ঞবু (ইষ্টবু) নীংশিংউ; পাঙথোকখিবা থবকশিংবু (পুরত্ত) নীংশিংউ। সংকির্ত্তনগী কাংবুনা নামডাকা পুংলোন য়ৈরত্থনা প্রার্থনাগা কোন্নানা কু অত্থু পোৎলোইফম তাম্না পুথোক্লনি। মচা মশূ, মরী-মতা অমসুং খঙন-চান্নবশিংনা তু মিন্না ইনগনি। পুম্নমক অসিগী মপুং ওইনা পাঙথোক্লিবদি মচানিপা অহল নত্রগা থবক অত্থু পাঙথোকপগী অধিকার লৈবা মীওইনি। মহাক ক্রিয়াধারীনি— মৈতৈলোন্দা কিরা থাংবা হায়না কৌনরি।

পোৎলোইফম ময়াদা ঈশিংখোং নত্রগা তুরেল লৈগনি— মতুৎ গঙ্গা যমুনাগী কল্পনা তৌগনি। মাল্লবা মন্ত্রসু থীগনি। পোৎলোইকমদা তৌগ-দবসি মতাং অনিনি— অভিষেক (ঈশিংনা শেংদোকপা) অমসুং শীংদা মৈ চুখা। অভিষেক্কী মতুংদা হকচাংবু ঈশিংনা শেংদোকনি। কী অহনবা হোংগনি ; চন্দন থিনবীগনি। ময়াদা সনা উমশিনহনবনচিংবা পাওথোকনি। ফীওৌনা মায় কুপশিনগনি। পিণ্ড দান তৌগনি। চেণ্ড খোইদিং ঈশিংগা লোয়ননা কুশ মনানা ত্রিকোণ (ত্রিভুজ) লৈই য়েক্কনি। ব্রাহ্মণ ওইরগা চতুর্কোন (মায়কৈ মরি কোয়শিনবা) য়েক্কনি। মন্ত্র থীত্তুনা প্রেতবু আৰাহন (কৌশিনবা) তৌগনি। মৈদা শিন্নরগদবা তাঙ্গানি। মথংদা ক্রিয়াধারীনা (কিরা থাংৰনা) য়েৎওইননা চিতাবু কোয়রতুনা য়ান্নুংদা কৎপগী ভাবতা হকচাংদা মৈ চুগনি। বেদগী মন্ত্র থীগনি। মপুং-ওইবা ভাবতি অগ্নিদেব, হকচাং অসি অনাবসু ফাওহনবীগনু ; পুমচাকমকসু চাকথোপীগনু— হকচাং পুম্বা চাকশিল্লব্রবদা, হে জাতবেদ, প্রেত অসি পিতৃলোক্তা তিলহনবীখো। মৈনা চাকখৎলক্লবদা শীং মচেং তরেৎখক অমমমতা ওইনা য়েৎওইননা কোয়তুনা অচাকপা মৈন্নুংদা ক্রিয়াধারীনা লংশিনগনি। অসিমসু মন্ত্রদা য়াওরি— মীৎনা নুমিত্তা তিনখিসনু ; প্রাণনা আকাশতা অমসুং প্রেত নহাক্না কর্ম্মফলগী মতুংইন্না পিতৃলোক্তা চৎখিসনু। চিতাবু তরেৎলক কোয়বসিদা মণিপুরদদি থাংজৌ (নত্রগা শীংজং) অমসু ক্রিয়াধারীনা পায়গনি অমসুং অকোয়বা খুদিংগী অহূমলক চিতাতুদা য়েগনি। মৈনা হকচাং তুমশিল্লব্রবা মতমদা ঈশিংনা ঈংহনবগী কর্ম্ম (উদক কর্ম্ম) তৌগনি— ভাবতি চাকথেক্লবা হকচাংবু অমসুং কোম্নবা প্রেতবু ঈংহনবনি। মচিদা কোম তৌথোক্লগা ঈসিংসু হৈজিন্নৈ। লৈপাক্তা তাহৌবা শরু মচেৎশিং খরতুনা গঙ্গাদা থাদবগী ভাবতা ঈশিংদা লংথগনি। ময়েক্কীদি ইরুজথোক্লগা ঈশিংদা কুমতুনা সঙ্কল্পগা লোয়ননা অতুগুম্বা গোত্রগী অতুগুম্বা প্রেতকী হকচাংগী শরুক অসি গঙ্গাদা থাদজরবনি হায়না শঙ্গোম খোইহী, থোইদিংগা কোম্নবা শরু মচেৎশিং অতু খুৎ য়েংনা পায়শিল্লগা

হংখগদ্রোৱনি। মসিমক য়েৌনদি চঙশিন্নৱা ঙমদ্রে। মণিপুরদা লাইরঙগী চিন্তামণি লৌবা হায়রকনা হরুচাংনা লুমজ্রিঙৈদা শরু মচেৎ অমা কম্বলগা লোম্নুনা তোর্ববান্দা থমজিল্লমই—অহিং লৌখৎপা মুমিৎকীরমক। মসি লোইরবদি গঙ্গাপ্রাপ্তি আনন্দ হরি হরিবোল লাউরগা পুম্নমক মুয়োমন্দা হম্নরঙ্গনি—চীনয়া শেংদোকুনা ঈকৎথোকুনা, মৈ ওরগা, থাঙ লোকুনা ইমুং ইমুংদা চঙমররগনি। থাজনবগী মতুংইন্না প্রেত অসি ইয়াং য়াংবা' ডপথদরগুদ্বা অম্না ওইনা চহী অমা চুপ্পা পাইহনা লৈ। মহাকপু পেল-হন্নরনি—ততনা পিণ্ডদান তৌরিবা, শ্রাদ্ধ শোল্লিবা অমসুং লাইরিক-সংকীর্ত্তননচিংবা ততনা চৎথরিবা।

মথংদা চৎথরগনি—শিবা মুমিত্তগী হৌনা মুমিৎ মশীং করা পূরক (পোরোক) শোনবা। পিতৃলোকতা চৎকদৌবগী ভাইরিবা প্রেতগী শান্তি ফংনবা অমসুং লৈহৌরিবশিংগীসু কায়ন-মৈচাক কোরুবা। মতাং অসিদা অমাং অশেংগী কুপ্পবা বিচার চঙলে। য়াংবা হায়বসি ময়ামগা শম্নবা য়াদ-বনি। মমুনা হায়রি—অমাংবগী মতমসি ব্রাহ্মণগীনা ১০ নি, ক্ষত্রিয়গীনা ১৩ নি, বৈশ্যগীনা ১৫ নি অমসুং শূদ্রগীনা থা অমা। মসিনা সপিণ্ডগী (মপাদগী পুরোল ৭, মচাদগী পুরোল ৭)কী রাফম্নি। মসিগী খাংমদা লৈবগীদি হায়বদি সমানোদকচিংবগী মুমিৎ অম্নক ওইগনি হায়বগী অকুপ্প বিচার লৈদ্রে। অদুবু মণিপুরদদি সপিণ্ডগী ভাবতা পুম্নমক চৎথনরি। মসিদা শাস্ত্রগী চংনবী মতুংইন্না কুপশিল্লুনবা হোৎনবদগী রায়াম থোক্কখিরসু য়াওখ্রে। মতাং অসি শাস্ত্রদগী চৎনবীনা কনবগী মত্তাংনি। পূরক (পোরোক) শোল্লিঙৈগী মমুংদা ক্রিয়াধারীনা ব্রত কত্তুনা, ময়ামগা তিন্নদনা মশানা চাক থোংজহনা, লৈপাক্তা হিগুনা অরাবা থাওবগী মওং অমসু চৎথরি। মুম্যাংলিঙৈগী মমুংদা মহাক্কী নোংমগী থৌদাং অমসুং মুম অদুগী নিয়মদি—ওল্লিঙৈদা চাকনচিংবা থোংহনা পিণ্ড দান তৌবা (প্রেতবু আবাহন তৌহনা), মুংথিলন্না লাইরিক তাবা হায়হনা সংকীর্ত্তনগা কোম্নুনা ভাগবত শ্রবণ (মপুং ওইনা দশম স্কন্ধ) তৌবা ভাবোক য়াওনা অমসুং

হুমিদাংবাইরমক্তা শঞ্জায়চিংবগী দান। মহাক মতম পূন্নদা থাও অমা থাহরাই— মন্না লোংখোতুন্না থমগনি। মখোক্তা ঈশিং চুপ্পবা ফীজেং অমনস্থ কুপকনি। ভাবত্তি— প্রেত অচুনা অরাম-খোঙ্গাংবদগী খওহৌদনা লওতোন্দা চোংশিল্লকপস্থ য়াই নত্রগা পিশাচনচিংবা অতৈস্থ। হুমাংঙৈদদি ক্রিয়াধারী অচু ফাওবা শেন্নরমই। থুদক্তা ঈশিং নত্রগা পিণ্ডনচিংবা দান তৌবা ওমদবনিনা অচোংপা থাওখোক্তী ঈশিংচু মখোয়না চুপখিনবা মওংনি। পুন্নক লোন্দুনা মাংলিঙৈগী মচুংদা ক্রিয়াধারী অচুগী শাজৎ, য়াখল অমস্থং পুক্নীং— তপস্যাগী মশক লৌগনি। প্রেত অচুগস্থ মহাক্তা শাগোন্নরিবনি। চংনবী মতুংইন্না পোংলোইফমদগী চফুদা ঈশিং হাপতুনা মচুম তাইন্দুনা ঈশিংগী দানগী মওংদা খোঙ্গাংলবা প্রেতাত্মাবু পেলহন্নবা হোংনৈ। কনা-গুম্বনা হঙ্গাম মরূনচিংবা হুন্দুনা হঙ্গাম হৌহল্লি— তর্পণগী মশক ওইনা।

শিবদগী মওানি চনবদা (লম্বোইবগীনা ৬ নিদা) অস্থি সঞ্চয়গী কর্ম্ম পাওথোকই। কনা চাউবা থৌদাংনি। সংকীর্ত্তন পালা য়াওনা শাগৈ-নাতৈ মরূপ-মপাংশিংনা ফীওৌ শেত্তুনা পোংলোইফম তান্না চংলগা পোংলোই-বদা ফুমখিব। চিন্তামণিচু লৌখত্তুনা কারকই। মতাং অসিদস্থ প্রেতবু আবাহন তৌই; পিণ্ড কংলি। থোইদিং হঙ্গাম মন্না কংলগা থুরূমই। পুন্নমক্তা কারক্লপা ভাগবত শ্রবণ তৌই অমস্থং ঈশ্বরদা কংলবা প্রসাদী (হৈ-লৈনচিংবা) পুন্নমক্তা য়েম্ভোকই। সংকীর্ত্তনস্থ নীংথিজনা শকই। মণিপুরদ-দি নাম সংকীর্ত্তন থক থাদোকপা য়াদে। পালাগী মশক্তি য়ুবুনা পামজনা মতুংইন্না ওইবা য়াই - নট সংকীর্ত্তন, বংদেশ (অরিবা) নত্রগা মানোহরসাই। পালা অসিনস্থ অমুক শোরাও (শ্রাদ্ধ) শকদৌরিবনি। অস্থি অসি মপান্দা চংনবদদি পোংলোইবা হুমিত্তা অচুম গঙ্গাদা কংথ্রবনি— গঙ্গাপ্রাপ্তি লাউথ্রবনি। মণিপুরদস্থ গঙ্গাপ্রাপ্তি ফাওবদি লাউই। অচুবু চিন্তামণি ওইনা পুখৎলিবা অস্থি অসিদি নবদ্বীপ নত্রগা ক্ষেত্র (পুরী) দ গঙ্গাদা থাদনবগী চংনবী অমস্থ লৈরি। ওন্নগনা থ্রান্নদগী রাংবদি রাধাকুণ্ডদা মফম অমদা ফুমজিন্দুনা ব্রজভূম্নিদা অমতা ওইনা তিজহনখিবগী চংনবী অমস্থ কন্না

লৈরি। মতাং অসিন্নাইদদি স্মার্ত্তগী মততগীসু বৈষ্ণবকী চংনবীনা হেন্না লুশিল্লকই।

শ্রাদ্ধগী মপুংওইবা উদ্দেশ্যদি প্রেতাত্মা অহুবু পেলহনবনি— মঙোন্দা কথোকপনি। ইশিংনা তর্পণ কৎলগা পিতৃতর্পণ তৌবগুম্না প্রেত অহুদা কৎপগা লোয়নননা চিঙাক (পিণ্ড), বিত্মা লৈরবা অমসুং দরকার লৈরবা ব্রাহ্মণশিংদা (অশেংবদি তিল্লরিবা পুন্নমক্তা) ফীরোল অমসুং দক্ষিণাগা কোন্নবা কথোকপনি। প্রেতদা তৌবীমল থগুবা ভুংপগা লোয়নননা লৈত-লায়রদা দান তৌবসু য়াওবনা অর্থনীতিগী মায়কৈ অমসু য়াওরি। য়ুমশেংবা মতুং হেক নোংঙানবদা শ্রাদ্ধ শোনবা হোগনি হায়না শাস্ত্রনা হায়রি। শোন-গদবা শ্রাদ্ধ ১৬ নি। ইহান হানবা আদ্য শ্রাদ্ধ, থাগী ওইবা শ্রাদ্ধ (মৃত্যু-তিথিগী থংনবা নুমিত্তগী ৩০ নি শুবা মতমদা) ১২ অমসুং থা ৬।৬ কী ওইবা শ্রাদ্ধ অনি অমসুং অরোইবগী সপিণ্ডীকরণ শ্রাদ্ধ। খুদোংচাবা-চাদবগী মতুংইন্না মাসিক শ্রাদ্ধশিং অসি য়েথোক-য়েশিন য়াই; অহুবু শোন্দবদি য়াদে। শ্রাদ্ধ খুদিংদা পিণ্ডগী শরুক য়াওই। মণিপুরদদি অহানবা শোরাৎ নুমিত্তা থবক শমজিনবগী মওংদা আদ্যশ্রাদ্ধ (ইহান হানবা শোরাৎ) থা তরানিথোইগী ১৪রক্কী শ্রাদ্ধ অমসুং অরোইবগী প্রেতবু মপা মপুদা তিনশিনথিবা শোরাৎ— সপিণ্ডীকরণ শ্রাদ্ধ ফাওবা শোন্দোকপগী চৎনবীসু লৈতবা নত্তে। মসি তৌরবসু থা থাগী কৎপা অমসুং অরোইবদা থাগী ওইবা, সপিণ্ডীকরণগী ওইবা সংকীর্ত্তনগা কোন্নবা শ্রাদ্ধ (মণিপুরী লোন্দা ফীরোয়) সু শোন্দবা য়াদে। শ্রাদ্ধগী অকুপ্পা মন্ত্রশিংগা কোন্নবা সংকল্পশিংদি মতাং অসিদা নৈনবা ওইথোক্তে। হায়রিবা শ্রাদ্ধ ১৬ অসি শোল্লবতদা প্রেতনা লানবা (মুক্তি ফংবা) হায়বহু ওই। লাল্লবা প্রেতাত্মান কদায়দা কমদোনা করম্বা লম্বীদা চৎপগে হায়বদু নৈনবগী লোইবা নাইদে কর্মফল অমসুং অমুক পোক্লকপগী অমসুং আত্মাগী শাংগ্রবা যাত্রাগী মতা য়াওরি। ইচম চম্না, থরদি হন্থবা মওংদা পুরাণগী মত ইল্লগদি— যম

মসিগী ডুতনা প্রেতন্থু গৌরবা লাকনি। যম নিংথৌগী সৈপাক্তা, চিত্রগুপ্তনা সরকারগী উকিল ওইত্থনা কর্মগী অফ-ফক্তগী থৌদোকশিং কুপ্পা য়েংলগা যম-রাজনা চীফ জষ্টীস ওইত্থনা বিচার তৌই। হিংলিঙৈদা পাঙথোকখিবা কর্মগী মতুংইন্না কর্মফল ফংহল্লি— নরক্কী চৈনা ফাওবা ফংহল্লি। কর্মফল চাখা লৌইরগা মথংগী পুন্সি অমুক ওইরকই। দণ্ডি অসি অনিরক পীবনি— যমরাজগী সৈপাক্তা পীবা দণ্ডি অমা অমস্তুং পাপকী ফল ওইনা মথংগী মপোক্তা পীবা দণ্ডি অমা। মসি হাকমল্লি-চম্মল্লি হায়নবস্থু লৈতবা নত্তে। শ্রীঅরবিন্দমক রাফম অসি য়ানীংদে।

মণিপুরগী শ্রাদ্ধদি ঈরোং অনি ফাংনা চেনবা ঈচেল্লি। মথক্কী স্মৃতিশাস্ত্রগী মতুংইন্না শ্রাদ্ধ অসি পাঙথোক্লিঙৈদা নট সংকীর্ত্তন মহাযজ্ঞস্থু (মন্ত্রগা বংদেশ মন্ত্রগা মনোহরসাই পালাস্থু) মণ্ডপ লৈনা চথরি। মহাযজ্ঞগী মশক লৌবনা বৈদিক্কী নিয়ম মতুংইন্না চথরিবা অসিমস্থু ওন্থোক্না কুপথ্রবা রসকী বিচারনি। বৈষ্ণবকী সাধনাগী অয়োবী মশক্লি। পুংগী রাগনা হৌরগা (রাগ অচৌবদদি শোল্লিবশিং অতু সিদ্ধ দেহ ওইরে সখীগী মশক ওইরে— বৃন্দাবন লীলাদা চঙবা য়ারে) ঈশৈগী রাগনচিংবা হৌত্থনা তিন-তাল, রাজমেল, তাণ্ডপ, মেনকুপ অমস্তুং অরোইবগী প্রার্থনাগা লোয়ননা পুংনা রাধাকৃষ্ণ সঙ্কার য়ৈত্থনা কৃৎলিবা কাংবুনা দণ্ডবৎ প্রণাম তৌত্থনা সংকীর্ত্তন লোইশিনগনি। চৎনবী মতুংইন্না গৌরচন্দ্রদগী হৌগনি অমস্তুং শক্লিবা বৃন্দাবন লীলা— গৌরগী ভাবীদা থোকপনি। অসিনা লোইশিল্লি— নিত্যাইপদনা। শ্রাদ্ধগী মপুংওইবা মশক্তি সংকীর্ত্তননতুম ওইরি। চৎনবী মতুংইন্না অহানবগী আন্তশ্রাদ্ধ হুমিৎকা অমস্তুং অরোইবগী চহী লোইবগী শ্রাদ্ধ হুমিত্তদা সংকীর্ত্তণগী শরুক য়াওই। মরক্কী শ্রাদ্ধদদি অয়াম্বনা থাদোক্লরে। খরগা কুপ্পা য়েংশিল্লবদি প্রেতাত্মাগী লম্বীসি খরদি খেয়-বগুম উরি। শাস্ত্রগী শ্রাদ্ধদনা পন্থুংক্নসি ঈপা ঈপুগী লৈফম্নি (পিতৃ-লোক্তি) মতুংদা ব্রহ্মলোক য়ৌখিবস্থু য়াই। সংকীর্ত্তণগী লম্বীনা প্রেতন্থু রাধা কৃষ্ণগী খুয়াদা চঙজহনবনি— তশেংবদি মুক্তিগী মখল অমনি। অমুক

পোল্লকৰা কাওবা য়াৰগী মওং লৈরি। অন্থুবু অনিমক থানবা লৈতনা মণিপুরী বৈষ্ণবকী শ্রাদ্ধদা চপচানা য়াওরি। য়াথল অনিমক তিন্নরি।

মণিপুরী বৈষ্ণবকী শ্রাদ্ধদা হৌজিক য়াম্নমক চন্নবা মওং অমা চঙশিল্লক্লি। মহুদি ভেকাশ্রয় তৌবা হায়দুনা শিবদা সন্ন্যাস ধর্ম্ম লৌহুনা লম্বোইথোকপা। মসিমদি পুংশম শমখ্রে। হিন্দু ধর্ম্মগী ব্রহ্মচার্য্য, গার্হস্থ্য, বানপ্রস্থ অমসুং সন্ন্যাস হায়রিবা আশ্রম মরি অসিগী অরোইবনি লৌরিবসি। মশম্নচিংবা ককথত্তুনা মরু কোকপা তাৰে। লৈপাক্তা হিপকনি। মৈ পূজা তৌররোই। জগৎ অসি করিসু লৈতে হায়না খন্দোক্লুনা ব্রহ্মদা (শ্রীকৃষ্ণদা) চঙজে। অত্থুগা ফংজে— অত্মজ্ঞান। মীওইবগী অশাউবা, কল্লক য়েংথৌবা, মুংশিবা, য়েক্লবগী মথক্তা লৈখ্রবা ফীৰম অমনি। মহাকনা হকচাং থাদোকপদা ঈশ্বরগা অমত্তা ওইখ্রে। পোকপা শিবগী চক্রদগী লাম্থোকখিদুনা অরানবা খুৰম ফংখ্রে। অমুক সংসারদা হল্লক্রে। মসিবু খঙনৈ— লৈঙাং শঙবা ফি শেত্তুনা বৈরাগ্য খুৰম ফংখিবা অমসুং ওনখিবা সন্ন্যাসী। মমা মপা শাগে নাতৈ মঙ্গপ-মপাংগী মরী পুম্নমক ককথৎখ্রে।

অসিগুম্না শিবদা লম্বোইথোকপগী চৎনবী অসি চুড়াচান্দ মহারাজগী মতমদা হৌরকপনি হায়না থাজনৈ। শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যমকসু সন্ন্যাসীনি। শ্রীমদভাগবত পুরাণগা থাদোক্লবা য়াদ্রবা বৈষ্ণব অমগী পুন্সিদা বৈরাগ্যগী মগুণ অসি মতাং মতাংদা তোয়না পল্লি। পুন্সিগী তৌরকপা পাপ পুম্নমক চয়োল অমত্তং ভাগবত শ্রবণ তৌবদা কোক খত্নুনা অরানবা খুৰম ফংখি হায়ৰগী মতাং ভাগবতকী গোকর্ণগী ৱারীদা য়াওরি। পাপ কয়া তৌরক্লবসু লাইগী মমিং থোনবা মচা অমতং মমিং কৌরুবদগী যমগী দুত্তগী মুন্দুনা (যমরাজগী অয়াবগা লোয়ননা) শ্রীকৃষ্ণদা তিনখি হায়বগী ৱারীসু ভাগবত্তা য়াওরি। থাদোক্লবা য়াদ্রবা নাম সংকীর্ত্তণগী অর্থসু মপোক মপোক খুদিংদা শ্রীকৃষ্ণগী চরণ সেবা ফংজবনি— কৃষ্ণলোক্তা হায়বদি বৃন্দাবন নত্রগা গোকুলদা তিঙবনি। সন্ন্যাস ধর্ম্ম শিরমদাইদা লৌখ্রবদি প্রেতাত্মাগী থবক লৈত্রে; পিতৃলোক্তা চৎপা, যম নিংথৌগী ৱায়েল চৈরাক, পিণ্ডগী খোৰাংনা

চহী অমা ওইহল্লো লৈরা, শ্রাদ্ধ ১৬ শোনবগী দরকার— কল্পিমতা লৈত্রে। অহুবু চংনবরকপা মতুংইন্না অশিবদি পোংলোইফমদা পুখোল্লি ; মৈ থাব্লি অন্থি, সঞ্চয় শোল্লি; শ্রাদ্ধগী মপানগী মওংস্তু অতুম মতৌল্লি — নাম সংকীর্ত্তণ-নটিংবা। কীরোয়ন্তু শোল্লি। তশেংবদি পুম্নমক অসি দরকার অমতা য়াত্রবনি। হকচাংনা মৈদা তুমখিবগা লোয়ননা লৈখিত্রবা আত্মা অহু শ্রীকৃষ্ণদা তিলত্রবনি। অহুবু ময়ামগী হুংঙাইনবা হায়দুনা শোরাং শোল্লি— শ্রাদ্ধ কৌত্রে; শ্রীকৃষ্ণপ্রীতিগীদমক ঈশিং থুজোক অমতং কৎপা (জলাঞ্জলি) হায়নরে। মসিনা অমুক কোনশিল্লিবদি – শিরমদাইদা মীশক অহুনা লম্বোইজগে হায়বগী দরকার ফাওবা লৌতে ; মহাক্না শিদ্রিঙৈদা লম্বোই-জগে হায়বগী অনীংবা (সঙ্কল্প) কনাদনে। অমদা খঙহল্লম্নগা য়ারে। অসিনা ঐখোয়না মরক মরক্ত উরিবা থরায় য়াওত্রবা হকচাং ফাওবা ভেক পীবগী চংনবী অসি কায়দ্রে হায়না লৌনরি। মসি থম্ননীংঙাইনি।

মণিপুরী হিন্দুশিংগী অশ্রিবগা মরী লৈনন। চথরিবা অরোইবা সংস্কার অসি শাস্ত্রগা, চংনবীগা অমস্তুং বৈষ্ণব ধর্ম্মগা অহুন্না তোংনহুনা শাগংখিব-নি। মপুং ওইনা মশক অনিনি। তোপতোপ্পা মীওই কাংলুপ অসিগী ধর্ম্মগা থাদোক্লবা য়াত্রবা পুন্সি লম্বীনি। অরানবা খুবম ফংবগী খোঙচংনি।

১৯৮৯ ইং



মণিপুরগী শীংথানরবা কবি, সাহিত্যিক অমসুং কলাগী আলোচক শ্রীএলাংবম নীলকান্ত সিংহগী অহুমশুবা রচনাগী লাইরিক অসিদা মণিপুরগী জগোয়, ঈশৈ, লীলা, সাহিত্য অমসুং সংস্কৃতিগী অতোপ্পা মায়কৈ কয়াদা ওইরকইবা মহাক্কী ৱাখল অমসুং মীৎয়েংগী তোপ তোপ্পা অমা থেংনবীগনি। অয়াম্বনা চেকশিন্না ইথবা সেমিনার কয়াগী পেপরশিংনি। ওন্নকইবা অমসুং হান্নগী সংস্কৃতিগী শক্লোন কয়া থেংনবীগনি।

হৌজিক ফাওবদা ফোঙলবা মহাক্কী অতৈ লাইরিক-শিংদি— অচাইবা লৈ (১৯৫৭), মণিপুরী কবিতাগী ছন্দ (১৯৬৮), চৎলসিনে কদাইদনো ইবানী (১৯৭১), মতমগী ৱারেং (১৯৭৫), Aspects of Indian Culture (1982) অমসুং তীর্থ যাত্রানি (১৯৮৫)।